মৈহৌরোল্

মোইরাংথেম নরেন্দ্র


MAN

MEIHOUROL

(A Perspective Study)

Meihourol means general genealogy but the term has, ever since, been used to mean the pedigree system of the Meitei. It identifies a clan or a person of a clan and differentiate the clan or the person from other clans or persons belonging to other clans. No other treaties, except it, can vividly trace the real origin of the clans in this homeland of the Meiteis.

Published by – **Dr. Moirangthem Ranjana**
Khongman Moirang Pandit Leikai,
Imphal-795001




1st Edition – 2nd June, 2005

Copy – 500/-

Price – Rs. 150/-

Printed at - Sucheta Printing Works
Pologround Road, Imphal.



অফোংব লাইরিক ওইন উবা ফংখিদ্রবসু
কংচরি লাইরিকসি নফমদ নচানা

অফোংবগী ৱারোল্

লাইরিক অম ফোংব, ফোংননবা হোৎনবদ কয়াম ৱাব হায়বদু অহানব্দ ঐ করিসু খংলমদে। লাইরিক অসিগি দায়ত্য ঐন লৌদুনা ফোংগনি হায়বসু ঐ মঙদ ফাওব খল্লুদে । বাবান হিংলিঙৈ মতমদ মতম কয়া চংন ইজরকপ মাগী লাইরিক্ অসি ফোংবগি মতাংদ ঐগ তোইন ৱারি শান্নখি । অয়াম্বন ফোংব অমসুং পৈশাগী মতাংদনি । বাবান তোইন হেক হেক হায়খি লাইরিক অসিতবু ফোংলবদি শিরবসু য়ারে । নোংমসু Manipur State Archive কী ইচেম্ম Sushila না মখোয় ফোংজরগে হায়রে হায়দুন হরাওন তম্মী । শক ২০০৩গী অরোইবগী শরুকতগীদি নিংথম থাগী অইংব খংদন অঙনব অয়ুকতগী অথেংব ফাওব লাইরিক ইদুনা লৈব ঐখোয়ন তোয়ন থেংনখি । বাবাগী লোইশিননিংবগী মতৌ অদুদ ঐসু য়াওনব হায়নখি । মতমদুদ Manipur State Kala Academy নসু মখোয়গীদমক অহোঙপুঙ লালুপান্ হায়ব অরিব মীতৈ ময়েক্‌ত ইব লাইরিক্ অম translation, transcription অমসুং transliteration তৌবিদব য়াদে হায়দুন নমশিনবিরক্‌খি । বাবানসু য়াথোকউরে । অনিমক্ মতম্ অমত্তদ তৌব ঙমদবদগি বাবান লাইরিক অসিদ য়াওরিব সলাই য়ুমদবগী সরুক অসি অরিব ময়েকতগী বঙ্গালি ময়েক্ত শিন্দোকপগি থবক ঐঙোন্দ শিন্নবিখি। বাবান তোইন হায়খি মীগী মমিং লালহন্‌গনু, লাল্লবদি মী মাঙব হায়বদু কোই লানদনবা হোৎনৌ । অদুবু মদু শিন্দোকপ মতমদ ঐন বনান্সি লাললে হায়ব খংজব ময়াম্ অম য়াওবদ নত্তন পাবদ ঐন হৈতবনর খোনথোক নুংঙাইতব, পাব থোকতবসু য়াম্‌ন অদুমক্ য়াওই । বাবাদ য়েংহন্দুন অরান অহুই ময়াম অদু শেমদোককে খল্লক্‌প মতমদুদি ঐখোয় অনিমক্ অমুক Manipur University গী Philosophy Department না June গী last week তা শিন্‌ব national seminar অমগী resource person ওইনব

invitation ফংবদগি য়েংশিন্ননব মতম ফংখিদে। বাবান অসুক থুন চৎখিনি খংদবনিন ঐনসু কয়া তক্শিন্লুদে । বাবা July গী তাং ৫দা নহারোল সহিত্য প্রেমীগী চাক্লেন য়াওব মীফম অম য়াওরুব হল্লক্পদগি মশা নুংঙাইত্‌বা হৌরকতুনা তান্ননব অমদি য়েংশিন্নব মতম অমুক ফংখিদ্রে।

লাইরিক অসি ঐহাকন বাবান পামজরমবগি মতুং ইন্ন ফোংদোকনবা হোৎনবদদি বাবগী লাইরিকসি অয়াম্বন মৈতৈগী লৈজরিব অরিব পুয়াসিংদ বেজ তৌব ওইবন অমদি বাবান মেথোদোলোজিগী নোলেজ থাৎপন ঐঙোন্দ খর নুংঙাইজদব ফাওই। অদুবু ইথন্তগী অপামব মওংদ পুথোককদবদু বাবাগী ওইবনিন মাগী মশাগী form, writing style, spelling অদুদা অদুমক কায়দনব হোৎনজরে ।

অরোইবদ ঐন হায়জনিংবদি লাইরিক অসিবু ফোংনবা হোৎনবদ ঐবু ইনকরেজ পিবিরকখিব মরু ওইন ইকাই খুমনজরিব ঐগ্যা পাবুং শ্রী অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্ম অমদি ঐগী ওজা দা: এন্ বীরচন্দ্র, রিদর, লিলোং হাউরৈবি কোলেজ, লিলোং, লোইন লোইনন দা: কে, রুহিনিকুমার, লেকচরর Ideal Girl's College গী মফমদ শিংব ঙমলরোইদব লমন্ তোনশিনজরে খনজরি। অদুগা বাবাগী থারব বনান্বু লান্দনবা হোৎনবিদুন নমবগী থৌদাং লৌবিরিব শ্রী ক্ষেত্রিময়ুম জোতিন সিংহবুসু তৌবিমল্ খংব উৎচরি।

ঐন বাবদ পিখিব commitment অমগি মখাদ লাইরিক অসি ফোংজবনি। অসোইব অরানব য়াওরবসু পাবিরিব ময়ান করিসু খঙজদবনি খন্ন ঙাকপিয়ু হায়জরি ।

রঞ্জনা

ৱাহৈ খরা

লৈখিদ্রবা মোইরাংথেম্ নরেন্দ্রনা হোৎনজরম্ব মচা ইবেম্ম রঞ্জনা-না সমপাদন তৌব মৈহৌরোল্ কৌবা লাইরিক অসি ফোংবদা ঐবু করিগুম্বা ৱাহৈ খরা ফোংদোকচনবগী খুদোংচবা পিবিবা অসি নুঙাইজবা অমনি । লাইরিক অসিদা মপুং ওইনা উৎলিবদি মৈতৈ ফুরুপ অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সাগৈ নত্রগা য়ুমনাক্শিং অসি ওইরকখিবগী ৱাফমনি । অদুনা লাইরিক অসি মৈতৈ কিনসিপকী মশক তাকপা মতাং অমখকনি হায়বা তাই । লাইরিক অসি কিনসিপকী মপুং ফাবা লাইরিক ওইহননিংবনি অদুবু অফোংব অমসুং অয়িবগী মফমদ মেথোদোলোজিগী পোব্লেম্ লৈবনা মদুমক্তি ওইদ্রে । মৈতৈ সমাজদা সলাইগী চৎনবী হায়বদি সলাই ৯ করম্না ওইরকপ মদুগী মমাঙদা করম্না চৎনরম্বা মদুদগী খ্: গী অঙনব্ চহিদগী য়েককী চৎনবী লাকখিব অমসুং য়েকশিং অসিদগী য়ুমদাবা হায়বদি য়ুমনাক শাগৈ মথং মথং লাকখিবা অমসুং য়েক অমগ য়েক অমগা করম্না ঈ মরি লৈনরকখিবা। পুম্নমক্ অসি উৎপ ঙমলবদি য়াম্না মপুং ফাবা লাইরিক অমা ওইরমগদবনি। অদুবু লাইরিক অসি মতাঙ অমখক্তদগি হেন্না কুপ্না নৈনদ্রে । মথংগী খুনমদ্ হেন্না মপুং ফাবা মওংদা পুথোরক্কনি থাজৈ । অদুবু লাইরিক অসিদা উৎলিব খরা অসি অফবা মচাক খুদিংমক্ লৌখৎতুনা শিজিন্নরবদি মখা তানা অমুক মৈতৈগী পুয়াশিং নৈনদ্রবসু য়ারে । লাইরিক অসিন কনাগুম্বা স্কোলরশিংন মৈতৈগী কিনসিপকী মরমদা থিজিন-হুমজিনগে হায়রবদি অফাবা মচাক অমা ওইরগনি ।

বীরচন্দ্র

ৱাহয় খরা

মৈহৌরোলগী ৱাসি পারী পুরীগি ৱোইনসু অয়সি খরদি খঙফম্ থোকপনি । ৱোজাসিংন হায়ব ৱাদসু কয়া পুকনিঙ চঙলুদে । নৈনগেসু খল্লুদবনি । অদুবু কাছার অমসুঙ ত্রিপুরাদ সাহিত্যগি মীফম্ অম ইংসোক ১৯৮৮ দা চৎলুবদ ময়াম্ সক্ তাক্নবদ মরুপ্ অমন মহাক্তি খাব মোইরাংথেম্নি হায়ন তাকপিখি । মোইরাংথেম খাবনি হায়বদ ঙকখি । অয়খোয় মোইরাংথেমদি খাব ইন্ব লৈতে । সাইরুকনি হায়বদি খন্খি । ইম্ফাল্ য়ৌরগ ৱাফম্ অসি ৱোজাদ হংবদ ইনবা কৌই হায়ন তাকপীরে । খাবদ নত্তে, অঙোম্ মোইরাং ইন্বা, মোইরাংথেম খুমন্ ইনবসু লৈরমলে । ৱোজাগি ৱাফম্ খরদগি মোইরাং সলাইগি মরমদ খর মখৈ খঙফম্ থোকই হায়বগি ইথিল অম পীখি । মোইরাংলোন্ পাবা হৌখি । মোইরাংলোন্ খক্তং পাবন অকুপপ ৱারোল্ খঙ্ব ঙমদবগি মৈহৌরোল্ সকোক্, নোংলোল্ সকোক, পুদিন্, লয়থক লয়খারোল্ মথং মথং পাব হৌখি । খঙনিংবসু মথং মথং হেল্লকখি । মমৈদ অয়ন হৈতবন মৈহৌরোল্গি মেথোদোলোজিদ পেন্দব পোকখি । লয়বাক্ অসিদ লৈরম্লিবা মী কাঙলুপ্ত তান্থোক্ লেম্থোঙ্ খায়দোকপদ মখোয়দ লৈরম্লিব মরি অদুমক্ হায়বদ হায়ফম্ খঙদব ইবদ মরী ইসম্ সম্নদব কয়া অদু মচা খায়ন পীদব য়াদব কয়া অদু য়েংলুবদ অচৌব পোৎলুম্ অম ৱোইখি । সমন হায়বদ তান্থোঙ হাকোক্প লেম্থোঙ হাকুব হায়ব ৱাহয় অসিমক্ লুচিংবনি খঙলবসু ৱাহয় মান্নদব অসিমক্কী মনুংগি ৱোইব ৱাফম্ কয়া অদু ময়েক্ সেংন খঙদ্রিঙৈদ ৱাহনথোক্নি হায়দুন তান্থোঙ্ ময়ুং কুইব, লেমথোঙ্ মফৈ পাক্প অদুগ অমুক্ন তান্থোঙ্ লেম্থোঙবু ময়ুং মফৈ পাক্প -অদুগ অমুক্ন তানথোঙ্ লেম্থোঙবু ময়ুং মফেল্, মরাক্ ময়ুং হায়ন ৱাহনথোক্ পীব অসিমক্ন কাঙলুপ্ নত্রগ সরুক অনী থোক্ন খায়বগী ৱাফম্ পীরিব অদুদগি মৈহৌরোল্ অসিদ খুৎ থানিঙ্বগি ৱাখল্ পোক্খি। মসিদ লৈরিব লয়বাক্কি ৱোইব অপুন্বা সক্তম্ অম সাগৎপদ অৱোন্ব কয়া লৈরিব অদু মীয়াম্দ থমনিঙ্খি ।

মৈহৌরোল্দ অয়ন খুৎ থাজরিব অসি হৈরে হায়দুন খুৎ থাজব নত্তে। ৱোজাদগি ফংজরক্প ব্রাফম্ খর অদু মীয়াম্দ পাউতম্জবনি। মসিদ অৱাৎপ কয়া অমদি অরান্ব কয়াসু লৈরম্ গনি। (অয়সু য়াজে) মরমদি মৈহৌরোলসি ময়তৈ পাওরওদ হায়রে ব্রাতা থীব হায়দরে ব্রামাংব হায়ব অদু য়াম্ন লৈ। অদুন হায়ফম থোক্প ব্রা কয়া হায়রম্দে। অপুন্বা কাঙলুপ অম সাগৎপগি মৱোঙ অম লৈবন অমদি লাইসিংন তৌরম্ব অদুগী খুদুং ইন্দব য়াদবন অয়িব অয়সে ইনিঙ্ তমদে। মৈহৌরোল্দ নুমিৎকি সাগে থাগি সাগে হায়ব অসিদ অপুনবা সক্তম অম লাইসিংন পুথরিব কাঙ্লুপকি মৱোঙ অসিগি মনুংদ থিরেল্-লায়াৎলোল্গি লিন্দাওরেল্ন হাথবদি হায়দুন কাংবরোল্ অম লৈরমলিব অসিসু খন্দব য়াহন্দে। মদুবু থনম্বদ পুৱারীগী ৱোইব ব্রা অদু মাঙঙী। মপুঙ্ ফাহন্দে। অদুত নত্তন তান্থোঙ লেমথোঙ্গি ব্রা অদুসু মীয়াম্দ অমুক হন্ন ময়েক সেংহন্দে। মদু মপুং ফান পুথোক্পদ লয়বাক্ অসিদ লাইসিংন থম্লম্ব অপুনবদ অকাইব লৈতনব ইরিরম্ব কয়া অদুসু য়েংদুন ইদব য়াদব মরম কয়া অদুনসু পুৱারী অম সাগৎপদ অপন্ব ৱোইখি। ব্রাখল পরিং অমদ চিংনব অমদি মান্নদব ব্রাফম কয়া লাকখি। মদুদ অসেংব অদু পুথোক্পদ অরিব লাইরিক মসাগি ব্রারেং চৎনরকপ খুৎই ১দি মফোঙদোক্ অদু পুথোক্তুন ইবন পান্দম্ ৱোইরকখি। অদুন চৎথরক্লিব ব্রাগি মতুং ইন্ন ব্রাহয় খরদি হন্জিন্ হন্জিন্ ইব তাখি। পাবদ মতম মাঙ্ব অদুসু য়েংদব য়াদবন লাইরিক্ অসি মসক্ ফজহন্দে। হন্জিন্ন হায়দ্রবদি ময়েক সেংদে। মদু হেক তোক্পদ লাইৱোইরবসিংন থম্বিরিব অপুন্ব সক্তমদ অকাইব লাক্ই। লাইসিংগিদি কাঙ্লুপ মান্নদব ময়াম্ন পুল্লগ সেম্ব লয়বাক্নি খঙ্লবসু মকা ফোংদে। অসিগুম্ব লাইসিংন থম্বিরম্ব ফজব কয়া অদু মীয়াম্দ থমজনিঙদুন লাইরিক্ অসি পুথোকচবনি।

মোইরাংথেম নরেন্দ্র

অহানবা সরুক

মণিপুর

ময়তৈ লয়বাক্ মণিপুর অসি তোলেমিগি জিয়োগ্রাফি (রিসর্চসসেজ ওন দি তোলেমিজ জিয়োগ্রাফি ওফ ইসতরন্ এসিয়) দদি মমিং নিঙথিন পীদে। লিতল্ পোলোমেন্ হায়ব মী কাঙলুপ্‌ন লৈব লম্ হায়ন লয়বাক্ অসিবু সক্ তাক্‌পী। লয়বাক্ অসিগি মমিং খঙলম্‌দব নত্রগ লৈরম্‌দব ৱোইন উই। অদুন তোলেমিগি মতুং ইন্‌নদি খৃ:গি চহী চাগি অঙন্‌ব ৱোইন খঙনব লৈরম্‌দে হায়ব য়াই। য়ুমথংনব লয়বাক্ ফাওব লম্ অসিগি অপুন্‌ব মমিং লৈতবগি মৱোঙদ তোঙান্ তোঙান্‌ব মিংথোন্ পীনৈ। অরিব মতম্‌গি ৱা ইব লয়বাক্ অসিগি লাইরিক্তসু লম্‌দম্ অসিগি মমিং অসি চক্ চক্কি ৱোইন তোঙান্ তোঙান্‌ন পীবিরম্মী। মমিং অমত্তদ অপূন্‌ব ৱোইন চৎথরক্প উদে, পীরম্‌দে। লয়বাক অসিগি মমিংদ অপূনব ৱোইন "মণিপুর" হায়ন থেংনরিব অসিদি সদিং সকোক্ অমসুঙ সনা মহী লাইকল্ হায়ব গরিবনিৱাজগি (১৭০৯-১৯৪৮) মতমদ ইব লাইরিক্ অদুদ পীরম্ব, ইরম্ব অসিন অহানব অয়িব ৱোইন ফংব মিংনি। নিংথৌ অসিগি মতমদ চৎনরম্ব সেল্ ময়েক্তসু "মেখেলেশ্বর" হায়দুন লম্ অসিবু মেখলী হায়ন খঙনরম্ব অমদি ইরম্বসু ফংঙী। মপান্ লম্‌গি মীন লয়বাক মমিং ইবিবদি অথেঙ্‌বদ থেংনৈ। লয়বাক্ অসিগি মমিংদ মণিপুর হায়ন ইবসি ইনিংথৌ খাগেম্বগি মতম্ খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২ ফাওবদি ফংয়ে। ১) চাইবী খুন্দা পুঙ্, (২) পোইরৈ ময়তৈ (৩) পোইরৈ (৪) ময়তৈ লয়বাক্ (৫) পোইরৈপাক্ হায়ব মিংদা অসিদি অরিব লাইরিক্ অয়াম্বদ ফংঙী।

মৈহৌরোল্

লয়বাক্ অসিগি মমিংদ য়াম্ন ওল্লীগৈ মতম্ হঙ্কো অমসুঙ চক্কি মতম্দগিসু অপুনব মমিং অমদ লীসাং সিংন চৎথরক্পগি ৱা ফংদে। মোংপিরু, তিল্লি কোক্তোম্, সারোল্ পুঙ্, মুৱা পল্লী হায়ব মমিং অসিন লয়বাক্ অসিগি মিং অসি অপূন্ব ৱোইন চৎথরক্প উদে। হঙ্কো অমসুঙ্ চক্সিংদ খুন্দারিব মীদি "ক" কাঙ্লুপ্ন লয়বাক্ অসিদ পাল্লম্মী হায়ন মৈহৌরোল্গি লাইরিক্ খরদ পীরম্মী। অদুগ চক্সিদ লৈরম্ব মীবুন পুন্ন চক্প হায়ন খঙনরম্বগি ৱা লয়কোয় চিগংব হায়ব লাইরিক্ন পীরি। লয়বাক্ অসিগি ৱোইব অপূন্ব ৱোইন খঙনব মমিংদি পল্লম্দে। তৌবসু অঙন্ব মতম্দদি লয়বাক্ অসিগি মীসিসু কাঙ্লুপ নাইন তোঙান্ তোঙান্ব মফমদ লৈনরম্বগি অমদি খুন্দারম্বগি ৱাফম্ পুঙ্ কন্ব লোল্ অমসুঙ্ খুন্থোঙ হায়ব অরিব লাইরিক্সিংদগি খঙ্ব ঙম্মী। অঙন্ব মতম্গি ৱাদ লয়বাক্ অসিগি মমিংদি অপুন্ব ৱোইন ইপী পীরম্দে। মী কাঙ্লুপ্কি মমিংদি লয়হও নাওফম্ লোন্দ তোঙান্ তোঙান্ন পীরম্মী। "নোংপোক্ থংব সরুক্ত লৈব মীগি মসক্তি সেল্কোই সক্তানৈ। কাঙলুপ্কি মিংন তরং তরং ফাই কৌৱি। অৱাং থংবদ লৈবা মীগি মসক্ত মমাই কোয়দানৈ য়াংকোক্কুম্মী। মমিংন হাওরয় কৌৱি। নোংচুপ্ থংবদ লৈবন সগোন্ সক্তানৈ। মমায় সাঙ্ভী। কাঙ্লুপ্কি মমিংন অসাং অপূম্ কৌৱি। মখা থংব সরুক্ত লৈব মীদি মমাই তুম্মী। মমিংন পোংখু পোংহন কৌৱি" হায়দুন তোঙান্ তোঙান্ব মীন খুন্দারম্বগি ৱাফম পী।

হয়ি চক্ অহান্বদগি চাদা নাওদা সন্দোক্কুন খুন্দা লয়তারব মতুং কোন্ন চক্ হৌরক্কুন কাঙ্লুপ্সিংন খুন্দা লয়তাদুন লৈনরবসু লয়বাক্ অসিগি অপূন্ব ৱোইন খঙনব মমিং লৈরম্দে। অদুন মরম্ ৱোইদুন থংনব লয়বাক্সিংন মনাক্ নক্প লম্দ খুন্দাব মীগি কাঙ্লুপ্ অদুবু লম্ অসিগি মমিং ৱোইন হায়রম্বগি ৱাফম লৈ। বেঙ্গলিসিংন মেখলি, কবোন ময়তৈগি লম্ অমসুঙ মীবু কতে, অসাম্, তেখাওন ময়তৈবু মেখলী, তমেংলোংন, কবুইন তাইময়, মাওন মিক্রি, অৱান মুং কথে, পোংন কসে হায়ন লয়বাক্ অসিগি মমিং খঙনবগুম্ন লয়বাক্ অসিগি মমিং অসি কতে, কসে, কাসি,

কথে, মেখলী মেক্রে, মোগলো, মোগলী, ঙম্, পোইরৈ ময়তে হায়ন থংনব লয়বাক্সিংন তোঙান্ তোঙান্ব মমিং পীনরম্ব, কৌনরম্ব অসিন লয়বাক অসিগি মমিংসি মালেম্গি ৱোইনা খঙ্নব অপুনব মমিং লৈরম্দে। লয়বাক্ অসিগি মীন মফম্ খরদংদ অপূনব মমিং ৱোইন লৈরম্বদি অঙন্ব মতমদ্ লয়বাক্ অসিগি মীন (১) খুরাই পুঙ্ (২) সৌদোন্ পুঙ্ (৩) লম্দাই পুঙ্ (৪) ৱাঙথোনবী পুঙ্ অসিন কোনব লম্ অসিবু লয়কাই লায়াৎকি মতুং ইন্ন কংলয়পাক্ হায়ন খঙ্নরম্ব অসি নত্তন অপূনবগি ৱোইন লয়বাক্ অসিগি মমিং লৈরম্দে। অতোপ্প অমন নোংদা লাইরেল্ পাখংবগি হেক মমাংদ সোরারেল্ অহুম্ন কোয়ন চাইথোক্খিয়ে হায়বগি চাইবী খুন্দা পুঙ্ কৌরে হায়ব অনী অসি নত্তন অপূন্ব ৱোইন খঙ্নব লয়বাক্ অসিগি মমিং লৈরমদে।

খুন্দা খুছোক্

লয়বাক অসিগি অরিব লাইরিক্সিং য়েংলগদি হৌজিক্ হৌজিক্ লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মীসিং অসি লোইনমক্ লয়সেম্ঙৈদগি লৈমিন্নরক্প ৱোইন লওবদি য়াদে। চিঙ্গি মীসিং অসিসু খুন্সেম্ লয়সেম্ঙৈদগি লৈমিন্নরক্প মী ঙাক্তনি হায়ন খন্বসু লান্গনি। অনৌবা মীন লৈবাক অসিদ লাক্খিবগি ৱা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম্দগি লৈরে। থিদ থিরুরবদি চিঙদ লৈরিব চিঙমীসিং অমদি তম্দ লৈরিব তম্মীসিং অসে কোন্ন লাক্প মীন মসিঙ্ য়াম্ব লমনি। লয়বাক্ অসিদ মীৱোই লাইৱোইবসিং অদুন খুন্দারম্বগি ৱাদ লাই খুন্দা অমসুঙ্ পুঙ কন্ব লোন্দ লম্দম্ অসিগি অকং অকংব মফমদ পাক্-সন্ন খুন্দা লয়তারম্বগি ৱা, মীসিং অদুগি লৈফম্, খুন্দারম্ব মফম্ লাইরিকসিং অদুদ ময়েক সেংন পীরি। মীসিং অদুন খুন্দা হান্ব, লয়বাক্ অসিগি অহানব মীনি হায়দুন পুয়া খরন সেংন পীরি।

পুঙ্ কন্‌ব লোল্ - (১)

তোনময়বী তোনময়সাংন ঙাহাবুঙ্ তোংঙে। তোনময়বী তোনময় লেমন চাউপলি (চাউব্রি) পুঙ্ তোংঙে। চেকাই পংক লাইবন কাংপোকপী তোংঙে। চেকাই মকা লাইবন লুৱাং নোংহুম্ সঙ্ তোংঙে। নোংমোইনুন নোংচেং তোংঙী। নোংথাং লয়মন নুঙকোইবী তোংঙে। পাখংবন মেন্ তোংঙে। লাই খুন্দানে।

পুঙ্ কন্‌ব লোল্ - (২)

(১) ইচিক্‌সি ৱাকোং নিংথৌবন ৱাকোং লম্মহন্ তোংঙে। (২) চিন্‌লেং লাম্বন কোঙ্কোই ইনম্‌থী তোংঙে। (৩) থাঙ্ঙা য়াওখান খুম্‌ফম্ ঙাংচেং তোংঙে। (৪) নোংবাল লয়রেল্ চাম্বন কৌব চিঙময় তোংঙে। (৫) লুৱাং পুনসিবন সোয়রেল্ ঈ মরু তোংঙে। (৬) লুৱাং সেল্ হোঙ্বন কৌব নাপ্ পচিক্ তোংঙে। (৭) পাখং হয়রেম্বন য়ুপুঙ্ নাক্‌ঙ পাৎ তোংঙে। (৮) লয়পুঙ্ চারিয়ান হোংঙাই কৈসি তোংঙে। (৯) থাঙ্‌প হুইরোই নাইন লাংচিঙ ফেন্‌লাংচিঙ্ তোংঙে। (১০) তিন্‌পাল্ চারুকোক্‌ন থোম্ব লউ লৈকংলা তোংঙে। (১১) ফিতপ্ ফিতাইন চিঙ্‌থাং থাঙ্‌খ থাঙ্‌হল্ তোংঙে। (১২) ইচিকসি ইকাংকৌন লোইয়া কাংঙমুং তোংঙে। (১৩) লাইরেল্ থিংকম্‌পোঙ্ ৱায়াবন পোইরউ পাৎ লম্‌লাল তোংঙে। (১৪) পাসি কাং নাওন লম্‌পোল্ তোংঙে। (১৫) পাসি খোল্‌ৱাং খাৱাংবন হাওখন্ কারঙ্‌পুঙ তোংঙে। (১৬) পাসি চুকোক্ লাইহাৎ থৌবন ৱাইথৌ চিঙ্ তোংঙে। (১৭) ইরোক্ ইরাংবন লোক্‌প ফৌৱোই চিঙ্ তোংঙে। (১৮) লয়ম হাওরয়ম নিংথৌ ফান্‌তেক্ সোক্‌লাইবন খুরোই হাওরা লম্‌লাং তোংঙে। (১৯) কুকি অহোঙ্‌বন কংলয় লম্মহল্ তোংঙে। নোংচুপ্ লম্‌গি লম্‌খল লোল্‌নে। (২০) তুবু থিলোই নাইন কোন্‌থা সেল্ সেল্ তোংঙে।

কাঙ্লুপ্ নাইন, কুম্ চক্ খায়ন লৈরব মতম্গি নিংথৌরোন্দ লৈরিবন "অহান্ব হয়ি চক্ কৌব চক্ অদুদ মঙাংন নিংথৌ ৱোইয়ে। অদু মতুংদ ঙান্বন নিংথৌ ৱোইয়ে। পোইরৈ নিংথৌ হন্ব ঙান্ব খায়ফব, থোংঙাই তেম্ফব কৌয়ে। লয়মদি লোক্লাও খামেন্ লোক্পম চনুনে মান তাংখুন্নে খাবনে অনীম পোক্য়ে" হায়ন কারথোঙ্ লম্লেন্দ পীরি। অদুগ খুন্দারোলদন "চক্ অহান্ব অদুঙৈগি চক্তি ককপ ৱাল্কাবীন লেপ্লম্মে। মান চিংথোক্লম্ব সাগৈদি চক্প তরামনে খুনুং চক্ত লেপ্লম্বদি লয়ম কাংখল্ নিংথৌ তারিনে" লৈরম্ব মী কাঙলুপ্নে (১) লোক্খোম্ (২) য়ুহালোক্ (৩) লোক্লেম্ (৪) লাল্লেম্ (৫) লোক্তু (৬) খোমতু (৭) সিবু কংচিক্প (৮) ঙাংচেংব (৯) লয়তক্পনি। হয়া চক্তদি মোরিয়া ফম্বাল্চা লয়ম উরুম্ খাওচোন্বীন লেপ্লে" হায়দুন মাগি মতম্দ চক্ অম লোইবগি ৱাফম্ পী।

লাংব চক্ত লয়ম তানু নিংথৌ কাংবন লেপ্লে। মাগি মচা অহল্ কোংকোইন পোং পোক্য়ে। অপোং ইংখোন্দ লৈরে। (২) তেমান ময়তৈ মানবী পোক্য়ে। লল্হাম্বুংদ লৈরে। (৩) য়াংমান ময়াং পোক্য়ে। ময়াং খাঙ্দ লৈরে। (৪) তেসরোৎন তখেন্ পোক্য়ে। তম্পাক্ চিঙদ লৈরে। (৫) উরেল্ খুবন কুচু পাথান পোক্য়ে। কুচু ইংখোন্দ লৈরে। (৬) উরেন্ হন্বন মোইরাং পোক্য়ে। কিয়াং ইংখোন্দ লৈরম্মে। (৭) ইরেম্ন তুমি পাসা পোক্য়ে। সংকু ইংখোন্দ লৈরম্মে। (৮) খাবীন খাগিগ চাইরেন্গ পোক্য়ে। কুচু ইংখোন্দ লৈয়ে। ৯) লংবন মোইরাংগ লাংতেগ পোক্য়ে। চিঙ্ খুন্দ তারে। অসুম্ন নিংথৌ কাংবগি মচা মসুন লয়বাক্ অসিদ পাক্-সন্ন খুন্দা লয়তাখিবগি ৱা খুন্দারোন্দ নিংথিন পীরি।

খুন্দা খুছোক্কি ৱা অসিদ থিরেল লায়াৎকি মতুং ইন্নদি লয়ম কাংখল্ নিংথৌ তারিন মী কাঙ্লুপ্ মাপল্ অমগসু সন্দোক্লম্মী। মখোয় অদুদি (১) তিংসেং ২) খাইসেং (৩) মান্তং (৪) নাওসেং ৫) নাওসং (৬) কুরাং (৭) পুরাং (৮) মোরা (৯) তোরা অসিনি। মখোয় অসিন

লয়বাক্ অসিদ ৱোইখিব কাঙ্লুপতি - (১) তিংসেংন নোংচুপ্ সাগৈ (২) খাইসেংন হয়রেম খুন্জান্ (৩) মান্তংন মান্তিং মোরা (৪) নাওসেংন তোম্ সোন্ পাসোন্ (৫) নাওসংন হাওখা লোক্খা (৬) কুরাংন লেরা খোংনাং, মোন্থৌ মোন্সাং (৭) পুরাংন উরোক্ উসা, চক্লাই, মোংসাংকই (৮) মোরান কুম্বী খোংয়াং (৯) তোরান ইথম্ মোথী ৱোইখি । মখোয়সিং অসিন চিঙ্-তম্ অনীমক্ত মী কাঙ্লুপ্ ময়াম্ অমগ অমুক নাওসেংন চিঙ্দ (১) অহাও (২) অহাওরেঙ্ (৩) অহাও ঙামা (৪) সোংপু (৫) থোপ্সেন্ (৬) ঙাসেল্ (৭) পুকসরী (৮) লম্তং (৯) সরম্ (১০) মারাম্ সন্দোক্খি । অসুম্ন নিংথৌ তারিন কাঙ্লুপ্ কয়া মাগি মতম্দ খুন্দা লয়তান লৈরম্ব উই ।

মপান্ লম্দগি লয়বাক অসিদ চংলক্খিব খুন্দা খুঙ্গোক্কি লাইরিক্তদি য়াওদব, খর ঙনন লয়বাক্ অসিদ চংলক্খিব মীগি চাদ নাওদাসু ময়ত্রবাক্কী মীরক্ত মপা মপু মসক্ খঙদন চংখিব কয়া ''লম্জারোল'' হায়ব পুয়াদ ফংঙী । অসুম্ন অঙন্ব মতম্দগী লয়বাক্ অসিদ মপান্ লমগি মীন খুন্দাখিব অসি সোক্ তারিক্ খঙ্দ্রিঙৈ নিঙ্সিংব থোক্রুব মতম্দগি লৈররে । অকোন্ অহান্গি ৱা থিদন লয়বাক্ অসি খোঙ্গুন্ খঙ্দন চংলক্খিব মীসি পারা ঙাঙ্ঙোইব অসিসু অমনি । মহাক্ অসি খুঙ্গোক্কি মনুংদ য়াওদে । মাবু কাংগ্র লম্লেন্দ ''সোরারেন্গি মচা পারা ঙাঙ্ঙোইবন লাইজ ইরুপ্প কোইরক্পদ কম্বোং নিংথৌ চনুবু তোংবাইনদুন মপারী ঙাঙ্ঙোই উরা ঙাঙ্জুম্ব পোক্য়ে'' হায়রি । খুনুং লয়কোয়দ খুন্দা লয়তাখিবগি ৱাফম্ পীরি । অসুম্ন অঙন্ব মতম্দ অতোপ্প খুঙ্গোক্কি ৱোইব মী কাঙ্লুপ্ অমন কেগেদ থাংজিং খুরুম্ব লাকখিবগি ৱা পাবোৎ থাংজিং লোন্দসু পীরি । লাক্পগি মতম্ পীদে । হন্খিবগি ৱাসু পন্দে । খুন্দাখিব ৱোইন পী । অতোপ্প অমন সোরারেল্ মচা খুন্গুম্বদ চিনাগি নিংথৌ মচা অমন মচা মনাই ময়াম্ অমগ লয়বাক অসিদ লৈরব অমদি খুন্ তারবগি ৱাসু লৈ । খুঙ্গোক্ অহুম্ অসিগিমীসি ময়ত্রবাক্কী মী মরক্ত চংখরে হায়ন লওনৈ । মখোয়গি খুঙ্গোক অসিন করম্ব

কাঙ্লুপ ৱোইখিবগে অমদি করম্ব কাঙ্লুপত চংখিবগে হায়ব ময়তে পুয়াদ ফংদে। মরু ৱোইন মখোয়গি মরমদ ইব তোঙানব লাইরিক্ লৈতে।

খুম্ছোক্কি ৱাদ অয়িব ৱোইন লৈরিবা অসিদি চক্প খুন্দা-খুম্ছোক, চকপরোল, চক্প খুন্দারোল্ অমসুঙ্ পোইরৈতোন্ খুম্ছোক্ন মরুনি। মখোয়ন খুন্দা লয়তাখিবগি ৱাদ অহান্ব ৱোইন লৈরিবন "য়াওচিক্কি মচা নোংফুৱা, নোংহন্ৱা, নোংলোলৱা, সেল্লিংৱা, সেনখম্ৱা মখোয় মঙা অসিগি হাকথক্ত নিংথৌ মপুথিবগি মচা সৌবোল্গি ৱাথোক্ল লোক্তু খোম্তু চিঙ্দ কাখিয়ে। কারল্ লমবুব কৌয়ে। মহাক্হাওনু সোইমোই তাওবী পান্নদুন কারল্ নিংথৌ সোক্পাম্ব পোকয়ে। কারল্ লাক্পগি মচা হোরি হোরান সজি তান্বদ পান্থোইবীগি নোয়ব উরক্তুন নোয়ব তম্মে" হায়ন চক্প লোন্দ লৈরম্ব অসিন মখোয় অসি নিংথৌ মপুথিবগি মতম্দ লৈরে, লাক্লে হায়বদি তাকই। মখোয়গি পারী পুরী চাদা নাওদা তোঙান্ন চকপরোল্ হায়ন লৈ। ময়ত্রবাক্কী পারী পুরীগ পুন্দে। সারাং লয়সাংগ পু তিন্নবগি ৱাসু উদে। মরু ৱোইব অমন লয়বাক্ অসিগি অঙনব মতমদগি লৈরক্লব সাগৈ নিপাল্ হায়দুন তোঙান্ তোঙানব কাঙ্লুপ্ অনীথোক্ন লৈরিব তান্থোঙ্ লেম্থোঙ্গি মনুংদ মখোয় অসি য়াওদে।

চক্প নত্তব অথেঙ্বদ খুম্ছোক্নি হায়রিব পোইরৈতোন খুনথোক্ অসিসু হান্ন লৈরবসিংগি ৱাদসু চন্দে। অদুগ নাওথিংখোংগি (৬৬৩-৭৬৩) মতম্দ খাগিগি নিংথৌরেল্ সৱাং নোংফুরেলগি লাল্মী খরা লৈহৌব অদুন সুইসা কমেংদ চক্পনি হায়ন হৌজিক্ লৈরি। মফম্ মরাং খঙ্দন লয়বাক্ অসিগি মীরক্ত চংখিবসিংদি ঙানব খুম্তিংকোন্গি মতম্দ পোং খর লয়বাক্ অসিদ লৈরম্বগি ৱা সকোক্ ৱাকোক্ হায়ব পুয়াদ পীরি। মখোয় অসিগি ৱাসি চক্পদৌন তোঙান্ন লৈতে। খুম্ছোক্কি ৱা ৱোইনসু খন্নদে।

অঙনব মতম্দদি লয়বাক্ অসিগি মীসিং অসি মনিঙ্ তম্ন তোঙান্ তোঙান্ন কাঙ্লুপ্ মচা মচা ৱোইন লৈনরম্বগি ৱাফম্ পুন্নাসিংদ পীরম্মী।

অদুগুম্ব কাঙলুপ্ মচা মচাসিং অদু নোংদা লাইরেল্ পাখংবগী মতম্দ মসা মসাগি খুদোং চাব য়েংদুন পুগি (ঈ মরী) ব্রা থিরুব তৌদন মচিন্ মনাও ফাওব তোঙান তোঙান্ন অচৌব কাঙ্লুপ্ত চংনখিবগি ব্রা মৈহৌরোল্ লাথুপ্ অমদি খুন্থোঙ্ হায়ব পুয়াদ পীরি। অচৌব ফুরুপ্ত চংখিবগি ব্রাফমসু পী। অসুম্ন অচৌব কাঙ্লুপ্ত, ফুরুপ্ত চংখিব অসিদ হাওরোক্ কোঙ্গৌন চেংলয়দ, হয়রেম খুন্জান্ন লুৱাংদ, কম্বোংথী কাম্বোং ব্রায়রবগি চাদা নাওদান খরন লুৱাংদ, খরন তাংখুন্দ, খর অমন নিংথেম্ ময়ুমদ, লোকখু লোক্হন্ন লুৱাংদ, খরন খাগি হাও ৱোইখি। লোক্খা হাওখনা নিঙোম্বম্, লাইতোন্জম্, কসৱাম্ ৱোইখি। খর অমন য়োয়মোংবগি মতম্দ নিংথেম্ ময়ুমদ চংখি। উরোক্ উসান চিঙ্দ কাখিদুন হাও ৱোইখি। লেরা খোংনাংন চক্পদ চংখি। অসুম্ন পাখংবগি মতম্দ - (১) নিংথেম্ ময়ুম্ (২) অঙোম্ (৩) খুয়োন্থেম্ (৪) খাব-ঙান্ব (৫) লুৱাং (৬) সারাং লায়সাং (৭) হাওরোক্ কোঙ্গৌ (৮) মান্তিং মোরা (৯) লেরা খোংনাং (১০) থাংগ কম্বোং (১১) লোক্খু লোক্হন্ (১২) হয়রেম্ খুনজান্ (১৩) লোক্খা হাওখা (১৪) খুমন্ অসিন অপূনব ময়ত্রবাক্ অম সেম্খিবগি ব্রা য়ুম্বীরেন্দ পীরি।

লম্দম্সিগি মী

(নৈনৱোল্)

হৌজিক্তদি লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মীসি কাঙ্লুপ্ কয়াগি ঈ চংনরে। মসি লয়বাক অয়াম্বন য়ানরব ব্রাফমনি। মী কাঙ্লুপ্ অসিগি ফিজেৎ চাক্চা অমদি মনাংত অহোংব কয়া লৈহল্লরে হায়বসিসু য়ানরব ব্রাফম্নি। লয়বাক্কি অহোংব অমসুঙ অৱোন্বগি খোঙ্থাং অসিসু লেপ্প লৈত্রি হায়ন লওনরি। লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মীসিং অসিসু হায়রিব য়াৱোন অসিদ য়াওরি, তিল্লরী। তিল্লরিবসিং অসিদগি মান্নব হীরম্ কয়াসু লয়বাক্ অসিগি মনাংত মমি তাররী। অদুন অঙন্ব মতম্গি সক্তম্দ, ব্রারী লাইরিক্ত, খুৎ-সা হৈবদ,

মনাৎত, লয়ঙাক্ লোন্দ, চৎন্ পাথাপ্‌ত, লাইনিঙ্ লাইসোন্দ অমাঙ্ অতোঙ্ নাইন অহোংব কয়া লৈরে। অমরোম্দ লম্‌দম্ অসিদি নোংপোক্ নোংচুপ্‌কি চাওখৎপ কাঙ্‌লুপ্‌ন উন্‌নফম্ ব্রোইবনিন অনীমক্কি মমি তাহৌব হায়বসিসু মসান তাবনি। অদুন লম্‌দম্ অসিগি চৎন লোন্‌চৎত অমদি পূব্বারীদ (ইতিহাস) নোংপোক্ নোংচুপকি ব্রা য়েংদব য়াদব লৈরে। মপান লমগি চে-চাং য়েংদবসু য়াদে। মখোয়গ অয়খোয়গ মান্নব কয়াদ লম্ অদুগিনি হেক্ত হায়বসু য়াদে। অদুন থংনন লৈরিব লয়বাক্কি মী ফুরুপ্‌ক লম্‌দম্ অসিগি মী ফুরুপ্‌কগি মরী মখোঙ্ খরা খঙ্ব মথৌ তাই। লয়বাক্ অসিদি সাগৈ নিপাল্‌গি মী কাঙ্‌লুপ্‌ন পুল্লগ সেম্ব (Heterogeneous) ব্রোইব কাঙ্‌লুপনি হায়বসি খঙব তাই। মসিদ মপান লম্‌গি অখঙ অহৈ কয়ান অয়খোইসি নাগাদগি, কুকিদগি হওরক্‌পনি হায়ন মোত পীনৈ। নাগাসিংন ময়তৈ লয়বাক্ত হান্ন খুন্দারম্মী ময়তৈ তিবেতো বর্মন্ অমসুঙ্ কুকি চিন্‌গ নক্‌সিন্নন থম্মী। অসুম্ন ময়তৈদি তিবেতো বর্মন্ অমসুঙ্ কুকিগি মসা মচা অম ব্রোইন লৈহল্লী। খর অমন ময়তৈসি তাইগি মসা মোই হায়ব অদুনি হায়ন মোত পীরি। লয়বাক্ অসিগি অখঙ্ অহৈ খরনদি ভারত্ত লৈরিব অর্য্যগি মচা মসুনি হায়ন মোত পীরি।

ময়তৈবু সন্দোক্‌পীরিব লাই সলাই অসিগি মরম্‌দ পীনরিব ব্রাফমসি -

(১) ময়তৈদি তিবেতো বর্মননি - নাগানি অমসুঙ্ কুকিনি,

(২) ইন্দো চাইনাগি মসা মচা অনি,

(৩) তার তারগি চাদা নাওদানি,

(৪) মোই কাঙ্‌লুপগি চাদা নাওদানি,

(৫) অর্য্যগি মচা মসুনি হায়দুন লাইরিক্ কয়াগি ব্রাগ লোইনন মোত পীনরি। পীনরিব ব্রাফম্ অমদি ময়তৈগি অরিব পুয়াসিংদ লৈরিব ব্রা নৈনব

উদে । অয়খোয়গি লাইসোল্ অমদি ইনাৎত লৈরিব ব্ৰাফম্ নৈনব উদে, য়েংদে । অয়খোয়গি ব্ৰাদ মখোয়ন পল্লিব হায়ববু ময়তৈন (নিংথৌন) ফম্বাল্ তোংবদ - ফম্বাল্ কাবদ কবুইগি ফিসেৎ সেৎলী নাগানি হেক্ত হায়বী । ময়তৈ কবুইনি হায়দে । নাগা হায়বগ ফিসেৎক মরী লৈনদব অদু য়েংদে । ফি সাব অমসুঙ্ ফিসেৎ চাক্চাগি মরী মখোঙ্ থিবিদে । অয়খোয় মৈতৈগী মনাৎক চানৈ চানদে হায়ব য়েংদে, থিদে । অয়খোয় ময়তৈবু চাদা নাওদা থম্বীরম্ব লাই সল্লাইদ মসক থিহল্লী । অঙনব মতম্দ লৈরম্ব লয়বাক্ অসিগি মী কাঙলুপ্ত খেন্নব লৈরিব অদু উব ঙম্দবসিন অয়খোয়বু পারী পুরী খঙ্দব মী ব্ৰোইন উহল্লী। সলাই হায়বগি ব্ৰাহনথোক্ লৈহন্দে । থেংলবসু থেংন অয়খোয়গি লাই ব্ৰোইরব অহনসিংন হীরম্সিদ ইবিরম্ব লাইরিক্ত লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মীসিং অসিবু সন্দোক্পীরম্ব লাই, লাই কনান কাঙ্লুপ্ অসিগি পুকোক্নো হায়ব খঙনব থম্বিরম্ব পুয়াসিং অদু য়েংবিদে । মমাংগি মতম্ হঙকোসিংদ “ক” কাঙ্লুপ্ন লয়বাক্ অসিদ পাল্লম্বগি ব্ৰা য়েংদে । “ক” কাঙলুপ্সি কনানো হায়বদি থিবীদন অদুনি অদানি হেক্ত হায়বী । সলাইসিং অসিন হওরক্পগি মতাংদ লয়থক লয়খারোল্দ “ক” সি (১) কচিং (২) কমাই (৩) কতিক্ কৌয়ে কোন্জিন্ তুথোক্পনে হায়রি। কাঙ্লুপ্ অহুম্ লৈরম্বগি ব্ৰা অদুসু য়েংদে । অদুগ হঙ্কোগি তাংকক্সিং অদু লোইখ্রব মতুং হয়ি চক্ অহান্বদ লৈরম্ব মীদি তারুমান্বী, খোইনিং মান্বী, অপক্মা, লম্বু তুবু, নেম্তা সোইতা লৈরম্মী হায়ন লয়থক্ লয়খারোন্দ হায়রিব অদু কনা কনানো থীবদ মথৌ তাব অদু য়েংদে ।

মথক্ত নৈনরিবসিং অসিদগি অয়খোয়ন লওব য়াবদি ময়তৈসি তোঙান্ তোঙান্ব কাঙ্লুপ্ ফুরুপ্ খরন পুন্দুন সেম্খিব অচৌব ফুরুপ্ অমনি । অকোন অহানগি ব্ৰাতনি । য়েক্ সলাই খঙ্দ্রিঙৈদ চংলক্প, তিনসিন্খিব কাঙ্লুপ্সিং অদুবুসু হান্ন লৈজরম্ব ব্ৰোইন লওনবগি মব্ৰোঙ্দ থম্লী । মতুংদ লয়বাক্ অসিদ চংলক্প মীসিবুন মীতোপ্ ব্ৰোইন থম্বগি মব্ৰোঙ ব্ৰোইন লওনরি । অদুন সলাইসিং অসিদ ময়তৈ পুয়াগি ব্ৰা অসি য়েংলুরবদি সলাইসিং অসি মমা মপা অমত্তগি মচা, চাদা নাওদা ব্ৰোইন

উৎনব হোৎনৈ। মসি অসেংবদি কাঙ্লুপ্ অমগি মখাদা লৈনব অমদি থমনব সেম্গৎপ মচাক ৱোইনি। মৱোঙ খরদদি ময়তৈগি সলাই হওরক্ফম অসি তোঙান তোঙানব কাঙ্লুপতগি ৱোইরকপনি হায়ব হেক্ - হেক্ তাক্ই। সলাইসিং অসিগি হওরকফমদ ময়তৈ পুয়াদ তোঙান্ তোঙান্ন পী। অদুবু হৌজিক্ লৈরিব ময়তৈগি মীসিং অসিদি ময়হৌরোল্ সকোক্ অমসুঙ্ ময়হৌরোল য়ুম্বীরেল্গি মতুং ইন্নদি লিন্দাওরেন্গি চাদা নাওদা অম অদুগ তাওরোইনাইগি চাদা নাওদা অম অনী অসিগি মীন লয়বাক্ অসিদ লেপ্লম্বগি ৱাফম পীরি।

সলাই

তাইবঙ্দ চাদা নাউদা থম্বীরিব লাইসি লয়সেম্ব লাইগি ৱা হায়ব পুয়াগি মতুং ইন্নদি মঙাং, লুৱাং, খুমন (Sun's Orient) হায়ব অহুম্ অসিন অয়খোয় মীৱোইবসি পোক্খি হায়রি। অদুগ থিরেল্ লায়াৎ অমদি মৈহৌরোল্গি লাইরিক্ অয়াম্বদ মঙাং, লুৱাং, খুমন্ অহুম্ অসিদি ফৈদোম্ অহুম্, কাঙ্খুন্ অহুম্ হায়দুন সলাই-মী সন্দোক্পীরিব লাইনি হায়রি। অদুগ কারথোঙ্ লম্লেন্দদি মীসি লাইদগি হেক্ত সম্থরক্পগি মৱোঙ্ অমসু পী। পুয়া অদুদ হায়রিবন ''লাইনিংথৌ মহাক্তগি চেৎ ঙানব কৌন চেৎ ঙান্বী পোক্য়ে। লয়মরোল্গি মকোক্নে। চেৎ ঙানবীন লয়কোয় পোকয়ে। লয়কোয়ন মীহিংলেল্ সিদব পোক্য়ে। মীহিংলেল্ সিবদন অঙাঙ্ পোক্য়ে। অঙাঙ্ন হুঙ্ঙাঙ্লেল পোক্য়ে। হুঙ্ঙাঙলেন্ন তুম্হিং পোক্য়ে। তুম্হিংন (১) ঙাইতা (২) নাইতা (৩) নৌহিং অহুম্ পোক্য়ে। ইখোয় মীৱোইবগি ফৌথী ৱোইবনে'' হায়ন পীরি। লাই অহুম্ অসিন মীৱোইব অসিবু সন্দোক্পীব লাই, সলাইনি হায়রি।

মৈহৌরোল সকোক্ অমসুঙ্ মৈহৌরোল্ য়িম্বীরেলদদি লাই অহুম্ মঙাং লুৱাং খুমন অসিদগি মথং লাই মঙা অমগ সমথৈ। মখোয় মঙা অদুদি (১) তিল্য়িরেল্ (২) লাইয়িরেল্ (৩) খায়িরেল (৪) লিলদাওরেল্

(৫) তাওরোইনাই অসিনি । মখোয় মঙা অসিবু লাইরেল্লোল্ পীনাইদব (মমা লৈতব) হায় । লাই মঙা অসিগি মথংদ মমা লৈব লাই তরুক অমগ সম্থদুন সলাই ৱোইন লৈ । মখোয় তরুক অসিবুন লাইরেল্লোল্ পীনাইব হায় । মখোয় তরুক অদুগি মমাগ কোন্নব মমিংন (১) লয়কক্ লয়য়ারেল্ চনুন লৈসংলেল্ অসংব (২) লয়তোংলেল্ চনুন লয়তোংলেল্ অতোংব (৩) লয়ফুরেল্ চনুন লয়তংলেন্ লিন্দাংসাংব (৪) কোন্ফুলয়ফু চনুন কোনসৌরেল্ (৫) লাইয়েক লাইখোৎ চনুন কুপ্ত্রেংগ (৬) সেন্দ্রেংগ পোক্য়ে হায়দুন সলাই তরুক অম পুথরকই । মখোয় তরুক অসি মৈহৌরোলগি লাইরিক্ অয়াম্বদা মী সন্দোক্প লাই সলাই ৱোইন থম্মী ।

মৈহৌরোল্ পুকোক্, লয়থক্ লয়খারোল্, পুদিন অমসুঙ্ মৈহৌরোল্ সকোক্তদি লয়সিরেল্নে নোংকোংলেল্নে অনীন লাই অয়াম্ব পোক্য়ে । তিলয়িরেলন মী, পোং পোক্য়ে । লাইয়িরেল্ন সারাং লয়সাং পোকয়ে হায়রি । অদুগ থিরেল লায়াৎকি মতুংইন্নদি (১) লিন্দাওরেল্ন কাংবরোল্ পোক্য়ে (২) তাওরোইনাইন লাইবঙথৌ মাপল পোকয়ে হায়রি । অসুম্ন সলাই অসি কাংবগি মচা ৯ন সলাই ৱোইব অম, লাইবঙথৌ ৯ গি চাদা নাওদান মরোল অম পীরি । সলাইসিংদগি হেক সমথরিব কাঙ্লুপন (১) অকোইব (২) অসাংব ৩) অরামব (৪) লয়সাংথেম্ (৫) অঙোম্ অসিগি মথংদ (৬) কোক্খোম্ (৭) য়ুহালোক্ (৮) লাইনেম্ (৯) লোক্তু (১০) খোম্তু (১১) খোম্মা (১২) য়াংমা (১৩) কক্সা (১৪) ৱান্মা (১৫) হেবু কংচিক্প (১৬) ঙাংচেং লয়তক্প পোক্য়ে ।

কোন্ন চক্ হৌরক্পদদি কাঙ্লুপ্ ময়াম্ অসি মাগি মাগি তং তাব মফম্ থিনদুন খুন্দা লয়তাব হৌরক্পদদি মী কাঙ্লুপ অসি অহুম্ ৱোইন মী, পোং, লাই অসিন লয়বাক অসিদ লৈরম্বগি ৱা লাইসোন্ অমসুঙ্ ইরাৎলোল্ অমসুঙ লম্মিৎত পীরি । অদুগ লয়সেম্ব লাইগি ৱা হায়ব পুয়া অমসুঙ্ য়াবীরোক্ ইরাৎতদি মী, পোং, লাই-তিন হায়ব কাঙ্লুপ্ন লৈরম্বগি ৱাফম পী । অদুন সলাই হওরক্ফমদ ৱোইব য়াব য়াদব য়েংবসু তাই । অয়খোয়গ নক্নব্ মরম্দ হায়হন্নিঙঙী ।

মী, পোং, লাইসিং অসিন মাগি মাগি মফম্, কাঙ্লুপ্ সেমদুন লাইবঙথৌ মাপলন লয়বাক অসিদ পাল্লম্বগি ৱা অসিসু লাংদাই লাংহয় হায়ব পুয়াদ পীরি। লাইসিং অদুন পাল্লম্ব লমন (১) ৱাংবরেলন ইনলুমদ (২) মারজিংন থাংৱাইদ (৩) নোংপোক্ অরিবন চিংখৈ চিঙ্দ (৪) খান চাউবন খুজিখাদ (৫) নোংচুপ্ অরিবন নোংচুপ, লম্মাংদোংদ, থংনব চিঙদ, (৬) কৌব্রুন খোয়বুংদ (৭) সোরারেল্ নামুংবন নত্ত্রগ অমম্বন নোংমাইজিঙদ নত্ত্রগ নুঙ্গোইবীদ (৮) থাংজিঙন চাক্সঙদ (৯) ইখৈরেল্ নামুংবন তম্পাক্ অনেম্বদ অসুম্ন লাইসিং অসিন মীরোললোম্দ চৎথরক্পগি ৱা খুন্দারোন্দ পীরি। হৌজিক্ লৈরিব মীসিং অসি লাইবুংথৌ মাপলগি চাদা নাওদা ৱোইন পুয়া মরি অসিদ উৎলী।

সলাই অসিগি মরমদ লয়সেম্ব লাইগি ৱা হায়ব পুয়া অদুদ লৈরিবন তাইবঙ্দ চাদা নাওদা থম্বীরিব লাইসি মথক্তসু পন্থ্রব মঙাং লুৱাং খুমন্নি হায়রি। অদুগ সকোক্ লমলেন্দন লয়বাক্ অসিগি মীসি কৌব্রু, চিংখৈ অমসুঙ নোংমাইজিং চিঙদগি পোক্লক্ই হায়রি। মৈহৌরোল্ লাথুপ্ন নুমিৎ তরেৎ অসিন পোক্ই হায়। অদুবু মৈহৌরোল্গি লাইরিক্ অয়াম্বদ মঙাং, লুৱাং খুমন্ অসিবু ফৈদোম্ অহুম্, কাঙ্খুন্ অহুম্ হায়ব অদুনি হায়দুন সলাই অসি কাঙ্খুল্ অহুম অসিদগি হওরক্ফম্ ৱোইন পীরি। চাদা নাওদা কাঙ্লুপ্ নাইরক্পগি মৱোঙদ লৈরিবন (১) য়িমুলাবন খুমন (২) য়িঙৌ লাবন লুৱাং (৩) খে-মানবন খাব-ঙানব (৪) মে-মান্বন অঙোম (৫) অসংবন সরাং লয়সাং (৬) অরাংবন মোইরাং (৭) অঙাংবন নিংথেম ময়ুম ৱোইরি। মসিগি সলাই মৱোঙ্ অসি হৌজিক্ ফাওবদ লয়বাক্ অসিগি সলাই ৱোইরি। পুয়াসিং অসিগি মতুং ইন্ন লিন্দাওরেল্গি চাদা নাওদা পরেং অম অমসুঙ তাওরোইনাইগি চাদা নাওদা পরেং অমন লয়বক্ অসিদ পানবগি ৱাফম্ অম পীরি।

তাওরোইনাইগি চাদা নাওদা লৈরিবসি অহান্বদ (১) কৌব্রু (২) ৱাংবরেল্ (৩) থাংজিঙ্ (৪) মারজিঙ্ (৫) নোংচুপ অরিব (৬) খান চাউব ৭) চিঙ্খৈ (৮) নোংপোক্ সোরারেল (৯) ঈখৈরেল নামুংব পোক্ই

হায়রি । সন্নাই পুকোক্‌ন (১) নোংদা (২) চিঙ্‌ৱাংলক্কি পুরৈরোম্ব (৩) পোইরৈতোন (৪) ঙাংনিংসিং (৫) ঙাংহুনথোক্ (৬) খম্‌চিং কোন্ (৭) নুঙ্‌ঙৌ য়ুমথংবনি । মখোয় অসিন ৱোইরক্‌লিব কাঙ্‌লুপ্‌ন - (১) নিংথেম ময়ুম (২) অঙোম্ (৩) লুৱাং (৪) খুমন (৫) মোইরাং (৬) খাব - ঙান্‌ব ৭) চেংলয়নি ।

লাইরোল্

লয়বাক্ অসিগি পুয়াসিং মরুৱোইন লয়সেম্‌লোল্ নোংসেম্‌লোন্দ অয়খোয় মীৱোইবসি লাইদগি মীরোল্ লোম্‌দ মথং মথং সমথরক্‌পগি মৱোঙ-লাইরীক অসি অরিব ইতিহাস অম ৱোইন হায়দ্রবসু মমাংদ লৈরম্ব ইপা ইপুসিংগি মরমদদি মৈহৌরোল্ সকোক্ অমসুঙ্ মৈহৌরোল্ পুকোক্ অমদি অতৈ মান্নব পুয়াদ লৈব লাইসিং অদু মথং সম্‌জিন্‌নরগ লাইরোল্‌গি অসেংব মসক্ অম পীব য়াই । অদু নত্তদুন পুয়া অমখক্তদগি লওখৎলবদি চমন্নব খর লৈ । অদুন কাঙ্‌লুপ্‌গি ৱোইব মৱোঙ্‌দ পুয়া খরগি লাইরোল্ থম্‌জরি ।

(১) মৈহৌরোল্ সকোক্ অমসুঙ মৈহৌরোল্ পুকোক্ - লাইরেল্ লোল পীনাইদব মঙাদগি থৱাই পান্‌বসিং অসি পোক্‌ই। মখোয় মঙা অদুদি তিল্‌য়িরেল্, লাইয়িরেল্, খায়িরেল্, লিন্দাওরেল্, তাওরোইনাইনি । তিল্‌য়িরেল্‌ন তিন্ পোক্‌ই । লাইয়িরেল্‌ন লাই পোক্‌ই । খায়িরেল্‌ন সারম্, ঙারম পোকই । লিন্দাওরেন্ন কাংবরোল পোকই । তাওরোইনাইন লাইবঙ্‌থৌ মাপল্ পোক্‌ই । লিন্দাওরেল্ অমসুঙ্ তাওরোইনাইন অয়খোয় মীৱোইবসি পোক্‌পিরি ।

(২) লয়সেম্ব লাইগী ৱা - মী সন্দোক্‌লিব লাইসি মঙাং, লুৱাং, খুমন্ অহুম্ অসিনি হায়রি । মখোয় অহুম্ অসিবু পোক্‌লিব লাইন-অতিংকোক্‌ন মঙাং, অতিয়ান লুৱাং, অতিংঙান খুমন পোক্‌ই। লাই অহুম্

অসিদগি মথং মথং চাদা নাওদাদুন খুন্দা লয়তাখিবগি ৱা পী । চাদা নাওদাগি মৱোঙ্ - "লাইনিঙ্থৌ তাইবঙ্ পান্বগি মপুন নুঙ্কাঙ্ মহারাবগ তাওবী লোইন্নাইগ অনীমন ঈসিং ৱোংথী মথক্ত অসাং অরাম্বগি মনাক্ত তাওখৎলক্য়ে। মাইসলনুবী পোক্য়ে । তাওবী লোইনাইন য়োয়হৈচেংনে, অকুপ্প সুঙ্, অরংবসুঙ্, অসংবসুঙ্, পীকাইসুঙ্, অঙাইবসুঙ্ অকোইবসুঙ্ অহুইবসুঙ্, মোইরাং লাইসুঙ্ পোক্য়ে । মোইরাং লাইন-অতোঙ্ব, অতেংব, সল্থোঙ্ লাইনিঙ্থৌসুঙ্ পোক্য়ে। সল্থোঙ্ লাইনিংথৌন হুইমু লয়ম পোক্য়ে । নিংথৌ তারিন হুইমু লৈম থিজয়ে । নুঙ্ঙৌ য়ুমথংব পোক্য়ে" । অসুমন লিন্দাওরেন্ন চেংলয়রোল্ সম্থরক্পগি ৱাফম পী ।

(৩) **কাইবরোল্** - কৌবরু, ৱাংবরেল্, থাঙ্জিং, মারজিং, নোংপোক্ সোরারেল্, নোংচুপ অরিব, খান চাউব, চিঙ্খৈ অমসুঙ ঈখৈরেল নামুংব পোক্ই হায়দুন তাওরোইনাইগি চাদা নাওদা অম পী ।

(৪) **থৌনিরোল্** - লাইবঙ্থৌ ৯ মন থৱান্পী চাক্ নিংথৌ সিদবদ চঙ্খিরে । থবী ময়িম্গুম্ কোয়দন আতিয়াদ লংন ঙান্ন লৈরে । লাই মহাক্তি কৌবরু, ৱাংবরেল্ থাংজিঙ্, মারজিঙ, নোংচুপ অরিব, খান চাউব, চিঙখৈ, নোংপোক্ সোরারেল অমম্ব, ঈখৈরেল নামুংব কৌন তিন্নরে । করিনে, করানে, নোংতম্ খুবনে, নোংতম্ হন্বনে, থাৱানে, চেংঙানে, য়ুহানে, য়ুচেংনে পোক্য়ে । চিনফুরোল্ লয়চিক্ ঙান্বীন নোংতম্লেল্ অখুব, নোংতম্লেল্ অহন্ব পোক্লে । চিনফুরোল্ লয়চিক্ ঙান্বীন নোংতম্লেল্ অখুবা লাইমহাক্তি খোংলৈম লিকসীসুনে । লাই মহাক্তি খান-চাওবনে । লয়থমলেল্ চনুন নোংতম্লেল্ অহনব, লাই মহাক্তি লম্ নিংথৌ লম্লাব মীগি লাইগি সকোক্ সরু অহনবনে ।

(৫) **কারথোঙ্ লম্লেল্** - অতিংকো, আতিয়া, আতিংঙান, মঙাং লুৱাং খুমন্ ৱোই । লাই অহুম্ অসিবু কাঙ্খুন অহুম্, কাঙ্লুপ্ অহুম্, ফৈদোম্ অহুম হায়ব অদুনি হায় । কাঙ্খুন্ অহুম্, কাঙ্লুপ্ অহুম্ অসিদগি

মীৱোইব অয়খোয় মথং মথং খুন্দা লয়তানখিবগি ৱাফম্ পী । মখোয়গি চাদা নাওদা লৈরক্পগি মৱোঙ্দ লৈরিবন - "লাইনিঙথৌ তাইবঙ্পানবগি মপুন নুঙ্কাঙ্ মহারাবগ তাওবী লোয়নাইগ অনীমন ঈসিং ৱোংথী মথক্ত অসাং অরাম্বগি মনাক্ত তাওখৎলক্য়ে মইসল্ নুপী পোক্য়ে । তাওবী লোইনাইন য়োয়হৈচেংনে অকুপ্প, অরংব সুঙ্, অসংব সুঙ্, পীকাইসুঙ, অঙাইব সুঙ্, অকোয়ব সুঙ্, অহুইবসুঙ্, মোইরাং লাইসুঙ্ পোক্য়ে । মোইরাং লাইন অতোঙ্ব সুঙ্, অতেংবসুঙ, সল্থোঙ্ লাইনিংথৌসুঙ্ পোক্য়ে । সল্থোঙ্ লাইনিংথৌ হুইমু লয়ম পোকয়ে । নিংথৌ তারিন হুইমু লয়ম থীজয়ে । নুঙ্ঙৌ য়িম্থংব পোক্য়ে"।

(৬) সলাই কাইবরোল্ - মঙাং, লুৱাং, খুমন্ অসিদগি কৌবরু, ৱাংবরেল্, থাঙজিং, মারজিং, নোচুপ্ অরিব খানচাওব, চিঙ্খৈ, নোংপোক্ সোরারেল্ অমসুঙ্ ঈখৈরেল্ নামুংব । (মথংদ) করিনে, করানে । করান নোংদম্ খুবনে, নোংদম্ হন্বনে, নোংদম্ চাওবনে, থাৱানে, চেঙ্ঙানে, য়ুহানে, য়ুচেংনে পোক্য়ে । নুমিৎ, থা, মৈ, ঈসিং, নোংসিৎ থোক্তুন নোংদম্ নোংখায়রে । খোংলয়ম লিক্সিনুনে চিনফুরোল্ লয়চিক্ ঙানবীন নোংদম্লেল্ অখুব, নোংদম্লেল্ অহন্ব পোক্য়ে । লাই মহাক্তি লম্নিংথৌ লম্তম লাব মীগি লাইগি মকোক্ সরু অহন্বনে । মাবু পারী পুরী মেন্দে মেন্দাং খোয়ন পোইলৈ লয়সাংথৌ হন্ব কৌন খঙ্নরে । মাবু চয়নম্ ফদব লাইগি মীগি মকোক্নে হায়রি ।

(৭) লাই খুন্দা - অতিংকোক্, আতিয়া, আতিংঙান মঙাং লুৱাং খুমন্ অসিন হৌজিক্কি মীরোল্ অসিগী লাইরোল্ ৱোইন পী ।

(৮) মৈহৌরোল্ য়িম্বীরেল্ - অসংবন চৌরা মপান্ থাব, চৌরা মপান্ থাবন চক মরিংব, চক মরিংবন তুমরিংব, তুমরিংবন খুম্ খুম্ নিংথৌ, খুম্ খুম নিংথৌন ৱান, ৱান্ন কাংব-অসুম্ন লাইরোন্দগি মীরোল্ লোম্দ লাক্পগি পরেং অম থম্মী । মসিগি লাইরোল্ পরেং অসিবু লিন্দাওরেন্ন হাথবনি হায়রি ।

(১) কারথোঙ লম্লেল্ -লায়রোল্গি বা অসিদ করথোঙ্ লম্লেল্গি বা অসিন খর তোঙাল্লী মরিক চুম্বসু হেল্লী। পুয়া অসিদি মীসি তাইবঙ্ মপুদগি সম্থরপ বোইনা পী। পুয়া অসিদ হায়বন - "লাইনিংথৌ মহাক্তগি হয় মরুগুম্ন কক্খায়ঙৈগি মমিংদি চেৎ ঙান্ব কৌরে। চেৎ ঙান্বী পোক্ময়ে লয়মরোল্গী মকোকনে। চেৎ ঙান্বীনা লৈকোয় পোকয়ে। লয়কোয়ন মীহিংলেল্ সিদব পোক্ময়ে। মীহিংলেল্ সিদবন অঙাঙ্ পোক্ময়ে। অঙাঙ্ন হুঙ্ঙাঙ্লেল পোক্ময়ে। হুঙ্ঙাঙ্ লেল্ন তুম্হিং পোক্ময়ে। তুমহিংন (১) ঙাইতা (২) নাইতা (৩) নৌহিং পোক্ময়ে। ইখোয় মীবোইবগি ফওথী বোইবনে"। হায়দুন মীরোল্ লোম্দ তাথরকপগি মবোঙদ থম্মী। অদুবু মখোয় অহুম অসিন কনা বোইখিব অমদি কনা কনা পোক্খিব হায়বদি মখা তাদে। "লয়সিরেলনে, নোংকোংলেল্নে অনীন লাই অয়াম্ব পোক্ময়ে। তিলয়িরেন্ন মী, পোং পোক্ময়ে। লাইয়িরেল্ন সারাং-লয়সাংথেম্ পোক্ময়ে" হায়দুন সারাং-লয়সাং চেংলয়গি পুকোক্ ময়েক্ সেংন পী। মীরোল্ লোম্দ সম্থরকপগি মবোঙ্দ পীরিবন "তাইবঙ্ মপুন 'ক' কৌঙৈদ অকোয়ব, অসংব, অরাম্ব, লয়সাংথেম্ পোক্ময়ে। পীথেৎ লয়মকৌঙৈদি অঙোম্ পোক্ময়ে। খাকপী চনু কৌঙৈদি সারম্ তরেৎ পোক্ময়ে। মানখোম্ - তাও কৌঙৈদি ইরোইনচিংন পোক্ময়ে। ফাইবী তেরা কৌঙৈদি (১) কোক্খোম্ (২) যুহালোক্ (৩) লাইনেম্ (৪) লোক্তু (৫) খোম্তু (৬) খোম্ম (৭) য়াংমা (৮) কক্সা বানসা (৯) হেবু কংচিক্প (১০) ঙাংচেং লয়তক্প পোক্ময়ে" হায়ন লাইদগি মীরোল্লোম্দ কাঙলুপ বোইন সম্থরকপগি মবোঙদ থম্মী।

মী-লাইসিং অসিন চাদা নাওদা লৈরক্প, কাঙ্লুপ নাইন পাক্থোক্ চাওথোক্লপগি মবোঙ্ অসিদ মৈহৌরোল্ লারেল্, মৈহৌরোল্ লাথুপ্কি মতুং ইন্ন অসংবন চৌরা মপান থাব পোক্ময়ে। চৌরা মপান থাবন চক্ মরিংব পোক্ময়ে। চক্ মরিংবন তুমরিংব, তু-মরিংবন খুম্ খুম্ নিংথৌ, খুম্ খুম্ নিংথৌন বান, বান্ন কাংব পোক্ময়ে। লয়ম তানুন নিংথৌ কাংবন মচা মাপল্ পোক্ময়ে। (১) মচা অহন্ কোংকোইন পোং পোক্ময়ে। অপোঙ্

য়িংখোন্দ তোংঙে (২) তেমান ময়তৈ মানবী পোক্‌য়ে । লল্‌হাম্‌বুং তোংঙে । (৩) য়াংমান ময়াং পোক্‌য়ে । ময়াংখাঙ্‌ তোংঙে । (৪) তেসরোংন তখেন্ পোক্‌য়ে । তম্‌পাক্‌চিঙ্‌ তোংঙে । (৫) উরেল্ খুবন কুচু পাথান পোক্‌য়ে । কুচু য়িংখোন্দ লৈয়ে । (৬) উরেল্ হন্‌বন মোইরাং পোক্‌য়ে । কিয়াং য়িংখোন্দ লৈরম্মে । (৭) য়িরেন্ন তুমী পাসা পোক্‌য়ে। সংকু য়িংখোন্দ লৈরে। (৮) লংবন মোইরাংগ লাংতেগ পোক্‌য়ে। চিঙ খুন্দ লৈয়ে । (৯) খাবীন খাগিগ চাইরেল্‌গ পোক্‌য়ে । কুচু য়িংখোন্দ লৈরম্মে ।

মথং খুনুং চক্ত নিংথৌ তারি লয়ম কাংখন্ন লেপ্‌লে । মান সন্দোক্‌লম্ব সাগৈন (১) তিংসেং (তিন্‌সেং) (২) খায়সেং (৩) মান্‌তং (৪) নাওসেং (৫) নাওসঙ (৬) কুরাং (৭) পুরাং (৮) মোরা (৯) তোরা । মখোয়সিং অসিন ৱোইখিব সাগৈদি (১) তিংসেংন নোংচুপ সাগৈ (২) খায়সেংন হয়রেম্ খুনজান্ (৩) মানতংন মান্‌তিং মোরা (৪) নাওসেংন তোম্‌সোন্ পামোন্ (৫) নাওসঙ্‌ন হাওখা লোক্‌খা (৬) কুরাংন লেরা খোংনাং, মোম্বৌ মোন্‌সাং (৭) পুরাংন উরোক্, উসা, চক্‌লাই, মোংসাংকই (৮) মোরান কুম্বী, খোঙ্‌য়াং (৯) তোরান ঈথম্ মোন্‌থৌ সাগৈ ৱোইখি ।

(১০) খাগেম্ব যুম্বী - 'ক' দি লয়মরেল্‌নে । নুঙকারেং নোংদম্ সাংবগ খাক্‌পগ পোক্‌য়ে । খাক্‌পগি মমিংদি তনৌ তরেং কৌয়ে । মমিং অনীমক্তি সুম্‌লয়মন পোক্‌য়ে । খাকপ অসিদি খুয়োন্‌থেম্‌গি মকোক্‌নে । থাঙ্‌ৱায়বীন হা হা পোক্‌য়ে । লিলি লয়মন কোংঙা পোক্‌য়ে । নুঙ্‌মু নুঙ্‌ঙৌ লয়ম সনা নুঙ্‌ফাল্ তোংবীন পাখং য়োয়রেল্‌ব পোক্‌য়ে । পাংখং য়োয়রেল্‌ব মতু সিনবী লয়ম লয়তং নিংথৌ চনুন (১) নিংথৌ কাংবনে (২) লয়ম তারিনে (৩) মোরিয়ানে (৪) ফম্বাল্ চানে (৫) সম্‌তাইনুনে (৬) নোংমোইনুনে নুপা অহুম্ নুপী অহুম্ পোক্‌য়ে । য়োয়রেলবগ থারোং লোয়রেল্‌বগ অনীম পোক্‌য়ে । লিলি লয়মন খুম্ খুম্ হা হা, খুম্ খম্ লয়মন

ৱান্নে। হুইমু লয়মন নুঙ্ঙৌ য়ম্থংবনে, লম্লেক্সাং হাও ৱোইব চিঙদ কান পাম্ য়ান্বনে মনাও থোংকোইবনে অহুম পোক্য়ে ' হায়দুন চেংলয়রোল্ তাথবগি মসক্ পী।

লাইরোল্ অসিদ মৈহৌরোল্ লারেল্, মৈহৌরোল্ লাথুপ্কি মতুং ইন্ন মথক্ত হায়খ্রিব কাঙ্খুল্ অহুম্দুদগি তরুক্, তরুক্তগি তরেৎ ৱোইরক্পদ লৈরিবদি (১) ইমুরাব (২) ইঙৌলাব (৩) খেমান্ব (৪) মেমান্ব (৫) অসংব (৬) অরাংব (৭) অঙাংব মখোয় তরেৎ অসিন ৱোইব সাগৈ, কাঙ্লুপ্তি ইমুলাবন খুমন্ (২) ইঙৌলাবন লুৱাং (৩) খেমান্বন খাব ঙান্ব (৪) মেমান্বন অঙোম্ (৫) অসংবন অরাং লৈসংথেম্ (৬) অরাংবন মোইরাং (৭) অঙাংবন নিংথেম্ ময়ুম ৱোইখি । মিংসু মচুসু ৱোইব পু অসিন লয়বাক্ অসিগি লাইরোন্দ তারক্প পু ৱোইরি ।

পুকোক্

সাগৈসিংদ ৱোইরিব, লৈরিব পুকোক্ অসিদি অকোন্ব চক্তগি ইব হৌব মৈহৌরোল্নিন মথক্কি চক্ত লৈরম্ব মীগি ৱা য়াওদে । অদুন মথক্কী মীরোল্গ হৌজিক্কি মীরোল্গ সম্নন ইব য়াদে । লাইদগি মথং মথং সম্থন ইবগি মৱোঙ্ অদু হৌজিক্কি মৈহৌরোন্দ লৈতে । লয়বাক্ অসিগি মৈহৌরোল্ য়মুচংব অমসুঙ্ মৈহৌরোল্ য়ুম্দবদ লৈরিব পুকোক্সি লম্খাংগি পু অমদগি হৌই পুকোক্কি ৱা ময়েক্ সেংদে । লাইন ৱোইব পুকোক্ অদু তাক্তে । মথক্ত কনান পুকোক্ ৱোইখিব হায়ব অদু পন্দে । সম্ন হায়রবদ মৈহৌরোল্ পুকোক্, পুদিন্ মৈহৌরোল্ সকোক্, মৈহৌরোল্ লারেল্ হায়রিব পুয়াসিং অদুদ পুকোক্নি হায়রিব অদুগি ৱা পন্দে । পুকোক্কি ৱা অসিদ পুয়াসিংন হায়রিব কসা নোংথৌ তাইবঙ্ পান্বগি মপু ইমা ইপাসু ৱোইন নোংদম্ নোংখাইবিরিব লাইন (১) কৌবরু (২) ৱাংবরেল (৩) চিংখৈ অহুম্ পোক্য়ে । লাই অসিন মী ৱোইন পোক্পদি অহানবদ মঙাং পোক্য়ে । ময়ায়দ লুৱাং পোক্য়ে । অকোন্বদ য়োয়ময়ায়গ লোইনরক্প খুমন্

পোক্‌য়ে। অহুম্ অসিন "ক" লাই ৱোইয়ে। মখোয় অহুম্ন অমুক্ মথং ৱোইরকপদি মঙাংন নোংপোক্ হাওচিব চিংখৈনে। লুৱাংন কৌবরু। খুমনন্ ৱাংবরেল্ খান চাওবনে। নিংথৌ অপান্‌বন তোন্ নিংথৌ সিদব মহাকনে হায়রী। অদুবু সাগে মৈহৌরোল্‌দদি হায়রিব লাই অহুম্ অসিন পুনি হায়রবসু মখোয়মক্‌ন হৌদুন চাদা নাওদা পরেং ইথদে। মখোয় অহুম্ন সলাই মাপল অসি ৱোইরক্‌পগি মৱোঙ্ অদু উত্তে। অদুন পুকোক্ অসি লাইদগি মথং মথং ইথদবনিন হৌজিক্ লৈনরিব সাগে মৈহৌরোল্ অসিদগি লওরগ পুকোক্‌নি হায়ন ইবদি য়াদে।

চৎনবী ৱোইন সাগে মৈহৌরোল্ অসিদি চক্ অমগ চক্ অমগসু মরী লৈনন ইথবগি ৱাফমসু লৈতে। তৌবসু হৌজিক্কি সাগে মৈহৌরোল্ অসিদি চক্ অমগ চক্ অমগসু মরী লৈনবগি ৱাফম্ লৈতে। তৌবসু হৌজিক্কি সাগে মৈহৌরোল্ অসিদি অকোনব চক্ নোংদা লাইরেল্ পাখংবগি মতম্‌দগিত হৌন ইব মৈহৌরোল্‌নি। পারী - পুরী পিবানচিংব খায়ন মথং মথং সম্‌থরক্‌পগি ৱা অসিদি নোংদাগি মতমদগিত হৌবনিন লমখাংগি পু অমদগি হৌরগ ইবনি। পু অমদগি হেক্তে ইব হৌবন মথক্ত লৈরম্ব মমাং চক্কি মীরোলগ সম্‌সিন্নব লুই, ঙম্‌দে। সম্ন হায়রবদ হৌজিক্কি য়েক্ তরেৎ অসিগি সলাই মাপল্ অসিগ সম্নব পুকোক্তি (১) পাখংব (২) চিঙ্‌ৱাংলক্কি পুরৈরোম্ব (৩) পোরৈতোন (৪) ঙাংনিংসিং (৫) ঙাংহুন্‌থোক্ (৬) খাব লয়রোন্‌খৈ (৭) ঙান্‌ব লয়চিক্ চিক্‌লিব (খমতিংকোন্ হাইহৈব) (৮) নুঙঙৌ য়ুমথংব (৯) লোক্‌তোন্ অতোন্‌বনি। অদুন হৌজিক্কি মৈহৌরোল্ ৱোইরিব পুসিং অসিদি য়েংবদসু নোংদা লাইরেল পাখংবগি খর মমাং ৱোইব মতমগি পুনি। অকোন্‌ব চক্কি পুকোকনি। মথক্ত পীরিব পুসিং অসি সাইরুক্কি ৱা য়েংবদসু নোংদা লাইরেল পাখংবগি মতমদ ৱোইব পারী পুরীনি, পুকোক্‌নি হায়বসু তাক্‌লি।

অকোন্‌ব চক্কি পুনি হায়রবসু খুমন্‌গি পুকোক্ অসি য়াম্না থেঙ্‌ঙি। লুংব অমদি য়োয়রাংপোক্ পুন্‌সিবন পুকোক্ ৱোইবগি মতাংদ "সলাই

তরেৎকি খোঙ্‌হও খুছোক্'' হায়ব পুয়া অদুদ হায়রিবন ''লুব্রাং পুনসিবন ঙানুরোল্ খোঙাইব চনু পান্নদুন লুংবগ নুংথোঙ্‌ঙাইগ অনীমক পোক্‌য়ে। নুঙথোঙ্‌ঙাইন লুব্রাং ব্রোই। লুংবন ঙানুরোল্ নিংথৌ য়েন্দংব চনু পান্নদুন য়োয়ব্রাংপোক্ পুনসিব পোক্‌য়ে। খুমন্ নিংথৌ ব্রোইয়ে'' হায়রি। লুব্রাং নিংথৌ পুনসিব অমসুঙ্ খুমন্ নিংথৌ পুনসিব অসিদি পোইরৈতোন্‌গি সুথাংনিন পাখংবগি মতম্‌দগিদি চোন্‌থরে। খুমনসি য়াম্ন থেংন উরে। তৌবদি খুমন্ সলাই অসিমক্তি লয়সেম্‌লোল্‌গি ব্রা অমসুঙ্ লাই খুন্দাগি ব্রাদদি ''খুনুং চক্তি সরাংলয়সাংথেম্ন লেপ্‌লম্মে। লাংব চক্তি লুব্রাংবন নিংথৌ ব্রোইয়ে। অদু মতুংদ খুমন্ন সিল্লে'' হায়ন য়াম্ন লিরব কাঙ্‌লুপ্ ব্রোইরি। পুয়া কয়াদ লয়সেম্‌ঙৈগি কাঙ্‌লুপ্ ব্রোইন লৈরিব কাঙ্‌লুপ অসিবু লমখাংগি পু ব্রোইব লুংব অমসুঙ য়োয়রাংপোক্ পুনসিবন খুমন্‌গি পুকোক্ ব্রোইবসি মরক্ত খুমন্ কাঙলুপ অসি মাঙ্‌হল্লে। কোন্ন চক্ত ব্রোইব পুন সাগৈ মৈহৌরোল্‌গি পুকোক্ (খুমন হৌদোক্‌প) পু ব্রোইরি। নোংদম খুব, নোংদম হন্‌বন পুকোক্ ব্রোইবগি ব্রা পন্দে।

চক্ মরিমক্ত লৈরব খুমন্‌বু নোংদাগ লোয়নরক্‌প খুমন কাঙ্‌লুপ্‌ত য়াওহন্দুন সাগৈ মৈহৌরোল্ ইরি। অসিগি মব্রোঙ্ অসি নোংদা লাইরেল্ পাখংববু নিংথৌ সেম্বীরিব নিংথৌ কাংবগি চাদা নাওদা কক্‌সু তোন্‌কোন্‌ববু কাঙ্‌ভুজম্‌গি পুকোক্ ব্রোইন পাংখংবগি সুরোল ১১ সুব নাওথিংখোংগি চারোল সুরোল ব্রোইন মৈহৌরোল্ ইবগুম্‌ন খুমন অসিসু পোইরৈতোন্‌গি চাদা নাওদা ব্রোইরি। মসিগি মব্রোঙ্ অসিগি মরম্‌দ ব্রোজাসিংন তাক্‌পীবগি ব্রাদি লুংব অমসুঙ্ নাওথিংখোংন মখোয় মখোয়গি মতম্‌দ খুমন্ অমসুঙ্ কাংবগি চাদা নাওদা (নিংথৌ অরিব) অসি নৌন অমুক্ খোম্‌জিন্দুন মখোয়গি কাঙ্‌লুপ্‌ত থম্‌খিবনি।

কোন্ন চক্ত মীন খুন্দা লয়তান লৈরম্ব, মী কাঙ্‌লুপ্ অসিদসু কাঙ্‌লুপ্ অহুম্ মী, পোং, লাই হায়দুন লৈরম্বগি ব্রাফম্ অম লাইসোল্, ঈরাংলোন্ অমসুঙ য়াবীরোক্‌ত পীরি। মী, পোং, লাই অসিন মাগি মাগি খুন্দাফম্

সেম্দুন কাঙ্লুপ অহুম্ অসিন লয়বাক্ অসিদ পাল্লম্বগি ব্না লাইরোন্দ পীরি। মসিগি পুকোক্ অসিদি লাইবুংথৌ মাপল্দগি হৌজিক্কি মীরোল্ অসি সম্থরকপগি ব্নাফম সনা পুয়াসিং অসিদ পীরি। মখোয়গি চাদা নাওদানি হায়ব উৎলি। মদুদ অহান্ব চক্ অনীগি ব্না থম্দে। লিন্দাওরেলন কাংবরোল্ পোক্য়ে তাওরোইনাইন লাইবঙ্থৌ মাপল্ পোক্য়ে হায়বগি ব্না মমি তাদে। মথক্ চক্ত পাল্লম্ব কাংবগি চাদা নাওদা অসি মৈহৌরোল্সিং অমদি সনা পুয়া মরিদ সম্নন উত্তে।

পুকোক্কি মতাংদ খাগেম্ব যুম্বীদ পীরিবন - "ক" দি লয়মরেন্নে। নুঙ্কারেং নোংদম্ সাংবগ, খাক্পগ পোকয়ে। খাক্পগি মমিংদি তনৌ তরেংব কৌয়ে। মমিং অনীমদি সুমলয়মন পোক্য়ে। খাক্প অসিদি খুয়োনথেমগি মকোক্নে। থাংব্রাইবীন হা হা পোক্য়ে। লিলি লয়মনা কোংঙা পোক্এ নুঙ্মু নুঙঙৌ লয়ম সনা নুঙ্ফাল্ তোংবীন পাখং য়োয়রেল্ব পোক্য়ে। পাখং য়োয়রেল্ব মতু সিনবী লয়ম লয়তং নিংথৌ চনুন নিংথৌ কাংবনে (২) লয়ম তারিনে (৩) মোরিয়ানে (৪) ফম্বাল চানে (৫) সম্তাইনুনে (৬) নোংমোই নুনে নুপা অহুম্ নুপী অহুম্ পোক্য়ে। য়োয়রেল্বগ থারোং য়োয়রেল্বগ অনীম পোক্য়ে। লিলি লয়মন খুম্ খুম্ হা হা, খুম্ খুম্ লয়মন ব্রানে। হুইমু লয়মন নুঙঙৌ - যুমথংবনে, লম্লেক্সাং হাও ব্রোইব চিঙ্দ কান পাম্ য়ান্বনে মনাও থেংকোইবনে অহুম্ পোক্য়ে। হায়দুন কাংবরোল অম পী। অদুগ লাইরোল্গি মতাং অমদন "চিন্ফুরেল্ লয়চিক্ ঙান্বীন নোংদম্লেল্ অখুব, নোংদম্লেল্ অহন্ব পোক্য়ে। লাই মহাক্তি লম্ নিংথৌ লম্তম্ লাব মীগি লাইগি সকোক্ সরু অহন্বনে। পারী পুরীখোয় মেন্দে মেন্দাংখোয়ন পোইরৈ লয়সাংথৌ হন্ব কৌন মাবু হেন্ন চয়নম্ফদবনে" হায়ন পী।

পারী পুরী পুকোক্ অসিগি মতাংদ কারথোঙ্ লম্লেন্দ হায়বন "লাইয়িংথৌ মহাক্তগি হয় মরুগুম্ন কক্খায়ঙৈগি মমিংদি চেৎ ঙান্ব কৌয়ে। চেৎ ঙান্বী পোকয়ে। লয়ম রোলগি মকোক্নে। চেৎ ঙান্বী

লয়কোয় পোক্‌য়ে । লয়কোয়ন মীহিংলেল্ সিদব পোক্‌য়ে । মীহিংলেল্ সিদবন অঙাঙ্ পোক্‌য়ে । অঙাঙ্‌ন হুঙ্ঙাংলেল্ পোক্‌য়ে । হুঙ্ঙাংলেল্‌ন তুম্‌হিং পোক্‌য়ে । তুম্‌হিংন (১) ঙাইতা (২) নাইতা (৩) নৌহিং পোক্‌য়ে । অয়খোয় মীরোইবগি ফৌথী রোইবনে খঙ্‌ঙো'' হায়ন পীরি । মখোয় অহুম্ অসিবু লয়বাক্ অসিগি লাইদগি সম্‌থরক্‌প অহান্‌ব মীনি পুকোক্‌নি হায়রি ।

পুকোক্কি মরম্ অসিদ লয়বাক্ অসিগি লৈরিব পুয়াসিংদ মান্নদব কয়া লৈবন ময়ত্রবাক্কি মীসি কাঙ্‌লুপ্ মান্নদব কয়ানন পুল্লগ রোইব কাঙ্‌লুপ্ রোইবগি মমি তাই । লম্‌খাংদগি রোইব পুন সলাই পুকোক্ রোইরবসু মথক্ত পীখিব পুগি রা য়েংলুরবদি পু অনীগি রাফম্‌ন মরু রোইরি । অহান্‌ব মীরোল্‌গি পুন কাংবগি মচা মাপল্‌ন মথং অনীসুব পুন লাইবঙ্‌থৌ মাপল্‌ন রোইরি । অদুন অকোন্‌ব চক্তগি রোইরিব পুদি (১) নোংদা লাইরেল্ পাখংব (২) পুরৈরোম্ব (৩) পোইরৈতোন্ (৪) ঙাংনিঙ্‌সিং (৫) ঙাংহুন্‌থোক্ (৬) খাব লয়রোন্‌খে (৭) ঙান্‌ব লয়চিক্ চিক্‌লিব (খমতিংকোন্ হাইহৈব) (৮) নুঙ্‌ঙৌ য়ুমথংব (৯) লোক্‌তোন্ অতোন্‌বনি । মখোয় অসিন রোইরিব কাঙ্‌লুপ্‌ন (১) খাব-ঙান্‌ব (২) লুরাং (৩) সারাং-লয়সাং (চেংলয়) (৪) হাওরোক্ কোন্‌থৌ (৫) নিংথেম্ ময়ুম্ (৬) মোইরাং (৭) অঙোম্ (৮) খুমন্‌নি । মখোয় অসিবু সাগৈ নিপাল্ হায়ন লৈখরে । অতোপ্প সাগৈ নিপাল্ অমন (১) হওখা-লোক্‌খা (২) মাস্তিং-মোরা (৩) লেরা- খোংনাং (৪) থাংঙ কম্বোং (৫) হাওরোক্ - কোন্‌থৌ (৬) লোক্‌খু - লোক্‌হন্ (৭) হয়রেম্ - খুন্‌জান (৮) উরোক্ উসানি । অসুম্‌ন সাগৈ নিপাল্ অসিসু মখল্ অনীদ পী । অকোন্ অহান্‌গী রা ময়েক্ সেংন পীরমদে ।

অনিসুব সরুক্

সলাইরোল্

নোংদা লাইরেল্ পাখংবন পান্দ্রিঙৈগি হেক্ মমাংদদি লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মীসি সাগৈ নিপান্ন (১) চেংলয় (২) লুৱাং (৩) খাবা (৪) ঙান্ব (৫) নিংথেম্ ময়ুম্ (৬) অঙোম্ (৭) মোইরাং (৮) খুমন্ কাঙ্লুপ অনী থোক্ল তান্থোঙ লেম্থোঙ্ হায়দুন লৈরম্মী। কাঙ্লুপ্ অনী থোক্ল লৈজরবসু লুচিংব অহুম্ন সোরারেল্ অহুম্ হায়দুন লয়বাক্কি থৌ পুরম্মী । সাগৈ নিপাল্ অসিগি পারী পুরী অদুবু সলাই লোল্ হায়দুন লয়বাক্ অসিদ লৈরিব মী কাঙ্লুপকি ৱোইব মসক্ অদু মচা খায়ন লৈরম্মী । মসিগি মচা খায়ব মৱোঙ্ অসিন লয়বাক্ অসিগি মী কাঙ্লুপ্ খঙ্নবত নত্তন মনাংত অমসুঙ্ মথৌদ চয়েৎননব অদুসু লৈহল্লম্দে । মদুগ লোয়নন মখোয়গি চাদা নাওদাসিং অদু কনাদগি ৱোইখি অমদি হওখি হায়ব অদু ময়েক্ সেংন ''লোল'' হায়দুন থম্মী । মচা খায়ন থম্ব অসিদ পুয়াসিংদ অমগ অমগ মান্নদব খর লৈ । মান্নদব পুয়াসিং অদুগি ৱাসিং তোঙান্ তোঙান্ন থম্জরি -।

লয়সাংথেম্ লোল্

(১) লাইনিংথৌ সিদবন সনা সেক্পিন্ মতোন্দগি ''হুম্'' কৌন ফম্বান্দ ফম্লে । লিক্লা পুন্গুম্ব মনুংদ হুন্জিন্খিরে । নোংপোক্ক য়িম্ তিন্নরে । অমন চাক্ য়েল্লে । অমন ঈ য়েললে । অনীম হাও ৱোইরে । অনীমন সারাং লয়সাংথেম পোক্য়ে । (*)[১] **ফান্খোঙ্**

(২) 'ক' দি লয়মরেন্নে (লাইরেন্নে) । নুংকারেঙ্ নোংদতম্ সাংবগ খাক্পগ পোক্য়ে। খাক্পগি মমিংদি তনৌ তরেংব কৌয়ে। মমিং অনীমক্তি

সুম্লয়মন পোক্য়ে। খাক্প অসিদি খুয়োন্থেম্গি মকোক্নে। থাঙ্ব্রাইবীন হা হা পোক্য়ে। লিলি লয়মন কোংঙা পোক্য়ে। নুঙ্মু নুঙ্ঙৌ লয়ম সনা নুঙ্ফাল্ তোংবীন পাখং য়োয়রেল্ব পোক্য়ে। পাখং য়োয়রেল্ব মতু সিল্বী লয়ম লয়তং নিংথৌ চনুন নিংথৌ কাংবনে, লয়ম তারীনে, মোরিয়ানে, ফম্বাল চানে, সম্তাইনুনে, নোংমাইনুনে নুপা অহুম্ নুপী অহুম্ তরুক্ পোক্য়ে। পাখং য়োয়রেল্বগ থারোঙ্ লোয়রেন্বগ অনীম পোক্য়ে। লিলি লয়মন খুম্ খুম্ হা হা। খুম্ খুম্ লয়মন ব্রান্নে। হুইমু লয়মন নুঙ্ঙৌ য়ুম্থংবনে, লম্লেক্সাংনে মনাও থেংকোইবনে অহুম্ পোক্য়ে। লম্লেক্সাংন (কবুই) হাও ব্রোইখিয়ে। তোন্ব থেংকোইবন হাওরোক্ কোনথৌ ব্রোইখিয়ে। নুঙঙৌ য়ুমথংবন লয়সাংথেম্ ব্রোইখিয়ে। (*)[১]**সলাই তরেৎমগি খুন্গুম্, মৈহৌরোল্ সকোক্, চেখোঙ্**

কোন্থৌজম্ লোল্

হুইমু লয়মন লোক্প। মঙাং নিংথৌ চনুন পাথুপ। মঙাং নিংথৌ চনুন নোংলোল্। মঙাং নিংথৌ চনুন লেম্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন থৌয়া। মঙাং নিংথৌ চনুন হাওরোক্। মঙাং নিংথৌ চনুন কোন্থৌ। মঙাং নিংথৌ চনুন মাইপাক্। মঙাং নিংথৌ চনুন মাইসাং। মঙাং নিংথৌ চনুন নাওব্রা। মঙাং নিংথৌ চনুন য়ুকোন্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন নান্ব (য়ুকোন্ব)। মঙাং নিংথৌ চনুন নান্ব সারাব (সাফব)। নান্ব সারাবন মঙাং নিংথৌ চনু পান্নদুন মুবগ খাংচেংগ পোক্য়ে। মুবগি ঈদি কোন্থৌজম্নে। খাংচেংগি ঈদি কোন্থৌজম্গ হাওরোক্চমগনে। (*)**নোংখ্রং সংগাই ফম্মাং, খুনগুম্ মৈহৌরোন সকোক**

লোক্তোন্বম্ লোল্

(১) হুইমু লয়মন লোক্তোন্ অতোন্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন সিঙ্জ। মঙাং নিংথৌ চনুন লোক্চা। থারৈ নিংথৌ চনুন চমোইব। লম্লয়

নিংথৌ চনুন ঙামোইব । মহও নিংথৌ চনুন লাসং। খেন্দে নিংথৌ হাওতক্ লাইব চনুন মোইব । চেংলয় নিংথৌ চনুন সন্দংচা লোইব । খা নিংথৌ চনুন পুক্লোইব, কোন্বীচা । লাইপোং চনুন খা নিংথৌ সাফব । মাগি ঈদি লোক্তোন্বম্নে, য়াংগোইজম্নে, হেমোইবম্নে, অহয়বম্ অমুৱামনে, অমোম্নে । (*)**সঙুগাই ফম্মাং, নোংশ্রং**

(২) লিলি লয়মন খুম্ খুম্ । খুম খুম নিংথৌ চনুন ৱান্ । সিন্বি লয়ম লয়তং নিংথৌ চনুন নিংথৌ কাংব কাংখল্ । লয়ম তানুন থারোং । হুইমু লয়মন লম্লেক্সাং হাওৱোইব চিঙদ কান পাম্ য়ান্ব, নুঙ্ঙৌ য়ুম্থংব, তোন্ব থেংকোইব অহুম্ম পোকয়ে। লমলেক্সাংন হাও ৱোইখি । নুঙ্ঙৌ য়ুমথংবদি লয়সাংথেম্ ৱোইখিয়ে । তোন্ব থেংকোইবদি লোক্তোন্বম ৱোইখিয়ে। (*)**য়ুম্বীরেল্**

লুৱাংলোল্

(১) চিন্ফুরোল্ লয়চিক্ ঙানবীন নোংদম্লেল্ অখুব । লয়থম্লেল্ চনুন নোংতম্লেল্ অহন্ব । চিন্ফু লয়মন কুরুম্লেল্ মৈনাইদব । হাইনু লয়মন কুরুম্লেল্ মৈনাইব । লয়ফুরেল্ চনুন পোংথাং । লয়নুং ঙান্বীন পোংহল্ । পিসিল্নুন হয়রোঙ্লেল্ লোঙ্চুম্ব । পিসিল্ খোম্বীন নিংথৌ হয়রোঙ্ঙাঙ্। পিয়াইনুন থাৱারেল্গ পোইরৈতোন্গ অনী পোক্য়ে। লৈনাও তাবীন সিংদবুঙ্গ সন্থোং পুনেম্ব চনুন পামিংনব । হুইমু লয়মন লুৱাং খুন্থিব । কৌবরেল্ নামোইনুন লুৱাং পুনসিব । (*)**সঙুগাই ফম্মাং**

(২) পিয়াইনুন থাৱারেল্ পিয়াইনুন পোইরৈতোন্ । লৈনাও তাবীন সিংদবুং । সনথোঙ্ পুনেম্ব চনুন পামিং । হুইমু লয়মন লুৱাং খুনথিব । কৌবরোল নামোইনুন লুৱাং পুন্সিব । (*) **য়ুমবিরেল্**

(৩) অসিবন অঙাইব । অঙাইবন অকুপ্প । অকুপ্পন নোংয়াই মরীৱোন্ব । নোংয়াই মরী ৱোন্বন নোংদম্লেল্ অখুব । নোংদম্লেল্

অখুবন নোংদমলেল অহন্‌ব। নোংদমলেল অহন্‌ব। কুরুমলেল মৈনাইদব। কুরুম্‌লেল্ মৈনাইদবন কুরুম্‌লেল্ মৈনাইব । কুরুম্‌লেল্ মৈনাইবন পোংথাং । পোংথাংন পোংহন । পোংহন্ন হয়রোংলেল্ লোঙ্‌চুম্ব । হয়রোংলেল্ লোঙ্‌চুম্বন হয়রোঙ্ ঙাঙ্‌থ ঙাঙ্‌লেল্ । হয়রোঙ্ ঙাঙ্‌থ ঙাঙ্‌লেল্‌ন থাৰারেল্‌নে, নোংদম্ খুবনে, পোইরৈতোন্‌নে, লাইসনানে মরিম পোক্‌য়ে । (*)**খুন্‌গুম মৈহৌরোল্ সকোক্**

লুৰাং ইঙেন্‌চিঙ্ তোংব - কৌবরোল্ নামোইনুন লুৰাং পুনসিব । ঙানুরোল্ খুয়ায়চেন্‌বীন লুৰাং ৰায়র লান্‌তম্ব । ঙানুরোল্‌ন নুংপাল্ চাউপ্রি সোয়সেন্‌ব, লুৰাং তপ্‌তেব । ঙানুন লুৰাং য়াউসা তান্‌ব । ফোইচিং কাংব চনু চাক্‌সিনুবীন লুৰাং তপ্‌তেপ্ । কাঙ্‌মুজম্ চনুন খুন্‌কোইব । ঙানুরোল্ খান্‌চৌসুন চামু উচিৰা লম্‌লেক্‌প । ঙানুরোল্ খাইখিব চনুন লাইসুয়াং, খুন্‌কাব, সাস লান্‌ফাব। ঙানু হাউঙাননুন লিক্‌থা। হিদাম্ চনুন সনাখোন্। হিদাম্ চনুন লোপা । খোইস্‌নাম্ চনুন য়াংঙা হাউখৈ । সাইখুবম্ চনুন হোরি। সাইখুবম্ চনুন মুব । মেন্‌লৈবম চনুন লাইয়ান ।

লুৰাং লংমাইজিঙ তোংবরোল - কৌবরোল্ নামোইনুন লুৰাং পুনসিব । ঙানুরোল্ থোঙাইব চনুন নুংথোঙ্ ঙাই । ঙানুন লুৰাং লংমাইব । ঙানুন চিঙ্‌দ কোয়ব । ঙানুন চিঙ্‌দ তান চিঙ্‌ত্রাউপ । লংমাই নিংথৌ চনুন পুরেং নুমান্‌ব । লংমাই নিংথৌ চনুন তোঙ্‌ব । লংমাই নিংথৌ চনুন লান্‌পা সাথিব । লংমাই নিংথৌ চনুন ফুনান্ তেল্‌হৈব । হোঙ্‌নেম্‌সুম্‌বম চনুন নুঙ্‌কাং পাম্‌ব, অয়াং চাম্‌ব পোক্‌য়ে । (*)**খাগেম্ব য়ুম্নী**

খাবরোল

(১) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন খাব লয়চিক্ চিক্‌লিব । লয়থমলেল্ চনুন খাব লয়থম্ থম্‌লিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন খাব য়ুচাখা। লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন খাব য়ুপুরোয় । লংমাইনিংথৌ চনুন নাওরুম কোয়ব । মঙাং নিংথৌ চনুন মক্‌প । (*)**য়ুমবিরেল**

(২) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন খাব লয়চিক চিক্লিব । লয়নিংথৌ চনুন খাব লয়থম্ থমলিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন খাবা য়ুচাখা । লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন খাব য়ুপুরোয় । লংমাই নিংথৌ চনুন তুরুম্ কোয়ব । মঙাং নিংথৌ চনুন মহও লাইনিংথৌ । লংমাই নিংথৌ চনুন খাব ফান্দোংব । মঙাং নিংথৌ চনুন লিরি । লংমাই নিংথৌ চনুন মহৌ লাইনিংথৌ । মঙাং নিংথৌ চনুন খাব য়ুঙান্ব। লংমাই নিংথৌ চনুন তোংব । লংমাই নিংথৌ চনুন খাব । লওরেন্বম্ চনুন লয়নিং । লাইকোক্ সুন য়ারা । লওরেন্বম্ চনুন খোম্তাঙ্তা । লওরেন্বম্ চনুন খুন্চিরা । য়াইখোম্ চনুন তোল্নাব। লাইসম্রম্ চনুন সেংৱাই লান্থাবা । ৱাংখৈরাক্পম্ চনুন য়োংঙা। নান্বম্ চনুন তওতোংৱাক্ পোক্য়ে । (*)**খুনগুম্, সঙ্গাই ফম্মাং**

(৩) লয়পিরেল্ন তউরেন্খা । লয়খোম্লেল্ন তউরেল্ খুবনে । লৈসংলেল্ন তউরেল্নে । লয়থম্ নিংথৌ চনুন তৌতিং তৌনে । লয়রাই নিংথৌ চনুন খাবনে । লয়তং নিংথৌ চনুন লৈসংলেন্নে । লয়চিক্ নিংথৌ চনুন খাব লায়চিক্ চিক্লিব । লয়থম নিংথৌ চনুন খাব লয়থম থমলিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন খাব য়ুচাখা। লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন খাব য়ুপুরোই । লংমাই নিংথৌ চনুন তুরুম্বা । মঙাং নিংথৌ চনুন মহও লাইনিঙ্থৌ । লংমাই নিংথৌ চনুন খাব ফান্দোংব (*)**খাগেম্বা য়ুম্বী**

(৪) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন খাব লয়চিক্ চিক্লিব । লয়থম্ নিংথৌ চনুন খাব লয়থম্ থমলিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন খাব য়ুচাখা। লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন খাব য়ুপুরোয় । লংমাই নিংথৌ চনুন লুমকোয়ব। মঙাং নিংথৌ চনুন মহও লাইনিংথৌ । লংমাই নিংথৌ চনুন ফান্দোংব । (*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

ঙান্ব লোল

(১) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়চিক্ চিক্লিব । লয়থম নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়থম থম্লিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন ঙান্ব য়ুচাখা । লয়নুং

য়ুপুরোয় চনুন ঙান্ব য়ুপুরোয় । পুরোয় লয়ম চনুন খমচিং কোন্গ খুমুরোংগ অনীম পোক্য়ে ।(*)**কৈকোই, লংথবাল্ লোল্, মৈহৌরোল্ সকোক্**

(২) পুরোয় লেম্নু সুন খম্চিঙকোন্ হায়হৈব । চিঙসোঙ্ নিংথৌ চনুন পান্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন হন্ফাব। মপাও নিংথৌ চনুন চাহন্ ফাব। মঙাং নিংথৌ চনুন লাল্তেং হন্ব । মঙাং নিংথৌ চনুন কক্ৱাই হন্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন খুক্লু কোয় । মঙাং নিংথৌ চনুন তাংখোয়নাই । মঙাং নিংথৌ চনুন নাৱাই হৈব । মঙাং নিংথৌ চনুন কোংহৈব । মঙাং নিংথৌ চনুন তেসুরোই মঙাং নিংথৌ চনুন খুরোইরাং । লুৱাং নিংথৌ পুনসিব চনুন কাউৱা । কচেংমাঙ্ব চনুন ঙান্ব ৱায়েংব । মঙাং নিংথৌ চনুন ঙান্ব সিরাই কংচা । (*)**খুনকুম্, লংথবাল লোল্**

অঙোম্ লোল্

(১) নোংখল্ সাংব । নোংখল্ য়াঙ্ব । চিঙখল্ সাংব । চিঙখল্ য়াঙ্ব । লাইয়েক্ লাইখোৎ চনুন কুপ্ত্রেং । খাক্প নিংথৌ চনুন পুরাংনে চিঙৱাংলক্কি পুরৈরোম্বনে পোক্য়ে । (*)**খাগেম্ব য়ুম্বী**

(২) খাক্প নিংথৌ চনুন চিঙ্ৱাংলক্কি নিংথৌ পুরৈরোম্ব । পুরৈরেম্বন পিথেৎলয়ম লয়হও নিংথৌ চনু পান্নদুন খাংহন অহন্বগা খাঙ্হন য়ায়মবগ, খামনুং ইৱাইথংবগ অহুম্ম পোক্য়ে। (*)**খুনগুম্ য়ুম্বীরেল, চেখোঙ, নোংখ্রং, লংথবাল লোল্**

নিংথেম্ লোল্

(১) লয়কক্ লয়য়ারেল্ চনুন লয়সংলেল্ অসংব । লয়তংলেল্ চনুন লয়তোংলেল্ অতোংব । লয়ফুরেল্ চনুন লিনতাং সাংব । কোন্ফু লয়ফু চনুন কোন্সৌরেল্ । লাইয়েক্ লাইখোৎ চনুন কুপত্রেং, সেন্দ্রেং অনীম পোক্য়ে । সেন্দ্রেংন নিংথেম্ পোক্য়ে । পিরিৎনু অরৈনু ময়রেং

হওব চনু নোংদ নোংখল্ লেম্বী, লয়নুং য়াবী য়াখু চনু চাখা নুরোল্ পীরোল্ য়াম্বী, লয়ম অহুমথক্ সাৱোন্বী লয়নুং য়াবীরোক্‌ন নোংদা লাইরেল্ পাখংব লাইনিংথৌনে । (*) **মৈহৌরোল সকোক্**

(২) পিরিৎনু মায়রেঙ্ হওব চনু নোংতা নোংখল্ লেম্বী, য়িম্‌চাও লয়ম ৱোইবী, লয়ম অহুমথক্ তান্‌ফংবী, নিংথৌ অহুম্ পান্নবী লয়নুং য়াবীরোক্‌ন নোংতা লাইরেল্ পাখংবনে (*)**য়ুমবিরেল**

খুমন্‌লোল্

(১) চিন্‌ফুরোল্ লয়চিক্ ঙান্‌বীন নোংদম্‌লেল্ অখুব । লয়থমলেল্ চনুন নোংদম্‌লেল্ অহন্‌ব । চিংনু লয়মন কুকম্‌লেল্ ময়নাইদব। হাইনু লয়মন কুরুমলেল্ ময়নাইব। লয়ফুরেল্ চনুন পোংথাং পোংহন্ । পিসিলনুন হায়রোংলেল্ লোঙ্‌জুম্ব। পিসিন্‌নু নুখোম্বীন নিংথৌ হয়রোঙ্ থাঙাংলেল্। পিয়াইনুন পোইরৈতোন্ লৈনাও তাবীন সিংদবুঙ্ সম্বোং পুনেম্ব চনুন পামিং। হুইমু লয়মন লুৱাং খুনখিব। কৌবরেল্ নামোইনুন লুৱাং পুন্‌সিব। ঙানুরোল্ থোঙাইব চনুন লুংবগ নুঙথোঙঙাইগ অনীম পোক্‌য়ে । লুংবন খুমনগি সলাই পুকোক্‌নে ।(*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

(২) লুৱাং নিংথৌ পুনসিবন ঙানুরোল্ পান্নদুন লুংবগ নুঙ্‌থোঙ্‌ঙাইগ অনীম পোকয়ে । লুংবন নিংথৌ য়েন্দংব চনু পান্নদুন য়োয়রাংপোক্ পুনসিব পোক্‌য়ে। (*)**মৈহৌরোল সকোক, খুন্‌গুম্**

মোইরাংলোল্

(১) চেপ্পী লাইবীন চেপ্প ঙান্‌ব । চেপ্পী ঙান্‌বীন লয়নিঙ্ কোয়ব। মীহিংলেল মায়হিং লয়ন অঙাংনে। অঙাংন হুংঙাঙ্‌লেল (হুংঙাং) হুংঙাংন তুমরিংব। তুমরিংবন ঙোই তনৌব হিং হিংনে। ল য়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসবীন ঙংনিংসিং । (*)**মৈহৌরোল সকোক্**

(২) লয়ফুরেল্ চনুন য়ুকৌরেল্ । লয়থম্লেল চনুন সনা খিংখিং লাংব । লয়নুং য়ুপুরোই চনুন হেবু কংচিক্প । লয়নুং য়ুনাওরোয় চনুন উরেল্ হন্ব । লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবীন ঙাংনিংসিংগ ঙাংহূন্ থোক্ক অনীম পোক্য়ে । ঙাংনিংসিংন মোইরাংথেম্ পোক্য়ে (*)**খুন্‌গুম**

(৩) চেপ্পী লাইবীন চেপ্প ঙান্ব । চেপ্পী ঙান্বীন লয়নিঙ কোয়ব । মীহিংলেল্ন মাইহিংলেল্ । অঙাংন অঙাং হূংঙাংলেন্। অঙাং হূংঙাংলেন্ন তু মরিংব । তু মরিংবন ঙোই তনৌব হিংহিংনে। লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবীন ঙাংনিংসিংনে । (*)**খগেন্দ্র য়ুম্নী**

(৪) লয়ফুরেল্ চনুন য়ুচেংনে । লয়চিক্লেল্ চনুন য়ুকৌরেন্নে। লয়থম্লেন্ চনুন সনা খিংখিং লাংবনে । লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন সিবু কংসিব (কংচিক্প)ঙাংচেং লয়তকপনে । লয়নুং য়ুনাওরোই চনুন উরেন্ হন্বনে । লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসবীন ঙাংহূনথোক্ক ঙাংনিংসিংগ অনীম পোক্য়ে। ঙাংহূনথোক্ন থোক্চোম্ পোক্য়ে। ঙাংনিংসিংন মোইরাংথেম্ পোক্য়ে । (*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

লুৱোংজম্ লোল

(১) লুৱোংজম্ লোল - পুরৈরোম্বন পুরাং কৌন হাওনিংসং খোম্পোম্বীদ তোংবাইনদুন লোয়য়দ হাথবদি হংকেন্ লোংন থাব পোক্য়ে। মাগি ঈদি লুৱোংজম্ কৌন লৈরিব খৈবিক্নে । ৱাংখেম্ কৌন লৈরিব খৈবিক্নে । (*)**মহৌরোল সকোক্, য়ুম্নীরেল**

(২) হাওনিংসং নুরৈসংবীন হংকেন্ লোংন থাব। ঙানুন খুৎসা । ঙানুন সিংনুং । ঙানুন লৌনং । মোইরাংথেম্ চনুন খুকা য়াতোন্ব । মোইরাংথেম্ চনুন মঙাইচৌব । লুৱোং সুন হাইহৈব । ফাইরৌসুন চৱাইরোক্প ফাইরৌ সুন লওতা । অখোংজম্ চনুন সমলোইব । সাপম্ চনুন পোরৌ । সাপম চনুন অরাই । মপুদি পুরাংনে। (*)**খগেন্দ্র য়ুম্নী**

(৩) পুরৈরোম্বন পুরাং কৌন হাওনিংসং খোম্পোম্বীদ তোংবাইনদুন লোইয়াদ হাথবদি হংকেন্ লোংন থাব । ঙানুন খুৎসা। ঙানুন সংনং । ঙানুন লৌনং । মোইরাংথেম্ চনুন হাউরা হোঙ্ব । মোইরাংথেম্ চনুন খুখা তোম্ব। মোইরাংথেম্ চনুন চাউব লুৱোংসু । ফাইরৌ সুন নাওদা । ফাইরৌসুন চরাই লোক্প । অখাম্ চনুন সন্লোইব। সাৎপম্ চনুন অরোই । মাগী ঈদি লুৱোংজম্নে, ৱাংখেম্নে । (*) **চেখোং**

খুয়োন্থেম্ লোল

খুয়োন্থেম্ লোল্ - (১) সুমলয়মন লোক্প । নিংথৌ য়োয়রেল্ব। মোইবী লয়ম মহুম্নুন উইৱা কোন্লোই নেন্ব । তিংকোই নিংথৌ চনুন লম্পুয়াং । মেন্দে নিংথৌ চনুন খুয়োন লেম্ব। (*)**খগেন্দ্র যুম্বী, চেখোং লংথবাল, সঙ্গাই ফম্মাং, সকোক যুম্বীরেল**

(২) সুমলয়মন খাক্প নিংথৌ য়োয়রেল্ব । নিংথৌ মোইবী লয়মন উইৱা কোন্পাম্ব তিংগোই নিংথৌ চনুন লাংপুয়াং । মেন্দে নিংথৌ চনুন খুয়োন্ লেম্ব। মোইরাংনিংথৌ চনুন লেম্ব পামিং। লৈহাং কোইবীন তুঙ্ব। মান তিংগোই নিংথৌ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি মুংখোম্ মোইরাম্ব ময়ুম্নে। খুয়োন্থেম খোম্ব ময়ুম্নে । কারাম্ কোইব ময়ুম্নে । মোইরাংগি লাইরেল্ হিদং থোইব ময়ুম্নে । খোইয়াঙ্বম্ চায়ব ময়ুমনে । তৌপোক্পম্ মুব ময়ুম্নে। পুদোন্জম্ তাংঙা ময়ুম্নে। সাংদোন্জম্ মুব ময়ুমনে। (*)**সংঙ্গাই ফম্মাং, যুম্বীরেল**

মান্তিংলোল - মন্তিং, তিংনা, লৈফোল্ মাগি ঈদি মান্তিংবম অকোংনে । (*)**যুম্বীরেল, সঙ্গাই ফম্মাং**

খুন্চান্লোল

খুন্চান্লোল্ - কৌবরোল্ নাইমোইনুন লুৱাং পুন্সিব । য়ুসিন লয়ম

চিঙ্নুং হাউব চনুন লুম্চেং অহন্ব। কম্বোং লংসনাবীন মুসিন্ (লম্সিল)। কৌনথৌব চনুন পানা । নাওথিংখোং চনুন পন্মারেং । লংমাই নিংথৌ চনুন তওরেল্ লান্থব । খুমন্ নিংথৌ লিক্ম লান্থব চনুন লাইরুব। থোঙ্থিন্বম্ চনুন হয়রেম্ লাবা নিংথৌ চেঙ্জা থাপল্ব । লংমাই নিংথৌ চনুন চেংলও লালথব, লুমচেং অহন্ব অনীম পোক্য়ে । মাগি ঈদি ফৈদা খুন্চান ময়ুম্নে । (*) **মৈহৌরোল সকোক, যুম্নীরেল**

(২) থোঙ্থিন্বম্ চনুন লাব । ময়াংজম চনুন হয়রেম্ লাব। নিংথৌ চিঙ্চারোং লান্থংব । লংমাই নিংথৌ চনুন চেংলও লান্থাব । লুমচেং অহন্ব । মাগি ঈদি ফৈদা খুন্চান্ময়ুমনে । (*)**খুনগুম্**

ব্রাকোংথেম লোল্

ব্রাকোংথেম লোল্ - লাইখুরেম্বীন চেকোংব । লাইরোক লেম্বীন ব্রাকোং নোংথিল্ব । পোক্পী লয়ম ব্রাংরেল্ নুন খিংখিং কাংসাব । ইরেম্ তাইতল্ লয়ম মোইনু চনুন খোম্নোং । মঙাং নিংথৌ চনুন তাংলোইব । লোক্তোন্বম্ চনুন তোইরাওব । য়াংসোইব চনুন অতোন্ । মাগি ঈদি ব্রাকোংথেমনে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

(২) লাইখুরেম্বীন উইকোংবনে ।। লাইরোক্লেম্বীন ইচিক্সি ব্রাকোং কোংনিংথৌবনে, নান্ব য়াইবংচান্নে । পোক্পী ব্রায়েন্নুন খিং খিং কাংসাবনে । ইরেম্ তাইতল্ লয়ম মোইনু চনুন খোংলোংনে । মঙাং নিংথৌ চনুন তাললোইবনে, য়াংসোইবনে। লোক্তোন্বম চনুন লোকতোন্বম্নে, পামং তাতুপ্ লিংবনে, খুল্লক্ মংলক্তা থিংক্রাইবনে, লপ্য়ান্ কাদ লয়রোল্ লৈ্ কিয়াং চাইবনে । য়াওরয়দ পোইরৈতোন্ । ফৈতেন্বীদ ফাইবী তেরা । লাংসঙ্দ পুতাং তোই । সনথিন্ফম্দ থাংয়িব । নোংচেংদ খোয়রি। অয়াং পান্ফৌফম্দ খুন্থিব । (*) **খাগেন্দ্র যুম্নী**

লুৱাং ফানতেক্লোল্

লুৱাং ফান্তেক্লোল্ - (১) কৌবরোল্ নামোইনুন লুৱাং পুনসিব। হাওসিয়াং পুয়াংব চনুন লিক্লাবীচা। লিক্লাবীচান খোইতোম্। খুন্চাউসুন পুমিংনব খোই। লাইয়েং খুবীন তারুং। লাইয়েং হনবীন কাইমু। য়াইথিং কোন্ব চনুন মফৌ মিৎথোন্। ফিমোই কাঙ্ব চনুন তোন্ব সুন্। সোঙ্লাইব চেংলয় নিংথৌ চনুন খুলোই অঙোঙ্ব। লয়ম হাওরয়মন কসোং অহন্ব, নিঙোল্য়ায়মব, লাইতোল্ অতোন্ব অহুম্ম পোক্য়ে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

(২) লিক্লা বীচা নোংদম্নুবু সোরারেন্ন তোংবাইনদুন খোইতোম্ পোক্য়ে। লুৱাং পুনসিব মতু হাওসিয়াং পুয়াংব চনুন মচা ৱোইন য়োক্য়ে। মান্তোম্ন লেরা খোংনাং ৱোইখিয়ে। লিক্লা বীচা নোংতম্নুন খোইতোম্নে। খুন্জাওসুন ফান্নে। খুনজাও সুন খোই পুমিংনব। লাইয়েঙ্ খুবীন তরুংনে। লাইয়েঙ্ হন্বীন কাইমু। য়াইথিং কোনব চনুন মফৌ মিৎথোন্ব। থিমোই কাঙ্ব চনু তোন্বী সুন সোক্লাইব। চেংলয় নিংথৌ চনুন নিংথৌ য়ুকাংব পোক্পী লয়ম লয়ম লাইয়েঙ্ খুবীন খম্লোই অহোঙ্ব। নিংঙোন্বম্ কৌরিব খৈবিক্কি সাগৈনে, লাইতোন্জম্, কসোম্ অহুম্মনৈ। (*) **খাগেন্ব য়ুম্বী, চেখোঙ**

মোইরাং খুৱাং অহলব লোল

মোইরাং খুৱাং অহলব লোল-(১) হুইমু লয়মন খুৱাং লাংমৈরেম্ব। য়াইবী লয়মন খুৱাং পামিং। মঙাং নিংথৌ চনুন য়াইরেল্। য়াইবী লয়মন খুৱাং। য়াইবী লয়মন অমু খম্চাউব। মঙাং নিংথৌ চনুন অমু হেহিংনে। ঙানুন লাংময়। ঙানুন মুবা। ঙানুন খারেক্প। খারেক্পগি ঈদি হাওরোংবম্ খারাব ময়ুমনে। কাউজেঙ্বম্ চেকোং ময়ুমনে। নিংঙোন্ লাক্প হুইতোল্ কোক্পী সঙ্বম্নে। লাইকুজম লাইতোঙ্ ময়ুম্নে। অক্রাম্ কোপাল্ ময়ুমনে। লিসম্ লোইচা ময়ুম্নে। (*) **য়ুম্বীরেল্**

মোইরাং থোক্‌চোম্ লোল্

মোইরাং থোক্‌চোম্ লোল্ - লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবীন ঙাংহন্‌থোক্। ঙানুন অঙাংঙা। ঙানুন মুব। ঙানুন কৌব অঙাংঙা। কৌব অঙাংঙান লাইরোক্‌লেপ্পী পান্নদুন (১) খোইনাই অহন্‌ব (২) খোইনাই য়িম্‌থংব (৩) য়ুকোক্‌থোঙ্ য়ায়মব (৪) ঈরু লৌথিব (৫) নৌরুম্ অতোন্‌ব পোক্‌য়ে। খোইনাই অহন্‌বন লুব্রাং নিংথৌ পুন্‌সিব চনু য়াংকেন্ চাওবী পান্নদুন মাগি ঈদি থোক্‌চোম্ খোংফেল ময়ুম্‌নে। (*)**য়ুম্নীরেল, মৈহৌরোল সকোক**

মিয়াংজম্ লোল্

মিয়াংজম্ লোল্ - লয়চিক্‌লেল্ চনুন লয়চিক্ চিক্‌লিব। লয়থম্‌লেল্‌ন লয়থম্ থম্‌লিব। লয়নুং চনুন খুনুং লয়হন নিংথৌ লাইনে। মাগি ঈদি মিয়াংজম্‌নে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

লোয়রেন্‌জম্ লোন্দি মিয়াংজম্‌নে

(২) লোয়রেন্‌জম্ লোন্দি মিয়াংজম্‌নে। লোইরম্ ঙম্বগি লোয়বেন্‌জম্ কৌয়ে। পুঙ্‌দি হাওলম্ চিন্দগি থোক্তন য়াল্‌লে। ঊদি চিঙ্ য়েন্‌সিন্নে। পুঙ্ অদুগি পুঙ্‌লীসু পুঙ্‌মায়সু লাইরেল্ মবুন্ন ব্রোইয়ে। পুঙ্ অদুবু তিংদরিঙৈদি লম্‌চিন্ হাও কৌয়ে। পুঙ্ অদু তিংলবগ তিংসাং কৌব্রে। তিংসাংগি মকোক্তি খুমুজম্ সলাই ইনব কোক্‌পন খুল্‌লাক্‌য়ে। লিসম্ মাইমুন লুপ্ লাক্‌য়ে। মামোম্ লোঙ্‌খুম্ন খুনচা অহল্ ব্রোইয়ে। (*)**খুনগুম**

মুংয়াংজম্ লোল্

মুংয়াংজম্ লোল্ - লয়চিক্‌লেল্ চনুন লয়চিক চিক্‌লিব। লয়থম্‌লেল্

চনুন লয়থম্ থম্লিব । লয়নুং চনুন খুনুং লয়হন্ নিংথৌ। ঙানুন লয়রিং । ঙানুন য়ুনিং। ঙানুন সন্ফৌ। ঙানুন য়ুনম্। ঙানুন কেনম্। ঙানুন ময়াংম্মি। ঙানুন মুংয়াং । মুংয়াং চাউব । (*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

খুমুজম্ লোল্ - (১) ঙানুন থিংকম্বোং ব্রায়াব । ঙানুন কম্বোং অমুকোই । ঙানুন কম্বোং অঙৌকোই । মোইরাংথেম্ চনুন লিলসু লাইব । মোইরাংথেম্ চনুন নিংঙোল্ কাপ্মী । কৈসি তোম্বীন খুৎসুপ্ খাং তরা । মোইরাংথেম্ চনুন লাসিয়া । মাগি ঈদি খুমুজম্নে। (*) **চেখোঙ**

(২) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়চিক্ চিক্লিব । লয়থম্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়থম্ থম্লিব । লয়নুঙ্ য়ুচাখা চনুন ঙান্ব য়ুচাখা । লয়নুঙ্ য়ুপুরোয় চনুন ঙান্ব য়ুপুরোই । পুবোই লেম্নু সুন খম্চিং কোন্গ মনাও খুমুরোংগ অনীম পোক্য়ে । পুরোই লেম্নু সুন খুমুরোঙ্ । হয়রেম কাংহৈনু লয়ম খুন্জাম্ থোংঙাই তেল্হৈব চনু তুরেল্ নানফৌ মচন্ পুংগ্রি পুংগ্রাইবীন পান্ব । থেরেলোংবম্ চনুন তাংহন্ । লুব্রাং পুন্সিব চনুন হাওরম্, লুব্রাং চনুন থাংতুপ্ মীমান্ব । লুব্রাং চনুন হাওকা লালকাব । লুব্রাং চনুন সিঙ্মিৎ লাল্মিৎ চুম্ব । মান লুব্রাং পুতাংতোই খুৎকোইব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুমুজম্ধনিরাম ময়িম্ । য়িম্জাও লয়ম সঙব খুমুজম্ খুনজাও ময়িম্ । কুরু মনাই খুমুজম্ মরেম্ ময়িম্ । (*)**লাংথবান লোল্**

(৩) লয়চিক্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়চিক চিক্লিব । লয়থম্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়থম্ থমলিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন ঙান্ব য়ুচাখা । লয়নুং য়ুপুরোই চনুন ঙানব য়ুপুরোয় । পুরোই লেম্নু সুন খুমচিংকোল্ হাইহৈব মনাও অমগ অনী পোক্য়ে । পুরোই লেম্নু সুন খুমুরোংব । তুরেল্ নাম্ফৌ মচন্ পুঙ্কি । । লাংবীন পান্ব । থেরেলোংবম্ চনুন তাংহন্ লুব্রাং পুন্সিব চনুন হাউব । লুব্রাং চনুন হাউরম্ব (হাউরম্ থাব) লুব্রাং চনুন থাংতুপ্ মীমান্ব লুব্রাং চনুন হাউকা লাইব। লুব্রাং চনুন সিঙমিৎ চুম্ব । সিঙ্মিৎ লাংমিৎ চুম্বন লুব্রাং পুন্সিব চনু হাইহৈবী পান্নদুন মাগি ঈদি - খুমুজম্গ, তিংনাগনে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

খুমুজম লোল্

লয়মরেল্ নামুংবীন লাইনিংথৌ হন্ব। লাইরেন্ম অহন্বীন তোক্প। লয়মরেল্ তনৌ তরেংবীন মকুসাব। সল্নুবীন খাবী লুকোক্চা। চিঙসোং চনুন খাক্রাচ। লাংসু তরেং বীন অমুরা। চিংখৈ নিংথৌ চনুন - নিংথৌ লয়তং চনুন খাগি নিংথৌ সাফব। নিংথৌ কাংব চনুন তওরিংতও। নুরোইরেল সাফবীন তওরাইলোং সাফব। ইরেম্ নাওসংখু, মালেম্ লয়বু লুম্বীন নুমিৎ। কোরও নোংলয়মন মঙাং। সোরারেল্ চনুন মঙাং সোইরেল্ হাথব। অঙৌব চনুন মঙাং সনা লৈনৌব। লংমাই নিংথৌ চনুন মঙাং পুনসিব। লয়ম্ উরুম্ খাওচোনবীন নিংথৌ সাকক্প, ব্রানকক্প, কক্সুব, তোন্, কাংব নুংসল্ তান্ব, পিতিংকোই লম্বীচা, কোন্খুচা।

(*) **চেখোঙ্**

লম্নু সুন মঙাং কোন্খুচা। মঙাং নিংথৌ পুনসিবগি মমিং কোন্খু নহা কৌই। (*) **অরিব মণিপুী সাহিত্য ইতিহাস**

চিঙ্সোং নিংথৌ চনুন মঙাং সিঙমিৎ য়োয়রেল্ব। লয়চিক্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়চিক্ চিক্লিব। লয়থম্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়থম্ থমলিব। লয়নুং য়ুচাখা চনুন ঙান্ব য়ুচাখা। লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন ঙান্ব য়ুপুরোয়। পুরোয় লেম্নু সুন খম্চিং কোন হাইহৈব মনাও অমগ অনীপোক্য়ে। পুরোয় লেম্নু সুন খুমুরোংব। তুরেল্ নামফৌ মচান্ পুঙকালাংবীন পান্ব। থেরেলোংবম চনুন তাংহন। লুব্রাং পুনসিব চনুন হাওব। লুব্রাং চনুন হাওরম্ থাব লুব্রাং চনুন থাংতুপ মীমানব লুব্রাং চনুন হাওকারাইব লুব্রাং চনুন সিঙমিৎ লাংমিৎ চুম্বা। লুব্রাং পুনসিব চনুন হাইহৈবী পান্নদুন মাগি ঈদি খুমুজম্নে।

(*)সঙ্গাই ফম্মাং, মৈহৌরোল সকোক্

মঙাংলোল

মঙাংলোল - খুমুজম্ সলাই য়ুমচংবদগি লওথোকপ। লয়মরেল

নামুংবীন লাইনিংথৌ হন্ব। লাইরেম্ম অহন্বীন তোক্প। লয়মরেল্ তনৌ তরেংবীন মকু সাব। সন্নুবীন খাবী লুকোক্চা। চিঙ্সোং চনুন খাগরাজ। লাংসনা তরেংবীন অমুরা। চিঙ্খৈ নিংথৌ চনুন চেকরাজ। নিংথৌ লৈতং চনুন খাগি নিংথৌ সাফব। নিংথৌ কাংব চনুন তওরিং তও। নুরোইরেল্ সাফবীন তওরাইলোং সাফব। ইরেম্ নাওসংখু মালেম্ য়লবু লুম্বীন নুমিৎ। কোরও নোংলয়মন মঙাং। সোরারেল্ চনুন মঙাং সোইরেল্ হাথব। অঙৌব চনুন মঙাং সনা লৈনৌব। লংমাই নিংথৌ চনুন মঙাং পুনসিব। লম্নু সুন মঙাং কোন্খুচা। চিঙ্সোং নিংথৌ চনুন মঙাং সিঙমিৎ য়োয়রেল্ব। (*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

কম্বোংলোল

কম্বোংলোল - কৌবরোল্ নামোইনুন লুৱাং পূন্সিব। য়ুচিল্ লয়ম চিঙ্নুং হাউব চনুন লোক্খু। ঙানুন ফম্সা। ঙানুন হাঙাং ঙানুন কৈসি। ঙানুন কক্লা। ঙানুন চারাং। ঙানুন লাম্বী। ঙানুন সল্সেল ঙানুন মকোই ঙানুনা থোকলম্ থিঙ্ কম্বোং ৱায়াব। ঙানুন কম্বোং অমুকোই। ঙানুন কম্বোং অঙৌ কোই। (*)**কয়রোই, চেখোঙ**

সারাংথেম লোল

সারাংথেম লোল - তোইবী লয়মন কামু অতোন্ব য়াওরয়ব চনুন চেক্লয়। কম্বোংথেম্ চনুন সারাংথৌ নিংথৌখোংজম্ চনুন কংলা। খান্নু সুন য়েনলাংব। সৌকাই সুন কম্বোং পাম্ব। নোংচেং সুন হাওসাব। লাংকম্ সুন থারু। নিংথৌজম্ চনুন সনা নিংথৌব।

নিংথৌজম্ চনুন সানান মতেক্প। খম্ব উতেক্ য়ান্ব চনুন লাংমৈ। লুৱোংজম্ চনুন চেক্আ। মুতুম্ চনুন আখা। নিংথৌজম্ চনুন তোন্ব। অসিগি ঈদি (১) সারাংথেম্ তেংনৌ ময়ুম্নে (২) ৱাইরোক্পম্ পাম্সা

ময়ুমনে। (৩) চানম্ চিঙ্বা ময়ুম্নে। (৪) য়েল্লাংবম, চিঙ্ঙা ময়ুমনে। (৫) চিঙ্ঙা খনবম্ কম্বোং ময়ুমনে। (৬) সরোক্ ফাইবম্ লোক্প ময়ুমনে। (৭) মাইব থিয়াম্ থোইব ময়ুমনে। (৮) সম্নোইব হন্নু ময়ুম্নে। (৯) খারায়জম্ পাম্সা ময়ুমনে। (*)**খাগেম্ব য়ুম্বী**

খুমুক্চম্ লোল্

খুমুক্চম্ লোল্ - পিয়াইনুন থব্রায়েল্। লয়চিক্ নিংথৌ চনুন ঙান্ব লয়থম্ থম্লিব। লয়নুং য়ুচাখা চনুন ঙান্ব য়ুচাখা। লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন ঙান্ব য়ুপুরোয়। পুরোয় লেমনু সুন খম্চিংকোন হাইহৈব। মনাওদি খুমুরোংনে। চিঙ্দোঙ্ নিংথৌ চনু তুরেল নানফৌ মচন লয়ম পুঙকা লাইবী থেরেলোংপম্ চনুন তোংহন্নে। মনাওদি তোংখুনে। লুব্রাং খুন্থিব চনুন হাওবনে। লুব্রাং চনুন হাওরেম্বনে। লুব্রাং চনুন সিঙ্মিৎ লাংমিৎ চুম্ব। অসিগি ঈদি খুমুকচম্নে। (*)**খাগেম্ব য়ুম্বী, খুনগুম্**

পাউনম্ লোল্

পাউনম্ লোল্ - সংলয়মন ইব্রান্ থাব। হেবু খুবী হোংখু ঙম্বী চক্লাই হোংখু ঙম্ব। হামু সুন তুরেল্ ফাব। হামু সুন পাউনম্ সগোল্ লোইব। (*) **য়ুম্বীরেন, সঙ্গাই ফম্মাং**

নিংঙোম্বম লোল

নিংঙোম্বম লোল্ - পুরৈরোম্বন লুব্রাং চিঙ্দ লিক্লা বীচা নোংদম্নুদ হাথবদি খোইদোম্নে, মান্তোম্নে অনীম পোক্য়ে। খোইদোম্ অতোম্বগি ঈদি কস্ব্রাম্নে। নিংঙোল্, য়াইমবগি ঈদি নিংঙোম্বম থোইবনে। লাইতোন্ অতোন্বগি ঈদি লাইতোন্জম্নে। অহল্ মান্তোম্গি ঈদি খোইবম্নে। (*) **চেখোৎ, য়ুম্বীরেল**

অখাম্ লোল্

অখাম্ লোল্ - চিন্‌ফুরোল্ লয়চিক্ ঙান্‌বীন নোংদমলেল্ অখুব। লয়থম্ লেল্ চনুন কোন্দে খুৎচুম মাইবগ থোংনাং কাইবগ (থোংনাং কাইব য়াংগ) অনীম পোক্‌য়ে। থিকনম্ ফোইনম্‌আগ, লিল্‌সুআগ (লিল্‌সু আখাগ) অনীমসু পোক্‌য়ে। থোংনাং কাইবআন ঙানুরোল্ পান্নদুন নাওবা সোইচেপ্ মাই পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি অখাম্ মাইচৌ ময়ুম্‌নে। লিলসু আখান লয়থম্‌লেল্ চনু পান্নদুন সাল্‌সু পোক্‌য়ে। লাইরেল্ (লয়পিরেল) চনুন লয়রুম্‌লেল্ সিল্‌হৈবা ঙানুন সিলসু নারোংহয়। মাগি ঈদি অখাম্ ঙাইখোম্ব ময়ুম্‌নে।
(*) চেখোঙ, য়ুম্বীরেল্

চক্‌প

ময়তৈ লয়বাক্ত কাঙ্‌লুপগি অমদি মৈহৌরোল্‌গি ব্রা খন্‌ন নৈনরেক্‌পদ চক্‌প হায়বা কাঙ্‌লুপ্ অসি থনম্ব ইয়া য়াদবদৌন লৈ। অদুবু কাঙ্‌লুপ অসি ময়ত্রবাক্কি হান্ন লৈব মীবা নত্রগা খুন্ তারব মীরা হায়বদ চমম্নব হেক্ হেক্ লৈ। মী অয়াম্বনসু খঙ্‌নদে। মখোয় অসিন খুন্দারব ব্রোইবগন করম্ব মতম্‌দগি, নিংথৌ কনাগি মতম্‌দ লাক্‌পনো অদুগ হান্ন লৈরব মী ব্রোইবগন লয়বাক্ অসিগি হান্ন লৈরব মীনি হায়ন লৈবিব মী কাঙ্‌লুপ্ কনাগ করি মরী লৈনবনো হায়ব অদুস্ মী অয়াম্বন খঙ্‌নদে। মখোয়বু লোইনি হায়রিবন কবিগিনো, করম্ব মখল্‌গি লোইনো হায়ব অদুসু মীযাম্ন থোইন থিনদে, খঙ্‌নদে। মখোয়গি চৎনবী নাৎ ময়তৈগ মান্নে। লাইসু ময়তৈগি লাই সোরারেল্, সনা মহী, পাখংব কৌবরু লাৎলি। লাইনিঙ্‌ন নোংপোক্ পাছোইবী নিঙ্‌ভী। মখোয়গি য়েক্ সলাই লৈ। অদুবু পুদদি - পুকোক্তি ময়তৈগ মান্নদে। মখোয়দ সাইরুক্কি ব্রা ফংদে। ময়তৈগি অরিব কাঙ্‌লুপ্ সারাং লয়সাং, হাওরোক্ কোছৌগ - চেংলয়গ অঙন্‌ব মতম্‌দ মরী লৈনরম্বগি ব্রা ফংদে, লৈতে। মখোয়গি ব্রোইব পাউরৌ পাছে, ফুঙ্গা ব্রারী পাক-সন্‌ন লয়বাক্ অসিদ উদে। ময়তৈগি চক্‌পনি হায়ন পুয়াদ লৈরিব

হাওখা লোক্খাগ নক্সিন্নবসু উদে । মখোয়গিদি খুন্দা খুছোক্সু লৈ । কাঙ্লুপ্ত অরি - অনৌ, অকোন্ অহান্ লৈ । মখোয়গি মৈহৌরোল্ ময়ত্রবাক্কি মৈহৌরোল্ অমদি পুৱারীদগি তোঙান্ন লৈ ।

চক্পগি ৱা হেক নৈনরকপদ ৱোজাসিংন "চক্পদি অরিবনি মীদি অনৌবনি" হায়বসু তাক্পী । ৱাফম্ অসি ইতিহাস নৈনবসিংন হক্চিন্ন লওনরম্মী । পুরোল্ পারোল্ হংগৎন য়েংনরম্মী । " অহান্ব চক্ হয়ি চক্ত চক্পন লেপ্লম্মে" হায়ব চক্প কাঙ্লুপ্ অদু ময়েক্ সেংন পী । চেখোঙ্ অমসুঙ্ লাই খুন্দাদ নিংথৌ য়েন্ৱাইবগি সাগৈ (১) লোক্খা (২) হাউখা (৩) আহাও (৪) হাউরেঙ (অহাওরেঙ) (৫) অহাওঙামা (৬) থৌপু (৭) থোক্সেন্ (৮) ঙাসেন্ (৯) পুক্সরি (১০) লাইতং (লম্তং) হায়ব অসিগি ৱাদ খন্নে । মখোয় অসিবু হয়ি চক্ত লৈরম্বচক্প অদুনি হয়ন খন্নে ।

হৌজিক্ হৌজিক্ চক্পনি হায়ন খঙ্নরিব কাঙ্লুপ্ অসিগি মৈহৌরোন্দ লৈরিব পুকোক্ন - চক্পরোল, পীনাইদবদি সৱাং নোংফুরেল্নে, নোংফুরেল্নে, লেম্বনে, পিপিনে, পীথরাইনে, তেংকোনে, নাইনুং চৱাইনে, নাইনুং চিন্নতোনে, হোরিনে, হোরানে তরামাথোই অসি পীনাইদে । পনীনাইবদি মিচিক্ন মিসোম্, সেনাংন মেনোয়, কনাংন কোন্সেংনে । হয়াংসান হয়াংসি, কাসক্ন কামু, কুরুংবন কুরুংবী, মী হোক্ন মেনু, সাবোঙ্ খুন সারোঙ্হন্ নারোংখুন নারোংহন্, চাওরিবীন চাওরিব, কম্সিতোংন কম্সিব তরামথোই অসিন পীনাইবনে হায়ন লৈ ।

চক্প কাঙ্লুপ্ন লম্ অসিদ লৈরকপগি মতাংদ চক্পরোল্ খুন্দা খুন্থোক্ হায়ব পুয়া অদুদ হায়রিবন "অহান্ব মমাঙ্ঙৈদ হয়ি চক্ কৌব চক্ অদুদ চক্পন লেপ্লম্মে । অসি মতুং খুনুং চক্ কৌব চক্ অদুদ পাল্লম্বদি সরাং লয়সাংনে । খাব ঙান্বন পাল্লে । অসিগি মতুংদ লাংব চক্ কৌব চক্ত পাল্লম্বদি খুমন্ লুৱাংন পাল্লম্মে" নিংথৌ ৱোইরম্ব মখোয় অদুদি সোরারেল্ অহুম্ কৌয়ে । সোরারেল্ অহুম্ম অদুন কোয়ন চাইথোক্খিরে হায়বসিগবু

চাইবী খুন্দা পুঙ্ব্রো হায়ন কৌখিয়ে ।'' অদুগ চক্পরোন্দন '' হৌজিক্তি সোরারেল্ চক্প পোক্পবু খুরুম্ন চকপরোল্ হায়গে (১) চক্পনে (২) তাংবনে (৩) পাংকক্নে ৪) চিক্চিক্পনে (৫) লৌপান্নে (৬) সব্রাংনে (৭) সব্রাং নোংফুরেল্ অচিবনে তরেৎম অসিদি লাইরোন্নে। মথংদ অমরক্ সব্রাংন পোক্পদি (১) চক্পনে (২) তাংমনে (৩) কাসিনে (৪) হোরিনে (৫) হোৱানে (৬) নোংলোন্নে (৭) নোংফুনে (৮) মেনোং মিৎনে (৯) মেনাং মিৎনে (১) অমেংমিৎনে (হমেংমিৎ) তরাম অসিনে । অসিগি মতুংদ অমরক সন্থোকপদি (১) সব্রাংনে (২) কাসিনে (৩) চক্পনে (৪) তাংবনে (৫) হাউরিনে (৬) হাউরানে (৭) নোংলোন্নে (৮) নোংফুনে (৯) মেন্নোঙ্নে (১০) হমেংমিৎনে (১১) মেন্নাং মিৎনে। ১১ম মখোয় অসিগি চা কোক্তি অহানবমক্ত মোংব য়োয়স কাইত তারম্মে ।'' মফম্ অমদন '' হান্ন খুন্কুম্লক্পদগি সোরারেন্দগি মোংব য়োয়সঙ্গাইদ তারম্মে'' অসুম্ন মখোয় অসি মথং মথং লয়বাক্ অসিদ খুন্দারবগি মব্রোঙ্ লৈ । চক্পগি খুন্দারোল্ অসি য়েংলগদি লয়বাক্ অসিগি খুন্দারোল্নি হায়ন লৈরিবসিংগ মান্নদে । তৌবসু চক্পগি লাইরোল ময়তৈগ মান্নদে । পুকোক্, পিবা অমদি নিংথৌ নাইদুন লম অমদ পাল্লম্বগি ব্রা থোইন উদে । লুচিংব অমগি মখাদ মী খর লাক্লগ খুন্ তারবগি ব্রোইন উহল্লী । পুরোল্ পারোল্ ময়েক্ সেংন লৈতে ।

চক্পরোল্ অমসুঙ চক্প খুন্দা হায়দুন অথেংবদ লৈরিব লাইরিকসিং অসিদ চক্পসি মীরা নত্রগ কাঙ্লুপ্লা হায়বসি হান্ন খঙ্দোক্পগি ব্রাফম্ অম লৈ । চৎনবী ব্রোইন লৈবন মীদদি পী নাইদবন অহান্বনি । পী নাইদব মীসংসি সম্ন লাইনি হায়ন থম্বসু চৎনৈ । অদুবু চক্পসি করি করিগুম্বদ মিংদসু অমদি মী কাঙ্লুপ্তসু সিজিন্নবন চাদা নাওদা থিবদ অমদি পীনব হোৎনবদ অব্রাব লৈ । চয়েৎনন থমবন অপাববু লম্ফৈদ পুবী । কাঙ্লুপ্ ব্রোইন লৈরিব অন্দ্রো, সেক্মাইন মখোয়বু কংলাদগি ময়তৈন তান্থোক্পিবনি হায়বসু হায়নৈ । অদুন লয়বাক্ অসিদ চৎনরিব চক্পরোল্ খর থম্জরি ।

চকপরোল্ (১)

হৌজিক্তি চক্পরোল হায়গে । (১) চক্পনে (২) তাংবনে (৩) পাঙ্কক্নে (৪) চিক্চিক্পনে (৫) লৌপাল্নে (৬) সব্বাংনে (৭) সব্বাং নোংফুরেল্ অরিবনে (অচিবনে) । সব্বাংন পোক্পদি চক্পনে, তাংবনে অসিনে । হরিনে, হরানে, নোংলোল্নে, নোংফুনে, মেনোঙ্নে, মেলাংমিৎনে, হমেংমিৎনে অসিদগি পোক্পদি সব্বাংনে, কসিনে অংবনে, সেরিবনে, ইকোক্ সেংনে, ব্বোইনম্নে, লোলাংনে, চিরাংনে, ব্বাংবন্নে, সেক্তানে, কামুনে মখোয় অসিগি চাকোক্তি হান্ন মোংব য়োয়সঙ্ কাইদ তারক্য়ে । লূন সেংন তারকয়ে হায়বগি সেংমাই কৌয়ে । খুৎচেং লাকন, খুৎপী কাউরোঙ্ সুন কুম্লক্য়ে হায়বগি সেংমাই খুল্লাক্পম্ কৌব্রে । চৌবরি পুঙদ, পুম্সাই খোংদগি অহোঙ্ কইদ, পুন্গি ব্বাদ লৈরম্মে । মচেৎ অমন লাংজিঙ্দ তারম্মে । অসিগি মতুংদ লংমাইচিঙ্দ চক্প খুন্কঙ্ তরা সুন তারম্মে । অসিদগি মসেম্ তোংনে, হুন্নসেংনে অনীমন চিংন থৌপান তাইয়ে । থৌপান্তোং কৌব্রে ।

খুন্দারোল

খুন্দারোল (য়ুম্দাব) - লাখায়নে, লাসেংনে অনীমনচিংন ইনম্সেংদ তায়ে । সেংমাই কৌব্রে । অরোংনে অখুল্নে অনীমনচিংন খোংচিদ তাইয়ে । খোংচি কৌরে । ফান্নসেংনে, হুন্নসেংনে অনীমন চোংন ফায়েংদ তাইয়ে । ফায়েং কৌব্রে । খারোইবনে, খারাইখুনে অনীমন চিংন থোংচাউদ তায়ে । থোংচাউ কৌব্রে । লাইসি হানে, লাইসিখুনে অনীমন চিংন লয়মরামদ তাইয়ে । লয়মরাম্ কৌব্রে । ককৌরিন কৌতরুক্ কৌব্রে । চিঙ্ঙুথেল্ন চিংন চিঙ্ঙু থেল্দ তাইয়ে । চিঙ্ঙুথেল্ কৌব্রে । সব্বাংবনে, অংবনে, সেরিংবনে, সেরাংবনে, ব্বাংবন্নে, লোল্লাংনে ব্বোইনম্নে মখোয় তরেৎ অসিদি চফু সাবনে ।

সলাই হোংবদি সেরিংবনে। অঙোম্নে। সেরাংবন নিংথৌচানে। মেনাঙ্বনে, কানাংবনে অনীমদি লুব্রাংনে। য়াব্রান খাব ঙান্বনে। কসাঙ্দি সারাং লয়সাংথেম্নে। মেচিক্ন মোইরাংনে। মেমাল্বন খুমন্নে। সলাই তরেৎ অসিনে। ফু হান্ন সাবদি লইসাব্রো নিঙ্ঙোল্ন হান্ন সাইয়ে। ফুমব্রোঙ্দি নুরা খুদোং মপাল্ তম্ন সাইয়ে। চক্প সলাই অহন্দি থৌবান্দোংনে। খুনুং ময়ুম্ কৌয়ে।

(১) চিৎনুন ফুসা - ব্রান্স। তম্মে। কম্বোং ফুরই ব্রাল্লয় কোইবীন ফুথোং ব্রান্থোং, সিঙ্ - য়িক্, ময় - য়াঙ্ তম্জয়ে। - চেংলয়রোল্ -

(২) তাউচারু নঙ্দি লয়পাক্ সাব, সেম্ব, ফুসা - ব্রাল্সা তৌগদনে। - সোরারেল্ মচান খুন্কুম্বা - লা ৪ -

চক্পরোল্ (২)

চক্পনে, তাংবনে, পাংকক্নে, চিক্ চিক্পনে, লউপাল্নে, সব্রাংনে, সব্রাং নোংফুরেল্নে। সব্রাংন পোক্পদি (১) চক্নে (২) তাংবনে (৩) কাসিনে (৪) হরিনে (৫) হরানে (৬) নোংলোল্নে (৭) নোংফুনে (৮) মেনোংনে (৯) মেনোংমিৎনে (১০) হমেংমিৎনে তরাম অসিনে। অসিদগি পোক্পদি (১) সব্রাংনে (২) কাসিনে (৩) অংবনে (৪) সেরিংবনে (৫) ইকোংসেংনে (৬) ব্রোয়নম্নে (৭) লোল্লাংনে (৮) চিরাংনে (৯) ব্রাংবন্নে (১০) সেক্তানে (১১) কামুনে। মখোয় সিগি চাক্কোক্তি হান্ন্ মোংব য়োয়সংগাইদ তারক্য়ে। লুন সেংন তারক্য়ে হায়বগি সেক্মাই কৌয়ে। খুৎ চেং লাক্ন হংচি পায়ন, খুৎপী কাউরোঙ্ সুন কুম্লক্য়ে হায়বগি সেক্মাই খুৎলাক্পম্ কৌব্রে। চৌবিরি পুঙদ, পুম্সাইখোংদ, অহোঙ্ কইদ, পুনসি ব্রাদ তারম্মে। মচেৎ অমন লাংজিংদ তায়ে।

খুন্দারোল্

খুন্দারোল্ (য়ুম্দাব) -- মসেম্ তোংনে, হুন্ন সেংনে অনীমন থৌবান্দ তায়ে। লাখায়নে, লাসেংনে অনীমন ইনম্ সেংদ তায়ে। সেক্মাই কৌয়ে। অরোক্নে, অখুনে অনীমন খোংচিদ তায়ে। খোংচি কৌয়ে। অসাংনে, অহন্নে অনীমন চিংন থোংখোঙ্ তায়ে। থোংখোঙ্ কৌয়ে। ফান্নসেং, হুন্নচেঙ্সাংনে অনীমন ফায়েংদ তায়ে। ফায়েঙ্ কৌয়ে। খারোংবনে, খারাই খুনে অনীমন চিংন থোংজাওদ তায়ে। থোংজাও কৌয়ে। লৈসি হানে, লৈসি খুনে অনীমন লয়মরাংদ তায়ে। লয়মরাং কৌয়ে। ককৌরিংন কৌতরুক্ তায়ে। কৌতরুক্ কৌয়ে। চিঙ্পা লাইপান চিঙঙু থেন্দ তায়ে। চিঙঙু থেল্ কৌয়ে।

সব্রাংনে, অংবনে, সেরিংবনে, সেরাংবনে, ব্রাঙবন্নে, লোল্লাংনে, ব্রোয়নম্নে তরেৎম অসিদি ফু সাবনে। ফু হান্ন সারক্পদি লয়সা ব্রোন্বম্ন হান্ন সায়ে। চক্প সলাই অহলদি থৌবান্দোংনে। মথং সেক্মাইনে। অন্দ্রোদি হরিদগি খাইবনে। খুনুং ময়ুম্ কৌয়ে।

সলাই য়ুম্জংব

সলাই য়ুম্জংব - সেরিংদি অঙোম্নে। সেরাংদি নিংথেম্ মচানে। মেনাংবনে, কোনাংবনে অনীমদি লুব্রাংনে। য়াওব্রান খাব - ঙান্বনে। মেমোন্ন খুমন্নে। কোসাংবদি সরাং লয়সাংথেমনে। মোচিক্পদি মোইরাং সলাইনে।

চক্প খুন্দাংরোল্ য়ুমচংব

হৌজিক্তি চক্প খুন্দারোল্ য়ুমচংব হায়রক্কে। চক্প থৌবান্দ্রোং লোল্দি কসাঙ্ন তাইতিংনু পান্নদুন মসেম্তোংনে, হুইন সাংনে অনীম

পোক্‌য়ে । মসেম্‌তোংন কাঙ্‌ঙুজম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি থৌবান্দোং লয়সাংথেম্ অরিব মুব ময়ুমনে । থৌবান্দোং লয়সাংথেমগি পিবাদি তখেন্দ লৈয়ে । মথং রুপাল্‌নন্দন ময়ুম্ ঙাক্‌লি ।

থৌবান্দোং সেংমাই খাগি যুমচঙ্ লোল্‌দি

সেরীংদি অঙোম্‌নে । সেরীংন তাইতিংনু পান্নদুন লাখোইনে, লাসোংনে অনীম পোক্‌য়ে। লাখোইগি ঈদি মুঙাঙ্‌নে সলাই যুম্‌জংব। মুঙাঙ্‌গি ঈদি খুনুং খাংলেল্‌বম্ লিলমনিনে । মচা চৈত্যন নন্দদি পানা থোক্‌লে । খাইখিব চোল্‌সিংনে। খাইখিব চন্দ্রখোং উম্‌পুগি ঈদি খোল্‌চন্দ্রনে।

লাসোংগি ঈদি - লাসোংন সেন্‌তিংনু পান্নদুন কেবোল্‌নে, হেমোনে পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি খুনুং অঙোম্ চাল্‌বম্ হেম্‌সিংনে । পানা থোক্‌লে । খাইখিব হেম্‌সিং লুপ্ লাক্‌পনে । সেরাংদি নিংথৌচানে । সেরাংন মেচিনু (মেচিক্‌নু) পান্নদুন লাসেং পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি মুঙানে । মাগি ঈদি কাঙ্‌ঙুজম্ অরিব থোইবনে কাঙ্‌ঙুজম্ য়িম্‌খাইবম্ দেব রাম্‌নে । দেম রাম্‌দগি খাইব চন্দ্রখোং তাব ময়োল্‌নে । পানা থোক্‌লে । মেনাংগি ঈদি লুৱাংনে । মেনাংন সীরিনু পান্নদুন পুথিনে । মাগি ঈদি খুনুং অরাম্বম্ গৌরসিংনে ।

য়াৱাদি খাব ঙান্‌বনে । য়াৱান তাইতিংনু পান্নদুন তাতোন্নে। মাগি ঈদি খুনুং ৱাংবিজম্ জয়সিংনে ।

মেচিক্তি মোইরাংনে মেচিক্‌ন মসেংনু পান্নদুন নান্‌থোক্ পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি খুনুং মোইরাংথেম দেব চন্দ্রনে । খাইব নিলকান্তিনে । পানা থোক্‌লে ।

মেমোন্দি খুমন্‌নে । মেমোন্ন মসেম্‌নু পান্নদুন চাউব । মাগি ঈদি খুনুং সিনাম্ হাওবনে । খাইব চন্দ্রখোং তাব ইরাবন্দনে । সরাবসিংদি পানা থোক্‌লে।

চক্প সেংমাই অৱাং লোলদি - সেরাংদি নিংথৌচানে। য়াৱানু পান্নদুন মিকোন্ পোক্য়ে । মিকোন্ন কেম্তোংনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুনুং খুৱাইরাক্পম্ চিঙ্বা খুল্লাক্পনে ।

সেরিংদি অঙোম্নে । মান কাম্সিংনু পান্নদুন গঙ্গারাম্নে । গঙ্গারাম্ন নান্তৈবম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুনুং য়ুমলেল্পম্ মোরারী খুন্চা হন্বনে । অঙোম্ চান্ব কৈরাও তাব লখোন্নে ।

মেনাংবদি লুৱাংনে । মান খোম্সিনু পান্নদুন পোসিনে । পোসিন খুৱাইরাক্পম্ চনু পান্নদুন খোইদোংনে, কিয়াম্বনে অনীম পোকয়ে । খোয়দোংদি য়িম্লেন্নে । মনাও কিয়াম্বদি পানা থোক্লে। খুনুং চান্দম্নে ।

মেমোন্দি খুমন্নে । মান য়াৱানু পান্নদুন কেনেঙ্ পোক্য়ে । মান তেংঙাল্নু পান্নদুন মাগি ঈদি মাহারাবম্ জয়রাম য়ুপান্বনে । খাইব কৈরাও তাব থোইবনে । পানা থোক্লে ।

চক্প ফায়েং লোলদি - সেরিংদি অঙোম্নে । সেরিংন মসেম্নু পান্নদুন ফান্সেং পোক্য়ে । মাগি ঈদি পাল্সিংনে । খাইব লম্চাও তোংব তাব ইন্দ্রনে । পানা থোক্লে ।

সেরাংদি নিংথৌচানে । সেরাংন মেমোন্ পান্নদুন হুন্নচেংসাং পোক্য়ে। মাগি ঈদি থংকোংনে । খাইখিব ঙাইরাংবম্ তাব মুহোনসিংনে । পানা থোক্লে ।

চক্প নোংথৌরোন্দি - সেরিংদি অঙোম্নে । সেরিংন মেচিক্নু পান্নদুন মাগি ঈদি হরিচোরোন্ন কবো চনু খশ্বী পান্নদুন মাগি ঈদি থোংজাও তুরেল্ তাবম্ কুমুদোনে ।

থোংচাও খরাইবগি ঈদি মান কেম্তোংনু পান্নদুন মাগি ঈদি থোংচাও তাবম্ মনিচন্দ্রনে । থোংচাও খরাইখুগি ঈদি মসেম্নু পান্নদুন মাগি ঈদি খুরাইতাব তোন্বনে । পানান থোক্লে ।

থোংচাও কাঙ্‌ভুজম্ লোল্‌দি - পোংখু পোংহন্‌গি ঈদি নিংথৌচা ইন্‌ব খরাইবম্ থৌবান্দোং তাব থাদোইনে, খরাইচম্ পুর্নসিংনে।

সেংমাই অৱাং তাব গঙ্গারাম্‌ন খাইথেম চনু ভবাল্‌নি পান্নদুন মাগি ঈদি ঙাইরাংবম্ তাব য়ুমলেলবম্ অরিব খেত্রিবাসোনে।

চক্‌প লয়মরাম লোল্‌দি - সেরাংদি নিংথৌচানে। সেরাংন সেরীংনু পান্নদুন লৈসিহানে, লৈখুনে অনীম পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি পল্‌লিংনে। মান চাউবী পান্দুন মাগী ঈদি নাতুমনে পল্‌লিংদগি খাইব তম্‌পাকয়ুম্‌দ কাব লল্‌হাংগি ঈদি কংলা তোংবী তাব নিংথৌজম্ অরিব লেম্বনে। পল্‌লিংদগি খাইব ফোইজিং তাব ভবানন্দনে। পানা থোক্‌লে।

চক্‌প কৌতরুক্ লোল্‌দি - হরিদগি খাইরক্‌প সেরিংদি অতোম্‌নে। সেরীংন কাসঙ্‌নু পান্নদুন মাগি ঈদি পুথীনে, ময়াংনে, ৱোয়নানে। মান কাঙ্‌ভুজম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুনুং ময়ুম্ চন্দ্রমনিনে। পানা থোক্‌লে। কৈরাও তায়ে।

সেরাংদি নিংথৌচানে। মাগি ঈদি অন্দ্রো ফানচৌবম্ ধোনোসিংনে। অন্দ্রো লওক্রাক্‌পম্ কৈরাও তাব দেবানন্দনে অন্দ্রো নিংথৌজম্ কৈরাও তাব খুরুবনে। অন্দ্রো অচোইবা জয়সিংনে।

সেরাংদি নিংথৌচানে। মাগি ঈদি ককোংরিংন তাইতিংনু পান্নদুন মাগি ঈদি তোমপোক্‌নে। মান সেরিংনু পান্নদুন অমুনে। অমুগি ঈদি খেলেম্ব খুল্লাক্‌পনে।

সেরিংদি অঙোম্‌নে। মাগি ঈদি ঙাইরাংবম্ তাব চেক্‌সানে। পানা থোক্‌লে।

কসাঙ্‌দি সারাং লয়সাংথেম্‌নে। কসাঙ্‌ন মমেসম্‌নু পান্নদুন মাগি ঈদি থোইবনে। থোইবগি ঈদি পুর্নসিংনে।

চক্‌প অন্দ্রো লোলদি - হরিদগি খাইরক্‌প সেরিংদি অঙোম্। সেরিংন

কাসঙ্‌নু পান্নদুনা মাগী ঈদি পুথিনে, ময়াংনে, ব্রোইনৈনে। মান কাঙ্‌ঙুজম্ চনু পান্নদুন খুনুং ময়ুম চন্দমনিনে। পানা থোক্‌লে।

সেরাংদি নিংথৌচানে। মাগি ঈদি অন্দ্রো ফান্‌জৌবম ধোনোসিংনে। অন্দ্রো লওক্রাক্‌পম্ কৈরাও তাব দেবানন্দনে। অন্দ্রো নিংথৌজম্ কৈরাও তাব খুরুবনে। অন্দ্রো অচোয়ব জয়সিংনে।

চাইরেল্ লোল্‌দি - চাইরেল্ নিংথৌ য়াওসুরাক্‌পন লোক্‌খা নিংথৌ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি নিঙ্‌থোন্নে নিঙ্‌থোন্না চিঙ্‌সোম্বী পাদুন মাগি ঈদি কামু খুল্লাক্‌পনে।

চারেল্ খুমন্ ইন্‌ব লাইস্রম্ সকথীগি ঈদি মনিরাম্‌নে। চাইরেল্ সারাং লয়সাংথেম্ ইনবদি খমু ময়ুম্‌নে। চাইরেল্ মোইরাং পুখ্রল্‌বম্ ইন্‌বদি হাউমুনে।

চক্‌প খুন্দারোল্

চক্‌প (সেক্‌মাইজিন্) লোল -

চক্‌প সেক্‌মাই ঈচিন্ (সেক্‌মাইজিন) তাবগি খুন্দারোল্দি - ময়দেংঙু লাইরেল্ সেম্বী মুংয়াম্ব সনা হাক্‌থক্ত চক্‌প পুঙ্‌খুন্দ লাল্ সোক্‌নবদ সেক্‌মাই খর খোমগৎতুন হল্লক্‌য়ে। পাইখোম্ব সনা হাকথক্ত চক্‌প সেক্‌মাইদ লাল্ তৌবদ হৃচিক্‌পগ ইখম্‌গ, কেলেংগ, কেখম্‌গ মরিমক্‌ন চিংন চক্‌প পুন্নমক্ খোম্‌গৎতুন থৌবাল্‌গি কৈবুংদ খুন্ তাহন্‌খি। মতুংদ চরাইরোংবন সেক্‌মাই খাগ সেক্‌মাই অৱাংগ খায়দোক্‌লে। কৌবরু চিঙ্‌খোঙ্‌দ ইহারাইদ য়ুম্নাক্ ২৪ কুন্‌মরি তাহন্দুন অৱাং হাও ঙাক্‌হল্লে। থৌবাল্ কৈবুংদগি নোংপোক্ লম্মহনগি কক্‌ময়ায়দ য়ুম্নাক্ তরুক্ক চিংদুন খুন্ তাহন্দুন অৱাং তাংখুল্ হাও ঙাক্‌হল্লে। চক্‌প সেকমাই খরসু ঙমুখোং চিঙ্‌জিন্দ তাহন্দুন তাংখুল্ হাও ঙাক্‌হল্লে। চন্দ্রখোংদ খর তাহল্লে। সিখোংদ খর তাহল্লে।(*) *ইপা ইবুংঙো নুংসিখিব পর্সুরামদগি ফংজব -*

হারম

মৈহৌরোল্গি ৱাদ হারম্ হায়ব ৱাহয় অসি হেক্ হেক্ হায়নব লৈ । মসি ৱাহন্থোক্তি নোংপোক্ নোংচুপ্তগি লাক্প হায়বনি । মখোয় অসিগি মরমদ্ খুন্থোক্, খুন্দা, খোঙ্হও, খোইরা হায়ব পুয়া মরি অমসু য়োয়রেল্ লোইসঙদ লৈ । মসিগি পুয়া অসি অঙোম্গিদি মরিমক্ লৈ । অতৈ সলাইদদি লৈতে । অঙোম্দ খোঙ্হও, খোইরা, লৈব অসিন মীতোপ্ খর অঙন্ব মতম্দ চংখিবগি ৱা লৈ । তৌববুদি খাব সলাই নত্তন অতৈ সলাই মীতোপ্ চংখিব ৱা লৈ । অঙোমদদি য়াম্ন ঙল্লিঙৈদগি মী চংখিবগী ৱা ফংঙি । অঙোম্দ অঙোম্ য়েক্ নত্তব অঙোম্ সাগৈ লৈব অসিন কাঙ্লুপ্ অসিগি ৱা নৈনব লাইদে ।

অঙোম্বু করিগী খোঙ্হও, খোইরা লৈরিবনো হংবসু য়াই । মখোয়সি তাইবঙ্ মপুন পীথেৎ লয়ম কৌঙৈদ অঙোম্ পোক্য়ে হায়। মখোয়সি অঙন্ব কাঙ্লুপ্গি মী ৱোইরি । অথেংবদ মখোয়গি পুকোক্কি মমাসু লাইয়েক্ লাইখোৎ চনুনি । কুপত্রেংন মপা মপুনি মখোয়সি লিবদ হায়রবসু সৌবোল্ লওতারোল্গি ৱা মখোয়গিনি । খোঙ্হওদন মপা মমা পিদন তাক্তন খঙ্খোইদগিনি থোক্লক্ই হায়রি । অদুগ নৌবগি ৱা হায়রবসু অহোম্নি হেক্ত হায়নরি । সলাই অসিদ মী অনৌব হারম্গি মী লৈখিবগি ৱাফম্ তাক্ই । হারম্গি মীসিং অদুন য়াম্ন ঙল্লিঙৈদ মচেৎ পিক্ন পিক্ন অঙোম্দ চংখিবন মৈহৌরোন্দ মমি তাদব ৱোইন থম্নৈ । অঙোম্বু হারম্গি মী ৱোইন মৈহৌরোন্দ লৈতে ।

ময়তৈ লয়বাক্ত হারম্গি মীন মমি চাওন তারিবদি চক্প অমসুঙ্ চিঙ্ঙুরেম্বীগি মতুং ইল্লক্প লয়মনাই কাঙ্লুপ অসিতনি । অসিগুম্ব হারম্গি মী অসিদি লাইমনাই, লয়মনাই হায়দুন মচা খায়ন ময়েক সেংন মখোয়গি মৈহৌরোল্ লৈজরে । য়েক্ সলাই য়েনবীখরে। চক্পগিসু তোঙান্ব খুন্থোক্ খুন্দা লৈ । মখোয়গী পারী পুরী মৈহৌরোল্ তোঙান্ন লৈজখরে । মখোয়দি হারমগি মনুং চন্দে । হারম্দি নোংপোক্ অমসুঙ নোংচুপ্গি কোন্ন লাক্প মীদনি ।

মৈহৌরোল্

ইতিহাসন (পুৱারীন) মালেম্দ কাঙ্‌লুপ্ অমগি মসক্ তাক্পগুম সাগে (১) অমবু অমদি মী অমবু ময়তৈ লয়বাক্ত সক্ তাক্কে হায়রবদি মৈহৌরোন্‌তন তাক্কদবনি । মৈহৌরোল্ অসি নত্তন সাগে অমগি নত্রগ মী অমগি হওরক্পফম্‌গি অকুপ্প মসক্ খঙব ৱোইথোক্কে । অদুনা মৈহৌরোলবু ময়তৈন অসেংব লাইরিক্নি হায়ন কিন, লুন তৌনৈ । মপা মপুবু লাইনি হায়ন নিঙ্‌জব ময়তৈন পুয়া (২) হায়ন খঙ্‌নৈ । থেংথরক্লব মতম্দ পুরানসু (৩) হায়নৈ । মৈহৌরোল্ অসি ময়তৈন বেদ ব্যাসকি পুরান্দগি হেন্না লুন নিঙ্‌জৈ । য়েংবদ অমদি পাবদ নুমিৎ থা, থাবান্নচিংব য়েংনৈ । ময়তৈন পুয়ানি, অসেংব লাইগি ৱোইব লাইরিক্নি হায়দুন চেৎন লুন থম্লরিব লাইরিক্ সিংগী মনুংদ মরু ৱোইরিবদি - লয়সেম্‌লোল্, নোংসেম্‌লোল্, লাইরোল্, নিংথৌরোল্ অমসুঙ মৈহৌরোল্ মঙা অসিনি । পুয়া মঙা অসিবু ময়তৈন লোল্ মঙা হায়ন খঙনৈ । লোল্ মঙাং অসিগী মনুং চন্দব অসিগি মনুং চন্দব লাইরিক্তি পুয়ানি হায়ন লওনরম্দে ।

লোল্ মঙা অসিগি চাওরাক্প মনুংগি ৱোইব ৱারোন্দি -

লয়সেম্‌লোন্দ

লয়সেম্‌লোন্দ - অসীবন মালেম সেম্‌লগ তাইবঙ্ পান্‌বদ লৈরিব থৱাই পান্‌ব পুন্নমক্ লৈহন্‌খিবগিৱা ইরি ।

নোংসেম্‌লোন্দ

নোংসেম্‌লোন্দ - অতিংকোক্ মরূ সিদবন মথন্‌ত ইতিং তিংন **লৈরম্বদগি লয়সেম্ব মতম্ নিঙ্‌সিঙ্ লাক্লুন 'উম্' হায়ব খোন্‌জেন্দগি চুম্‌থাঙ্‌গি মসক্ থোক্‌লগ থক - খা খায়দোক্লুন লয়রোল্ নোংলোল্ সেম্‌খিবগি অমদি নুমিৎ থা থৱান্ মিচাক্‌সিং অসি করম্ন অমগ অমগ মরী লৈনব হায়ব -অদু**

লাইরোল্

লাইরোল্দ - লাই পুম্নমক্কি মরম্দ, লাই অসিন কনা পোক্ই । কনান কনা লাইগ মরী লৈনব, কনান লাই ৱোইখিব, লাইগি নিংথৌন কনা কনানো, করি করি তৌখিব, কদাইদ চৎখিব অমদি লাইসিংগি খুন্দারোল্, কনান তাইবঙ্দ নিংথৌ ৱোইন পানখিব অসি পুম্নমক তোপ্ন তোপ্ন লাইরোন্দ ইরি ।

নিংথৌরোন্দ

নিংথৌরোন্দন - নিংথৌ কনান কনা নিংথৌ পোকই । মহাক্ থক্ত করি করি তৌখিব অমদি মাগি মতম্দ থোক্খিব লয়বাক্কী থৌদোক্ ৱাথোক্ ইরি ।

মৈহৌরোল

মৈহৌরোল্ - মৈহৌরোন্দদি ময়তৈ অয়খোয় ইসাগিত ৱোইব সলাই (৫) খায়ব, করম্ব সলাইন, কনান করম্ব সলাই হৌদোক্লম্ব, কনান করম্ব সলাইদ চঙ্খিব, কনা কনান চঙ্লক্প হায়ব অদু ইরি ।

মৈহৌরোল্ পুয়াসি লয়বাক্ অসিদদি সাগৈ খুদিংগি লৈনৈ । অদুন পুয়া হায়দুনা লৈরিব পুযা পুম্নমক্তগি মৈহৌরোল্ পুয়ান ময়াম্লে ।

লয়বাক্ অসিদ লৈনরিব মৈহৌরোল্ পুয়া পুম্নমক্কি মথক্ত লয়বাক্ নিংথৌগি ৱোইব সাগৈ সলাই পুম্নমক্কি হওরক্ফম তাক্প, সাগৈ সলাই অদুগি মনুংদ লৈব য়ুম্নাক্, য়ুম্নাক অদুগি মনুংদ কাঙ্লুপ্ কয়া থোক্ন খায়দোক্কুন পিবা (৬) কয়ান পাল্লিব, কাঙ্লুপ অদুন কনা পিবাগি মখাদ লৈরিব পুম্নমক অদু খঙ্ব পুয়া খরসু লৈ । মদুবু সনা পুয়া হায়ন খঙ্নৈ। সনা পুয়াসি পিবা-নুপা মসিঙ হেন্গৎলক্পগি মতুং ইন্ন অনৌব অম অমুক্

মখা তান ইথব মতম্দ নিংথৌসিংন পুয়া মমিং তোঙান্ তোঙান্ন থোল্লী । মরম্ অদুন সানা পুয়াসি মমিং মান্নদে । খাগেম্বগি মতম্দ ইব সনা পুয়ান চেখোঙ্নি । গরিবনিৱাজগি মতম্দ ইবন নোংখ্রংনি । জয় সিংহগিন লাংথবাল্ লোল্নি অদুগ চন্দ্রকৃত্তিগী মতমদ ইব পুয়ান সঙ্গাই ফম্মাংনি । অসুম্ন নিংথৌ মরি অসিন ইরম্ব সনা পুয়াসিং অসি মমিং মান্নদে । পুয়া মরি অসিগি মখাদগিদি মথং পাল্লক্প নিংথৌসিংন লয়বাক্কি ৱোইব পুয়া ইবিদ্রে । মসিন মরম্ ৱোইদুন লয়বাক্ অসিদ নৌন লাক্প হারম্গি (৬) মীসিংন সনা পুয়াদ মমিং চম্ব ঙম্দ্রে । য়েক (৭) সলাই, পু মসক্ খঙ্দন লৈরে । লাই ৱোইরব অহল্সিংন লয়বাক্কি ৱোইব অপুন্ব সক্তম্ অম ৱোইনব খন্জরম্ব ৱাখল্ অদু মমি সাম্হল্লে ।

মৈহৌরোল্ হায়বসিদি ময়তৈগি চৎনবীদ লৈরিব অসিদি সাগৈ অমগি মনুংদ লৈববু কাঙ্লুপ্, কাঙ্লুপ্ অদুদগি তোঙান্ন চাক্খুম্ নাইরক্পবু ফুরুপ্, ফুরুপ্ অদুদগি ফুংগ, ফুংগাদগি পু, পু অহন্গি ফুংগা, পু য়াইমগি ফুংগ অসুম্ন ফুংগা অমমম্ নাইদুন মৈফম্ লিংখিবগি ৱারোল্ তাক্পবু মৈহৌরোল্ হায়বনি । মৈহৌরোল্ হায়ব অসিদি য়ুম্ হোদোক্তুন ফুংগা লিংদুন মী মথং মথং হোংদোক্নখিব, মৈ হৌখিব অদুবু মৈ হৌবগি মরোল্ মৈ হৌব লোল্ মৈহৌরোল্ হায়বনি । সম্ন হায়রবদ মচিন্ মনাও মথং মথং য়ুম তোঙান্ তোঙান্ন লৈনখিব, খাইদোক্নখিব অদুগি মরম্দ ইব লাইরিক্নি ।

মৈহৌরোল্গি মরু ৱোইব মনুংগি ৱারোন্দি অয়খোয়সি কনা কনান ইচিন্ ইনাওনো, কনান ইপা ইচানো, ইপুবোক্ কনাগি মচা মসুনো খঙ্নব ৱারী লাইরিক্নি । সাগৈগি ইপা ইপুসিংগী ৱারিনি । সাগৈ অমবু নত্রগ মী অমবু কনানো হায়ব খঙ্গে হায়রবদি মৈহৌরোল্ পুয়া য়েংনৈ । সম্ন হায়রবদ মৈহৌরোল্সি কাঙ্লুপ্ খুদিংগি অমদি সাগৈ খুদিংগি লৈফম্ থোক্পদ নত্তন মী খুদিংগিসু ৱোইব য়াব লাইরিক্নি । মৈহৌরোল্ন সাগৈ অমগি, মী অমগি হওরক্ফম্ তাক্ই । অঙন্ব মতম্দদি মী অমবু লয়বাক্কি ৱোইব অচৌব ফম্ অম পীরম্দাইদ মৈহৌরোল্ থিনৈ । পারী পুরী, হওরক্ কারক্ফম্ থিনবদ মৈহৌরোল্ য়েংনরম্মী ।

মৈহৌরোল্সি সাগৈ অমগি অমদি কাঙ্লুপ্ অমগি লাইরিক্, পুৱারী ৱোইরবসু অতোপ্প সাগৈ নত্রগ তোঙান্ব কাঙ্লুপ্ন সলাই মান্নরবসু মান্নদ্রবসু চঙ্নব য়াই । অদুন সাগৈ মান্নব খুদিংমক্ য়েক-সলাই মান্নগনি হায়বগি ৱা লৈতে। সাগৈ মান্নদে হায়দুনসু য়েক-সলাই মান্নরোই হায়বগি ৱাসু লৈতে। কনাগুম্ব মী অমন য়েক্সু সলাইসু মান্নদব সাগৈদ চংখিবসু লৈ । মদুগুম্ব অদু মৈহৌরোন্দ অতাংব হায়ন থম্নৈ । অসিগুম্ব অতাংব অসি সাগৈন নুংসিবিবদ চংনবনি হায়ন লওনৈ । মসি লয়বাক্ নিংথৌনসু খঙ্বি । তুংদ খঙ্হৌনব মৈহৌরোন্দ অতাংব নত্রগ ,লাপান্ হায়ন থম্বী । মদু পুমমক্তু মমুৎ তান খঙ্হৌনব য়োয়রেল্ (৮) লোয়সংন কৈথী, কৈকোই, অমসুঙ্ কৈফৎ অতোপ্প অমন মিতু তিংসাং হায়ব খরদ চন্খৎলী । লাইরিক্ খর অসিদি লয়বাক নিংথৌগি মমাংদ পানদে । সাগৈন অমদি নিংথৌন খঙ্বদ খর ৱাব লাইরিক্নি । য়োয়রেল্ লোইসঙ্দসু মী অমদ পূন্ন থম্লদে । লাইরিক্ মরি অসিদি হওরকফম্ মক্প অমদি সাগৈ সেংদব মীদি লাইরিক খর অসিদ চন্খৎনৈ । লাইরিক্ খর অসিদি লয়বাক্কি অপূন্ব সক্তম্ ঙাক্লবগিদমক্নি হায়ন লওনৈ ।

মৈহৌরোন্দ অতোপ্পন চংলম্ব অমসুঙ্ চন্সিন্খিবদ সানা পুয়া মরি চেখোঙ্, নোংখ্রং, লাংথবাল্লোল্ অমসুঙ্ সঙ্গাই ফম্মাং অসিগি মনুংদ লাংথবাল্ লোল্ অমসুঙ্ সঙ্গাই ফম্মাং অনী অসিগি মরমদ সাগৈন খঙদে হাযবগি ৱাদ চিংনব পোক্নৈ । মসি পন্দিৎন নিংথৌন পঙই ইব নত্তে । মতম্ অদুগি অহন্সিং অমদি সাগৈ অহন্সিং মৈহৌরোল্ ইবদ য়াওব মীসিংদি খঙনব ঙাক্তনি হায়ন ৱোজাসিংন তাক্পী ।

অতোপ্প ৱাফম্ অমন সনা পুয়াবু নিংথৌ নিংথৌগি ৱোইন তোঙান্ তোঙান্ন ইবগি মীয়াম্ন পেন্দবসু পোক্নৈ । মসি নিংথৌ অনী অসিগি মতম্দ ময়ত্রাবক্ত নৌন লাক্প মী, ময়তৈ ৱোইনীঙ্বসিং অদু লয়বাক্ অসিগি মী ৱোইন হাপ্চিন্বদগিনি । হারম (৯) হায়ব ৱাহয় অসি নিংথৌ অনী অসিগি মতম্দগিনি । নিংথৌসিং অসিগি মতম্দ লয়বাক্ অসিগি মী নত্তব অরাক্প

মীসিং (নোংপোক্, নোংচুপ) অদু থিগৎতুন মখোয়ন পাম্ব সাগৈ অমদি কাঙ্‌লুপ্‌তে য়েক- সলাই পিদুন ইবিবদগিনি । পুয়াদ মমিং খেন্নবগি মরুদি মতম্ খঙ্‌নবনি। অসুম্ন থিগৎতুন ইব মতম্‌দ কই, লোয়, হাও, ময়াং কয়াবুসু সাগৈ সলাই, কাঙ্‌লুপ্ নাইহন্দুন লৈহন্‌খি । মখোয়সিং অদুবু য়েক্ সলাই পীবদ নিংথৌন চান্‌বীদুন মখোয় অয়াম্ব নিংথৌগি সলাইদ চংহন্‌খি, থম্বীখি । মখোয়গি মৈহৌরোল্‌সু নিংথৌগি পুগ মান্নহন্‌বিখি । অসুম্ন নৌন চংলক্‌প নিংথৌচা য়েক্ - সলাইবু মরবাক - মীরৈবাক্ নিংথৌচা হায়ন খঙ্‌নখি ।

ব্রোজা ইবুংঙো ঙারিয়ান্‌বম ব্রোজা, পন্দিৎ অচৌবগি মোৎ মতুং ইন্নদি সঙ্গাই ফম্মাং পুয়া অসিদি চহী য়াম্ন চংন সাগৈ পুম্নমক্কি পিবা অমসুঙ্ অহল্‌সিং কৌরগ লয়বাক্ নিংথৌ মমাংদ, মীয়াম্ খঙ্‌ন ইখিবনি হায়রি । লাক্কবসিং অদুবুন লয়বাক্ নুংসিদব, খুন্নাই অসিবু থৌসাদব অমদি তখেন, ময়াং, অৱাদ লৈখ্রবনি হায়ন লওনৈ। বামোন, পাঙল্, খেত্রি অমদি মমা মপা, কাঙ্‌লুপ্ তাক্‌নিঙ্‌দব ময়াংসিংসু মখোয় মখোয়গি লোল্ - কাঙ্‌লুপ্ খায়ন থম্বীখি ।

সাগৈ মৈহৌরোন্দী সাগৈগি পিবাতদ থম্‌নৈ । মথং মখা তান ইথবগি ব্রা লৈরবসু সাগৈ খঙ্‌ন ইনৈ । সাগৈগি নুপা মসিং পীখৎনব খঙহন্নে । সেম্ব তারবসু সাগৈগি অহনসিং খঙ্‌ন সেম্‌নৈ । মদুদ চিংনব লৈনদে । মদুগি ব্রা হায়নদে । কনাগুম্ব কই, লোই, হাও, ময়াং অমবু সাগৈ অমদ নুংসিবিদুন সাগৈদ অমদি সাগৈ মৈহৌরোন্দ চন্‌খিব অসিদি সাগৈ খঙ্‌দন অমদি লয়বাক্ নিংথৌগি ব্রা য়াওদন সনা পুয়াদ চন্‌ব য়াদে । সাগৈদ চল্লে হায়ব খঙ্‌নব সাগৈ চাক্ খাঙ্‌ব চৎনৈ । অসুম্ন পু অমগি মীন পু অমদ চংখিব অদুবুসু খঙ্‌নব মৈহৌরোন্দ ''লাপান্'' হায়ব ব্রাহয় অসি সিজিন্নৈ । মী অমবু নত্রগ অঙাঙ্ অমবু মপা মমা অদুগি মচা নত্তে য়োক্‌চবনি হায়ব অদুসু ময়েক্ সেংন ইনৈ । মসি সলাই, সাগৈ মান্নদব অমদি সলাই খঙ্‌দব মীন চংবদসু চৎনৈ । অদুগ সাগৈসু সলাইসু ময়েক্ সেংন খঙ্‌ব কাঙ্‌লুপ্ অমন অতোপ্প

সলাই অমদ চোইন নত্রগ অপূন্ব ৱোইনন চঙ্জরবদি লয়বাক্ নিংথৌ খঙ্ন মখোয়গি ৱোইব তোঙান্ব মৈহৌরোল্ অম থম্বী।

মৈহৌরোন্দ অহনসিংন য়াদে হায়ব ঈ হন্গৎপ (১০) মিংগৌ য়েৎনব, লওনব য়াদব নুপীনি, মচানি হায়ব খঙ্নব "মুং" অদুগ মুংনবী মচা হায়ব ৱাহয় অসি সিজিন্নে, হাপ্পী। করিগুম্ব সাগে পিবান মথক্ত হায়রিব য়েৎনব, মুংনব অমদি তুমন্ (১১) লুখ্রা (১২) লওরবদি "নোল্লে" হায়ব ৱাহয় অসি সিজিন্নে। নোল্লে হায়ব অসিদি পিবাদত সিজিন্নে। মহাক্ পিবা ৱোইদ্রে হায়ব খঙ্নবনি। অসুম্ন মৈহৌরোন্ন মী অমগি অমদি সাগে অমগি অসেংব মসক্ তাকই। অদুন মৈহৌরোলবু অখঙ অহৈসিংন লয়বাক্ অমদ ইতিহাসন কান্নব অমদি মথৌ তাব অদুক্ মৈহৌরোন্ন সাগে অমদ অমসুঙ্ মী অমদ মথৌ তাই হায়ন লওনৈ। অদুন লাই ৱোইখ্রব অহলসিংন মৈহৌরোল্বু অসেংব, লাইগি ৱোইব লাইরিক্সিংগি মনুংদ অমনি হায়ন সিঙ্থানৈ। পাবদ নুমিৎ থা য়েংন মৈ কৎন পানৈ। সাগে খঙ্দন মরন্নাইগি ৱোইন পানদে।

সাইরুক্ (পু তিন্নব - ঈ তিন্নব)

সাইরুক্সি সাগে মৈহৌরোল্গি মনুং চন্দে। অদুবু মসি মী অমত্তগি নত্রগ কাঙ্লুপ্ মচা অমগগি মনুংদ লৈব ঈ মরী অদুনি। অপিক্প ঈ মরী ৱোইরবসু লবাক্ নিংথৌ খঙ্ব ঈ মরীনি। মৈহৌরোন্দি নত্তব মী অমগি অমদি সাগে অমগি তোপ তোপ্প ঈ মরীনি। সাইরুক্সি '*সলাই পোক্লক্প লাংৱোন*' হায়ব পুয়া অদুগি মতুং ইন্নদি মরিনি। মখোয় অসিগি পু, পেল (ইপু ইবেন্) পী (মমা) অসিদি নোংদা লাইরেল্ পাখংবগি মতম্দ ৱোইব কাঙ্লুপ্, পুকোক্ অদুগি ৱানি। মদুগি মচা খায়বা ৱারোল্দি -

তাইবং পান্ব মপুবু খুরুম্ন ইজরক্কে। লাই নিংথৌ (লাইয়িংথৌ) পাখংবন তাইবং পান্বদ নিংথৌ ৱোইদুন লাইগী চহীদ চহী ১২০ পাল্লবদ

খাব ফান্দোংবগ ফম্বান্ মুন্নদুন লোইরেন সনা পুঙদ লাইগি চহীদ ১০০ পাল্লুই । অদুদ হাথরম্বদি নিংথৌ যুংয়াং চাউবগ তাঙ্গ্রম লুমিবগ অনীম হাথরম্মী ।

লাইনিংথৌ লাইরেম্ম অনীমন কুমসিং সুরক্লদুন তাওরোইনাইগি লাংয়েন্দ তোংখৎলে । লাই অনীমন কপ্‌কনি হায়বগিদমক থাংজিংন খুং খোংঙে । লাই পাখং লাইনুরা পুম্নমক্ল ঈসৈ নুংসিবা সক্তুন মোইরাংদগী খুনগারক্‌ই । লাংসংদ থুংলরে । অসাইগি নিংথৌ মুয়াং চাউব অদুন সোরারেনগি মচা অরাই লয়ম পান্নদুন থোক্লক্‌প ঈদি মুংয়াংজম্‌নে ।

(১) তাঙ্গ্রম্ লুম্মিবগি ঈদি লোইরেন্‌জমনে । য়ুম্নাক্ অনী অসিদি নিংথৌচা সল্লাই পুম্নমক্ক লওনহৈদে । মহাক্তি মোইরাং অরিব খ্বাং সলাইদ চংগ্রে । নিংথৌচা সলাই পুম্নমক্ক লওনহৈদে, সাইরুক তিন্নে । কাংহুজমসুং নিংথৌচা সলাই অরিবনি হায়দুন ঙাক্‌নৈ ।

(২) অঙোম্ সলাইগ মোইরাং অনৌব কৌব অঙাংঙাগি ঈগ, নিংঙোন্ লাইতোনগ সাইরুক্ তিন্নে । লৌনহৈদে ।

(৩) সরাং লয়সাংথেম্‌গ, খাব ঙান্‌বগ, হাওরোক কোম্বৌগ, মোইরাং অরিবগ সাইরুক্ তিন্নে । লওনহৈদে, নামুংঙি ।

(৪) খাব সলাইগ অঙোম্ সলাইদগি (১) অচোঙ য়ুম্‌লেম্বম (২) হিদাম্ অমসুং (৩) লংমাইথেম তেল্লোংবসংবম য়ুম্নাক অহুম অসি সাইরুক্ তিন্নে লওনহৈদে । মখোয় অসিদি খাব মনাও হুন্‌বগি ঈনে । অঙোম্ সলাইদ চংগ্রে ।

সাইরুক্ মরি হায়বদি অসিনে ।

মুংয়াংজম্, লোইরেন্‌জম্, কাঙ্‌ভুজম্ য়ুম্নাক্ অহুম্ অসি ঈ মরীনি । মুয়াংজম্, লোইরেন্‌জম্ অনী অসি নোংদা লাইরেল্ পাখংবগি চাদানি - ঈনি । কাঙ্‌ভুজম্‌দি নিংথৌচা অরিবনি হায়দুন অমত্ত ব্রোইন, নিংথৌচা মসেন্নি হায়ন খন্নে । লোইরেন্‌জম্‌দি কাঙ্‌খুন্ মুংখরে ।

পেন্দিন্নব - মসিদি মবেন তিন্নবগি ৱানি । মসিগি ৱারোন্ন - নিংথৌ মুংয়াং চাউবগি মবেন্গ লোক্তোন্বম্গি মবেন্গ পেন্ তিন্নে। মহাক্তি মোইরাং খুৱাং সলাইদ চংখরে । লোক্তোন্বম্গ মুংয়াংজম্গ সাইরুক্ মচানি । পেন্ তিন্নে ।

অতোম্গ মৈকাম্ খুমন্ ইন্বগ পেন্ তিন্নে । অদুগ নাওরেম্দি চেংলয়গি ঈনি । নাওথিংখোংন ইচানি হায়ন লওখৎপীরম্মী । নাওরেম্গ চেংলয় সলাইগ সাইরুক্নি । পেন্সু তিন্নে ।

পাউনম্ য়ুম্লেন্গ খেত্রি সন্জি ময়ুম্গ পেন্ তিন্নে । পাউনম্দি নিংথৌচানি । খেত্রি ময়ুমদি নোংচুপ হারম্নি । য়ুমনাক্ অনী অসিদি নিংথৌচা সলাই অয়াম্বন চারও মৌরওনদে, য়েংনৈ ।

পাউনম্গ থাংজম্ খাগোক্পম্ লাইঙম্ তাবগ পেন্ তিন্নে । পাউনমদি নিংথৌচানি থাংজম্দি চেংলয়নি ।

তাক্য়েন তাব য়েন্কোক্পমগ ৱাংবজম্গ পেন্ তিন্নে । য়েন্কোক্পম্দি নিংথৌচানি ৱাংবজমদি ঙান্ব সলাইনি ।

লয়ম পোক্পম্গ ৱোইনাম্ সৱোম্বুঙ্ তাবগ পেন্ তিন্নে । লয়ম পোক্পম্দি নিংথৌচানি । ৱোইনাম্ সৱোম্বুঙ্ তাবদি মনুংদ লুৱাংনি মপান্দদি খুমন্নি ।

হাওখোম্গ সলাম্ লম্লাই তাবগ পী তিন্নে । হাওখোম্দি নিংথৌচানি । সলাম্দি লুৱাংনি । অহান্বদ অঙোম্দ লৈরম্মী । অঙোম্ সলাইদ লৈরম্মী ।

চরোইবম্গ মোইরাং পুখ্রলবম্গ পী তিন্নে। চরোইবম্দি নিংথৌচানি। পুখ্রলবম্দি মোইরাংনি ।

সাইরুক অসিদ চৎনরিব পু, পেল, পী (মমা) অসিদি নোংদা লাইরেল্ পাখংবগি মতমদ ৱোইব কাঙ্লুপ্, পুকোক্ (১) নোংদা লাইরেল্ পাখংব

(২) চিংৱাংলকি পুরৈরেম্ব (৩) লোক্প, (৪) নুঙ্ঙৌ য়ুম্থংব (৫) লোকতোন্ অতোন্ব (৬) মঙাং পুন্সিব ৯৭) পোইরৈতোন্ (৮) ঙাঙ্নিংসিং (৯) ঙাঙ্হুনথোক্ মাপল অসিতগি ৱানি। (*)মৈহৌরোল্ সকোক্

মৈহৌরোল্দ সিজিন্নরিব ৱাহনথোক্

১। সাগৈ - মসা অমত্তদগি কাইথরক্লে হায়বগি সকাই সাগৈ কৌৱে। নোংলোন্ সকোক্ সাগৈসিদ কাঙ্লুপ অনী লৈ । তানথোং হায়ব অমগ লেম্থোং হায়ব অমগ অনীনি । তানথোংন সরাং লয়সাং, হাউরোক্ কোনথৌ অমসুং মোইরাংনি । তানথোঙ্ন ময়ুংনি । লেমথোংন মফৈনি । - উকাক্ লাথা :-

তানথোংন লয়বাক্ অসিদ হান্ন লৈরম্ব মী, লেম্থোংন কোন্ন লয়বাক অসিদ চংলকপ মী । - মৈহৌরোল লাথুপ, তানয়য়ব

২। পয়া - পু+য়া, পু +য়াব = ইপা ইবুবু লাইৱোইন খুরুম্ব, লাৎপ, নিঙজব। লাইফম য়াব । অপোকপ খুভম য়াবা ।

৩। পুরান = Purana - According to John Dowson in his Dictionary of Hindu mythology and Religion "- Old, hence ancient legend or tale of olden times. The Puranas succeed the Itihas or epic poems, but at a considerable distance of time, and must be distinguished from them. The epic treat of the legendary action of the Heros as mortal men, the puranas celebrate the powers and works of the positive gods and represent a later and more extravagant development of Hinduism, of which they are in fact the scriptures".

The definition of a Purana by Amar Sinha, an ancient Sanskrit lexicographer, is a work " which has five distinguish-

ing topics A. The creation of the Universe B . Its distraction and renovation C. The genealogy of gods and patriachs; D. The reign of the Manus, forming the periods called Man wantaras E. The history of the Solar and Lunar races of kings" These are the Pancha Laxshanas or distinguishing marks, but no one of the puranas answers the exacitly to the description, some show a partial conformity with it, others deport at very solidely".

৪। লোল্ = লোল্ মঙা হায়বদি লয়সেমলোল্, নোংসেমলোল্, লাইরোল্, নিংথৌরোল্ অমসুঙ মৈহৌরোল্

৫। সলাই = সাগৈ সন্দোকপ লাই, ইপা ইপু মী সন্দোক্লিব লাই।

৬। পিবা = নুপা, কাঙলুপ্ অমগি পু অহন্গি মচা অহল্। পীরে হায়বগি পিবা।

৭। য়েক= ইচানে, থংব চানে, চারীনে, চারোম্নে, পারীনে ইসুনে, থংবসুনে, সুরীনে, সুনোংনে, সুরোম্নে, সুনোংয়াইনে চারোল্ মঙা সুরোল্ তরুক্ তরামাথোই অসিদি ঈ মরীনে। ইপা ইচাদগি সম্থখিব ইপা, ইপু, ইতোন্, ইবেন্, ইসা কৌরিব ঈ মরী খৈবিক্পু ঈ মরীনে। ঈ য়েৎনব কৌয়ে। ঈয়েক্ কৌরে। - সলাই খুন্‌গুম্

৮। য়োয়রেল্ = অখঙ্ অহৈ, স্কোলার

৯। হারম্ = নোংপোক নোংচুপ্‌তগি লাকপ মী।

১০। ঈ হন্‌গৎপ = ইমাগি মপাম্‌গি ঈ মরীবু মচা-মমৌ ব্রোইবু ঈ হনগৎপ কৌব্রি।

১১। তুমন্ = মীন লওরুরব নুপী।

১২। লুখ্রা = মব্রা সিখ্রব নুপী।

সলাই য়ুম্‌চংব

নিংথৌ অহন্‌বগি সলাই য়ুম্‌চংবদি। নুমিৎকি সাগে নিংথৌ অহন্‌বগি সলাই য়ুমচংবদি - য়াওরয়ব চনুন নাওফংব পোক্‌য়ে। নাওফংবন কাইরয়মগ য়াওরয়ব চনুগ অনীম পান্নদুন য়াওরয়ব চনুন থমংলাং অহন্‌ব পোক্‌য়ে। কাইরয়মন সময়রাং পোক্‌য়ে। সময়রাংন নিংথৌ ৱোয়য়ে।

থমংলাংন য়াওরয়ব চনু পান্নদুন চিঙ্‌ময়সু কোইরেম্বগ সরিক্ লৈখম্বগ অনীম পোক্‌য়ে। চিঙ্‌ময়সু কোইরেম্বন খোঙ্‌নেম্বগ নোংয়িন্‌বগ অনী পোক্‌য়ে। খোঙ্‌নেম্বগি ঈদি য়েন্‌খোম্ সিন্নাইব (মরিং) খরি ময়ুমনে। য়েনখোম্ পান্‌ন খাঙ্‌ব লৈখম্ব ময়ুম্‌নে। য়েনখোম্ সারুংব অনিন্দ্র ময়ুম্‌নে।

(১) মনাও নোংয়িন্‌বগি ঈদি য়েন্‌খোম্ কাইথেল্ লাক্‌পম্‌নে ফিসাব পান্‌ন খাঙ্‌বমনে য়েন্‌খোম্ লাইসংবম্‌নে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

(২) মনাও নোংয়িন ফাবগি ঈদি য়েনখোম্ কইথেল্ লাকপম্‌নে, ফিসাবম্‌নে, পান্‌ন খাঙবমনে, থাঙ্‌গঙ সাবম্‌নে, য়েন্‌খোম্ লাইসংবম্‌নে। (*) **খুন্‌থুম্**

সরিক লৈখম্বগি ঈদি খোইরোম্‌নে, খোয়রোম্ সিন্নাইবম্‌নে, অহয়বম্ খোইারোম্‌নে, খোইরোম্ চাখাব সঙ্‌বম্‌নে, লাইকংবম্‌নে। (*) **খুন্‌থুম্, মৈহৌরোল সকোক**

ময়দিংঙু সময়রাংন কম্বোং নিংথৌ থীঙ্ কম্বোং ৱায়াবন পোক্‌পী লাইরয়ম পান্নদুন ঊরা কোন্‌থৌবগ পুঙ্‌মাইগ অনী পোক্‌য়ে। ঊরা কোন্‌থৌবন নিংথৌ ৱোইয়ে।

মনাও পুঙ্‌মাইগি ঈদি ৱাংখৈ ফান্‌নম্বমনে, থোংকাবম্‌নে, মোইরাং মাইরেম্বনে, মোইরাংদগি ফেল্লেমনে।

ময়দেংঙু উরা কোন্থৌবন খাবরোল্ নোংচেংসুগ নোংবাল্ হোইয়াম্বীগ অনীম পান্নদুন খাবরোল্ নোংচেংসুন নাওহন্নে, য়োয়চারোন্নে, নাওথিংখোংনে, নিংথৌ রাঙানে মরি পোক্যে। নাওথিংখোংন নিংথৌ ৱোইয়ে।

নাওহন্ন খুন্দোং নাওসং চনু পান্নদুন অথিং হয়রোংব, নিঙ্থোন্ব, ফউরায়াং লাইকোক্সু অহুম্ পোক্যে।

অথিং হয়রোঙ্বন লংমাই চনু পান্নদুন মাগি ঈদি হয়রোম্নে, সঙ্লেল্ ময়ুমনে, খোঙ্য়াম্নে নাওকন্ সংবম্নে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

নিঙ্থোন্বন মোইরাং চনু তাইখুরেম্বী পান্নদুন মাগি ঈদি তাইমুজম্নে, কইরেল্ সংবম্নে। (*) **খুন্গুম্**

ফৌরায়াং লাইকোক্সুন অঙোম্ চনু তাসোন্ ঙম্বী পান্নদুন লাংসাহন্ব পোক্যে। মাগি ঈদি লৌরেম্বম্ অৱা লয়ম মপাম্নে। লৌরেম্ব খোংনাং থাব ময়ুম্নে। লৌরেম্বম্ য়েন্দ্রেল্হন্ব ময়ুমনে।(*) **চেখোং**

লাইথংবগি ঈদি লৌরেম্ব পুঙ্থোল্ ময়ুম্ লৌরেম্বম্ পাঙন্ ময়ুম্, লৌরেম্বম্ য়েন্দ্রেনবম্ খোম্ব ময়ুম্, লৌরেম্বম্ য়ুমখাইব ময়ুম্।

নোংবান্ হৌয়াম্বীচান লাইথংব পোক্যে। লাইথংবগি ঈদি লৌরেম্বম্ কিয়াম্ব ময়ুম্, লৌরেম্বম্ লম্সাং তাবম্নে, লৌরেম্বম্ চিঙ্বান লয়ম মনাইনে, মোইরাংদগি লৌরেম্বম্ নাৱাং ময়ুম্নে, থিঙ্নোংকই তাব লৌরেম্বম্নে, ৱামোন্দ লৈব লৌরেম্বম্নে। (*) **নোংথ্রং**

ফৌরায়াং লাইকোক্সুন অঙোম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি লৌরেম্বম্ খুন্খোম্ ময়ুম্নে, লৌরেম্ব মুরারি ময়ুমনে, লৌরেম্ব মাইমু ময়ুম্নে, লৌরেম্বম চান্দ ময়ুম্নে, লৌরেম্বম্ অকোং ময়ুম্নে, লৌরেম্বম্ থিংনুংকই তাব তোন্ব ময়ুম্নে, লৌরেম্বম্ চিঙ্বান্ লয়ম মনাই অরোই ময়ুম্নে, মোইরাংদ লৈব তাংখোম্ব ময়ুম্নে, লমসাংদ লৈব খোম্ব ময়ুম্নে, য়াৱা খোংদ লৈব চেক্য়াম্ব ময়ুমনে। (*)**লংথবাল**

ফৌরায়াং লাইকোক্সুন অঙোম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি লৌরেম্বম্ খুমোম্বগি ঈ ৱাংখৈ লৈকাই তাব অৱা লয়ম মপাম্ দুর্লভসিং ময়ুম্নে, লৌরেম্বম্ খোংনাংথাবম্ খোংমন্ তাব রুপসিং ময়ুম্নে লৌরেম্বম্ য়েন্দ্রেন হনবম্ ভবান্সিং ময়ুম্নে, লৌরেম্বম্ ৱাংখৈ লৈকাই তাব জন্মসিং ময়ুম্নে। জন্মসিংদগি খাইব লৌরেম্বম্ ভাম্সিং ময়ুম্নে। খাইব লৌরেম্বম্ বেদসিং হাজারি ময়ুম্নে । খাইব ফুবা তাব লৌরেম্বম্ চাচান্দ ময়ুম্নে, থিংনুংগেদগী লৌরেম্বম্ তোন্ব । তোলোং লৈকাই তাব লৌরেম্বম্ দামু ময়ুমনে, লমসাংদগি লৌরেম্বম সুরুব ময়ুম্নে ৱাইখোং তাব লৌরেম্বম্ চেক্সা ময়ুম্নে। (*)**সঙ্গাই ফম্মাং**

ময়দিংঙু নাওথিংখোংন পিতিং ঙানে, খম্সুরোন্নে, কইরুহাঙবীনে, খোইরু লাংময় চনুনে, নিংথৌ কুরাওব চনুনে, লয়ম লাইখোঙ্ তেন্বীনে, নোংবান্ সরিক্ মোম্বীনে, সঙ্খুবী লম্তু লওহোঙ্বীনে, নামুল্ চাউবীনে মাপল্ম পান্নদুন খমসুরোন্ন খোঙ্তেক্চাগ পুঙ্ফৈ লান্থবগ অনীম পোক্য়ে। কইরু হাঙ্বীন মেললোংহন্গ মেলনোংখুগ অনিম পোকয়ে । লয়ম লাইখোঙ্ তেন্বীন নিংথৌ মকা অম্ব পোক্য়ে । সঙ্খুবী লমতু লওহোঙ্বীন থিংনাং সাকল্ চাম্ব পোক্য়ে । নোংবাল্ সরীক্ মোম্বীন নারিল্ খোম্ব পোক্য়ে ।

পিতিংঙানে, খোইরু লাংময় চনুনে, নামুল্ চাউবীনে, নোংবাল সরিক্ মোম্বীনে মরিমদি সোইনাদে ।

মনাও পুঙ্ফৈ লান্থবগি ঈদি ইপু সঙবম্নে লয়য়ু সুংবম্নে ।

(১) মেন্নোং হন্ন অঙৌব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুমন্লম্বম্নে, খোইসনামনে, সিকুৱাম্ লাইতোন্জমনে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

(২) মেন্নোং হন্বন অঙৌব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুমন্লম্বম্নে, খুৱাইসনামনে । (*)**খুনগুম**

(৩) মেন্নোং হন্ন অঙৌবা চনু পান্নদুন খোইনুজম্নে, ঙারাংয়ান্বম্নে, লোইতাম্নে । (*)**য়ুম্বীরেল**

মেন্নোং খুন চাউব লুবোংসুগি মচা নুপী পান্নদুন মাগি ঈদি নামোইজম্নে, ময়াংলম্বম্নে নাওরোইবম্নে, হাওদৈজম্নে, চংনিংহেন্বম্নে, কাংঙ সেন্বম্নে। (*) **খুনগুম**

নিংথৌ মকা অম্বন অঙৌব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খম্লাংব সঙ্বম্নে, ইরোইব পাঙন্ ময়ুম্নে, নামোইজম্নে, লাইসংবমনে, খম্লাংখোঙ্ সঙ্বম্নে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

থিংনাং সাকল্ জাম্বন অসাংবম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি থিংলাইবম্নে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

থিংকোল্ ইম্কুম্বন অঙৌব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুমুক্চমনে, ঙারংয়ান্বম্নে, লোইতাম্নে, নাওতম্নে। (*)**খুনগুম**

নারিল খোম্বন লংমাই চনু পান্নদুন মগি ঈদি অখোমনে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

ময়দিংঙু খোঙ্চেক্চান লোইজব চনু পান্নদুন য়ারব পোক্য়ে। নিংথৌ ব্রোইয়ে। পুকইরেল চনু পান্নদুন কৈরেন্চা পোক্য়ে।

ময়দিংঙু য়ারবন লম্বাসু পান্নদুন অয়াঙ্বগ হাওব কোক্ক অনীম পোক্য়ে। অয়াঙ্বনা নিংথৌ ব্রোইয়ে। মনাও হাওবকোক্কি ঈদি খুন্দ্রাক্পম্নে, কাংঙবম্নে, লাইকংবম্নে, হাওখোম্নে, সানৌজমনে, ব্রারেপ্পম্নে, লওরাংবম্নে, নাআক্পম্নে, য়াংনুয়য়বম্নে, ফিসাবম্নে। (*)**খুনগুম, মৈহৌরোল সকোক**

ময়দিংঙু নিংথৌচেংন লম্বাসু পান্নদুন চেংলয় ইপান্ থাব পোক্য়ে। নিংথৌ ব্রোইয়ে। ময়দিংঙু চেংলয় ইপান থাবন লম্বাসু পান্নদুন য়াংলও কৈফাব পোক্য়ে। নিংথৌ ব্রোইয়ে।

ময়দিংঙু য়াংলও কৈফাবন খোংলয়ম্ পান্নদুন ইরেংবগ নাহুই পাম্বগ অনীম পোক্য়ে। ইরেংবন নিংথৌ ব্রোইয়ে। নাহুই পাম্বন সোইবম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি সোইয়ামনে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

ময়দিংঙু ইরেংবন হাওরয়ম তম্হৈবী, হাওরয়ম পিদোংনু সাফবী অনীম পান্নদুন হাওরয়ম তম্হৈবীন লোইয়ুম্ব পোক্‌য়ে। পিদোংনু সাফবীন খম্লাং পাম্সাব পোক্‌য়ে। লোইয়ুম্বন নিংথৌৱোইয়ে।

খম্লাং পাম্সাবন অঙৌব ঙাংলও লান্থব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি মুতুম্ লয়সা পাম্বনে, হুইরোংবম্, কোংবজম্নে, নাআক্পম্নে, খুন্দোম্নে, মুতুম্ ৱাইসেল্বম্নে, হয়রাংখোংজমনে, হৈচনাম্নে, ফিসাব হৈসনাম্নে, সিয়াৎপম্নে, হক্অন্থেমনে, চোম্চল্বম্নে, হয়িংথেম্নে, ইরোম্নে। **(*)সকোক**

(১) ময়দিঙু লোইয়ুম্বন সুম্লয়ম পান্নদুন লোইতোংবগ, ফিসাখোংগ অনীম পোক্‌য়ে। লোইয়ুম্বন নিংথৌ ৱোইয়ে। ফিসাংখোংন অঙৌব চনু পান্নদুন মাগি ঈদি কৈসাম্নে, লয়চোন্বম্নে, ইরেংবম্নে, সাতোক্পম্নে, চরোইবম্ ৱাংখৈময়ুম্নে। **(*) মৈহৌরোল সকোক**

(২) ময়দিংঙু লোইয়ুম্বন সুম্লয়ম পান্নদুন লোইতোংবগ ফিচাকোক্ক অনীম পোক্‌য়ে। লোইতোংবন নিংথৌ ৱোইয়ে। ফিচাকোকন অঙোম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি কৈসাম্নে, লয়চোন্বম্নে, লিক্সাবম্নে, ইরেংবমনে, সাথোক্পম্নে, চরোইবম ৱাংখৈবম্নে। **(*)খুন্ঙুম্**

ময়দিংঙু লোইতোংবন সঙ্লয়ম পান্নদুন অতোম্ য়োয়রেল্ব, ইৱান থাব, সারব অহুম্ম পোক্‌য়ে। অতোম্ য়োয়রেল্বন নিংথৌ ৱোইয়ে। খয়োয়রোল লিক্লাং খোম্হাল্বী পান্নদুন তউরেল্ খুব, তউরেল্হন্ব অনীম পোক্‌য়ে। তউরেল্ খুবদি সোইনাইদে। তউরেল্ হন্বন খুমন্থেম্ চনু পান্নদুন অতোম্ নহা সঙ্গাই পাম্ব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি অতোমনে। **(*)মৈহৌরোল্ সকোক্**

হেমদৌ ইৱান্ থাবসু নিংথৌ ৱোইয়ে। সারাবন পুঙ্গাইজম্ চনু পান্নদুন য়োয়থোংমাইনে, সেরানে, চানানে, কাবনে, পাংঙৌরানে মঙাম পোক্‌য়ে।

য়োয়থোংমাইগি ঈদি লোইতোংবম্নে। সেরাগি ঈদি লোইতোংবম্নে। চানাগি ঈদি লোইতোংবম্নে । কাবগি ঈদি লোইতোংবম্নে । পাঙৌরাগি ঈদি লোইতোংবম্নে ।

ময়দিংঙু ইব্রান থাবন লিল্সুরোল্ খুরোই ঙম্বীনে, অঙোম্ চনু হেম্খু ঙম্বীনে অনীম পান্নদুন খুরোই ঙম্বীন খুরোই ঙম্ব, থব্রান থাব, নিংথৌ পোংনাও তাব, মেন্সনা মুংয়াং চাওব মরিম পোক্য়ে । হেম্খু ঙম্বীন চক্লাই হোংখু ঙম্ব পোক্য়ে ।

চক্লাই হোংখু ঙম্বগি ঈদি পাওনম্নে, লাল্থম্নে, কোন্থা হাওবম্নে, কারুবম্নে, থাংজম্নে ।

খুরোম্বগি (খুরোম্ ঙম্ব) ঈদি ইরুংবম্নে, নুক্রাম্নে, সোরেলসঙ্বম্নে, নোংথোল্বম্নে । নিংথৌ পোংনাও তাবনে, মেন্সনা মুংয়াং চাওবনে অনীমদি সোইনাইদে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

ময়দিংঙু থব্রান্ থাবন তৌকাই ঙম্বী পান্নদুন চিঙ্থং লান্থবগ সামইসুগ অনীব পোক্য়ে । চিঙ্থং লান্থবন নিংথৌ ব্রোইয়ে ।

(১) সামইসুগি ঈদি ফম্দোম্নে, চিরোম্নে, খোইরোম্নে । (*)**সকোক**

(২) সামইসুগি ঈদি ফম্দোম্নে, ইরোম্নে । (*)**সলাই য়ুমসেংপ**

ময়দিংঙু চিংথং লান্থবন নিংথৌ পোক্পি পান্নদুন পুরানথাবগ খুমোম্বগ অনীম পোক্য়ে । য়াওসু ঙম্বী পান্নদুন কোঙয়াম্ব, সনারোক্ অনীম পোক্য়ে । কোঙ্য়াম্বসু নিংথৌ ব্রোইয়ে ।

সনারোক্কি ঈদি লম্লয়রাকপম্নে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

সনারোক্কি ঈদি নামৈরাঙবমনে । (*)**য়ুম্সেংপ**

মনাও খুমোম্বসু নিংথৌ ব্রোইয়ে । ময়দিংঙু খুমোম্বন য়াংলয় ঙম্বী পান্নদুন মোইরাম্বগ তাক্নোংগ অনীম পোক্য়ে । মোইরাম্বন নিংথৌ ব্রোইয়ে।

মনাও তাক্নোং লংমাই ৱাব চিঙ্ চনু পান্নদুন হয়চাং পাম্ব পোক্য়ে । মাগি ঈদি নামৈরাংবম্নে । (*) **য়ুমসেংপ**

ময়দিংঙু মোইরাম্বন খুমন্ খোম্বীনে, অঙৌব লওশ্রাম্ চনুনে, খুৱা খাম্ব চনুনে অহুম্ম পান্নদুন খুমন্ খোম্বীন থংবী লানথব পোক্য়ে। নিংথৌ ৱোইয়ে । অঙৌব লওশ্রাম চনুন লোইচা ঙম্ব পোক্য়ে । খুল্ খাম্ (খুৱা খাম্ব) চনুন য়াংলয় ঙম্ব পোক্য়ে।

লোইচা ঙম্বগি ঈদি হুইদ্রোল্বম্নে, থিল্বমনে, লওকুরাক্পম্নে, পান্ন খাঙ্বম্নে, হুইদ্রোল্বম্ ৱাংখৈ তাবম্নে ।

(১) য়াংলয় ঙম্বগি ঈদি ইম্নাম্ মোইবুং লোক্পম্নে, সিন্নাইব ময়ুমনে । (*) **সকোক, য়ুমসেংপ**

লোইচা ঙম্বগি ঈদি হুইতরোল্বম্নে, থিন্বম্নে, লয়মপোক্পমনে, লওকুরাক্পমনে, পান্ন খাঙবম্নে, হুইতরোলবম্, ৱাংখৈ তাবনে । (*) **য়ুমসেংপ**

অঙৌব উসিয়াম চনুন লোইচা অম্ব পোক্য়ে । মাগি ঈদি হুই এ্রাল্বম্নে, সল্থিলবম্নে, লয়ম য়োক্পম্নে, লওকুরাক্পম্নে, নাকন্বম্নে, পান্ন খাঙ্বম্নে, হুইএ্রালবম্ ৱাংখৈ লয়কাই তাবম্নে মাইচৌ ময়ুমনে । (*) **শুনগুম**

ময়দিংঙু থংবী লান্থবন মোইরাং লয়ম য়োয়রেল্ তোম্পোক্পী, অঙৌব নিংথৌ তোরা চনু, ইম্খু চনু, য়াংগোইসু, থোঙ্বম্ চনু, লয়ম থংদা, তরুক্ম পান্নদুন য়োয়রেল্ তোম্পোক্পীন খুমন্ খোম্ব পুমিংনব পোক্য়ে । অঙৌব নিংথৌ তোরা চনুন সনা ইন্লেল্ খন্ব পোক্য়ে । য়াংগোইসুন সনরেম্ব পোক্য়ে। থোঙ্বম্ চনুন লোইচা ঙম্ব পোক্য়ে। ইম্খু চনুন কুৱাক্প থৱান্ থাব পোক্য়ে। লয়ম থংদান খুন্জাওব পোক্য়ে ।

খুমন্ খোম্ব পুমিংনবগি ঈদি নোংথোন্বম্ খোংমরী ময়ুমনে । সনা ইন্লেল্ খান্বগি ঈদি খুমন্ চরাক্পম্, অহয়বম্ খুমন চরাক্পমনে ।

সনরেম্বগি দি খুমন্ চরাক্পম্ অহয়বম্ খুমন্ চরাকপম্, লাংপোক্লাক্পম্, নিংথৌজম্, নাকৎপম্, হাওসোম্নে।

(১) লোইচা ঙম্বগি ঈদি নিংথৌজম, সিংকাবম, য়েনসেন্বম্, সৌবাম্, সল্সেল্তোং ময়ুমনে। (*) **খুনগুম**

(২) লোইচা ঙম্বগি ঈদি নিংথৌজম্ লম্তা ময়ুমনে, সিংনাম্, ইম্নাম্, সোরারেল্ সঙ্ব ময়ুম্, য়েল্সেল্বম্, সোরাম্, সল্সেল্থোং ময়ুমনে। (*) **য়ুমসেংপ**

কুব্রাক্প থব্রান থাবন ময়াংদ পোক্লম্বদি থোংনাং থোংমরী মচা চিঙ্ঙুরেম্বীন পোক্পদি হোদিগ (হোদিকাগ) হোদংগ অনীমনে।

হোদিগি (হোদকা) ঈদি সগোল্ সেন্বম্নে, ঙাথেম্নে, সগোল্ অমোম্ সেন্বম্নে। হোদংগি ঈদি সনসম্নে।(*) **খুনগুম**

কোঙয়াম্বন **খম্ব** **ফাবীনে**, লয়সাংথেম্ চনুনে, কবো কিয়াং চনুনে অহুম্ম পান্নদুন **খম্ব ফাবীন** তেল্হৈব পোক্য়ে। লয়সাংথেম চনুন তোন্নাব পোক্য়ে। কবো চনুন সনা পোক্য়ে। তোন্নাবন লাংগোন্জম্ চনু পান্নদুন কোঙ্য়াম্ব, খুইব অনীম পোকয়ে। কোঙ্য়াম্বগি ঈদি লাংথম্নে, খুন্চান্ হন্বম্নে।

খুইবগি ঈদি নিংথৌজম্নে, নুমিৎ লয়ম সঙ্বম্নে, সঙ্গাই সেন্বম্নে, খুন্চান্হন্বম্নে, সাকুরাক্পমনে।

সনাগি ঈদি সনা পুব্রাম্নে। (*)**মৈহৌরোল্ সকোক্, খুন্গুম্**

ময়দিংঙু তেল্হৈবন সনারেম্বী পান্নদুন তাবুংবগ সনা য়াংনু খুরাইরাক্পগ অনীম পোক্য়ে। তাবুংবন পিক্লিঙৈদ তোন্নাবন নিংথৌ ব্রোইয়ে। সল্ফু ঙম্বী পান্নদুন মাগি ঈদি খাংসুরাক্পমনে ফিসাব সাকুরাক্পম্নে। সনা য়াংনুগি ঈদি তেলহৈবম্নে।

ময়দিংঙু তাবুংবন লম্ফেল্ ঙম্বী পান্নদুন লাইরেন্ব, পুন্সিব অনীম পোক্য়ে। লাইরেন্বন নিংথৌ ব্রোইয়ে। সোইনাইদে পুনসিবন নিংথৌ ব্রোইরে।

ময়দিংঙু পুনসিবন লম্বাসু পান্নদুন নিংথৌখোম্ব পোক্‌য়ে। নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। ময়দিংঙু নিংথৌখোম্বন লিন্‌থোইঙম্বী পান্নদুন কিয়াম্ব, সানোংব, ঙ্গাংখৈরাক্‌প অহুম্ম পোক্‌য়ে। কিয়াম্বন নিংথৌ ঙ্গোইয়ে।

সানোংবগি ঈদি কাম্বম্‌নে। ঙ্গাংখৈরাক্‌পদি সোইনাইদে।

ময়দিংঙু কিয়াম্বন সেম্বুং লোক্‌পীনে, লয়সাংথৌ চনুনে অনীম পান্নদুন সেম্‌বুং লোক্‌পীন লম্‌ কিয়াম্ব পোক্‌য়ে। নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। লয়সাংথৌ চনুন নুঙ্‌থোন্‌ব, কোইরেম্ব অনীম পোক্‌য়ে। কোইরেম্বসু নুঙ্‌থোন্‌বসু নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। অনীম সোইনাইদে।

ময়দিংঙু লম্‌ কিয়াম্বন চাখা তাংখুন্‌ ঙম্বীগ, চংনিং ফাবীগ, লয়সাংথৌ চনুগ অহুম্ম পান্নদুন চংনিং ফাবীন নোংয়িনবা পোক্‌য়ে নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। সোইনাইদে।

চাখা তাংখুন্‌ ঙম্বীন কবোম্ব পোক্‌য়ে। নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। থিংবা ফাবী পান্নদুন লীসিং চাইব পোক্‌য়ে। লাইঙ্গোইখিয়ে।

লয়সাংথৌ চনুন তাঙ্‌জাম্ব পোক্‌য়ে। নিংথৌ ঙ্গোইয়ে। অঙোম চনু পান্নদুন সনা সম্‌চোন্‌ব, সানোংব লাল্‌লুম খোম্বগ অনীম পোক্‌য়ে।

সনা সম্‌চোন্‌বগি ঈদি লোইতোংবম লাল্‌তাবৈ (মান্‌তারৈ) ময়ুম্‌নে, য়ুমখাইবম্‌নে।

সানোংব লাল্‌লুম্‌ খোম্বন হাওচোঙ্‌ ঙম্বীনে, লয়চোন্‌ লাক্‌প তোল্লোং খোম্ব চনু অনীম পান্নদুন লয়চোন্‌ লাক্‌প তোল্লোং খোম্ব চনুন চিঙ্‌ঙায়াংবনে, পুরান থাব পুমিংনবগ অনীম পোক্‌য়ে।

হাওচোং ঙম্বীন খোংনাম্ব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি ঙ্গাখৈরাক্‌পম্‌নে। চিঙ্‌ঙায়াংবগি ঈদি ঙ্গাংখৈময়ুম্‌নে, ঙ্গাংখৈ লওরুংবম্‌নে।

পুরান্‌ থাব পুমিংনবগি ঈদি মোইরাং নিংথৌ ময়ুম্‌নে (মোইরাং নিংথৌ য়ুরুংবমনে)। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

হাওচোং ঙম্বীন খোংনাম্বগ চল্লাম্বগ অনীম পোক্য়ে। (*) **খুনগুম**

ময়দিংঙু চল্লাম্বন লম্ফেল্ ঙম্বীগ কোঙ্বম্ চনু তোলোং খোম্বীগ অনীম পান্নদুন লম্ফেল্ ঙম্বীন মুংয়াম্ব পোক্য়ে। মাগি ঈদি খুৱাইরাক্পম্নে।

মুংয়াম্বন নিংথৌ ৱোইয়ে। মান চাঙ্বোম্বীগ থোক্চোম্ চনুগ অনীম পান্নদুন চাঙ্বোম্বীন খাগেম্ব, খুবাই চিঙ্সোম্ব, য়াইসকুল্ লাক্প সানোংব অহুম্ম পোক্য়ে। থোক্চোম্ চনুন খম্ব পুখ্রলব পোক্য়ে। খাগেম্বন নিংথৌ ৱোইয়ে।

খুরাই লাক্প চিঙ্সোম্বীগী ঈদি খুৱাইরাকপম্ অচৌময়ুম্নে। সোইনাইদে।

সানোংবগি ঈদি খুৱাইরাক্পম্ লোক্প ময়ুমনে, থাঙবী য়ুম্খাইবম্নে।

খম্ব পুখ্রলবগি ঈদি নোংমৈ কাপ্পম্নে, তেনসুবমনে।

(১) লাই য়িংথৌ খাগেম্বন তা ইপোম্বীনে নোংথিল চাইবীনে অনীম পান্নদুন তাইপোম্বীন খোঙ্চোম্ব অহন্ব, খুন্চাওব, তোন্নাব অহুম্ম পোক্য়ে। (*) **সকোক**

(২) লাইয়িংথৌ খাগেম্বন তাইপোম্বীনে, নোংথিল চাইবীনে, কোঙ্বম চনুনে অহুম্ম পান্নদুন তাইপোম্বীন খোঙ্চোম্ব অহন্ব, খুনচাওব, তোন্নাব নোংপোক্ খোংফেল্ থৌব অহুম্ম পোক্যে। (*) **খুনগুম**

অঙোম্ চনু নোংথিল্ চাইবীন তাইবঙ্ খায়ব পোক্য়ে। লাই ৱোইখিয়ে। খুন্জাওবন নিংথৌ ৱোইয়ে। সোইনাইদে।

তোন্নাবন নাউসোম্ চনু তাঙ্জ খোম্বীগ সোইবম্ চনু অনীমগ অঙোম্ চনু কোবও ফাবীগ মরিম পান্নদুন তাঙ্জ খোম্বীন সনা হিহোল্হন্, পাইখোম্ব, তোন্সেন্ ঙম্ব অহুম্ম পোক্য়ে।

সোইবম্ চনু চাম্ম ফাব, তাংখোম্ব, কবোম্ব অহুম্ম পোক্য়ে। সোনাইদে। সোইবম্ চনু অমন লাংতে ঙম্ব পোক্য়ে। সোনাইদে।

কোরও ফাবীন য়াইসকুল লাক্প অচৌগ মোইরাম্বগ অনীম পোক্য়ে। সোনাইদে। সনা হিহোল্ হল্সু সোনাইদে।পাইখোম্বসু সোনাইদে।

তোন্সেন্ ঙম্বন অঙোম্ চনু ঙাইখোম্বী পান্নদুন চরাইরোংব পোক্য়ে। নিংথৌ ৱোইয়ে।

কাঙ্‌ভুজম্ সলাই য়ুম্চংব

কেৱু কাংদ তুবুন নিংথেম্ কৌন লয়ম উরুম্ খাওচোনবীদ হাথবদি কক্সুব তোন্কোন্বনে। অনীমন পুখ্রল্ সেলুংব কৌন পাখংববু লোইনন থোক্লক্য়ে। পাখংবগি সেৎন পান্ন লৈব খৈবিক্পু লুংয়ে হায়বগি পুখ্রল্ সেল্লুং কৌয়ে। মাগি ঈদি কাঙ্পুজম্নে।

অঙোম্ লোল্ সলাই য়ুম্চংব

খাক্প নিংথৌ চনুন চিঙ্ৱাংলক্কি পুরৈরোম্ব। পীথেৎ লয়ম লয়হও নিংথৌ চনুন খাংহন অহন্ব, খাংহন্ য়াইমব, খম্নুং ইৱাইথং অহুম্ম পোক্য়ে। খম্নুং ইৱাইথংন ফম্বাল তোংলে।

খাংহন্ অহন্বগি ঈদি য়িম্লেল্বম্নে, লংমাইথেম্ চিঙ্ঙা সঙ্বনে, লংমাইথেম্ হিজবদ লৈবনে, তেল্লোংবম্নে।

খাংহন্ য়াইমবগি ঈদি হিদাম্, হিদাক্ সুংবদ লৈব হিদাম্নে।

(১) খম্নুং ইৱাইথংন পীথেৎ লয়ম লয়হও নিংথৌ চনু পান্নদুনা চিঙ্ৱাং পোক্য়ে। চিঙ্ৱাংন পীথেৎ লম লয়হও নিংথৌ চনু পান্নদুন ৱাংতৈ পোক্য়ে। ৱাংতৈ খুন্দাবন অকোন্ কোল্লাংবীগ উয়েন্ লয়ম থংগোং সুগ পান্নদুন অকোন্ কোল্লাংবীন কাউদৌয়াঙ্ নোংলেন্ব পোক্য়ে। অঙোম্ ৱোইয়ে। সোনাইদে।

(২) খম্‌নুং ইব্রাইথংন পীথেৎ লয়ম পান্নদুন সিঙ্‌মিৎ য়োয়রেল্‌ব পোক্‌য়ে। অঙোম্ ব্রোইয়ে। সিঙ্‌মিৎ য়োয়রেল্‌বন পীথেৎ লয়ম লয়হও নিংথৌ চনু পান্নদুন অহোঙ্ খম্‌সা পোক্‌য়ে ॥ সিঙ্‌মিৎ য়োয়রেল্‌বন থৌবান্দ হাথবদি অমু চিঙ্‌য়ায় য়োয়রেল্‌ব, অমুয়াং কৈসাব পোক্‌য়ে। অঙোম্ খামসান ফস্বাল তোঙ্‌ঙে। (*) **মৈহৌরোল সকোক**

অমু চিঙ্‌য়ায় য়োয়রেল্‌বন লুব্রাং লংমাইব চনু পান্নদুন মেল্লৈ লৈসনা পোক্‌য়ে। মাগী ঈদি সেরাম্, নারুম্বম, হাইহৈবম্‌নে হাউব্রোইবমনে।

অরুয়াং কৈসাবন লুব্রাং লংমাইব চনু পান্নদুন তোঙ্‌আ সাফব পোক্‌য়ে। মাগী ঈদি ব্রোংনাম্‌নে।

অহোঙ্ খম্‌সান পিথেৎ লয়ম লয়হাও নিংথৌ চনু পান্নদুন তোন্দৌ পোক্‌য়ে। অহোঙ্ খম্‌সান তাক্‌সোন্ পুঙ্‌দ হাথবদি সুনান্ পোকয়ে। সুনান্‌ন ঙানুরোল্ থোঙাইব চনু পান্নদুন সনা লংমাই পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি হোংনেম্ সুম্বম্‌নে। হংগুন্দ লৈব হোংনেম্‌সুম্বমনে।

লুব্রাং চিঙ্‌দ লিক্‌লা বীচা নোংদম্‌নুন হাথবদি খোইতোম্ মান্‌তোম্ অনীম পোক্‌য়ে। মান্‌তোম্‌গি ঈদি লেরা খোংনাং ব্রোইখিয়ে।

তোন্‌দৌন পীথেৎ লয়ম পান্নদুন চিঙ্‌ব্রাং পোক্‌য়ে। চিঙ্‌ব্রাংন পীথেৎ লয়ন পান্নদুন ব্রোংদৈ খুন্দাব পোক্‌য়ে। ব্রোংদৈ খুন্দাবন অকোল্ কোল্লাংবীগ উয়েন্ লয়ম থংগোং সুগ পান্নদুন অকোল্ কোল্লাংবীন কউদৌয়াং নোংলেন্‌ব পোক্‌য়ে। অঙোম্ ব্রোইয়ে। সোনাইদে।(*) **মৈহৌরোল্ সকোক্**

(১) উয়েন্ লয়ম থংগোং সুন লাঙ্‌কম্ নুংচি লান্‌থবগ হিথাং লাংগ পোক্‌য়ে। লাঙ্‌কম্ নুংচি লান্‌থবন অঙোম্ ব্রোইয়ে। হিথা লাংন অকোন্‌সু পান্নদুন সনা লাংয়েন্ পোক্‌য়ে। মাগী ঈদি হিদাম খোরা ময়ুম্‌নে। তুমলে।

(২) উয়েন্ লয়ম থংগোংসুন লাঙ্‌কম্ নুংচি লান্‌থব, হিথারাংগ অনীম পোক্‌য়ে। লাঙ্‌কম্ নুংচি লান্‌থবন অঙোম্ ব্রোইয়ে। হিথারাংন

লকোন্সু পান্নদুন সনা ইরাংয়োন্ পোক্য়ে। মাগি ঈদি হিদাম খরা ময়ুম্নে। তুম্ন মাঙ্লে ।

লাংকম্ নুংচি লান্থবন ফোইতংসুগ তাপং লান্থবীগ পান্নদুন তাপং লান্থবীন হাওকই লান্থব পোক্য়ে । অঙোম্ ৱোইয়ে । সোনাইদে ।

ফোইতংসুন সিকোং লান্থবগ অথা কোঙ্য়াম্বগ পোক্য়ে । সিকোং লান্থবন অঙোম্ ৱোইয়ে । অথা কোঙ্য়াম্বন থিংবা ফাবী পান্নদুন সনা পজেঙ্ পোক্য়ে । সনা পজেঙ্ন লাইরু হন্বী পান্নদুন লিক্লাং খোম্হন্ব পোক্য়ে । লিক্লা খোম্হন্বীন থিংবা ফাবী পান্নদুন লোইরেল্ব পোক্য়ে । মাগি ঈদি কোঙ্বম্ কইরেন্ব ময়ুম্নে । ৱোইনাম্দ লৈরিব কোঙ্বম্ পুন্সি ময়ুমনে ।

অঙৌব তেংলয় সিকোং লান্থবন লয়চোন্লিক্সিসুগ য়াংসিং ফাবীগ লয়হও নিংথৌ চনুগ পান্নদুন য়াংসি ফাবীন সেক্কু কাইনৌ চিঙ্সোম্ব পোক্য়ে। অঙোম্ ৱোইয়ে । সোনাইদে ।

লয়চোন্ লিক্সিসুন থাঙ্ৱায় ইৱান থাব পোক্য়ে। অঙোম্ ৱোইয়ে। লয়হও নিংথৌ চনুন কোন্খাং লাইচৌব পোক্য়ে । য়াইব লয়ম পান্নদুন তেংলয় লোল্য়াম্ লান্থব পোক্য়ে। মাগি ঈদি চক্পরম্বম্ পান্সা ময়ুমনে। চকপরম্বম অহল্লুপ্ত লৈবনে, চক্পরম্বম্ হাওকই ময়ুম্নে ।

অঙৌব থাঙ্ৱাই ইৱান্ থাবন লম্বাসুগ কামু ইথাব চনুগ পান্নদুন লম্বাসুন পুরান্ থাব পোক্য়ে । অঙোম্ ৱোইয়ে । কামু হিথাব চনুন খম্পাম্বগ উসিংগ পোক্য়ে । খম্পাম্বন চরন্ফাবী পান্নদুন মিংথাংপাম্ব পোক্য়ে । মাগি ঈদি মংসাতাবম্, অয়েংবম্, পোৎসঙ্বম্, লাংলেন্বম্নে ।

উসিংন ফোইতংসু পান্নদুন সনা লেল্লু পোক্য়ে। মাগি ঈদি উসম্নে।

অঙৌব পুরান থাবন অয়াঙ্ ফাবীগ হাউখৈ লান্থব মচা সনরেম্বীগ পান্নদুন অয়াঙ্ ফাবীন লাইরেল্ হিকাম্বনে তোরানে লয়তাঙ্ লাল্থবনে,

সেরানে পোক্‌য়ে। সনরেম্বীন য়াওসোম্ব পোক্‌য়ে। লাইরেল্ হিকাম্বন অঙোম্ ৱোইয়ে।

নিংথৌ তোরান কাইথেল্ থান্‌বী পান্নদুন মুচিঙ্ হিথাব্ পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি তেল্‌হাবম্, ঙানু কাপ্পম্, সারোম্ কইকাবম্‌নে ।

লয়তাং লালথবন চিঙখৈ লম্‌য়েংবী পাপ্পদুন ৱাইকৌ লাল্‌থব পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি লয়তান্‌থেম্, অকোইজম্‌দ লৈব লয়তানথেম্‌নে। সেরাদি সোনাইদে ।

য়াওসোম্বন চিন্‌কাঙ্ পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি চিন্‌গাংবম্‌নে ।

অঙৌব লাইরেল্ হিখাম্বন মরোং ঙম্বীগ সারাংথেম্ চনুগ পান্নদুন নোংচুপ্ মরোং ঙম্বীন হাউরং চরল্ ফাব পোক্‌য়ে । অঙোম্ ৱোইয়ে । সারাংথেম্ চনুন খুন্‌চাম্ব পোক্‌য়ে। চিংথং লানথবী পান্নদুন লোল্‌লু পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি সারোম্, ফৈদাদ লৈব সারোম্‌নে ।

অঙৌব হাউরং চরন্ ফাবন নুক্রাম্ব নোংয়িন ফাব চনু পান্নদুন কৱাক্‌প থৱান থাবগ কৈমুগ পোক্‌য়ে । কুৱাক্‌প থৱান থাবন অঙোম্ ৱোইয়ে ।

কৈমুন মেল্‌লোং খুবীগ পোং চনুগ পান্নদুন মেল্লোং ফাবীন সনা লিক্‌লু পোক্‌য়ে । পোং চনুন উনুংদ তাব পোক্‌য়ে ।

সনা লিক্‌লাগি ঈদি খাঙ্‌ঙেল্‌বম্, ফোইজিং তাব খাঙ্‌লেল্‌বম্‌নে ।

উনুংদ তাবগি ঈদি উনুংতা খাঙ্‌লেল্‌বম্‌নে ।

অঙৌব কুৱাক্‌প থৱান থাবন হোংখু ঙম্বী কৈসি নেন্‌বী লালসিং চাইবী পান্নদুন নোংপোক্ কসোম্ব পোক্‌য়ে । অঙোম ৱোইয়ে।

অঙৌব নোংপোক্ কসোম্বন চাঙ্‌খোম্বী পাপ্পদুন কম্বোং ফাবগ খোঙজোম্বগ পোক্‌য়ে । কম্বোং ফাবন অঙোম্ ৱোইয়ে । সোইনাইদে । খোঙ্‌জোম্বসু অঙোম্ ৱোইয়ে । অঙৌব খোঙজোম্বন তরুঙম্বীগ পুয়াম চনুগ

পান্নদুন তরুং ঙম্বীন লোইচা ঙম্ব পোক্‌য়ে। পুয়াম্ চনুন পন্‌সা ঙম্ব পোক্‌য়ে। অনীমক্ অঙোম্ ৱোইয়ে । লোইচা ঙম্বদি সোইনাইদে।

অঙৌব পন্‌সা ঙম্বন সেঙ্‌মুচাও কাংফাবীগ মংসা ঙম্বীগ পান্নদুন সেঙ্‌মুচাও কাংফাবীন লাংলোই ঙম্ব পোক্‌য়ে। মংসা ঙম্বীন কিয়াম্ব পোক্‌য়ে। অনীম অঙোম্ ৱোইয়ে ।

কিয়াম্বন ইম্‌নাম্ সারোঙ্‌বম্ চনু পান্নদুন সাচিংতাই পোক্‌য়ে । সাচিংতাইন নিংনাংসু পান্নদুন উচি পোক্‌য়ে । মাগি ঈসি কইক্রল্‌বম্, খারেম্, মেঘ সাই মনাই খারেম্‌নে ।

অঙৌব লাংলোয় ঙম্বন নুংকেংনুগ মপাও ঙম্বীগ লাইরিক্ য়েংবম্ চনুগ পান্নদুন নুংকেংনুন তুসোম ঙম্ব পোক্‌য়ে । অঙোম্ ৱোইয়ে । সোইনাইদে । মপাও ঙম্বীন ললাং ঙম্ব পোক্‌য়ে । মাসু সোইনাইদে ।

লাইরিক য়েংবম্ চনুন খাগী পোক্‌য়ে । খাগীন মোংবিজম্ চনু পান্নদুন কিয়াম্ব পোক্‌য়ে । মাগি ঈদি খোইথাবম্‌নে ।

অঙৌব লল্‌হাং ঙম্বন খারোই ঙম্বীনে, অৱাংব সুম্বী থৌদাম্ চনুনে পান্নদুন খারোই ঙম্বীন মুংয়াং চাইবগ সেক্‌মোম্বগ পোক্‌য়ে । অৱাং সুম্বী থৌদাম্ চনুন মরিং ঙম্ব, মরাম্ ঙম্ব, খাগী ঙম্ব পোক্‌য়ে । থৌদাম্ চনুন খোঙ্‌জোম্ব পোক্‌য়ে । মুংয়াং চাইবন অঙোম্ ৱোইয়ে । সোইনাইদে । মরিং ঙম্বসু অঙোম্ ৱোই, সোইনাইদে । খাগী ঙম্বসু সোইনাইদে । সেকমোম্বসু সোইনাইদে । মরাম্ ঙম্বন অঙোম্ ৱোইয়ে । খোঙ্‌জোম্বগি ঈদি নাক্‌পক্ হন্‌জব মযুমনে ।

অঙৌব মরাম্ ঙম্বন মুংয়াং কইথেল্ থান্‌বীগ খুমন্ চরাক্‌পম্ চনুগ পান্নদুন মুংয়াং কইথেল্ থান্‌বীন লমফেল্ ঙম্বনে, হোঙ্‌দৈনে পোক্‌য়ে । খুমন চরাক্‌পম্ চনুন লাইরেল্ লাক্‌পগ লাংতে ঙম্বগ খেন্দে ঙম্বগ পোক্‌য়ে।

অঙৌব লমফেল্ ঙম্বন ময়াং ঙম্বীগ ৱাইরোক্ সুগ পান্নদুন ময়াং

ওশ্বীন কোন্খোম্ব, লোইখোম্ব পোক্য়ে। ব্রাইরোক্সুন লম্তাব পোক্য়ে। সাৎপম্ চনু পান্নদুন চন্দ্রমণি খোঙ্জোম্বগ, রাম্ চন্দ্রগ পোক্য়ে। কোন্খোম্বন অঙোম্ ব্রোইয়ে। সোইনাইদে। লোইখোম্বসু অঙোম্ ব্রোইয়ে।

পুরৈরোম্বন পুরাং কৌন হাউনিঙসঙ্ খোম্পোম্বীদ তোংপাইনদুন লোইয়াদ হাথবদি হংকেল্ লোংন থাব পোকয়ে। মাগি ঈদি লুব্রোংজম্ কৌরিব মখেনে, ব্রাংখেম্ কৌরিব মখেনে।

লয়সাংথেম্ লোল্ য়ুম্চংব

(১) লয়সাংথেম্ লোল্ সলাই য়ুম্চংবদি হুইমু লয়মন নুঙঙৌ য়ুম্থংব। য়ুচিক্ লয়ম মঙাং নিংথৌ চনুন য়ুকাংকউ। নোংমোইনুন সরাতোন্। মঙাং নিংথৌ চনুন সরা পুকতাং। মঙাং নিংথৌ চনুন সরা ঙানোয়। মঙাং নিংথৌ চনুন খোংচি নুঙ্লাইব। পেনুন চিঙ্জেং নারল্ পাঙ্গন্ব। পেনুন তাওবুঙ্ খোংতউব। তাওবুঙ্ খোংতউবন ইরেম্ তোইবী লয়ম লুব্রাং চনু পান্নদুন পাংথং অহন্ব, য়ুনাওরোয় য়ায়মব, কামু অতোন্ব অহুম্ম পোক্য়ে।

চিঙ্জেং নারল্ পাঙ্গন্বন ময়াং খোংনাংদ খোংনাং ফৈদ্রি খোংনাংগি মচা নুপী লৈরি লৈসং খোম্বী পান্নদুন থৈবোংনে মোন্থৈনে অনীম পোক্য়ে। থৈবোংদি ঈ তাদে। মোনথৈন অঙোম্ চনু পান্নদুন লুকোক্নে, মোন্থৌনে অনীম পোক্য়ে। লুকোক্কি ঈদি পোৎসঙ্বম্ নাচৌ তাব গোকুলসিং ময়ুম্নে। পোৎসঙ্বম্ অঙাঙ্জাও ময়ুমনে। মোনথৌগি ঈদি পোৎসঙ্বম্ অবুঙ্জাও খরোব ময়ুম্নে।

পংথং অহন্বগি ঈদি চেংলয়বম্, থাংজম্, তোংব্রম্, নাওসরম, সোরাইসম্, তওরাংবম্, থুম্কন্বম্, লোইম, কোন্সম্, ঙাথেম, লাংগোন্জম্, ময়াংলম্বম্, অয়েক্পম, লওসিকুব্রাম্নে।

য়ুনাওরোয় য়ায়মবগি ঈদি লয়সাংথেম্, খাগোক্পম, মাইবম্ নাওসেক্পম্, ইম্কুদুম্, খোইচারম্, মাইনম্, হব্রাইবম্নে।

কামু অতোল্বগি ঈদি সরাংথেম্, ঝাইরোক্পম্, চানম্, সারোক্ফাইবম্, য়েল্লাংবম্, চিঙ্ঙাকন্বম্, মাইব থিয়াম্, খারাইজম্নে।

কোন্থৌজম্লোল্

কোন্থৌজম্লোল্ সলাই য়ুম্চংবদি - হুইমু লয়মন নুঙ্ঙৌ য়িমথংব, লম্লেক্সাং, লোক্প, লোক্তোন্ অতোন্ব মরিম পোক্য়ে। লম্লেক্সাংদি কবুই ঝোইখিয়ে। চিঙ্দ কাখরে।

হুইমু লয়মন লোক্প, মঙাং নিংথৌ চনুন পাথুপ, মঙাং নিংথৌ চনুন নোংলোল্, মঙাং নিংথৌ চনুন লেম্ব, মঙাং নিংথৌ চনুন হাউরোক্, মঙাং নিংথৌ চনুন মাইপাক্, মাইসাং, মঙাং নিংথৌ চনুন নাওঝা, মঙাং নিংথৌ চনুন য়ুকোন্ব, মঙাং নিংথৌ চনুন য়ুনাম্ব, মঙাং নিংথৌ চনুন নান্ব সাফাবনে। নান্ব সাফাবন মঙাং নিংথৌ চনু পান্নদুন মুবগ খাংচেলগ পোক্য়ে। মুবগি ঈদি কোন্থৌজমনে, খাংচেলগী ঈদি কোন্জেংবম্ হাউরোক্চম্নে।

লোক্তোনবম্ লোল

লোক্তোন্বম্ লোল্ সলাই য়ুম্চংবদি হুইমু লয়মন লোক্তোন্ অতোন্ব। মঙাং নিংথৌ চনুন থিংঝাং। মঙাং নিংথৌ চনুন লোক্চা। থারয় নিংথৌ চনুন চামোইব। লেম্লয় নিংথৌ চনুন ঙামোইব। মহও নিংথৌ চনুন লাসং। খেন্দে নিংথৌ হাওতং লাইব চনুন খামোইব। চেক্লয় নিংথৌ চনুন সন্দংচা লোইব। লোক্খা নিংথৌ চনুন খামোইব, পুঙ্কায়ব, তোন্থাংব। নোংবাল্ লোল্ সিঙ্লও মাল্লও খন্বীন লোক্তোন্ কাম্নী চানে। লাইফেংব চনুন খানিংথৌ সাফব। খানিংথৌ সাফবন মঙাং নিংথৌ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি লোক্তোন্বম্, য়াংগোইজম্, হেমোইবম্, অহয়বম অমুঝাম, অমোম্নে।

লুৱাংলোল্

লুৱাংলোল্ সলাই য়ুম্‌চংবদি - পিয়াইনুন থৱারেল, পিয়াইনুন পোইরৈতোন্ । লৈনাও তাবীন সিঙদবুঙ্ । সন্‌থোঙ্ পুনেম্ব চনুন পামিং। হুইমু লয়মন লুৱাং খুনথিব । কৌবরোল্ নামোইনুন লুৱাং পুন্‌সিব ।

লুৱাং নিংথৌ পুন্‌সিবন ইরোম্ নাওসঙ্খুনে, তাইতল্ লয়ম মোইনু চনুনে, য়ুসিল্ লয়ম চিঙ্নুং হাওব চনুনে, হাউকু লয়ম লম্‌তং নিংথৌ চনুনে, ঙানুরোল্ থোংঙাইব চনুনে, হাওসিয়াং পুয়াংবা চনুনে, ঙানুরোন্ খুৎয়াই চেন্‌বিনে খোংলয়সংনে, খয়োয়রোল ঙানু থম্বীনে মাপল্ ম পান্নদুন ইরেম্ নাওসঙখুন নুংবাল্ য়োয়খুল চেং পোকয়ে নুংবাল্ য়োয়খুন্‌চেংন নোংচেংসু পান্নদুন মাগি ঈদি অসাংবম্, অরাম্বম, তিনবীজম্, লোংচেন্‌বম্‌নে (লৈরোংজম্‌নে)।

তাইতল্ লয়ম মোইনু চনুন তামোইথং পোক্‌য়ে । তামোইথংন কোন্‌থৌব চনুন হাওমু । ময়দিংঙু কোন্‌থৌব চনুন ফম্‌চাওব । নাওথিংখোং চনুন হাওমু হেহিং । মাগি ঈদি অসাংবম্‌নে । ময়েংবম্‌নে । অবুচমনে উরেপ্ খিন্‌বম্‌নে । ফম্মী হন্‌বম্‌নে । ৱাংলেলবমনে ।

খোংলয়সংন অরাম্ব । মতুম্ চনুন লিক্‌লাইরোক্‌প, নুকারাম্ চনুন য়াংসিং ফাব । নুকারাম্ চনুন তাল্‌চেং ঙম্ব । লংমাইথেম্ চনুন নিংথৌ লাইনিংথৌব । নুকারাম্ চনুন কোক্‌চাওব । নুকারাম্ চনুন লুৱাংব । পাঙল্‌বম্ চনুন কবোম্ব লংমাইমেম্ চনুন্ য়ারব । অসিগি ঈদি অরাম্‌বম্ ঙাঙ্‌লোম্, লোইয়া য়াংবম, পুঙ্‌কারাইজম্, লুৱাংসংবম্, নোংথোল্‌বম্, হৈদাম্‌নে, তোইবীজম্‌নে ।

খুনচান্ লোল্

খুনচান্ লোল্ সলাই য়ুম্‌চংবদি - কৌবরোল্ নামোইনুন লুৱাং পুন্‌সিব। য়ুসিল্ লয়ম চিঙ্নুং হাওব চনুন লুম্‌চেংহন্‌ব । কম্বোং লাংসনাবীন

মুসিল্ । কোন্থৌব চনুন পানা । নাওথিংখোং চনুন পোল্সরেং । লংমাই নিংথৌ চনুন তওরেল্ লাল্থব । খুমন্ নিংথৌ লিক্মাব চনুন লাইরুব । থোঙ্থিন্বম্ চনুন লোক্প । ময়াংজম্ চনুন হয়রেম্নব, নিংথৌ চেঙ্জা থাপল্ব । লংমাই নিংথৌ চনুন চেংলও লালথব,লুমচেং হন্ব । মাগি ঈদি ফৈদা খুন্চান্ ময়ুম্নে। (১) ঙানুন থিঙ্ কম্বোং(ৱাইরব) ৱায়াব । ঙানুন কম্বোং অমু কোই । ঙানুন কম্বোং অঙৌ কোই । মোইরাংথেম্ চনুন য়াউৱা খুরোম্ব । মোইরাংথেম্ চনুন নিংঙোল্ কাপ্সি । নিংঙোল কাপ্সিগি ঈদি ফৈদাদ লৈব খুন্চান্ ময়ুম্নে, খোম্হুকচম্ থাঙ্সাবদ লৈবনে, হয়তোন্ ময়ুম্নে, মোইফেংবম্নে । (*) **সলাই লাংবোন**

(২) ঙানুরোল্ন থিঙ্কম্বোং ৱায়াব । ঙানুন কম্বোং অমু কোই ঙানুন কম্বোং অঙৌ কোই । মোইরাংথেম চনুন য়াউৱা খুরোম্বা। মোইরাংথেম্ চনুন লিল্সু লাইব । মোইরাংথেম্ চনুনকারাং লাইব । মোইরাংথেম্ চনুন নিংঙোল্ কাপ্সি । কৈসি তোল্বীন খুৎচুপ্খাঙ্ তেরা । মোইরাংথেম্ চনুন লামিয়া। মাগি ঈদি খোম্মুকচম্ কৌরিব মখৈনে । (*) **মৈহৌরোল সকোক**

(১) হাউকু লয়ম লম্তং নিংথৌ চনুন লাল্তৌ চাম্ব । মান হয়রেম্ কাঙ্হৈনুগ খিং খিং কাঙ্হৈনুগ অনীম পান্নদুন য়াংহন্ব, য়াংখুব অনীম পোক্য়ে।

য়াংহন্বগি ঈদি ফাইরৌজম্, মোইবুংলোক্পম্, সৌবাম্, মাইবসনাম্, চেঙ্জাম্বম্, ঙৌবাম্, থিয়াম্, মৈতরম্, থমংজম্, য়িমলেল্বমনে ।

য়াংখুবগি ঈদি থৌকুনাওজম্, অথোক্পম্নে । (*) **সকোক**

(২) হাউকু লয়ম লম্তং নিংথৌ চনুন লাল্থৌচাম্ব । মান হয়রেম্ কাঙহৈনু খিং খিং কাঙ্হৈনু অনীম পান্নদুন য়াংহন্বগ য়াংখুবগ অনীম পোক্য়ে । য়াংহন্বগি ঈদি ফৈরোইজম্, মোইবুংলোক্পম্, সৌবুৱাম্, মাইবসনাম্, চেংজম্, ঙৌবাম্, ময়তৈরন্বম, থমংজম্, ঈরেল্বম্নে । (*) **খুনগুম**

ঙানুরোল্ থোঙাইব চনুন লুংবগ নুঙ্থোঙ্ঙাইগ অনীম পোক্‌য়ে । লুংবদি খুমন্ ৱোইখিয়ে । নুঙ্থোঙ্ঙাইদি লুৱাং ৱোইয়ে। ঙানুরোল্ থোঙাইব চনুন নুঙ্থোঙ্ঙাই । ঙানুন চিঙ্দ কোয়ব । ঙানুন চিঙ্দ লাওব । লংমাই নিংথৌ চনুন তোঙ্ব । লংমাই নিংথৌ চনুন পুরেং নুমানব । ঙানুন ফুনান তেল্হৈব । হোঙ্নেম্ সুন নুঙ্কাং পান্থ,অয়াঙ্জান্থ অনীম পোক্‌য়ে ।

নুঙ্কাং পান্থন নিংথৌ য়েলাংব চনু পান্নদুন মোইরান্থ পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি হিজম্, য়াঙন্থম্, ঙাংলোম্ ফন্মি হন্বম্নে । মবেল্ অনীগি ঈনে ।

অয়াঙ্জান্থন (অয়াংপান্থন) লংমাই মংসাতন্থী পান্নদুন লম্নিংথৌগ খানিংথৌগ অনীম পোক্‌য়ে । লম্নিংথৌগি ঈদি সলাম্নে । খানিংথৌগি ঈন সলাম্ য়ুমখাইবম্নে ।

খুৎয়াই চেন্বীন ৱায়র লাল্তন্থগ লায়ব খুগ অনীম পোক্‌য়ে । ৱায়র লাল্তন্থন ঙানুরোল্ পান্নদুন ৱায়ব পোক্‌য়ে । ৱায়বন ঙানুরোল্ পান্নদুন চাওপুরি পোক্‌য়ে । ঙানুন তাপ্তেব । ঙানুন য়াওসা তান্ব । ফোইজিঙ্কাংব চনুন তিপ্তাইব। কাংব সুন খম্কোইব ঙানুরোল্ হাম্চাওসুন চামু লম্লোইব। ঙানুরোল্ খাইথিব চনুন লাল্সুঅহল্ব, সৌরা লাইঙাং, থাউতৈ য়ুম্থংব, ৱাহেঙ্ অতোন্বনে মরিম পোক্‌য়ে।

লালসু অহলবগি ঈদি লাইসোম্নে

সৌরা লাইঙাংগি ঈদি ঙাংলোম্, সৌবামনে ।

থাউতৈ য়ুম্থংবগি ঈদি থাউদৈজম্, নাওরোইবম্, নিঙ্চিৎপম্নে ।

ৱাহেঙ অতোন্বগি ঈদি ৱাহেংবম্নে ।

চাওপুরিগি ঈদি লাইকংবমনে ।

খোংলৈসাংন অমুদোন্নে। মাগি ঈদি লাইরেন্জম্নে। মবেন্ অনীনে। মবেন্ অনীমক্কি ঈদি ময়তরম্বম্ (মৈত্রম্) হিজম্, ময়াংঙন্থম্, নোংপোক্পম্, ঙাংলোম্, ফন্মি হন্বম্নে ।

ব্রাকোংথেম্ লোল্

(১) তাইতল লয়ম মোইনু চনুন ব্রাকোংথেম্ পোক্য়ে ।

(২) লাইখুরেম্বীন চেকোংব । লাইখুবীন ব্রাকোং নিংথৌব । পোক্পী লয়ম ব্রারেল্ নুন খিং খিং কাংসাব । ইরেম্ তাইতল্ লয়ম মোইনু চনুন খোম্লোং । মঙাং নিংথৌ চনুন তাংলৈব । লোক্তোন্বম্ চনুন তোয়রওব। য়াংলয়বম্ চনুন অতোল্নে । মাগি ঈদি ব্রাকোংথেম্নে ।

লুব্রাং ফান্তেক্ লোল্

ফান্তেক্লোল্ য়ুম্চংবদি - কৌবরোল্ নামোইনুন লুব্রাং পুনসিব । হাউসিয়াং পুয়াংব চনুন লিক্লাবীচা, লিক্লা বীচান খোইতোম্ । খুন্জাওসুন নাফল্ । ফান্জাও সুন পুমিংনব খোই । লাইয়েং খুবীন তরুং । লাইয়েং হন্বীন কৈমু । য়াইথিঙ কোন্ব চনুন মফউ মিৎ থোন্ব। থিমোই কাঙ্ব চনু তোন্ব সুন সোঙ্লাইব । চক্লয় নিংথৌ চনুন খম্রোয় অহোঙ্ব । খম্রোয় অহোঙ্বন লয়ম হাওরয়ম পান্নদুনা কাসোং অহন্ব । নিংঙোল্ য়াইমব । লাইতোল্ অতোল্ব পোক্য়ে ।

কাসোং অহন্বগি ঈদি কাসব্রাম্গ অকোইজম্গনে

নিংঙোল য়াইমবগি ঈদি নিঙোম্বমনে ।

লাইতোন্ অতোন্বগি ঈদি লৈতান্থেমনে ।(*) **সকোক**

খুমন্ লোল্

খুমন্ লোল্ সলাই য়ুম্চংবদি—লুব্রাং নিংথৌ পুন্সিবন ঙানুরোল্ থোঙাইব চনু পান্নদুন লুংবগ নুঙ্থোঙ্ ঙাইগ অনী পোক্য়ে। লুংবন ঙানুরোল্ নিংথৌ য়েন্দংব চনু পান্নদুন য়োয়রাংপোক্ পুনসিব পোক্য়ে । য়োয়রাংপোক্ পুন্সিবগি ঈদি আক্রামনে ।

যোয়বাংপোক্ পুন্সিবন ঙানুরোল্ য়াইবী লযম পান্নদুন কচেং ৱায়েং মাঙ্ব পোক্যে। কংজৈংৱা, যেং মাঙ্বন (কজেংৱাহেং মাঙ্বন) যোয়রুম্ চেংবী পান্নদুন খোল্ব নিংথৌব পোক্য়ে । খোলব নিংথৌবন অতোল্ লাইফেংব পোক্যে।লাইফেংবন ঙানুরোল পান্নদুনা পুন্সি য়ুমোইব পোকয়ে। পুন্সি য়ুম্ৱোইবন ঙানুবোল্ পিযাইবোক্ পান্নদুন যোযথোঙ্ঙাই পোক্য়ে। য়ুম্ৱোইববু থযথদুন মসুসেল্ব। ঙানু থুন্বীগী মচা সেল্বন নিংথৌ ৱোইয়ে। যোযথোংঙাইদি লোইযাদথৈহবে । সেল্বন মচা অহুম্ পোক্যে । সেল্বগি মতুংদ যোযথোঙ্ঙাইন নিংথৌ ৱোইবে । সেল্বগি মচা লাইকুদি লযতাংদ থীবে । লাইখাদি উচিৱাদ থীবে । মনাও অমদি মবিং ৱোইখবে । যোযথোঙ্ ঙাইগি ঈদিতেন্থাদ লৈব মাইবম্নে ।

যোযহোঙ্ ঙাইন ঙানুবোল্ পান্নদুন হাউবম্ অহন্বনে, হাউবম্ নিঙ্গোই যাযমবনে, হাউবম্ অতোন্বনে অহুম্ পোক্যে । হাউবম অহন্বগি ঈদি থোইদিংজম্নে, যাংলৈবম্নে ।

হাউবম্ নিঙ্গোই যাযমবগি ঈদি গিংকুজম্, পুখবেম্, পল্লেল্বম্, তেল্লেম্, ভোল্সবম্ (তোন্থবাম্), পাংগৈজম্নে ।

হাউবম অতোন্বন ঙানুবোল্ পান্নদুন মেল্পোম্ব, অথিঙ্ মোংবীসু খোঙবুসনম্ব অহুম্ পোক্যে । অথিঙ্ মোংবাসুগি ঈদি মোংবীজম্নে ।

থোঙ্বুসনম্বগি ঈদি তাংদেম্, ঙাঙ্বম্, হৱাইনম্, অকাঙ্জম্নে।

মেল্পোম্বন ঙানুবোল্ পান্নদুন থোংলৈবোম্ পোক্যে । থোংলৈবোম্ন খোংথব চনু পান্নদুন চিঙ্খোঙ্ থোংক্রাইবগ অথিঙ্বগ পোক্যে । অথিংবগি ঈদি ৱোইনাম্, মাইব মুৱামনে ।

চিঙ্খোঙ্ থোংক্রাইবন চিঙ্য়ায়ঙানু পান্নদুন পুঙ্য়ানখু (পুরান্খু) নৌসিব, নিংথৌ সোবারোঙ্, থোংহল্, থোংয়ায়, লাইব মঙা পোক্য়ে পুঙ্য়ান্খু নৌসিবদি সোনাইদে ।

থোংহন্‌গি ঈদি খম্‌লাম্ (খম্‌নাম্), অহোংসাংবম্, থোংকাবম্, চবুঙ্‌বম্, অহোঙ্‌বম্, হয়ক্রুজম্‌নে ।

থোংয়ায়গি ঈদি সিনাইবম্, থোঙ্‌বম্ থাঙ্‌গঙ্ সাবম, হংলেম্, কারাওবম্, অতোম্‌নে ।

লায়বগি ঈদি লাইব খুরাম্‌নে ।

নিংথৌ সোরারোঙ্‌ন খোংঙাই থোংগ খুন্‌চাল্ লাইরু সোয়বীগ (লাইরু কোইবীগ) পান্নদুন খোংঙাই থোংন সোইপাই অহন্‌ব, সোইপাই তাইবঙ্ চাম্ব, কাইবী খুরাম্ পাম্ব, লিক্‌মন্ লাল্‌থব, থোংজু অতোন্‌ব মঙা পোক্‌য়ে ।

সোইপাই অহন্‌বগি ঈদি কোনোম্, সৌগাইজম্‌নে ।

সোইপাই তাইবঙ্‌জাম্বগি ঈদি তাইবঙ্‌জমনে, ৱারেপ্পমনে । থোঙজু অতোন্‌বগি দি থোঙ্‌জম্‌নে। খুন্‌চাল্ লাইরুকোই সোইমাম্বদি সোইনাইদে।

কাইবী খুরাম্ পাম্বগি ঈদি হাওবজম্, সাৎপম্‌নে ।

চেক্‌য়াম্বন ৱাঙম্‌লোল্ পিয়াইথোঙ্ পান্নদুন থিংকোল্ লিক্‌মাবগ মনাও অমগ পোক্‌য়ে । মনাওগি ঈদি ঙাখাখোই ময়ুম্‌নে, থোংক্রাম্‌নে ।

থিংগোল্ লিক্‌মাবন মুংবী লয়ম পান্নদুন কোক্‌প, খম্‌লাংব, নিংথৌখোঙ্, য়াইথিংব মরি পোক্‌য়ে । কোক্‌পদি লাই ৱোইখরে ।

খম্‌লাংবদি (খাংলাংবদি) চিঙ্‌দাইদ কাখিদুন খায়িংব পোক্‌য়ে । চিঙ্‌দাই হাউ ৱোইখিয়ে ।

নিংথৌখোংগি ঈদি পুখ্রল্‌বম্,খোয়রিসুম্বম্, ময়তান্‌কইসঙ্‌বম্, লিক্‌মাবম্, হাউমুৱাম্, থিঙ্‌গোম্, থিংকুৱাম্, মোইফেংবম্, লাংজিং তোংব মেরা ময়ুম্, আমাক্‌চম্, ময়াংলম্বমনে, য়াইথিংবন ৱাঙম্‌লোল্ নাওসঙ্ লাইকম্ চনু পান্নদুন সময়োক্ ফাবগ মনাও অমগ পোকয়ে । মনাওগি ঈদি লম্মাবম্, য়াথিংবমনে ।

সময়োক্ ফাবন লংমাই নিংথৌ চনু পীসময়োক্ পান্নদুন থোঙ্‌বু সামুক্‌নুচাগ মনাও অমগ পোক্‌য়ে। মনাওগি ঈদি সামুক্‌চম্‌নে।

সামুক্‌নুচান ঙানুবোল্ সঙ্‌লয়ম থিংকোল্‌সু পান্নদুন থিঙ্‌কোল হন্‌বগ থিঙ্‌কোল্‌ব খুবগ পোক্‌য়ে। থিঙ্‌কোল্ খুবগি ঈদি থিঙ্‌বাইজম্‌নে, খোইরোঙ্‌বমনে।

থিঙ্‌কোল্ হন্‌বন ঙানুরোল সঙ্‌লয়ম হাউয়েন্‌খোং তৌবীগ পাসি খুন্‌বু লম্‌তং চনুগ পান্নদুন হাউয়েন্ খোংতৌবীন সেকুমু (সেক্‌কু) কাইনৌ চিঙ্‌সোম্বগ কাঙ্‌চিন্ লৈনৌ তাবগ পোক্‌য়ে। পাসি খুন্‌বু লয়তং চনুন খোয়ব তেলহৈব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি নামরম্‌নে হাওবম্‌নে।

কাঙ্‌চিন্ লৈনৌ তাবন য়োয়রুমলোল্ খোংলয়ম পান্নদুন ইকোপ্ লাল্‌থবগ মোইরেং সাফবগ পোকয়ে। মোইবেং সাফবগি ঈদি মোইরেংজমনে, য়েনথাঙ্‌বম্‌নে।

ইকোপ্ লাল্‌থাবন ৰাঙম্‌লোল্ নাওরেম্‌তোন্ পান্নদুন পুন্‌সিব পোক্‌য়ে। পুন্‌সিবন ৰাঙম্‌লোল্ পান্‌ব ফাবীনে, লাইসারানে, চিঙ্‌খৈ থান্‌বীনে অহুম্ম পান্নদুন লাই সারান থোঙ্‌বু তন্‌ব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি লাইশ্রম্, নিংথৌ কাবম্, অমোম্, খুৎথৈবম্, ময়াংচংবম্, লাঙ্‌কম্, সঙ্‌খোমনে।

(১) চিঙ্‌খৈ থান্‌বীন লৈফোল্‌ব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি পুয়াম্, সোরাম্, সঙ্‌গোল্ সিনাইবম্, লেপ্‌পুবম্, মোইচেম্, য়াম্‌কোম্, ঙাসেপ্পম্, তাউমোম্, সল্‌তাম্, পাঙ্‌ন্‌বম্, তোকপম্, হাউখুৰাম্, হেমোইবম্, সলসেন্‌বম্, কাদাম্, লৈফোন্‌বম্, চিংথাম্, লাল্‌থম্‌নে। (*) সকোক

(২) চিঙ্‌খৈ থান্‌বীন লৈফোলব পোক্‌য়ে। মাগি ঈদি পুয়াম্, সোরাম্, সঙ্‌গোম সিন্নাইবম্, লেপ্‌পুরম্, মোইচেম্, লাক্‌হৈবম্, ফান্‌জম্, য়াম্‌বেম্, ঙাসেপ্পম্, তাউমোম্, সন্‌থাম্, পাঙ্‌ন্‌বম্, তোক্‌পম্, হাউমুৰাম্, হামৈবম্,

সন্সেন্বম্, কাতাম্, লৈফোল্বম্; সেন্দাম্, হাউরোংবম্, চিংথাম্, লাল্থম্নে। (*) **খুনগুম**

পান্ব ফাবীন চরল্ ফাব পোক্য়ে। চরল ফাব থিংলাই খুৎসু চনু পান্নদুন য়াউসোম্ব পোক্য়ে। মাগি ঈদি থাঙ্জম্ য়াউসোম্বমনে।

তাবেম্ সুন লম্য়ায় কাইখিন্ব পোক্য়ে। লম্য়ায় কাইখিন্বন কাঙ্ভুজম্ চনু পান্নদুন সনা পোক্য়ে। মাগি ঈদি খুমন্থেম্, ৱাংখেম্, পুয়াম, তাউবম্, ময়তান কইসঙ্বম্লাইস্রম্, পাঙ্ল্বম্, অমোম্নে। (*) **সকোক**

মোইরাং লোল্

মোইরাংলোল্ সলাই য়ুম্চংবদি লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবীন ঙাংনিংসিং। ঙানুন হাম্সা। ঙানুন নারোঙ্। ঙানুন ফাং ফাং। ঙানুন ময়াং লোইকোন্ব। লাইৱা লয়ম ফিমোই কাঙ্ব চনুন ইৱাং ফৈদেন্ব। পোক্পী লয়ম নুঙ্ঙৌ চনুন চাউব সৌবোল্ ঙস্ব। চাউবা সৌবোল ঙস্বন লাইতোংখু সফাবী (নুফাবী) পান্নদুন লাইফা চেংব খুরোই লম্লোক্পগ ম্বগ পোক্য়ে।

লাইফা চেংব খুরোই লম্লোক্পন ময়দিংঙু কোনথৌব চনু নাওবেম্তোন্ পান্নদুন মোইরাংদ খুন্দাহন্দুনা নিংথৌ ৱোইয়ে। উরা খুন্দাব পোকয়ে। মনাও মুবদি খুন্দদন লৈহৌরে। মান -আখুৱাগ অহন্ৱাগ অনী পোক্য়ে। অখুৱাগি ঈদি পুখ্রল্বম্, চোংথাম্নে। অহনৱাগি ঈদি মেলৈবম্নে।

উরা খুন্দাবন মোইবী লয়ম থিমোই কাঙ্ব চনু পান্নদুন সনা লাক্খুৱাগ মনাও অমগ পোক্য়ে। সনা লাক্খুৱাগি ঈদি মোইরাংথেম্, ৱায়েন্বম্, কবোরম্বম্, পুকন্বম্, নারেঙ্বম্, থাংজম্নে।

সনা লাক্খুৱান চিঙঙু লয়ম নোংখাই নিংথৌ চনু পান্নদুন অতোল্লক্কি লোইচা ঙম্ব, সোঙ্লেল্ (সোঙ্ফেল) লাল্থবগ মনাও অমগ অনী পোক্য়ে। মনাওগি ঈদি মোইরাংথেম্, চকপ ফিয়াম্, নামুন্জমনে।

সোঙ্লেল লাল্থবগি ঈদি মোইরাংথেম্নে। ঋাংনুন মোই চনুন খোঙ্খৈ লাল্থব পোক্য়ে। সোইনাইদে।

ফাইরউ সুন উরা কোঙ্য়াম্ব, চিঙ্খু তেল্হৈব পোক্য়ে। উরা কোঙ্য়াম্বগি ঈদি নাম্বুজম্ ঋাংলেল্বম্নে।

চিঙ্খু তেল্হৈবন হয়রেম্ লয়ম নিংথৌ য়াংব চনু পান্নদুন থাঙ্গ ইফেল্ লাল্থবগ মনাও অমগ অনী পোকয়ে। মনাওগি ঈদি মোইরাংথেম্, ঋাকরল্বম্নে।

থাঙ্গ ইফেল্ লাল্থবন ঋাঙম্ লয়ম মাইনৌ চনু পান্নদুন ঈথাই কাইরেম্বগ মনাও অমগ অনী পোক্য়ে। মনাওগি ঈদি থাঙ্গজম্নে।

ঈথাই কাইরেম্বন মতু খুমোম্ব চনু পান্নদুন য়োয়রেন্বগ মনাও অনীগ অহুম্ পোক্য়ে। মনাও অনীগি ঈদি নিংথৌখোংজম্, নুঙ্লেপ্পম্, কাবজম্, কাইরেন্জম্নে।

য়োরেল্বন মকু থাপ্লা চনু য়াংলয় ঙম্বী পান্নদুন লোইনিন্গ চাফবগ অনী পোক্য়ে। লোইনিন্গি ঈদি মোইরাংথেম্, মোইবাং কইথেল্ লাক্পম্, ঋোকরল্বম্নে। চাফবদি সোইনাইদে।

য়োয়রেলবন তেরে ঋাংখৈরাক্পম্ চনু চক্প পানেম্ ঙম্বী অমে থাঙ্সাব ফাবী পান্নদুন পুন্সিব খুরেল্ চন্ব পোক্যে। পুনসিবন ঙান্খ লয়ম যোয়রেল্বীগ ঙাইখোং চনুগ পান্নদুন ঙান্খ লয়মন সনা হোঙ্বগ লয়য়ি লাল্থবগ পোক্য়ে।

ঙাইখোং চনুন য়াও খুরাক্প পোক্য়ে। মাগি ঈদি মসেল্ মরাং ঋোইখরে।

লয়য়ি লাল্থবগি ঈদি মোইরাং কুমাবম্ য়াইখোম্, কইরেল্জম্নে।

সনা হোঙ্বন লংমাই চনু পান্নদুন মাগি ঈদি মোইরাংথেম্, ঋোকরল্বম, মোইরাং য়িম্থংবম্, থাংবীজ্রৌ তাব মোইরাংথেম্নে।

মোইরাং খুৱাং লোল্

মোইরাং খুৱাং অহন্‌ব লোল্ সলাই য়ুম্‌চংবদি হুইমু লয়মন খুৱাং মাইরেম্ব । য়াইবী লয়মন খুৱাং পামিং । মঙাং নিংথৌ চনুন য়াইরেল্ । য়াইবী খুৱাং। য়াইবী লয়মন অমু খমচাউব। মঙাং নিংথৌ চনুন অমু হেহেঙ্। ঙানুন লংমাই । ঙানুন মুব । ঙানুন খারেকপ । খারেকপগি ঈদি হাউরোংবম্, কৌজেঙ্‌বম্, লেংলেল্ লাকপ হোয়দোল কোক্‌পী সঙ্‌বম্‌নে ।

মোইরাং থোক্‌চোম লোল্

মোইরাং থোকচোম্ লোল্ সলাই য়ুম্‌চংবদি লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবীন ঙাংহুন্‌থোক্। ভানুন অঙাঙ্ ঙা (ঙা ঙা)। ঙানুন মুহেঙ্ (মুব)। ঙানুন কৌব অঙাঙ্‌ঙা । কৌব অঙাঙ্‌ঙান লাইরোক লেম্বী পান্নদুন খোইনাই অহন্‌ব, খোইনাই ইম্‌থংব, য়ুকোকথোঙ্ য়ায়মব । ইরু লৌথিব, নাওরুম্ অতোন্‌ব মঙাম পোক্‌য়ে । খোইনাই অহন্‌বন লুৱাং পুন্‌সিব মচা য়াংগে চাওবী পান্নদুন মাগি ঈদি থোক্‌চোম্, সিঙ্‌কাঙ্‌বম্, হাউৱোইবম্, পোল্লিবম্, কইথেল্ লাক্‌পম্, ঙান্‌খম্‌নে ।

খোইনাই ইম্‌থংবন খাম্নী লওখা চনু পান্‌নদুন মাগি ঈদি পুখ্রল্‌বম্, সোইবম্, মোম্‌পুৱাম্, অহয়বম্, লাইফ্রাক্‌পম্, লাইরেল্ ময়ুম্, ঙাসম্, ঙাসেপ্পম্, মোইরাং ময়ুম্, ?খাইনাইজম্‌নে ।

য়ুকোক্‌থোং য়ায়মবগি ঈদি লয়মজম্, পান্নখাঙ্‌বম্, খৱাইরাক্‌পম্‌নে।

ইরু লৌথিবগি ঈদি ৱাংখেম্‌নে ।

নওরুম্ অতোন্‌বগি ঈদি হিদাম্‌নে, মোইরাং লাইসঙ্‌বম্‌নে।

মরোয় হাউবগি ঈদি খোম্‌দ্রাম্‌নে ।

খাবরোল্

খাবরোল্ সলাই য়ুম্চংবদি - লয়চিক্ নিংথৌ চনুন খাব লয়চিক্ চিক্লিব । লয়থম্ নিংথৌ চনুন খাব লয়থম্ থম্লিব । লয়নুং য়ুচাখা চনুন খাব য়ুচাখা । লয়নুং য়ুপুরোয় চনুন খাব য়ুপুরোয় । লংমাই নিংথৌ চনুন তুরুম্ কোইব । মঙাং নিংথৌ চনুন মহউ লাইনিংথৌ । লংমাই নিংথৌ চনুন খাব ফান্দোংব । মঙাং নিংথৌ চনুন লীরী । লংমাই নিংথৌ চনুন মহউ লাইনিংথৌ । মঙাং নিংথৌ চনুন খাব য়ুঙান্ব । লংমাই নিংথৌ চনুন তোঙব লঙমাই নিংথৌ চনুন খাব । লওরেম্বম্ চনুন লয়নিঙ্ । লাইকোক্ সুন য়ারা । লওরেম্বম্ চনুন খোমতাঙ্তা । লওরেম্বম্ চনুন খুন্চিরা । য়াইখোম চনুন তোনাব । লাইসরম্ চনুন সেংৱাই লাল্থব । ৱাংখৈরাক্পম্ চনুন থোঙা । নান্বম্ চনুন তওতোংৱাক্ পোক্য়ে । মান লংমাই চনু পান্নদুন লয়রাই নিংথৌ, মনাও খাব হোয়তোল্ কোক্প, অতোন্ লওখাম্বগ অহুম্ম পোক্য়ে । লয়রাই নিংথৌদি সোইনাইদে ।

হোয়তোল্ কোক্পগি ঈদি নোংচেংপম্নে । খাব নুঙ্ঙান্বন লংমাই নিংথৌ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খুরাইজম্নে ।

ঙান্বরোল্

ঙান্বরোল্ সলাই য়ুম্চংবদি - পুরোয় লেম্নুসুন খর্মাচিংকোন্ হাইহৈব । চিঙ্সোং নিংথৌব চনুন পাল্ব । মঙাং নিংথৌ চনুন হল্ফাব । মপাও নিংথৌ চনুন চাহল্ব ফাব । মঙাং নিংথৌচ নুন লাল্তেংহন্ব । মঙাং নিংথৌচ নুন কক্ৱাই হন্ব । মঙাং নিংথৌ চনুন খুক্নু কোয় । মঙাং নিংথৌ চনুন তাংখোইলাই । মঙাং নিংথৌ চনুন নাৱাই হৈব । মঙাং নিংথৌ চনুন কোংহৈ ব । মঙাং নিংথৌ চনুন তেতা সুরোই । মঙাং নিংথৌ চনুন খুরোয়ৱাং । লুৱাং নিংথৌ পুন্সিব চনুন কাউৱা । কচেং ৱাহে মাঙ্ব চনুন ঙান্ব ৱায়েংব । মঙাং নিংথৌ চনুন ঙান্ব সিরাই কংচা । লোক্লাও

খামেন্লোক্পম্ চনুন হাউব । হাউবন লংমাই চনু অনী পান্নদুন কোন্নগি মনাওন তেকচা অহন্ব, থোংঙাই য়িম্থংব, খোংচা য়ায়মব, ব্রাংব অতোন্ব মরিম পোক্য়ে ।

হান্নগি হন্জবীন কোন্ন তোনাব পোক্য়ে । তেকচা অহন্বগি ঈদি ময়হৌবম্নে, ফিজম্নে, তেকচম্নে, মাইবম্নে ।

থোংঙাই য়িম্থংবগি ঈদি থোঙ্বম্নে, অহয়বম্নে, হাউবজম্নে, য়েন্থাক্পম্নে ।

খোংচা য়ায়মবগি ঈদি থিন্বম্নে ।

ব্রাংব অতোন্বগি ঈদি লাংগোন্জম্, ব্রাংজম্, সনজিরম্ কাবরম্বম্নে ।

অহমগুবা শরুক

সলাই যুম্‌দাব

(যুম্‌দাবগি সরুক্ অসিদি চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজগি মতম্‌দ ইব "হাথরোল্‌দগি" লওখৎচবনি ।) মদুগি ৱারোল্ খর

"শ্রী শ্রী রাম্ চন্দ্রনা থাৱাই ওইরিবা শ্রীমৎ মুনিপর পুরন্দর শ্রী পঞ্চ মুক্ত গরিবনিৱাজা মপুথৌ ইপুংঙো মহারাজনা লিংখৎলম্ব বংসাবলি অদুগী শ্রীমৎদ্রাধ গোবিন্দনা থাৱাই ওইনপা শ্রী পঞ্চ যুক্ত চিঙ্‌থংখোম্‌পা মহারাজনা অমরক্ হন্না পাল্‌হল্লম্লাপা আদুকী মতুংতা মল্লেসনা উযার ওইহল্লম্লাপা লৈপাক্ আসিপু শ্রী শ্রী পঞ্চ যুক্ত শ্রী মাপা ইপুংঙো গমভিরসিংহ্ চিঙ্‌লেল্ নোংত্রেল্ খোম্‌পা মহারাজনা অমরক্ স্না লৈপাক্ সেম্‌হৌবাপাতা মৈতৈ মায়াং হাও নাই আদু খৈপিক্‌কী মারম্‌মা থাইন । ইতাবাপাতা অমসুঙ্ পিবা নাওতা মচোই মচোইনা খঙ্‌নাতারাপা মাবম্ অদুতাকী অমরক্ হন্না পাল্‌হল্লাকে হাইনা স্না পুর্কনিঙ্‌তা কান্‌চিপুরতা সোক ১৭৫৫ ইঙা থা তরা পাল্‌পকী সকোল্‌সেল্ নুমিৎতা ইপা হৌরম্‌পা বংসাবলি অদুপু করিকুম্‌পা লাইকি নোংতম্‌না লৈরম্‌তারাপা মরম্ আদুকী শ্রীমতী মুনিপুরেসরী পুঙ্‌রেল্ খোম্‌পী মমা জিজাকা শ্রীযুৎ মচা ইপুংঙো চন্দ্রকৃর্ত্তিসিংহ্ মহারাজকা তান্নাতনা খোরি খুন্ চাওপানা চৈথাপা কুম্‌তা সোকাপদ সোক্ ১৭৭৭ চন্দাপ্‌দ সোক্ ১০৬৭ কালেল্ থা নিনি পাল্‌পা ইরাই নুমিৎতা থৱাল্‌মিচাক্ ঝহিনীনা পাল্‌পাতা ইহৌপা লাইরিক্‌নে ।"

নিংথৌচা সলাই য়ুম্চংবদি - য়াওরয়র চনুন নাওফংব পোক্য়ে। মৈদিংঙু নাওফংবন কাইরয়মগ য়াওরয়র চনুগ অনীম পান্নদুন য়াওরয়ব চনুন থমংলাং অহন্ব পোক্য়ে। কাইরয়মন সামৈরাং পোক্য়ে। নিংথৌ ব্রোইয়ে। থমংলাংন য়াওরয়ব চনু পান্নদুন চিঙ্মৈসু কোরেম্বগ সরিক্প লৈখম্বগ অনীম পোক্য়ে। চিঙ্মৈসু কোয়রেম্বন খোঙ্নাম্বগ নোংয়িল্বগ অনীম পোক্য়ে। খোঙ্নাম্বগি ঈদি য়েন্খোম্ নম্বুন্ তাব দুম্ব্রসিং ময়ুম্নে । য়েন্খোম পান্ন খাঙ্ব সগোল্বন্ তাব নন্দ ময়ুমনে। য়েনখোম্ কোল্সাব য়াইরিপোক্ তাবা বলরাম্ ময়ুম্নে। য়েন্খোম্ কক্চিঙ হেরাসিং পুথিরাজ ময়ুমনে। য়েনখোম্ খোমদ্রাম তিন্নবা থৌবাল্ লৈশাংথেম তাবা তুল্সিং ময়ুমনে । য়েন্খোম্ থাঙ্গঙ্ সাব লম্ফেল্ মপান্ তাব শামু ময়ুমনে । য়েনখোম্ পোৎশংবা থাংমৈবন তাব শাজৌ ময়ুম্নে । য়েনখোম্ তেংখল্ কক্ব্রা তাবা পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং তম্ব্রসিংনে । য়েন্খোম্ খুয়াথোং তাবা অরদসিং ময়ুমনে । য়েনখোম্ হিদাক্ শংব মোইদাংপোক্ তাবা লগনাথ ময়ুমনে । য়েনখোম্ নম্বুল তাবা বিরসিং ময়ুমনে ।

মনাও নোংয়িন্ ফাবগী ঈদি য়েন্খোম্ কৈথেল্ লাকপম্ ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা চিঙবা ময়ুমনে। কৈথেল্লাক্পম্ ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা ধর্ম্মাশিং ময়ুম্নে। কৈথেল্লাকপম্ ফোইজিং তাবা কেশরসিং ময়ুমনে । ফিশাবা খুরাই তাবা তোল্ ময়ুমনে ।

সরিকপ লৈখম্বগি ঈদি । খোইরোম্ কংতোংপি তাবা তুলসিং ময়ুম্নে। চাখবা সঙব খম্লাংবা তাবা রবনসিং ময়ুমনে। নাহাকপম্ থম্বাল্ লৈমানাই তাবা কুকিলা মাইব খনবা ময়ুমনে । থাংগ খোরোম্ পামচৌনে ।

মৈদিংঙু শামৈরাংনা লাইরৈমা পান্নদুন উরা কোন্ থৌবগ পুংমাইগ ২মা পোকএ। উরা কোন্ থৌবনা নিংথৌ ওইএ। পুঙমাইগী ঈদি মোইরাং মাইরেলপম্ উরিবা ময়ুম্নে । মোইরাং মাইরেলপম্ কৃষ্ণনন্দ ময়ুম্নে । মোইরাং ফেললেম্ লবংগ ময়ুম্নে। মোইরাং ফিলেম্ থোইবা ঙাংলৌরাকপা ময়ুম্নে। মৈদিংঙু উরা কোনথৌবানা খাবারোন্ নোংচেংশু নে। নোংপাল্

হোয়ামবিনে ২মা পান্নদুন খাবারোল্না নাওহনগ য়োইচারোলকা নাওথিংখোংগা নিংথৌরাংঙাগা ৪ম পোক্এ। নোংবাল হোইয়ামবিনা ফৌরা য়াঙলাইকোক্ পোকএ। নাওথিংখোংনা নিংথৌ ওইএ। নাওহন্না খুন্তোং নাওশং চনু পান্দ্দুনা অথিঙহৈরোঙপাকা নিঙথোলবগা ২মা পোকএ। অথিঙ হৈরোঙবগী ঈদি হুইরোম্ লাইরেমমা মপাম্ খুরাই তাবা পাংঙলতোল্ ময়ুমনে। শঙলেন্ ময়ুমনে। খোক্নামনে। নাওকল শঙপম্নে। ৩মা অসিদি লাকতরে। নিঙথোলপনা মোইরাং চনু তাইখুরেমবী পান্নদুনা মহাক্কী ঈদি তাইমচম্ মোইরাংখোম্ চনু তাইখুরেমবী পান্নদুনা মহাক্কী ঈদি তাইমচম্ মোইরাংখোম্ তাবা পুর্ণচন্দ্র ময়ুমনে। নাওরেম্ চাপরৌ তাবা পল্শা ময়ুমনে। হুইরোংবম্কা তিন্নবা নাওরেম চিঙামখা তাবা ফুকিন্দ্র ময়ুমনে। তাইবচম্কী কহাইগি ঈদি পিবাদি আৱাদা লৈএ। মথং জগদানা য়ুম ঙাকলিএ। অরোং তাবা তাইমচম্ গোবিন্দ ময়ুমনে। তাইমচম্ নাওরেম বিরসিং ময়ুম্নে। তেনথা তাবা তাইমচম্ সৎত্রেস ময়ুমনে। কক্চিং তাইমচম নাওরেম সনাতোল্ময়ুমনে। ফৌরায়াঙ লাই কোকশুনা অঙোম্ চনু পান্নদুনা মহাক্কী ঈদি লৌরেমবম্ আৱা লৈমা মপাম ৱাংখৈ লৈকা তাবা দুলহোপসিং ময়ুমনে। লৌরেমবম্ খোংমন তাবা রুপা ময়ুমনে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা লৌরেমবম্ ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। খাইবা লৌরেমবম নিতাইসিংনে। খাইবা লৌরেমবম্ য়িমমোসিংনে। চীঙুপাল লৈম মনাই ফুৱা তাবা লৌরেমবম্ তোলবা ময়ুমনে। লমশাং তাবা লৌরেমবম্ শারাবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু নাওথিংখোংনা পিতাঙঙানে। কৈরু হাঙবিনে। নামুলচাওবিনে। খমশুরোন্নে। নিংথৌ কুরাওবা চনু লৈমা লাইখোঙতেন্পিনে। খোইরু লাংমৈ চনুনে। ইরেম কোনফাবিনে। মরিকখোমবিনে। শাঙ্খুবি লমতুলৌহোঙপিনে। ৯মা পান্নদুন পিতাঙঙানে। নামুলচাওবিনে। ইরেম কোল ফাবিনে। ৩মা সিদি শোইনাদে। খমশুরোলনা খোংতেকচাগা। পুংফাই লালথাবগা ২মা পোকএ। কোইরুহাঙবিনা। মেলোংহনগা। মেলোংখুগ ২মা পোকএ। খোরু লাংমৈ চনুনা থিঙকোল য়ুমকুমব পোকএ। নিংথৌ কুরাওবা চনুনা মাকাঙমবা পোকএ। নোংবাললোল্ সোংখুবীন থিংলাংসাংকন চামবা পোকএ। সারি

মোমবীন নারেল খোম্ব পোকএ । খোংতোকচানা নিংথৌ ওইএ । পুংফাই লালহনবগি ঈদি ইপুসংবম্ খুরাই তাবা পার্থ ময়ুমনে । খুরাই তাবা লৈয়ুশুংবম্ গিরিধারি ১ নে । মেললোঙহন্না অঙোম্ চনু পান্নদুনা মাগি ঈদি খুমল্লম্বম্ মাক্তিং তাবা রূপ ময়ুমনে । কৈরৌ চীঙ-তোঙ তাবা খুমল্লম্বম্ পুর্ণসিং ময়ুমনে । খ্বাই লৈকাই তাবা খ্বাইসনাম লেমবা ময়ুমনে । সিখোং খ্বাইসনাম্ কুন্দস্যাম্ ময়ুমনে । সগোলবন তাবা খোঙমরি সিনাইবা শামু ময়ুমনে । সগোলবন্ তাবা সুখদাম্ পিবাদি ময়াংদা লৈএ । মথং চৈতন্য গোপালনা য়ুম ঙাকলিএ । মৈলোংখুনা চাওবা লুৱাংসুগি মচা পান্নদুনা মাগি ঈদি নমোইচম্ তমপাক্য়ুম পাসোই তাবা চক্রপনি ময়ুমনে ।

শগোলবন তাবা নামোইজম্ রদমনি ময়ুমনে । ৱাকচিং তাবা বৈনিন্দ্রাম্ ময়ুমনে । নমবুল তাবা ময়াংলমবমগি পিবাদি অৱাদা লৈএ । মনাও তুলাসিংনা য়ুম ঙাকলিএ । লল্লামবুং তাবা ময়াংলমবম্ জিবনসিং ময়ুমনে। লমজাও তাংবা তাবা নাওরোইবম্ চৈতৈনন্দ ময়ুমনে । নাওরোইবম্ শকথিগী ঈদি পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মাধবসিংনা য়ুম্ ঙাকলিএ । অরোং ময়াংলমবম্ নিংথৌবা ময়ুমনে । খাইখিবা ময়াংলমবম্ নিলমনিনে । চংনিং সেলবম্ ঙাঙলোমকা তৌপোকপি অঙৌবা চনু প্রমানন্দসিং ময়ুম্নে । থিঙকোল য়ুম্কুমবনা অঙৌবা চনু পান্ন্দুনা মাগি ঈদি শগোলবন তাবা ঙারিয়ানবম্গী পিবাদি তখেলদা লৈয়ে । মথং ফৈরাবানা য়ুম ঙাকলিয়ে । নমবুল তাবা লোইতাম্ দুর্গসিং ময়ুমনে । ফিশাবা অৱাং খুনৌ তাবা লোইতাম্ মোদনসিং ময়ুমনে । নিংথৌ মকা ঙমবনা অঙৌবা চনু পানন্দুনা মাগী ঈদি খমলাংবা সঙবম্ তোম্ম্ব্রসিং ময়ুমনে । হাওবম মরক তাবা ইরোমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং কৃত্তিবাসিনা য়ুম ঙাকলিয়ে । থিঙ্নাং সলকোনচাম্বন অশাংবম চনু পান্ন্দুনা মাগী ঈদি খুরাই তাবা সিনাইবা থিঙ্নাম দেবানন্দ ময়ুমনে । তমপাকয়ুম্ থিঙনাম্ পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং পাঙলতোলনা য়ুম ঙাকলিয়ে । ককচিং খুনৌ থিঙনাম্ জয় ময়ুমনে। নারিন খোমবনা লংমাইথেম চনু পানন্দুনা মাগি ঈদি থাংগা অখোম্ সেবরাম ময়ুমনে । মৈদিংঙু খোংতেকচানা পুকোইরেল চনু পানন্দুনা কৈরেল্চা পোকএ নিংথৌ ওইয়ে।

মৈদিংঙু কৈরেলচানা লোইজবা চনু পানন্দুনা য়ারাবা পোকএ। নিংথৌ ওইয়ে। মৈদিংঙু য়ারাবানা লমবাশু পানন্দুনা অয়াংবগা হাওবা কোকপগা ২মা পোকএ । অয়াংবনা নিংথৌ ওইয়ে । হাওবা কোক্কী ঈদি থাঙব্রাইবল তাবা খুনদ্রাকপম জয় ময়ুমনে । খোয়াগেং তাবা খুনদ্রাকপম নরাসিংহ ময়ুমনে । খুরাই তাবা খুনদ্রাকপম দয়ানিধি ময়ুমনে । ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা খুনদ্রাকপম সুওদ্রসিং ময়ুমনে । থাঙগা খুন্দ্রাকপম শাজৌ ময়ুমনে । ফোইজিং তাবা খুনদ্রাকপম পোংশংবা খেলানন্দ ময়ুমনে । হাওখা তাবা তমপাকয়ুম খুনদ্রাকপম দুম্ব্রসি সিংনে ময়াং অনৌবা শল্লুংফম্ তাবা খুন্দ্রাকপম্ বিষ্ণুবাম্নে, নাগামপাল তাবা খুনদ্রাকপম হেরাচন্দ্রসিংনে চিঙঙা মখা তাবা কাংঙবম্ ঙৌব ময়ুমনে । নমবুল্ তাবা কাংঙবম্ ধর্ম্মসিং ময়ুমনে । খ্বাইরমপল তাবা হিয়ামবনে । নাহাকপমগা তিন্নবা হাওখোম্ লমশাং তাবাগী পিবাদি ঔব্রাদা লৈয়ে । মথং জলসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে । অরোঙ হাওখোম্ থারন ময়ুমনে । খাইবা হাওখোম্ সংদ্রসিংনে । খ্বাই লৈকাই তাবা শানৌজম্ চিঙবা ময়ুমনে । খাইবা খুরাই তাবা শানৌজম তুলাসিং ময়ুমনে । থাঙমৈবন তাবা শানৌজমগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং দুর্লহবসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। শাগোলবন তাবা ব্রারেপম্ রসমোন ময়ুমনে । থাওরোইজম তাবা লৌরাংবমগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং শামপুর্ন্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে । মৈদিংঙু অয়াংবনা লমবশু পানন্দুনা নিংথৌচেংগা খমতৌগা অনিম পোকএ । নিংথৌচেংনা নিংথৌ ওইয়ে । খমতৌনা অঙৌবা চনু পানন্দুনা মাগি ঈদি খুরাই তাবা শাইরেমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং গৌরচন্দ্রনা য়ুম ঙাকলিএ। পোংশংবা থৌবাল তাবা শাইরেমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং জলসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে । খুরাই তাবা শাইরেম নোরতোম্ ময়ুমনে । ব্রাইখোং শাইরেম চাওবা ময়ুমনে । পাংশোই তাবা অখোংবম ওমবা ময়ুমনে । মৈদিংঙু নিংথৌচেংনা লমবাশু পানন্দুনা চেংলৈ ইপাল্ লালথাবা পোকএ নিংথৌ ওইয়ে । মৈদিংঙু চেংলৈ ইপাল্ লালথাবনা লমবশু পানন্দুনা য়াংলৌ কৈফাবা পোকএ নিংথৌ ওইয়ে । মৈদিংঙু য়াংলৌ কৈফাবনা খোংলৈমা পানন্দুনা ইরেংবগা নাহুই পামবগা ২মা পোকএ । ইরেংবনা নিংথৌ ওইয়ে । নাহুই

পামবনা সোইবম চনু পানন্দুনা মাগি ঈদি কবো লৈকাই তাবা সোইয়াম নওলসিং ময়ুমনে। কব্রং নাইবা সোইয়াম কোংবা তাবা জমুনাৎ ময়ুমনে। য়াইশকুল তাবা শাইখোম্ সৌরসিং সেলুংপনে। নোংচুপনে। মৈদিংঙু ইরেংবনা হাওরৈম তমহৈবিনে হাওরৈমা পিদোননু নুফাবিনে ২মা পানন্দুনা হাওরৈম তমহৈবিনা লোইয়মবা পোকএ। পিদোননু নুফাবিনা খমলাং পমশাবা পোকএ। লোইয়মবনা নিংথৌ ওইয়ে। খমলাং পমশাবনা অঙৌবা য়াংলৌ থালবা চনু পানন্দুনা মাগি ঈদি মুতুম লৈমা পামবম্ তাংলৈ হাথা তাবা বাসাদ্রাম্ ময়ুমনে। খোংমন তাবা হুইরোংবমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং তুলসিনা য়ুম ঙাকলিয়ে। লাকুপোক তাবা হুইরোংবমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং মালতিনা য়ুম ঙাকলিয়ে। নমবুল তাবা মুতুমগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং জয়সিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। ব্রাইসেল তাবা মুতুমগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং ফৈরাবনা য়ুম ঙাকলিয়ে। খাইবা মতুম জয়সিংনে। ললহামবুং তাবা মতুম তুলসিচন্দ্রনে। থৌবাল তাবা মুতুম রামানন্দ ময়ুমনে। ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা নহাক্পমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং প্রেমমনিনা য়ুম ঙাকলিয়ে। নহাক্পম্ খুরাই তাবা দিকিন্দ্রসিং ময়ুমনে। খুরাই তাবা মুতুম জয়রাম ময়ুমনে। খোংমন তাবা মুতুম জগশিং ময়ুমনে। মাল্তুম (মোন্দুম) তাবা হিদাক শুংবা মতুম জয়শিং ময়ুমনে। লম্ফেলমবুঙ তাবা মুতুম্ ফৈরাবনে। খুরাই তাবা মুতুম অয়াংহন্‌বম্‌গি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং দমুদরশিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। থৌবাল তাবা মুতুম নিত্যানন্দ ময়ুমনে। পোৎশংবম তাবা মুতুম জয়শিং ময়ুমনে। চংঙাংগৈ তাবা খুনতোমগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে। মথংসু ময়াংদা লৈয়ে। মথং খেলানন্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে। লমাংদোং তাবা মুতুম পুর্ণসিং ময়ুমনে। চিঙঙা মথক তাবা মুতুম খেমাসিং ময়ুমনে। হাওরং তাবা মুতুম তোলেল্‌খোমবা ময়ুমনে। চন্দ্রখোং মুতুম খমলাং ময়ুমনে। হৈনৌখোংনেমবী তাবা চৈথাবা অরোইনে, সেকমাই চন্দ্রখোং চন্দ্রসিং খুললাকপনে, কৈরাও তাবা হৈরাংখোংচম্ খোলসিং ময়ুমনে। নমবুল্ তাবা হৈরাংখোংচম্ রমাকান্দ ময়ুমনে। ককচিং হৈরাংখোংচম্ বলরামনে, হৈশানাম্ লাইরেম্মা মপাম্ অভি ময়ুমনে।

হৈসনাম কুমুদা ময়ুমনে । থাংগা হৈসনাম চাওবা ময়ুমনে । কোকচাই তাবা হৈসনাম চন্দ্রসিং ময়ুমনে । লমবালতাবম মিয়াংপম্ হরসিং ময়ুমনে । লমবাল তাবম্ মিয়াংপম্‌গি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং পরসুরাম্‌না যুম ঙাকলিয়ে। সোললাই তাবা মিয়াংপম্ কুকিলা ময়ুমনে । ব্রাইখোং মিয়াংপম্ ভদ্রসিং ময়ুমনে । হকব্রালথেম লাইঙম তাবা পদ্মসিং ময়ুমনে । নমবুল তাবা হকব্রালথেম্ দেবসিং ময়ুমনে । মোইরাং হকব্রালথেম্ বৃন্দানে । লেংলেল্ হকব্রালথেম্ শাশিংনে । ফৌকাকচাও ইরেংবম পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং জসুদানা য়ুম্ ঙাকলিয়ে । খাইবা ফৌকাকচাও ইরেংবম্ বিতরিনে । ইরোম চিঙামখা তাবাগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং ভুবোননা য়ুম ঙাকলিয়ে। চিঙা মখা তাবা ইরোম্ চোংখালপম্ ধর্ম্মসিং ময়ুমনে । ইরোম্ কবোমবগি ঈগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং রমাকান্তনা য়ুম ঙাকলিয়ে । খুরাই তাবা ইরোম ফেদসিং ময়ুমনে । হাওবম মরক তাবা ইরোম জয়সিং ময়ুমনে। খাইবা শজেপতাবা ইরোম ইন্দ্রমনি ময়ুমনে । লিব্রা ইরোম খুৎলেমবা পুহনচাবা ময়ুমনে । পোৎশংবম্ নাচৌ তাবা ইরোম ধনসিং ময়ুমনে ।

মৈদিংঙু লোইয়মবনা সুমলৈম পানন্দুনা লোইতোংবগা ফিসুখোংগা ২মা পোকএ । লোইতোংবনা নিংথৌ ওইয়ে । ফিসুখোংনা অঙৌবা চনু পানন্দুনা মাগি ঈদি হিদাকশুংবা সলতুম তাবা লৈচোলবম্ খমবতোন ময়ুমনে। খোয়াথোং তাবা লৈচোলবম্ কেসরসিং ময়ুমনে । অব্রাং খুনৌ তাবা লৈচোলবমগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং গুনসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। হাওরং কৈরেলশংবম তাবা লৈচোলবম কোকিলানন্দ ময়ুমনে । নমবুল তাবা কোনশাবা কৈসামগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথংসু ময়াংদ লৈয়ে । মথং ঙৌবনা য়ুম ঙাকলিয়ে । নমবুল তাবা কৈশাম তুল্‌সিমনি ময়ুমনে । চিঙঙা মখা তাবা কৈসাম্‌গী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং তসুপানন্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে । য়াইরিপোক তাবা কৈশাম ইরুপপমগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং দয়ানিধিনা য়ুম ঙাকলিয়ে । অপাল পিবাদি রদনানন্দনে । লেংলেল্ কৈশাম পুর্ণ্ডানে । কৈনৌ তাবা ইরেংবম্ জগদানন্দ ময়ুমনে । লমলোংগৈ তাবা ইরেংবম পুর্ণ্ডধজ ময়ুমনে । সাংথোকপম থৌবাল তাবা কৃত্তিবাসি

ময়ুমনে। তমপাক য়ুম কামোঙ তাবা চরোইবম লুখুনাৎ ময়ুমনে। মৈদিংঙু লৈতোংবনা সঙলৈমা পানন্দুনা অতোম য়োইরেলবগা ইব্রাল থাবগা সরাবাগা ৩মা পোকএ। অতোম য়োইরেলবনা নিংথেম ওইয়ে। মৈদিংঙু অতোম য়োইরেলবনা খায়োইরোল্ লিকলাং খোম্হলবি পানন্দুনা তৌরেলখুবগা তৌরেল হনবগা ২মা পোকয়ে। তৌরেল খুবদি সোনাইদে তৌরেল হনবনা খুমনথেম্ চনু পানন্দুনা অতোম্ নহাসংগাই পামবা পোকএ। মহাক্কী ঈদি ব্রাইশেল মপাল তাবা অতোমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং নরসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। পুপালব্রা তাবা অতোম গোবিন্দ ময়ুমনে। হেমতৌ ইব্রালথাবসু নিংথৌ ওইয়ে। সারাবনা পুঙকারাইচম চনু পানন্দুনা য়োইথংমাইগা সেরাগা চানাগা কোবগা পাঙলগা ৫মা পোকএ।য়োইথং মাইগি ঈদি অতোম নাই অংথা তাবা লোইতোংবম্ মদনানন্দ ময়ুমনে। সেরাগি ঈদি নমবুল তাবা লোইতোংবম্ সিঙসম্বা ময়ুমনে। চানাগি ঈদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা লোইতোংবম্ ঙাখারুংপম্ শুতা ময়ুমনে। অখাম তাবা লৈতোংবমগি পিবাদি ময়াংদ লৈয়ে। মথং পলানন্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে। কোবগি ঈদি ব্রাঙঙু লোইতোংবম্ তাংশোইরেমবা ময়ুমনে। পাঙলগি ঈদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা লোইতোংবম ধজ ময়ুমনে। নাচৌ তাবা হিদাক্ ফালবানে লোইতোংবম লোকপা ময়ুমনে। খাইবা নাহারূপ তাবা তোলচৌ ময়ুমনে। মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবনা লিন্শুরোন্ খরোইঙমবিনে অঙোম চনু হেমখু ঙমবিনে ২মা পানন্দুনা খরোইঙমবীনা খুরোমব থব্রাল থাবাগা নিংথৌ পোংনাও তাপাগা মেলসনা মুংয়াংচাওবগা ৪ মা পোকএ। হেমখুঙমবিনা চকলাই হোংখু ঙমবা পোকএ। থব্রাল থাবনা নিংথৌ ওইয়ে। চকলাই হোংখু ঙমবগি ঈদি খ্বাই তাবা পাওনম্ কৃত্তিসিং ময়ুমনে। য়াইরুপোক তাবা পাওনম পণ্ডিৎ ময়ুম। অনৌবা ময়ুমনে। হাওখা তাবা পাওনম্ বলসিং ময়ুমনে। কোকচাই তাবা য়েলব্রাম্গি পিবাদি অব্রাদা লৈএ। মথং লাল্লুসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে। তমপাক য়ুম খুরাই তাবা য়েলব্রাম তুলসিং ময়ুমনে। চিঙ্ঙা মখা তাবা ইরুংবম গুনসিং ময়ুমনে। কোনথা তাবা লুক্রামগি পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে মথং পাললান্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে। ললহামবুং তাবা লুক্রামগি পিবদি

অৱাদা লৈয়ে। মথং মেঘচন্দ্রনা য়ুম ঙাকলিএ । খাইবা খুরাই তাবা লুক্রাম বলদেব ময়ুমনে পোৎশংবা লুক্রাম ফৈগসাম ময়ুমনে । তম্পাক য়ুম লাংপোক তাবা লুক্রাম উমানন্দ ময়ুমনে। খাইবা তাক্না তাবা লুক্রাম্ মাইতোংঙমবনে। নমবুল তাবা লুক্রাম ধনি ময়ুমনে । শিংজমৈ তাবা সোরেলসঙবম্গি পিবাদি অৱাদা লৈএ । মথং প্রেমসিংনা য়ুম ঙাকলিয়ে । ইরিনবুং তাবা লৈমানাম পালসিং ময়ুমনে । খুরাই তাবা ফিসাবা নোংথোলবম জয়সিং ময়ুমনে । অঙোম লৱাই তাবা ফিসাবা নোংথোনবম্ ঙৌবা ময়ুমনে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা নোংথোনবম দুমব্রসিং ময়ুমনে । অঙোম লৱাই তাবা ফিসাবা নোংথোনবম তামস্রসিং ময়ুমনে । কোংবা তাবা নোংথোনবম বলরাম ময়ুমনে । য়াইহিরিপোক তাবা নোংথোলবম হিরোম নেপ্রাম্ ময়ুমনে । খাইবা হিরোম্ মোদনন্দনে ।

মৈদিংঙু থৱাল থাবনা তৌকাইঙমবি পানন্দুনা চিংথাং লানথাবগা চিঙমৈমুগ ২ মা পোকএ । চিংথাং লালথাবনা নিংথৌ ওইয়ে । চিঙমৈমুগি ঈদি ফমতোমগি পিবাদি অৱাদা লৈয়ে। মথং বিষ্ণু বোলনা য়ুম ঙাকলিয়ে । থাওরোইজম্ তাবা ফমতোম্ পলসা ময়ুমনে মোইরাং ফমতোম্ তেঙখল্ ধর্ম্মসর ময়ুমনে । মোইরাং হেমনাম্ গুনজমাল্ল খুয়োল লাকপনে । খাইবা খাগেমপল্লি তাবা হেমনাম জগসিংনে। খাইবা অহোংবম্ সঙগোই তাবনে। চংঙাংগৈ ফমতোম্ সগোলবন তাবা দেবানন্দ ময়ুমনে । তেংখল লমলাংদোং তাবা ফমতোমগি পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং সুবোলনা য়ুম ঙাকলিয়ে । তমপাক য়ুম চিরোম গোপিরাম ময়ুমনে । খোইরোম্ তাবা চিরোম গংগা রাম শংখুবা সংলাকপা ময়ুমনে । চিঙ্ঙা মথক তাবা চিরোম্ ফৈচাও ময়ুমনে । ৱাহৈখোং লৈমানাই চিরোম বালাসিংনে । থাংমৈবন্ তাবা চিরোম ধর্ম্মসিং ময়ুমনে । নাগা মপাল তাবা খোইতোঙপম রূপচন্দ্রা ময়ুমনে । পাৎসোই তাবা সাৎথোকপমগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং ইরাবন্তনা য়ুম ঙাকলিয়ে ।

মৈচিংঙু চিংথাং লালথাবনা নিংথৌ পোকপি পানন্দুনা পুরান্থাবাগা খুমোমবগা ২মা পোকএ । অনিমক নিংথৌ ওইয়ে । মৈদিংঙু

মোইরাং ফাইরেলবম্ চন্দ্রশ্যাম্ লাংলেলহনবা। ফাইরেনবম্ নন্দ লাকতরে। মোইরাং ফাইরেম্বম জুসুবানন্দ লাংমৈহনবাগা চাল্তম্ নুঙঙা লাকতরে। চানদম খৌথোল হাওবা ২মা লাকতরে। লাইকাবি তাবা চানদমগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং নরসিংনে। তোনশারমপা লাকতরে। পাংখাইজম লুন্নাংসঙবম তাবা জুবাসিংনে। পৌরাবি তাবা চানদম উখোমসিংনে। তৌরেম খুরাই তাবা বলরাম অসৈবা হনবনে। হাওরম তোন্না ঙানুরোল পান্নদুনা অথিঙ মোঙবিসুগা মেলপোমবগা থোঙপু সানমপগা লিকলাই থৌব্রাগা ৪মা পোকএ। মেলপোমবনা নিংথৌ ওইয়ে। অথিঙমোঙসুগী ঈদি মোঙবিজম লমলাই লাকতরে। মোঙবিজম্ খুরাই তাবা কৃত্তিনে। খুরাই তাবা মোঙবিজম্ গোর্বন্দনে। খুরাই তাবা মোঙবিজম্ পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং জয়না য়ুম ঙাকলিয়ে। মোঙবিজম খুলিং। সুগনু মোঙবিজম ময়াং অনিমা লাকত্রে। নাপেৎনা মোঙবিয়াবগী ইনি হায়বা হেরন্যসিংনে। থংগরনে। থোংবু সনমবগী ঈদি লাংতেলবম ভবানন্দনে। কেক্রপাল তাবা ঙাঙবমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং খনৌবনে। ঙাঙবম অহল চান্দদি নোললে। ঙাংবম দামুদর লাকতরে। হাওওইবম্ খুরাই তাবা যোগিন্দসিং। মোইরাংখোম তাবা হাওইবম্ লিলাসিংনে। খুরাই তাবা পললুজম বলরামনে। লিকলাই থৌব্রাগী ঈদি কোনোক থিঙেল তাবা হব্রাইবম্ পিবাদি মোকতা লৈয়ে। মথং ভুবোলনে। কোনোক থিঙেল তাবা হাব্রাইবম লুদ্রসিংনে। অকাঙজম সেকমুগী মচাদি ময়াংদা লৈয়ে। খোমিদোক তাবা অকাঙজম্ রতোলসিংনে। সগোলবন তাবা অকাঙজম্ ধর্ম্মসিংনে। ফৌবাকচাও অকাঙজম্ লাল্লসিংনে। লাল্লসিংদগি খাইবা স্যামসিংনে। তাখেল লম্লাই তাবা অকাঙজম্ রতোলসিং। য়োইরেল সদা লাকতরে। মেলপোমবনা ঙানুরোল খাইথিবা চনু পান্নদুনা থোঙলৈরোম পোকএ। থোঙলৈরোমবনা ঙানুরোল খাইবা চনু পান্নদুনা চিঙখোং থোংগ্রাইবগা অথিঙবগা ২মা পোকএ। চিঙখোং থোংগ্রাইবনা নিংথৌ ওইয়ে। অথিঙবগী ঈদি তাংলৈ হা থা তাবা ওইনাম বলদেবনে। মাইমোম্ মুব্রা লাকরে। সওমবুঙ তাবা ওইনামগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং ঙৌবাতোননে। কৈনৌ তাবা ওইনাম্

লাকতরে । হাওচোঙ ওইনাম্ খেত্রিসিংনে । তাংলৈ হাথা তাবা ওইনাম নয়ানন্দনে। তোনজমদা লৈবা ওইনাম্ নমবুল তাবা রমানে। হাওখৈ ওইনাম্ খোঙঙম্ লাকতরে । উনম তাবা ওইনাম পোৎশঙবা কৈফানে । ফৈদা হনজবদগী খাইবা ওইনাম কোঙবা লাকতরে । মাইমোম্ তমপাকয়ুম চন্দ্রসেখরনে । থাঙগা মাইমোম চনিংখোমবনে । ওইনাম য়েলতু সঙবম্ ৱাখা তাবা ইরাবন্দ । ওইনাম অৱাং তাবগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং গবিন্দনে । সিখোং ওইনাম্ নরসিংনে । পুংয়ৈবা উধব । ৪মা অসিদি নোংচুপনে । চিঙখোং থোংগ্রাইবনা চিঙয়াই ঙালনু চনু পান্নদুনা পরান্খুনৌসিবগা নিংতৌ সিৱারোককা থোংহনগা থোংয়াইগা লাইবগা ৫মা পোকএ। পুরান খুনৌসিবদি সোইনাইদে । থোংহলগী ঈদি খারমলাল তবা খমনাম পুক্রিনে । লাইরেল শজিক তাবা খমনাম গৌরাং লাকতরে । অহোঙশাংবম্ চিঙঙামখা তাবা জগদানে । খৱাই তাবা অহোংঙশাংবম মনিকখোমবনে । চবুংবম খুলিং ১ হাওটৈ ২মা লাকতরে । লৈশাংখোং চবুংবম সগোলবন তাবগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং হেমসিংনে । সগোলবন তাবা চবুংবম্ বলদেব । চঙাংগৈদগী লালসোনবি তাবা চবুংবম লাল্লসিং । হেমসিংদা পকপা চন্দ্রসিং ওইনামথিঙেল তাবা হিদাক ফানবা থোঙগ্রাম অমুনে । অঙোম নাই থোংগ্রাম্ কৃত্তিসিংনে অহোঙবম্ মুকিন্দ্রাম লাকতরে । অরাইয়ুম ঙাকপা পিবা লাকতরে । অহোংবম্ রদমনিনে । খারমলাল তাবা হৈক্রেজমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং জয়রামনে । কাঙামুং তাবা হৈক্রেজমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং গৌরনে । তমপাকয়ুম কাংকামুং তাবা হৈক্রেজম র্সবাসিংনে । সর্ববসিংদগী খাইবা পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং রসিকানে । থোংয়াইগী ঈদি সিনাম চুরামনি লাকতরে । হিদাকফানবা সিনাম রুদ্রসিংনে । কক্ৱা তাবা থোঙবম লালসিংনে । তাংখম তাবা থোংবম্ সামুনে । থোঙবম তমানে । পাংঙল, খোময়াল থোঙবম, লুকোক ৪মা লাকতরে । য়াইসকুল তাবা থোঙবম জিবানন্দনে । সিনাম নমবুল তাবা ফলসিং । কারাম নমবুল তাবা বিতরিনে । সিঙজামৈ তাবা য়াংনুয়ৈবম্ ভৈগ্যাসিং । থাংকঙসাবা হংনেম্ গংগারম লাকতরে । ফুবা

তাবা হংনেম গোপিনাথ । সুগনু অমেৎপা হংনেম্ গংগারাম মোংসাংগৈ হংনেম স্যামরাম ২মা লাকতরে । কারাম পালোই লাকতরে । অতোম মুংয়াং হাওরঙ কারাম্ লুকোক, লমথোক, কারাম কোইরেং ৪মা লাকতরে। নমবুল তাবা কারাম প্রেমসিং । খাইবা লমফেল তাবা কারাম জয়সিং। কবোব্রাকচিঙ তাবা কারাম্ চন্দ্রবদন । লাইবগী ঈদি নোংমৈবুং তাবা লাইশ্রাম জয়সিংনে । য়াইশকুল তাবা থৌদেম লাখাঙবা লিলানন্দনে । নিংথৌ সিয়ারোঙনা ব্রাঙম্লোন খোংঙাইথোংগা খুনজাল লাইরুকোই সোইয়ামবিগা ২মা পান্নদুনা খুনজাল লাইরুকোই সোইয়ামবিনা সোইপাই অহনবা সোইপাই তাইবঙজমবা কাইবি খুরামপাম্বা লিকমল লানথবা থোঙ্জু অতোনবা ৫মা পোকএ । সোইপাই অহনবগি ঈদি কনমপুকচৌ লাইরেল সজিককলোম ঙকথি পান্নাখাঙ পাকনোম্ খোইমা মোংসাগৈ কানোম অকোক্ ৪মা লাকতরে । তাকয়েল মপাল তাবা কনোম অচুদানন্দ । সিকোং কনোম কোকপা লাকতরে । মোইরাংখোম তাবা সৌগাইজম পাংঙল । ককচিং সৌগাইজম রূপা কনোম্ খেলেমবা লাকতরে । সোইপাই তাইবংজামবগী ঈদি অসৈবা খুরাই তাবা গোবিন্দ । অহোংগৈ তাবা তাইবংজম্ শ্রিদাম । সগোলবন তাবা তাইবঙজম লাল্লসিং । মংশাংগৈ তাইবঙজম কোইবা লাকতরে । ফুবা তাবা তাইবঙজম হৈরোম্ লাইরেমা সঙবা কুকিলা অমেৎপা হঞ্জবানে । কাইবি খুরাম পামবগী ঈদি খোইয়াথোং তাবা হাওবিজম সুলও খোইয়াথোং তাবা হাওবিজম গোপলসিং । হাওবিজমদগী শগোলবন তাবা শাৎপম মানসিং । সনামহি মনাই কৈনৌ তাবা সাৎপম দেবসিং সগোনবন তাবা সাৎপম ধজ । ঙৌবা সললান তাবা সাৎপম রবসিং । হাওবিজম তখেল লাকতরে। খোমবিদোক তাবা হাওবিজম ভবানন্দ । পকপ অচেপ হোঙবা । হাওবিজম শকথি । পুকচৌ কাবারমবম য়োইবা ৩মা লাকতরে । ওইনাম থিঙেল তাবা কাবারমবম চৈতন্যসিং । থোঙজু অতোনবগী ঈদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা থোংবম্ পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং চন্দ্রসিংনে । ব্রাংঙমলোন্ থোংঙাইথোংনা চেকয়ামবা পোকএ । নিংথৌ ওইয়ে । চেকয়ামবনা ব্রাংঙমলোন পিয়াইথোং পান্নদুনা থিঙকোল লিকমাবাগা মনাও ১গা ২মা

পোকএ। মনাওগী ঈদি অসেম ঙাখাখোই ময়ুমগী সিংজমৈ তাবা দয়াল্লসিংনে। ঙখাখোই মারেম লাকতরে। থোংক্ল্রাম চরোল লাকতরে। থিঙকোন লিকমাবনা য়োইরুমলোন্ মুংবি লৈমা পান্নদুনা কোকপনে খমলাংবনে নিংথৌখোংনে য়াইথিংবনে ৪মা পোকএ। কোকপনা নিংথৌ ওইয়ে। লাই ওইখ্রে। খমলাংবনা চিঙতাইদা কাখিদুনা খায়িংবা পোকএ। চিঙতাই হাও ওইখ্রে। য়াইথিংবনা নিংথৌ ওইএ। নিংথৌখোংগী ঈদি সগোলবন তাবা পুখ্রমবগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং দামুনে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা পুখ্রমবম হরিনরালনে। মোইদাংপোক তাবা পুখ্রমবম লিলানন্দ। খাইবা লাইরেল সজিক তাবা পুখ্রমবম পোৎসঙবগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং লংবগনে। পুখ্রমবম অমুনে য়োইবনে ২মা লাকতরে। হিদাকশুংবাদা লৈরমবা মাইবম হেমসিংনে। খাইবা মাইবম কেসরসিংনে। মাইবম খেলানন্দনে । লোকপাচিঙ তাবানে। মাইবম বিনোৎ ফোইজিং তাবা পুখ্রমবম থংগ্র। মৈতান কৈশংবম শ্যামরাম লাকতরে। ললহামবুং তাবা মৈতান কৈশংবম কংলা পাশোই তাবা মৈতান কৈশংবম খমবা লাকতরে। নোংমৈবুং তাবা মৈতান কৈশংবা জগদনন্দ। খুরাই তাবা লিকমাবম গকুলসিংনে। থাংৱাইবল তাবা থিঙঙোমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং দুমব্রসিংনে। সিনাম খোরিসুম খোইমোম তাবা ইন্দ্রমনি। পক্‌পা লৌরেমবম তাবা চাওবনে। চকপা কৈরাও তাবা পুখ্রমবম দামু চিঙঙামখা তাবা চুংখাম চাওবা হিয়াংথাং তাবা চুঙখাম বলরামসিং। পুখ্রমবম উরাওবা নন্দ ২মা লাকতরে। খুরাই তাবা অয়াম থাবারোকপ। ফকনুং তাবা মইফুৱাম গৌর। গৌরদগী খাইবা মাইফুরাম নব। মইফুরম অতি লাকতরে। খেকমল তাবা অমাকচম্ তানচৌ। লমলোংমৈ তাবা পুখ্রমবম ললানন্দ। কাংকমুং তাবা চরোইবমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে। মথং মাধবরামনে । ময়াংলবম চন্দ লাকতরে। হাওরং তাবা ময়াংলবম খুলেমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে। মথং খুলিংনে। নোংচুপনে। চকপা কৈরোই তাবা ময়াংলমবম তরুনা। অখুরাম ললহামবা পুখ্রলবম গৌরমনি। পুখ্রবম হোংবা, পুখ্রল্ খোরি। চঙালগৈ পুখ্রলবম তেলবা। মরিং। মোইরাং তাবা পুখ্রলবম শ্যাম।

চঙালগে অকোং মখোই ৮ অসি লাকতরে। নমবুল তাবা পুখ্রলবম্ নিলমনি। ললহামবুং তাবা পুখ্রলবম অচুদা । নিংথৌখোংগী ইনে হায়বা নমবোল তাবা পুখ্রলবম লাইরিকহৈবম নরসিংহনন্দ । সগোলবন তাবা পুখ্রলবম্ চৈত্যন্যসিং, ময়াংনে, নমবুল তাবা পুখ্রলবম ধনসিং, ককচিং পুখ্রলবম দুর্গসিং, রসিকা, লেংলেলকুমদা, মৈতালকৈসংবম্ নারায়ন । য়াইথিংবনা ব্রাঙলোন্ খুনদোং নাওসং চনু পান্নদুনা সময়োকফাবাগা মনাও অমগা ২মা পোকএ । মনাওগী ঈদি কনোকথিঙেল মখা তাবা লমমাবম ইরৈমা মপাম জগসিং । লমমাবম্ চরোল্ লাকতরে । লমাবম কনোকথিঙেল মনাক তাবগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং বলদেবনে । ঙাপুরুম লমাবম মুবা লাকতরে । হাওবমদা য়াইথিংবম্ পোংলেলবা নাই ওইরিএ । য়ুম ঙাকপা লখোমোল লাকতরে। কবো লৈকাই তাবা মারজিং লাইসঙবগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং কৃত্তিসিংনে। পৌরাবি তাবা য়াইথিঙবম তুলসিং। ফিসাবা য়াইথিঙবম্। লাংগম ফলসিং । লেংলেল লাকফম অখোনসিং । সময়োক ফাবনা লংমাইনিংথৌ চনু পিসম য়োক পান্নদুনা থোংপু সামুকনুচাগা মনাও ১গা ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা শামুকজম থাবারোকপনে। থোংবু সামুকনুচাগী ঈদি থিংবাইজম খমলাংবা তাবা দয়ানে । লাংপোক তাবা থিংবাইজম্ স্যামচরোন লাকতরে । কৈবারাম্সু লাকতরে । তমপাকয়ুম থিংবাইজম বৈকুন্ঠসিং । খাইবা খ্বাই লৈকাই তাবা থিংবাইজম্ মৈন্য । মোংশাংগৈ থিংবাইজম মরিংখোমবা, খিখোমবা, মোইদাংপোক থিংবাইজম শামু, ময়াং, চন্দ্র, পুকচাও, লাইবা উনম তাবা প্রসুরাম, লৌসি কোইঙমবা, লৈচাবি তাবা খোমব, খোংজোমবা, মখোই ১২ মা লাকতরে । খোইরোম হাওচৌ লাকতরে । অনোনবনে । খ্বাই তাবা খোইরোম অভিমন্য। খাইবা খ্বাই তাবা খোইরোম্ তাম্ব্রসিং । খোইরোম্ অখুল লাকতরে । ললহামবুং তাবা থিংবাইজমগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ । মথং দুম্ব্রসিংনে । তমপাকয়ুম ইরেংবাপল তাবা থিংবাইজম চাওবা নবুল তাবা থিঙবাইজম্ তুলসিরাম্ । কদোমপোকপি তাবা থিঙবাইজম খোংঙম । থিঙকোলহনবানা ঙানুরোল্ সংলৈমা হাওয়েন খোংতৌবিকা । পাসি খুনবু লাইতং চনুগা ২মা পান্নদুনা

হাওয়েল খোংতৌবিনা সেককু কাইনৌ চিংসোমবগা । কাঙচিল্ লৈনাও তাবগা ২মা পোকএ। পাসি খুনবু লাইতং চনুনা খোইবা তেলহৈবা পোকএ। সেককু কাইনৌ চিঙসোমবগী ঈদি সগোলবন তাবা থিংঙোম গদাধর । সরুবোল থিংলেন তাবা থিঙঙোম ভৈগ্যাসিং । থাঙঙা থিঙঙোম বাহু । থিঙঙোম সইরু পোলথিংলেল তাবাগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং সাজৌনে। নোংচুপনে খোইবা তেলহৈবগী য়িদি ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা নামারম গকুল । হাওবম গৌরচান্দ অহল প্রসুতোম অনোনবা লাকতরে । হাওবম মুতুম তাবমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং ধ্রুবসিংনে । য়াইরিবোক তাবা হাওবম্ সুতামনে। নামারমদা পকপা তিললি গবিন্দ। জয়সিং ২মা অসিনে। কাঙচিন লৈনাওতাবানা য়োইরুব লোন্ খোংলৈমা পান্নদুনা ইকোপ্ লালথাবগা মোইরাং শাফাবাগা ২মা পোকএ । মোইরাং শাফাবগী ঈদি মোইরাংজম্ চরোলনে। মোইরাংজম্ খুলিং ।পোৎশংবা মোইরাংজম্ বৃন্দবন। মখোয় ৩মা লাকতরে। কংতাবি তাবা সনামহি মনাই মোইরাংজম্ রামসিং। লমফেল তাবা পোৎশংবা য়েলশেলবা য়েনতাকপম চাওবা। কারাথোং য়েনতাকপম তেজমনি । ইকোপ্ লালথাবনা ব্রাঙমলোল্ নাওরেম তোন পান্নদুনা পুনসিবা খুরেনচনবা পোকএ । পুনসিবা খুরেনচনবানা ব্রাংঙমলোল্ পান্‌পা ফাবিগা ব্রাঙমলোন ইরেংবা চনু লাইশ্রাগা মৈদিংঙু থাব্রানথাবগী মচা চিঙখৈ থালবিগা ৩মা পান্নদুনা ইরেংবা চনু লাইশ্রানা থোংবু হনবা পোকএ । মাগী ঈদি লাইশ্রম নিংথৌকাবমগী পিবাদি অব্রাদা লৈএ । মথং ধনীরাম । হাওরৈবী তাবা হিদাক ফানবা লাইশ্রম সদা । লাইশ্রম মুহোন উতোম ২মবা লাকতরে । পাখংবা মনাই খোংজিন তাবা লাইশ্রমগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ । মথং তানচৌ । কবোব্রাকচিং তাবা লাইশ্রম নিত্রানন্দ । লাইশ্রম শনজিরাম লাকতরে । লাইশ্রম পাখংবা মনাই শ্যাম হঞ্জবা লাইশ্রম পুরেং লাকতরে । সগোলবন তাবা হিদাক ফানবা লাইশ্রম চাওবা । লোকলাওবুং তাবা লাইশ্রমগী পিবাদি অব্রাদা লৈএ । মথং খেত্রিনে । পাৎশোই তাবা লাইশ্রম সরূপনন্দ । থাংগ তাবা লাইশ্রম পুণ্ডসিং । অংথা তাবা লাইশ্রম দয়ানন্দ । খাইবা লমফেল তাবা লাইশ্রম পুথিরাম্ হাওরং

তাবা লাইশ্রম ফলসিং । ৱাবাগাই তাবা লাইশ্রমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং চাওবনে । নমবুল তাবা তাওরেমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং তুলসিংনে । ৱাকচিং তৌরেম খমবনে । লাইশ্রম সিকাক্ লাকতরে । হাওরৈবি সদাতগী খাইবা চাওতোল্ । ফিসবা অমোম অবুং লাকতরে । অমোম অমু লাকতরে । ৱাঙঙু অমোম তুলসিং । ৱাংখৈ লৈকাই তাবা অমোমগী পিবাদি অৱাদা লৈএ । মথং কৃষ্ণমহল । অমোম থিংকোল লাকতরে । লেংলেল্ অমোম তুলসিং । লাইচাবী তাবা অমোম্ । ইরোমদগী অমোম ২মা লাকতরে। চৱৌ তাবা লাইশ্রম লাবা । খাইবা কক্ৱা তাবা লাইশ্রম মুরারি । লাইশ্রম গুনসিং । লমদেং তাবা লাইশ্রম তানচৌ মেঞ্জর । লমবান তাবমদগী খাইবা লাইশ্রম তোলেন হিদাক ফানবা লাইশ্রম ধর্ম্মসিং । ওইনুদা লাইশ্রম থারোল্। খাইবা সাজেপ তাবা লাইশ্রম গেবিন্দ । খাইবা ললহামবুং তাবা লাইশ্রম ভগতত্ত। য়াইরিবোক তাবা লাইশ্রম বলভদ্র। পোৎশংবা লাইশ্রম চেকয়ামবা। লমলোংগৈ লাইশ্রম থাদোই । লাইশ্রম ভলোক ৩মা লাকতরে । ফৈদা লাইশ্রম নমবুল তাবা রূপানন্দ । সামুবন তাবা লাইশ্রম হোংবা অয়াংচংবম্ লাইশ্রম মেলৈ । ইরোম তাবগী লাইশ্রক অপাং । খাবি নমবোল্ লাইশ্রম পাংঙল ৪মা লাকতরে । নমবুল তাবা লাইশ্রম রামসাই । কক্ৱা তাবা লাইশ্রম হিদাক ফালবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং দেবসিং। খুরাই তাবা লাইশ্রম দেবরাম। পানথোইবি মনাই লাইশ্রম রসিকা । লাঙঙাথেল লাইশ্রম লাকতরে । কৈসামথোং তাবা তোলজম মুহনসিং । তাওথোং তাবা লাইশ্রম মংশা। লাইশ্রম সংখোম্ তমপাকয়ুম কোংবা কাচল তাবা দেবানন্দ । খারমলাল তাবা লাইশ্রম তাবু লাকতরে । লৈশাংখোং লাইশ্রমগী খোম্‌ঙম্ । হিদাক ফালবা লাইশ্রম চাওবা তোনদগী খাইবা নমবুল তাবা লাইশ্রম ফুরা হোংবা । লাইশ্রম পরোমপাৎ তাবা ধনঞ্জই । হিদাক ফালবা সগোলবন তাবা লাইশ্রম চাওবা । অতোমগৈ লাইশ্রম অবুংচাও। তাওথোং লাইশ্রম নরসিং । লমলাংদোং লাইশ্রম চন্দ্রনল্ । নঙঙু লাইশ্রম রতনসিং । ৱাইখোং লাইশ্রম বলরামসিং । চিংখৈ থানবিনা লৈফোলবা পোকএ । লৈফোনবগী ঈদি থৌবাল তাবা পুয়াম জয়সিং। খাইবা ক্যাম তাবা পুয়াম কুমুদসিং । সঙগোম

সিনাইবা ফুমলৌ তাবগী পিবাদি অৱাদা লৈএ । মথং বলদিপনে । সঙগোম সিনানইবা মুবা লাকতরে । সঙগোম সিনাইবা য়োইরেনবম্ তাবা থোংইদংময়ুম তাটৈ। খাইবা তুলশিনারল । নেপ্রম্ খারমলাল তাবা পুর্ণচন্দ্র। খাইবা কোইরৌ তাবা নেপ্রম্ তোলবুঙ নেপ্রম য়ুমখাইবম্ অখোম্। অঙোম মনাই তাবা নেপ্রম মনিরাম । নেপ্রম খুনবা ৩মা লাকতরে । য়িঙুদম নেপ্রম কাংকামুং তাবা শ্রিরাম । য়িঙুদম নেপ্রম্ খমবা লাকতরে । পোৎশংবা মোইচেম সামুফাবানে । মোইচেম্ মুবা । লাখোন ২মা লাকতরে । লাঙহৈবম গবি লাকতরে । লাইরেল শজিক তাবা ফালচেম্ রদমনি । ফালচেম্ চাওবা লাকতরে । খ্বাই লৈকাই তাবা লালখম্ হেরন্যসিং । য়াইরিবোক য়ামবেম্ আদ্রম্ । য়ামবেম্ মনি । য়ামবেম নয়া ২মা লাকতরে । খুরাই তাবা য়ামবেম লাবা । নিংলেন্ য়ামবেম্ শ্যামরাম্ লাকতরে । লমবাল য়ামবেম খেলানন্দ । শঙাইব্রৌ য়ামবেম সগোলবন তাবা সরুবা । য়ামবেম্ রসমোল নোংথোনবা। ককচিং য়ামবেম অদ্রাম্ । মসি অমনে । সঙঅহনবগী ঈদি ঙাসেপপম খুরাই তাবা নিমানন্দ । য়াইরিপোক ঙাসেপপম সামরসিং । ঙাসেপপম্ খেমা লাকতরে । হাওরং তাবা তৌমোম্ লিলানন্দ। সেকমাই পুয়াম ইরাবন্ত । চোংথামদগী সলথাম কোকচাই তাবা চক্রপানি । কাইনা তাবা পাঙনবম্ হরিসিং । লাইচবি তাবা তোকপম নাই ওইবা লাকতরে । য়ুম ঙাকপা ময়ামবসু লাকতরে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা তোকপম লবংগ। সনসেনবম্ কাংকামুং তাবা তুলসিরাম । খুরাই তাবা সন্সেম্বম্ খেলানন্দ । কাতাম সনজেনবমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং তুলসিনে । হৈবোংপোকপি তাবা সনজেনবম্ মুহন । সনজেনবম পিবাদি তাখেলদা লৈয়ে । মথং পালাসিংনে । ৱায়েনবমদগী সনজেনবম হরি লাকতরে । নোংচুপনে।চিঙথাম্ খোঙঙম্ । লাইঙমবা। লালসোনবি চিঙথাম স্যামহরি। ৩মা লাকতরে । মৈজ্রাও তাবা চিঙথাম বিরসিং।নমবুল তাবা সাকপ্পমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে। মথং গবিনে। ফিসাবা সাকপপম সকথি লাকতরে। হাওরোংবম প্রেম লাকতরে। ললহামবুং তাবা হাওরোংবমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং মাধববেলদ্র । হাওরোংবম হরি লাকতরে । কৈনৌ তাবা হাওরোংবম মংলেম লাকতরে ।

কোনোক থিঙেল্ তাবা হাওরোংবম পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং রূপচন্দ্রনে। নমবুল তাবা পাঙলবম কৃতিবাসি। পাংঙলবম্ পালোই লাকতরে। কক্‌ৱা তাবা পাংঙলবম্ পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং নুংনাং খোমবনে। লাংসোলবি চিঙথাম্ চৈতন্যচন্দ্র । ৱাবগাই তাবা চিংথাম্‌গী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং বাপুনে । থৌবাল তাবা লালথম্ দেবসাইদি লৈতরে । মাগী ঈদি হরিনে খঙ্গু । কৈরাও তাবা চিংথাম্ চন্দ্রসিং। পালবফাবিনা চারলবা পোকএ। চারলবনা থিঙলাই খুৎসু চনু পান্নদুনা য়াওশুঙমবা পোকএ । য়াওশুঙমবানা ৱাঙমলোন্ তারমসুগা ৱাংঙমলোল্ য়োইরেল তোমপোকপিগা ২মা পান্নদুনা য়োইরেল তোমপোকপিনা য়োলরেলবা পোকএ । তারমসুনা লময়াই কাইথিনবা পোকএ । নিংথৌ ওয়ে । য়োইরেনবগী ঈদি থাংজম য়াওসোম্ সিংজমৈ তাবা পালসিং কক্‌ৱা তাবা য়াওসোম্ থাংজমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং রূপানন্দ । খোংনাং ফৈদোকপি তাবা য়াওসোম্ নন্দ । হাওখা তাবা য়াওসোম্ হেমসিং । লময়াই কাইথিনবনা ৱাঙমলোন্ কাঙঙুসু পান্নদুনা সনা পোকএ । সনাগী ঈদি খুমনথেম্ বনমালিনে লাকতরে । অহন ধর্ম্মচরন নোললে । থৌবাল তাবা খুমনথোমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং প্রেমানন্দ খাইবা সগোলবন তাবা খুমনথেম্ তুলসি । অহৈবম্ তাওপম্ চিঙঙা মখা তাবা রমানন্দ ।

শ্রী রামচন্দ্রয় নম: মোইরাংলোনদি লৈনুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবিনা ঙাংনিংসিং। ঙানুনা হমশা।ঙানুনা নরোঙ।ঙানুনা ফাংফাং।ঙানুনা সুনবা ময়াং লোইকেনবা।লৈৱা লৈম ফিমোই কাঙবা চনুনা ইৱাং ফৈতেলবা । পোকপি নুঙঙৌসুনা চাওবা সৌবোলঙম্ব । লাইতোংনুনা লাইফাচেংবা খুরোই লম লোঙবা।কোনথৌবা চনুনা ৱুরা খুনতাবা ।খুরাই লৈমা থিমোই কাঙবা চনুনা সনা লখ্বা। চিঙঙু লৈমা নোং খাই নিংথৌ চনুনা সোংলেন লানথবা। ৱাঙনু নামোই চনুনা খোঙখৈ লালথাবা ফাইরৌসুনা উরা কোংয়ানবা।ফাইরৌসুনা চিঙখু তেলহৈবা হৈরেম লৈমা নিংথৌ য়াংবা চনুনা থাংগা ইফেল লালথাবা।ৱাংঙম লৈমা মাইনৌ চনুনা ইথাই কাইরেমবা । খুমোমবা চনু হাওখৈ লালথাবিনা চাফাবা।মাকুথাপলা চনু অহুরোঙফাবি

য়াঙলৈ ঙমবিনা য়োইরেলবা।তেরেম ৱাংখৈরাকপম চনু চকপা পালনেম্ ঙমবি অমে থাঙসাবা ফাবিনা সনা হোংবা । পুন্ত্রিবা খুরেনচনবা ঙানখা লৈমা য়োইরেন তোলপোকপি চতে নিংথৌ চারন ফাবিনা সনাহোংব । মাগী হাকথক মৈতিংঙু পুনসিবনা ঙমদুনা মচানিংথৌখোমবা মোইরাং খোমখৎএ । য়ুমতারোলদি। পোকপি নুংঙৌসুনা চাওবা সৌবোল ঙমবা মানা লাইতোংনু নুফাবি পান্নদুনা লাইফাচেংবা খুরাই লমলোকপানে । মুবানে ২মা পোকএ। লাইফাচেংবনা মৈতেংঙু কোনথৌবা চনু নাওরেমতোল্ পান্নদুনা মোইরাংদা খুলকুমখিএ । মানা উরা খুনদাবা পোকএ । উরা খুনদাবানা মোইবি লৈমা থিমোই লাংবা চনু পান্নদুনা সনা লখ্বাগা মনাও ১গা অনিমা পোকএ । মনাওগী ঈদি মোইরাংথেম ককৱা তাবা নৌতুনসিংনে । খাইবা ককৱা তাবা মোইরাংথেম অভিরাম । খোংমন তাবা মোইরাংথেম পুর্ণসিং। ঙানপপিথোং তাবা বসরাম।সোইরুপোল থিংলেল্ তাবা ৱায়েনবম রুদ্রসিং।খাইবা ৱাংখৈ লৈকাই তাবা থঙজম জয় । পুখ্রলবম্ থিংলেল তাবা মসিদ্রাম্। হেরানন্দ। মোইরাংথেম্ নরেংবম্ লখোন্সিং য়োইরেলহনবানে। য়াইরিপোক তাবা মোইরাংথেম্গী পিবাদি ময়াংদা লৈএ মথং নিলমনি । খাইবা তমপাকয়ুম মংজিন তাবা মোইরাংথেম চাওবতোন । থাংমৈবন তাবা কাব্রমবম মাসিদ্রাম থাংমৈবন তাবা কাব্রমবম ভপালসিং । পোৎসংবদগী লাকপা কাব্রমবমগী পীবাদি ময়াংদা লৈএ । মথং জুগলসিং।সগোল্বন্ তাবা থংজম্ সংগোম্ জয়সিং । সংগোমসুমবা সংগোম চন্দ্রমনি । খুদৈবন্ কোংবা তাবা মোইরাংথেম চাওবা। বামোন্দা লৈবা মোইরাংথেম নবস্যাম্। খুনদাদুনা লৈরবা মুবানা অখুৱা অহলৱা ২মা পোকএ । অখুৱাগী ঈদি লনসোনবি তাবা চোংথাম্ শাজৌ। অকোইজম্দা লৈবা ৱাংখৈ লৈকাই তাবা চোংথাম্ কুলচন্দ্র অহলৱাগী ঈদি লালসোন্বি তাবা মেল্লেম্ উতোম্। সনা লখ্বানা চিঙঙু লৈমা নোংখাই নিংথৌ চনু পান্নদুনা অতোল্লক্কী লোইচা ঙম্বা সোংলেল্ লালথাবাগা মনাও ১গা ২মা পোকএ । মনাওগী ঈদি মোইরাং নোংথোলবম, অখাম্ লৌৱাই তাবা পুর্ণ । মোইরাংথেম ঙৌবা । পাৎসোই তাবা মোইরাংথেম্ বলহব্ । খুরাই তাবা পুথিবা সঙবা মোইরাংথেম্

রমা।ককচিং মোইরোংথেম্ হেম। সোইরু পোলথিংলেল তাবা মোইরাংথেম্ য়োইরেলবা। লন্সোনবি খমলাংবা তাবা মোইরাংথেমগী পিবাদি ময়াংদা লৈএ । মথং শ্রীনি । সামুরৌ তাবা মোইরাংথেম চাওবা। লৌরেমবম তাবা মোইরাংথেম্ দেব।হাওরং তাবা মোইরাংথেম্ ভবানন্দ । কোনজেংবমগা তিন্নবা হৈরাং খোই থিংলেন্ তাবা মোইরাংথেম্ নরসিং। লৈমা নাই খুরাই তাবা মোইরাং দেবানন্দ। চকফিয়াম্দি লাকতরে । লাইয়ু পুনসিবগী ঈদি তেলথা তাবা লাইয়ুজম শ্রীপাসনে । সোংলেন লানথাবগী ঈদি মোইরাংথেমনে লাকতরে। ব্রাঙনু নমোই চনুনা খোকখৈ লানথাবা পোকএ। সোইনাইদে।ফাইরৌসুনা। উরা কোঙয়ামবানে। চিঙখু তেলহৈবা ২মা পোকএ। উরা কোঙয়ামবগী ঈদি নমবুজম্ স্যামরাম লাকতরে । ব্রাংলেনবম্ লাকতরে । চিঙ্খু তেলহৈবনা হৈরেম লৈম নিংথৌয়াংবা চনু পান্নদুনা থাংগা ইফেল লালথবগা মনাও ১গা ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি উনম তাবা কাবাজমগী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং নবরামনা য়ুম ঙাকলিয়ে । হাওচোংবল তাবা কাবাজম লাবানে । ইরোইসেমবা তাবা নুংলেপপম্গী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং পুর্ণ্ডসিংনে । হাওরোং তাবা নুংলেপপম তিনপোলসিং ।থাংগ ইফেল লালথাবানা চাংকা লৈমা মাইনৌ চনু পান্নদুনা ইথাইকাইরেমবাগা মনাও ১গা ২মা পোকএ । মনাওগী ঈদি থাংজমনে । লাইকুজম ললহামবা লাকতরে। ইথাই কাইরেমবনা খুমোমবা চনু পান্নদুনা য়োইরেলবগা মনাও ১গা ২মা পোকএ । মনাওগী ঈদি চাঙাংগৈ তাবা নিংথৌখোংজম খেমা । চাঙাংগৈ নিংথৌখোংজম্ দেবরাম্ । চাঙাংগৈ নিংথৌখোংজম্গী পিবাদি অব্রাদা লৈয়ে । মথং চাওবনে । পাংগৈ তাবা নিংথৌখোংজম্ মলত্ । পাংগৈ তাবা নিংথৌখোংজম্ পাদ্যাম্ । মাইবমদা লৈবা কবো লৈকাই তাবা কোনখাম মদনসিং। হিদাকফানবনে।সুগ্নু কোনখাম্ মোইরাংথেম খোইদোংনে । য়োইরেলবনা মাকু থাপ্লা চনু য়াংলৈঙমবি পান্নদুনা লোইনেমবনে চাফাবনে ২মা পোকএ । লোইনেমবগী ঈদি মোইরাং কৈথেল লাকপম্ ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা সরুংবম্ মধবনে । মোইরাং মাইরেলবমগী পিবাদি ময়াংদ লৈয়ে । মথং মুকুন্দনে । সামুপন তাবা

মোইরাংথেমগী পিবাদি অৱাদা লৈয়ে। মতং গুনসিংনে । চাফাবদি সোইনাইদে । য়োইরেলবনা তেরই ৱাংখৈ লাকপম চনু চকপা পান্নেন ঙমবি পান্নদুনা পুনসিবা খুরেল চনবা পোকএ । মাগী ঈদি অচোম ইরাবন্দনে । অচোম মোইরাংনিংথৌ মচা উরিবোক তাবা পামচৌ । অচোম্ নৌতুনসিংনে । খুরেল চনবনা ঙানখা লৈম য়োইরেল তোমপোকপিনে । চকপা মেনখোমবা চনুনে ২মা পান্নদুনা ঙাংখালৈমনা সনাহোংবনে । লৈই লালথাবানে ২মা পোকএ । মেলখোমবা চনুনা য়াওসুরাংপা পোকএ । লৈই লালথাবাগী ঈদি ফুবা তাবা মোইরাংথেম নিলমনি । ফোইজিং তাবা মোইরাংথেমগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং মুকুন্দনে । ফোইজিং মোইরাংথেম দেবসিংনে । থাংগ মোইরাংথেম্ সবানন্দনে । খাইবা চিংঙামখা তাবা থাবাসিংনে । খুরাই তাবা য়াইখোম নন্দস্যামনে । মোইরাং কুমাবম্ চন্দ্রনে । কোংবা তাবা কুমাবম্ বলরামনে । খুরাই তাবা য়াইখোম ভবনন্দনে। খুরাই য়াইখোম কৃর্ত্তিবাসিনে । খাইব দয়ানন্দনে । য়াইখোম খুরাই তাব নরসিং।

য়াওসুরাক্পগি ঈদি মসেম্ মরাং ৱোইখিয়ে । সনা হোঙ্বন লংমাই নিংথৌ চনু সনা থোইবী পান্নদুনা তাঙ্পল্ তোরা পোকএ । মাগী ঈদি মোইরাং ধননজোই পুখ্রলব ১। য়াইসখুল তাবা ওক্রম জয়সিং ১। কাংকামুং তাবা ওক্রমগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং লিলান্দনে । লেংলেল্ ওক্রম গোপালনে । নারেঙ্বম্ খমলাংব তাবা খুরদসিংনে । খোমপীতোক তাবা মোইরাংথেম চান্দনে । হুইকপ্ তাব মোইরাংথেম্ ১। খুরাই তাবা মোইরাংথেম খোল্সিং, মোইরাং গৱাল্ ময়ুম্ য়াইসকুল্ তাবা মোইরাং নিংথৌ রামান্দ্রসিংনে । মোইরাং নিংথৌ খেল্লৈ নুংনা তেনহৈবগি ঈদি ইন্দ্রসিংনে ।

মোইরাং খুৱাং অহনব লোন্দি য়াইবীলৈমন খুৱাং পামিং । মঙাং নিংথৌ চনুন য়াইরেল্ । য়াইবী লয়মন অমু খম্চাওব, মঙাং নিংথৌ চনুন অমু হে হিং । ঙানুন লাংমৈ । ঙানুন মুব ঙানুন খারেক্প । খারেক্পগি ঈদি

নম্বুন তাবা হাওরোংবম্ পদমলসিং । পোৎসংব হাওরোংবম্ ফোইজিং তাবা ইরাবস্ত । হোইতোল্ পোক্পি সঙবম্ লাইকুজম্ য়োইরেলবম্ তাবাগী পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । য়োয়রেলবগি ঈদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং চৈতন্যসিংনে । লেংলেল্ লাকপম্নে । কৌজেঙ্বম্ নাতোম্নে । অনীমদি লাক্তরে । ব্রাক্রল্পনথোঙ্ তাবা অকোরাম্ অঙোম্চাম্বা থাবারোক্পনে । হাওখা তাবা লিসম দেবরাম্।

মুয়াংজম্লোল্ - লয়চিক্লেল্ নিংথৌ চনুন লয়চিক্ চিক্লিব । লয়থম্লেল্ চনুন লয়থম থম্লিব । মাগি ঈদি মুংয়াম্জম্ সগোল্বন তাব চন্দ্রসিং । চন্দ্রসিংদগী খাইবা পুননন্দ ।

মোইরাং থোক্চোম্ লোল্দি লয়নুং য়ুচাখা চনু ঙাংসাবিন ঙাংহুনথোক্ ঙানুন ঙাঙ ঙাম, ঙানুন মুহেঙ, ঙানুন কৌবা অঙাঙঙা। কৌব অঙাঙ ঙান লয়ম লারোক্ লেলবী পান্নদুনা খোইনাই অহনবনে । খোইনাই য়ুমথংবনে । য়ুকোক্থোং য়াইমবনে, ইরু থৌবিবনে । নাওরুম অতোল্পনে মঙাম পোকএ । খোইনাই অহন্বন লুব্রাং পুন্সিবগি মচা য়াংকেল্ তাওবী পান্নদুন মাগি ঈদি চাইরেলদগি থোকচোম্ ইফৌ তাব কুন্দ । চিংঙা মখা তাবা থোকচোম্গি পিবাদি অব্রাদ লৈয়ে । মথং সাচৌ । সিঙ্খাঙ্ব কবুই ঙম্ব লাক্তরে। সঙ্ অনৌবদ লৈব কৈসাম্থোং তাবা থোক্চোম্ মুহোল্সিং। সিঙ্চামৈ তাবা থোকচোম্ কুলধজ । থোকচোম্ খেমা মনি লাক্তরে । কক্ব্রা তাবা হিদাক্ ফান্বা থোকচোম্ নিমনন্দ চিঙঙা মখা তাবা থোকচোম অচাংখুবম্গি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং চন্দ্রসিং । থাঙ্খা তাবা থোক্চোম্ লাব । হংগুন্ থোক্চোম্ খাগেন্দ্র পলী তাব জগদা। থোক্চোম্ য়ুম্লেন্দগি খাইব গোপাল্।গোপাল্দগি খাইব অভিরাম্নে। খাইব থোক্চোম জচাতি। কুল্ধজদগি খাইবা থোক্চোম্ লম্পুন্ তাবা ললিতসিং । পেরা তাবা থোকচোম্ কম্দেব। ব্রাইখোং থোক্চোম্ তেলব লাক্তরে । খোংচি তাবা থোক্চোম্ বলরাম্। খাইব রুদ্রসিং। পোৎসঙ্ব পোলেম্ খোইয়াথোং তাবগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে। মথং তামলি। কোক্চাই তাবা থোকচোম্ ফৈগ্যাসিং,

অঙোমদ নাই ৱোইব থোক্চোম্ লাক্তরে । ৱাকচিঙ্ তাবা থোক্চোম্ রূপানন্দ, লম্লাই তাবা থোক্চোম্ বলরাম্সিং, ৱাকচিঙ্ তাবা থোকচোম্ কোইবা, তম্পাক্যুম থোকচোম্ স্যামচোরোল্ লাক্তরে । সনা মহী মনাই থোক্চোম্ চন্দ্র লাক্তরে । ইরিল্ মপাল্ তাবা থোক্চোম্ বেসসিং, অৱাং খুপমদগী খাইবা কুম্বী থোক্চোম্ স্যাম্নপুনা কক্চিঙ্ থোকচোম্ লগনাথ, অন্দ্রো থোকচোম্ গোপাল্ অনীমদি অমনে ।

খোইনাই যুম্থংবন খমব লৌখাম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি সিংজমৈ তাব সোইবম্ ধনসিং । অহলন খাইব অথোকপম্ তাব সোইবম্ হিঙম্ব, পুখ্রম্বম খুরাই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং জসোরসিং, মোইরাংখোম্ তাব সোইবম্ পুখ্রলবম্ পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে মথং দুমব্রসিং । পুখ্রল্বম্ পাংঙল্, চেক্সা অনীম লাক্তরে । ৱাংখৈ লৈকাই তাবা মৈকাম, সোইবম লেম্ব লাক্তরে । অহৈপম্ লাইফ্রাক্প সিঙজমৈ তাবা চাওব, কোনোক্ থিংঙেল তাবা অহৈবম খোলস্যাম ১ সোইবম কক্ৱা তাব ১ কক্ৱা তাবা লাইফ্রাক্পম বলভদ্র, খমলাংব তাবা লাইরেলময়ুম্ ভিমসেল, কোনোক থিংলেল তাব লাইরেল ময়ুম অহল দুর্গসিং, কাংঙমোং তাব সোইবম রুপানন্দ ১ অরোং খুলেল তাব সোইবমগি পিবাদি মাঙখরে । মথং অবুং ১ অরোং খুল্ খাইব সোইবম্ রতমনি সিকোং তাব সোইবম্ পালানন্দ অঙোমদগি সোইবম্ খুরাই তাবা লিলানন্দ, সোইবম সগোল সেলবধনি লাক্তরে । ঙাঙ্লোম কোদোম্পোক্পি তাবগি পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং গিরিধারি, বামোন্দ লৈব ঙাঙ্নোম সকথী লাক্তরে । খাইব য়াইসকুল তাব ঙাঙোম্গি পিবাদি অৱাদ লৈয়ে । মথং সৌবোলঙম্ব, লৈসাংখোং তাব লাইথংবম সনা মহী মনাই দেবরাম্ । ৱায়েনবমদগি ঙাঙোম্ ৱোইব য়োইরেলবম তাব রুপচন্দ্র । মোইরাং তাব ঙাঙোম্চন্দ, লিৱা তাবা পুখ্রলবম্গি পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং রামানন্দ । সনাহল্দগি লাইফাক্পম পিবাদি অৱাদ লৈয়ে । মথং পোংলেন্ খোম্ব সোইবম্ য়ুম্লেন্ ধনসিংদগি খাইব কক্ৱা তাবা ভপাল্সিং । ধনসিংদগী খাইব তেকচম্ তাবা সোইবম্ কৃতসিং । ৱাইসেল্ তাবা খোইনাইজম্গি পিবাদি অৱাদা লৈয়ে । মথং

সরুপা।ফৌকৈসঙ্পম্ খোয়াথোং তাবা চাওবতোল্ মসি অমনে । খোইনাইজম্ অখুল্, খোইনাইজম্ অঙম্ অনীম লাক্তরে । তমপাকয়ুম খোইনাইজম্গি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং জগদা। সোইবম ময়ানন্দ লাক্তরে । থোক্চোম্ য়ুমলেন্দগি খাইব পাংঙল্, থোকচোম মাধবরাম্, থোক্চোম্ লৈখম্, থোকচোম্ গৌরাং মরিম অসি লাক্তরে । সোইবম্ পদ্মল ফৈদা সোইবম ধনিরাম্, সোইবম্ তুসিরাম্, সোইবম ফৈদা চাওব মরি অসি লাক্তরে । অঙোম্দকি ঙাংখম্ । খুরাই তাবা পুর্নানন্দ, সগোল্পল্ তাবা ঙাংখম্ ঙৌব । পুর্নানন্দতগি খাইব ঙাংখম্ খুরাই তাবা ধনিরাম্ ১। লাইফাক্পম্দগি ঙাংখম্ পলসা লাক্তরে । থোক্চোম্ নদি য়াব চঙাল্কৈ তাংখুল্ লাক্তরে । লাইরিক য়েংব নোংসামৈদগি সোইবম থাংঙ্গ তাবা থাতোল্ লাক্তরে । সোইবম্ থাঙ্গোল্ সুবম্ খাক্পনে ফোইজিং তাবা সোইবম্ তুলসিনে, সচেপ্ তাবা ঙাসম্ আর্জুন্নে অহুম্ম অসিদি অমনে । খ্বায়াথোং ভৈগ্য।

য়ুকোকথোং য়াইমবগি ঈদি সিঙ্খাঙ্বম্ নমবুল্ তাবা লৈমজম্ গম্ভীরসিং, মোইরাংদগি লৈমজম্ খুরাই নাই ব্রোইব লাক্তরে ।

ইরু লৌথিবগি ঈদি সঙ্ অহনবদগি ব্রাখেম্ য়াইরিপোক তাবা কৃষ্ণনন্দ, হিদাক ফাল্ব ব্রাংখেম্ তখেন্ লাক্তরে ।

নৌরুম্ অতোল্বগি ঈদি হিতাম নমপুল তাবগি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং রত্নানন্দ, কোক্চাই তাবা হিতাম স্যামপুর্ন্য মোইরাং তাবা হিতাম লাইসঙ্ব মুকিন্দ চৈথাব । হিতাম্ ব্রাংখৈম্দগি খাইব স্যাম কানহাই লাক্তরে । হিতাম্ গোবর্দ্ধন, হিদাক্ ফান্ব হিতাম্ গঙ্গারাম্ অনীম লাক্তরে । হিতাম্দগী খাইব তমপাকয়ুম খোঙ্ঙম, হাওচাও অনীমসুঙ্ লাক্তরে ।

মরোয় হাওবন কাঙ্ঙুজম্ চনু পান্নদুন মাগি ঈদি খোমদ্রাম্ খুরাই তাব বলরামসিং, কোনোক্ থিঙেল্ তাবা খোমদ্রাম্ লিলাচান্দ । বলরামসিংদগি খাইব রমানন্দ। লিব্রা তাবা খোমদ্রাম্ গম্ভীরসিং ।

লিলাচান্দগি খাইবা খোম্দ্রাম দয়ানন্দ । অমরক্ খাইব কৈথেল্ মপান তাবা খোমদ্রাম্গি পিবাদি ময়াংদা লৈয়ে । মথং ভিমসেল । খোম্দ্রাম্ লবঙ্গ। খোম্দ্রাম্ নামকৌ, খোম্দ্রাম্ মুকিন্দ অহুম্ম লাক্তরে । তেরাগি ঈদি কক্‌বা তাবা অসেম নবচন্দ্র । লোক্পচিঙ তাব অসেম লিলানন্দনে । সিকোং তাবা অসেম্ ধনিরাম্ । অন্দ্রো অসেম ধম্মসিং ।

হারম

মমাঙদসু হায়জখ্রে । হারম হায়বসি মণিপুরদ নোংপোক অমসুং নোংচুপতগী অথেংব মতমদ চঙলকপ মীওইশিংনি মখোয়ন মণিপুরদ করম্ব নিংথৌগি মতমদ চঙলক্প অমদি করম্ব গোত্র ৱোইখিবা হায়ব অদু মচা খায়ন মখাদ থমজরি -

নাওথিংখো হাক্তক্ থোরক্প সাগৈশিং

"নোংপোক হারম্"

১.	হুইয়াম্	মধু
২.	সেন্জম	কৈল্য
৩.	চাঙ্গম্ ময়ুম	গোত্র
৪.	কোন্সম	
৫.	উসম	কৃষ্ণান্দ গোত্র

১.	খুম্বোংময়ুম	গৌতম গোত্র
২.	চিঙ্গাংবম	
৩.	সেন্দাংময়ুম	
৪.	নান্দেবম	
৫.	হিখাম্বম	
৬.	চিংসুবম	
৭.	ফুরিৎসাবম্	
৮.	মুংয়োম্ ময়ুম	
১.	অখন্‌বম্	কৌসিক গোত্র
২.	খোংবান্তাবম	
৩.	সেন্‌জম্	
৪.	নান্দেবম	
৫.	উসম্	
৬.	সেন্‌জম্ লাইবক্	
৭.	লৌরিয়াম্	
১.	সংখুবম্	কায়সব গোত্র
২.	য়েন্দ্রেম্বম	
৩.	অচোইবম	
৪.	উসম্	
৫.	খোংবান্তাবম	

"নোংচুপ হারম"

১. কোন্সম্
২. ঙাইরাংবম্
৩. সগোন্সেম্
৪. পেবম
৫. সাইখোম
৬. সনাখোন্বম্
৭. নিংথৌজম্
৮. নহারাকপম্
৯. চিয়াম্
১০. অনৌবম্
১১. পুখ্রিহোংবম্
১২. তাইবুজম্
১৩. ঙাথেম্
১৪. থৌদাম্
১৫. স্নাপম্
১৬. কৈসাম্
১৭. ময়াংলন্বম্
১৮. চুরিংবম্
১৯. অনোংময়ুম
২০. কক্য়েনময়ুম
২১. কক্য়েন্পাইবম
২২. লম্বাল লাইসংবম
২৩. সঙ্গোই সেন্বম্
২৪. অপান্ব ফেংবম্
২৫. সোল ময়ুম
২৬. ময়াং অরিবম্

২৭. থাংজম-খুরাই তাব
২৮. লুক্রাম
২৯. ময়াংচংবম্
৩০. কৈদোংবম
৩১. সোম্বেম
৩২. পেচিময়ুম
৩৩. নিংথৌচানবম
৩৪. থাংজম-নামৈরাক্প
*৩৫. ব্রাথবম
*৩৬. য়ুপান্‌বম
*৩৭. অনৌবম
*৩৮. হুইমান ময়ুম
*৩৯. নামোইজম মঙাম ধোবীননে ।

যুম্নাক ৩৯ অসিদি নোংচুপ্ হারম্ নিংথৌচা ইনবনি ।

নিংথৌখোম্ব খুম্বোক - (১৪৩২ - ১৪৬৭ এ. ডি.)

নিংথৌখোম্বদ থোক্‌লক্‌প - কবো লাইকাই তাবা খুম্বোং ময়িম্ পুদি লাংপুম্‌ন চৌখুল্‌পুঙ পোক্‌য়ে । হৌজিক্তি চন্দ্রকান্তি কৌয়ে । নরসিংদগি খাইব অঙোম লইকাই তাব নান্দেবম পুদি ললহাং কৌয়ে। পেনদি লিকখোম্বী কৌয়ে । হৌজিক্তি চাওবহল কৌয়ে । সোইন ব্রোইয়ে । হৌজিক্তি চন্দ্রসিংহ ব্রোইয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে । মুংয়াম্বদ চল্লে ।

(অতৈদি খণ্ডদে লমজারোন্দ লৈয়ে) ।

১ । কিয়াম্বা খুনথোক্ । (-১৪৬৭ -১৫০৮ এ. ডি.)

(১) কবো লইকাই তাব অখন্‌বম্ - পুদি লারোংন তউখুম্চুম্ পোকয়ে। হৌজিক্তি ঙৌব কৌয়ে । গোত্রদি কৌসিকনে ।

(২) কোন্সম্ অপিসাগি পুদি লউতাংলেং কৌয়ে। পেন্দি সরোৎ খাইবম্ চনুনে। হৌজিক্তি চাউবতোন্ কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিল সোল্লম্বদগি মধুকৈল্য সোল্লে। অমসিন চুময়ে।

(৩) কবো লাইকাই তাব হুইয়াম পুদি তোতারুচা কৌয়ে। পেন্দি হয়রেম্ চনুনে। হৌজিক্তি লোলিতোসিং কৌয়ে।

(৪) খোংবানতাবম্ কবো লইকাই তাব পুদি তৌথোক্লাংন লইচোন্বম্ চনু পান্নদুনা ...... হৌজিক্তি চোলসিং কৌরে। গোত্রদি কাইসোপ্ গোত্রনে।

(৫) খায়ব সেন্জম্ উনুংদ তাব পুদি লাপুম্ হৌজিক্তি চেতোন্সিং কৌয়ে। মধকৈল্য গোত্রনে।

(৬) কবো লইকাই তাব চাংকম্ ময়ুম্ পুদি হংখু কৌয়ে। পেন্দি লওরেম্বম চনুনে। হৌজিক্তি পিতম্বরসিং কৌয়ে। মধুকৈল্য গোত্রনে।

(৭) নান্দেবম্ খুরাই তাব পুদি তৌঙাক্ খোং কৌয়ে। পেন্দি লাইস্রম চনুনে। হৌজিক্তি মরৈ কৌয়ে। গোত্রদি গোতুমনে।

(৮) উনুংদ তাব চফাল্ ময়ুম্ পুদি নোংথ্রেন চিংখম্ পোক্য়ে। হৌজিক্তি সুরধজ কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিলনে।

(৯) উনুংদ তাব চফাল্ ময়ুমদগি খাইব উনুংদ তাব সেন্জম্ ভুবোন্সিং গোত্রদি সান্দিলনে।

(১০) উনুংদ তাব উসম্ পুদি তাইরোংফান চিংখম্সেং পোকয়ে। পেন্দি নাংসোইনু কৌয়ে। হৌজিক্তি মাধোপ্ কৌয়ে। গোত্রদি আত্রয়নে।

২। লম্কিয়াম্ব - (কিয়াম কোইব) ১৫১২-১৫২৩

কবো লইকাই তাব কোন্সম্ অচৌব পুদি তউখুন্ লীকন চাউসোইখম্ পোকএ। পেন্দি মংসা চনু নংঙিনে। হৌজিক্তি অংগোতোন কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিলদগি মধুকৈল্য ব্রোল্লে।

৩। কবোম্ব - ১৫২৪ - ১৫৪২

চিঙমৈরেং তাব ঙাসেপ্প পুদি হখম্ কৌয়ে । পেন্দি নোংথোন্বম্ চনুনে গোত্রদি কৃষ্ণধন গোত্রনে ।

সেনজম্দ খাইব - সেন্জম্ উনং তাব হখম্ কৌয়ে । পেন্দি নোংথোন্বম্ চনুনে । লাংথবান্দ লক্খম কৌয়ে। হৌজিক্তি কুনোসিং কৌয়ে। গোত্রদি কৃষ্ণন্দ গোত্রনে ।

৪। চলাম্ব - ১৫৪৫ - ১৫৬২

(১) কবো লইকাই তাব চফাল্ ময়ুমদগি খাইব হয়বী থাবম্ পুথী তৌখাম্ অমুগী ঈ লাংথবান্দ হম্সেংচৌ কৌয়ে। হৌজিক্তি হাউচৌ কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিল গোত্রনে ।

(২) কবো লইকাই তাব নান্দেবম পুদি লাকো কৌয়ে । পেন্দি লওরিয়াম্ চনুনে । হৌজিক্তি চন্দ্রসিং কৌয়ে গোত্রদি অত্রেয়নে ।

(৩) অৱাং হয়নৌ খোঙনেম্বী তাব নান্দেবম্ পুদি লাংখুল্ কৌয়ে । হৌজিক্তি চাওথোই কৌয়ে । গোত্রদি ভারদ্বর্যনে ।

(৪) কবো লইকাই তাব মোন্ফাং ময়ুম্ পুদি লিল্লাদো হৌজিক্তি চাওবহল্ কৌয়ে গোত্রদি গৌতুমনে ।

(৫) কবো লইকাই তাব সেন্জম্ পুদি চউরৈ কৌয়ে । পেন্দি নাংসোইনু কৌয়ে । হৌজিক্তি অঙৌ কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোপনে।

(৬) ফুমলও তাব নান্দেবম পুদি তউতোংফা কৌয়ে । হৌজিক্তি আতোল্ আপিসা কৌয়ে । গোত্রদি সান্দিলনে । অহলন খায়ব চিংমৈরোং তাব য়েন্দ্রেলবম্ পুদি সুক্কাদেব কৌএ । হৌজিক্তি পুর্নাল্দো কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৭) উনুংদ তাব হিখাম্বম্ পুদি লম্লোই হৌজিক্তি মন্সাই গোত্রদি কৌসিক্নে ।

(৮) (চলাম্ব-কিয়াম্ব) ফোইজিং তাব নান্দেবম্ পুদি তাইরোংফা কৌয়ে । হৌজিক্তি দয়াসিং কৌয়ে । গোত্রদি ভরদ্বর্জনে ।

নোংপোক্নে

মুংয়াম্বা - (১৫৬২-১৫৯৭ এ.ডি.)

কবো লইকাই তাব ফুরিৎ সাবম্ পুদি কক্কৌন নাংসেল্ পান্নে । লাংথবাল পুয়াদ সাম্মরাম্ হৌজিক্তি মুনিরাম্ দেৱান গোত্রদি গৌতুমনে । লাসে ময়ুমনে । কিয়াম্বা

(২) অঙোম্ লয়কাই তাব খোংবান্তাবম্ পুদি খাগি মিৎতোংবন রাসোল্ পোক্য়ে । পেন্দি রৱাল্ ময়ুম্নে । হৌজিক্তি আনন্তসিং কৌয়ে । গোত্রদি কৌসিক্নে ।

(৩) য়েন্দ্রেন্বম্ মেনুথোং তাবদগি খাইব অথোক্পম্ পুদি তাউফাচিল্ হৌজিক্তি ফোল্লো গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৪) য়েন্দ্রেন্বম্ য়ীম্লেন্দগি খাইব উনুংদ তাব উসম্ হৌজিক্তি হাউরম্ কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৫) য়েন্দ্রেম্বমদগি খাইব অচোম্ পুদি নাংতোল্ কৌয়ে । হৌজিক্তি বিরচন্দ্র কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৬) রাসোইদগি খাইব খুরাই তাব খোংবানতাবম্ পুদি লোল্রাচাল্ পেন্দি উনম্ চনু হৌজিক্তি রোকোল্সিং কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৭) য়েন্দ্রেনবম্ য়ীম্লেন্দগি খাইব কেক্রুপল্ তাব ইরোম্ পুদি পুকোংহম্ কৌয়ে । হৌজিক্তি ভৈগসিং কৌয়ে । গোত্রদি কাইসোবনে ।

(৮) চৌলৈদগি খাইব রোখুল্ন নংতোলনু পান্নে। হৌজিক্তি রাম্সিং কৌয়ে। গোত্রদি কাইসোবনে।

(৯) মইদিংঙু মুংয়াম্বদ থোরকপ কেক্রুপল্ তাব অচোইবম্ পুদি চাল্ত কৌয়ে। হৌজিক্তি পুর্নসিং কৌয়ে। গোত্রদি কাইসোবনে।

(১০) মুংয়াম্বা খুম্বোক্ - কেক্রুপন্ তাব য়েন্দ্রেম্বম্ পুদি আঙেমুংন তউফাচেং পোকয়ে। পেন্দি ব্রোইনাম্ চনুনে। হৌজিক্তি চন্দ্রসিং কৌয়ে। গোত্রদি কাইসোবনে।

(১১) মুংয়াম্ব খুম্বোক - কোবো লইকাই তাব উসম্ য়ীম্লেন্ পুদি চৌরিন তউহুংহে পোকয়ে। পেন্দি চফাল ময়ুমনে। হৌজিক্তি নৌতুনোসিং কৌয়ে। গোত্রদি কৌসিকনে।

(১২) কবো লইকাই তাব উসম্ য়ীম্লেন্দগি খাইব পুদি চেংব। হৌজিক্তি মদনাসিং কৌয়ে। গোত্রদি অনু গোত্রনি।

(১৩) লওরিয়াম্ পুদি লাফোংন চৌখম্সেং পোক্য়ে। পেনদি লওসিকাম্নে। হৌজিক্তি সনা লোক্প কৌয়ে। গোত্রদি সানা গোত্রনে।

(১৪) লওলরিয়াম্দগি খাইব উনুংদ তাব সঙকুবম লিল্রাসিং কৌয়ে। গোত্রদি কৌসিকনে।

(১৫) কবো লইকাই তাব ফুরিৎসাবম্ মুংয়োং ময়ীম। পুদি লওরিন লওতোং পোক্য়ে। হৌজিক্তি চাউবহল কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিলনে।

(১৬) উনুং তাব হাইখাম্ পুদি রউলইন চউলই পোক্য়ে। কাইসোবনে।

(১৭) মুংয়াম্ব হাক্তক্ত থোরক্প কবো লইকাই তাব সেনজম্। পুদি বাসোম্ন চউসুল্ পোক্য়ে। হৌজিক্তি জিবনন্দ কৌয়ে। গোত্রদি কৌসিকনে।

(১৮) ফুরিৎসাবম্দগি খাইখিব থাংমৈবন্দ তাব ইরুংবম পুদি চৌলা কৌয়ে। হৌজিক্তি লাব কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিলনে।

(১৯) সেন্জম্ লাইবক্ সাবম্ য়ীম্লেল্ চাউবহল্ কৌয়ে। গোত্রদি কৌসিক্নে।

মইদিংঙু মরাম্বদ - (১৭৬১ - ১৭৬৩)

মইদিংঙু মরাম্বদ থোরক্প কসোম ময়িম্ব লইকাইন কামাপল্ তাব পুদি তউহুমহই কৌয়ে। পেন্দি হুইয়াম্ চনুনে। হৌজিক্তি পাম্চৌ কৌয়ে। গোত্রদি সান্দিলনে।

মসিগী মথক্ত মসাগী গোত্র খণ্ডদন মণিপুরদ লাকপা মীওই কাঙলুপ খরসু লৈরী। মখোয়শিং অদুদি

গোত্র খণ্ডদন লাক্চব নোংচুপ হারম্

পাইসোপ গোত্র

১. খোংবান্তাবম্
২. সেন্জম
৩. হৈখাম

কৃষ্ণনাথ গোত্র

১. সেনজম্
২. ঙাসেপ্পম্

মৈত্রয় গোত্র

১. উসম
২. নান্দেবম

ভরাদ্বাজ গোত্র

১. সমজেৎ সাবম্

সান্দিল গোত্র

১. নান্দৈবম

২. চাফাল ময়ুম

৩. সেনজম্

৪. হৈবিথাবম্

৫. ফুরিৎসাবম্

অনিমান

১. উসম

২. অখোংবম

ময়তৈ সাগৈদ হাও ময়াং চংব

হারম হায়দুনা লাকপশিং অসি নত্তবা য়াম্না পীকনা মৈতৈগী সাগৈদা চংখিবসু য়াওই মখোয়শিং অদু মখোয়না চঙখিবা সাগৈগা কোন্ননা মখা পীজরি -

(১) নিংথৌচা সলাইদ চঙব হাও ময়াং - নোংচুপ্ নোংপোক্ পক্পগি ব্রাবু হায়গে। খোংনাম্বগি ঈ য়েন্খোম্দ পক্প চাখাব সঙ্ব অম, খম্লাংব সঙ্ব অমনে। অনীমদি মরিংনে।

য়েনখোম্ পান, খাঙ্বদ পক্পদি সগোন্বন্ তাবা নন অনীদি অখুই হাওনে।

হাওব কোক্কি ঈ খুন্দ্রাক্পম্দ পাক্পদি হাওরৈবী তাবা অম, সল্লুংফম্ তাব বিষ্ণুরাম্ অম্ নাগ মপান্ তাব হৈরেনসিং অম, নব্রা অম মরিম অসিদি ময়াংখাং লাবোক্নে। অনৌব লাংথবান্ তাবনে।

কাংঙবম্দ পাক্পদি - কাংঙ সেন্বগি ঈদি অঙোম্ নাইদ লৈব কাংঙ্বম্দি নোংচুপ্নে।

(২) পাউনম্ য়ুম্লেন পকপদি হাও ফুংগ অনিনে- যুগিৱাং ৱাংজিঙ্ তাবা অম, য়াইরিপোক্ পাউনম্দ যুগি ফুংগা অম লৈয়ে।

য়াইরিপোক্ কৈসাম্দি ঈরুপ্পম্ বালসাম্গি ঈনে। নোংচুপ্নে।

(৩) নোংথোনবম্দ পক্পদি লং সঙ্ব ফুংগা অনীনে। নোংচুপনে।

নামৈরাক্প কয়নৌ তাবদ পক্প কালিকা মনাইদি লাফোক হাওনে।

হুইদ্রোম্ য়ুম্লেন্দ পক্পদি প্রেম্চান্দ অম, কবো অমসু লৈয়ে।

য়ুম্নাম্ সনথিন্বমদ পকপদি - কবো চাফাল্ অম, নাগরী ফুংগা অম, খোইপুরেম্বু অম ফুংগা অম লৈয়ে।

অহন্থেম্দ পক্পদি তাংখুন হাউ চিঙ্কোক্ কৌব অম লৈয়ে।

য়ুমনাম মোইবুং লোকপমদ পকপ-পাওবম অম কোনসব অম অনিম নোংচুপনে।

চিঙ্খম্ নামৈরাক্পম্দ পক্প খারল হাউ ফুংগা অম লৈয়ে। লয়মপোক্পম্দদি ৱাইকোক্ ফুংগা অম লৈয়ে।

(৪) কোনসাব রামদাসকি ঈদি খোমপিদোক তাবনে। নোংচুপনে। থৌবান্ তাবা সৌগ্রাক্পমদদি মেতু ফুংগা অম লৈয়ে।

(৫) ৱাইথৌ মপান্ তাব নিংথৌজম্দ তিংসাং ফুংগা অম লৈয়ে। সাৎপম্ সেৎলাই তাবদ পসোৎ সাব অম লৈয়ে। নোংচুপনে।

ৱাংজিং তাব নিংথৌজম্দি যুগি নোংচুপ্নে। থৌদাম অৱাংদ পক্পদি কাব্রং নাইব বিনোৎ অম লৈয়ে। নোংচুপনে।

(৬) ক্বাক্প থৱান্ থাবন লওবা ময়াংলয়ম চিঙ্ঙু লেন্বীদ উল্লক্প য়ুমনাক্তি - (১) পেবম্ (২) নাওরোইবম্, (৩) ৱায়খোম্

(৪) সাইখোম্ (৫) ঙাতেম্ (৬) কাংঙসেন্বম, ঙানুসেন ১।, ঙাথেম্ ১, সনা সাব ১।, হোদাম্ ১, কৈসাম্ ১, ফৌকয়সঙ্বম ১,ক্কাথাব ১, সায়াসেনব ১, হামেং সেনব ১, সেন্দু সঙব ১, য়ু সুংবম্ ১, সগোল সেন্বম্ ১, তাইমজম ১, অসিদি নাইউননে। য়ুমনাক ২০ (কুন্নে) নে। অসিদি সলাই তরেৎমক্ত চংখরে।

(৭) য়ুম্জাও নাওদদ পকপদি - নোংথোনবম্ খোংচি তাবদি ৱাকোক্নে। পুরুম্ চুম্বংনে। য়াইরিবোক্ নোংথোন্বম্ খেমাদি লয়মনাই্ ময়াংনে। লাংপোক্লাক্পম্ খুরাই্ তাবদি সংসাংনে। লাংপোক্ তাব লাংপোক্ লাক্পম্দ চিঙ্পু হাউ অম লৈয়ে। নোংথোন্বম্ লম্লোংকয তাবদি বা .... হাউনে। ৱাংখৈরাক্পম্দ তাংখুন হাউ ফুংগা অম মমিংদি কৌওরক কৌব অম লৈয়ে। ৱাংখৈরাক্পম্দ পক্পদি অমত্তনে।

ৱাংখৈময়ুম্দ পক্পদি লউরুংব খন্বা অম. উরুংবম খন্ব য়াংব অম। অনামদি অন্দ্রোদগি লাক্পনে। তখেন্ লাংনুংমচানে। হাউবম্দগি লাকপ খন্বদি কবুই হাউনে। অহুম্না অসিদি নোংখ্রংদ ফংলে।

অনৌবদি - অকোক্সার্দাগ চঙ্লক্পদি - লমথেক্ অম. নোংচুপনে। চক্প্রম্দগি লাক্প লুকোক্তি অচেপনে। কক্চিঙ্ লাইরিক্য়েংব মনি সাইগি ঈদি - জয়ো সনাদ খন্ব অম অহুম্ম অসিদি অনৌবনে।

মোইরাং নিংথৌ ইরুংবম্দ পক্প পুখ্রিক্ হোঙ্বম্ ফুংগা অম। নোংচুপনে। তেখাও গেন সাব ফুংগা অমসু লৈয়ে।

খ্বাইরাকপমদ পক্পদি কবো কেঙ্গ্রেই স্যাম্রাম্ অম, ময়াং নিংথৌ নাইদগি লাক্প মেলাওব পুক্চাও অম।

নোংমৈকাপ্পম্দ পক্পদি কবো হিদাক সুংব অমনে।

তেন্সুবম্দ পক্প অমাক্চম্ ফুংগা অম লৈয়ে। থিয়াম্ সেন্ খিংব অম লৈয়ে। নোংচুপনে। শ্রী মহারাজ ময়াংঙম্বন সম্সু কোয়মনয়ে হায়দুন লওখৎলম্য়ে।

অঙোম্ সলাইদ পক্পদি

অঙোম্ সলাইদ পক্পদি - খাংঙেল্বম্দ কবো উনুংতা ফুংগা অম লৈয়ে। পোংসুম্বম্দসু কবো ফুংগা অম লৈয়ে। অচুৱাম্দসু কবো ফুংগা অম লৈয়ে। চরাংপাৎ খরিবম্দি নোংচুপনে। সেরাম খোংমন্ তাবদি সুদ্র অম লৈয়ে। তেলেম্দ পক্প তখেন্ তোললোং ফুংগা অম লৈয়ে। থৌবাল তাব লয়তানথেমদ চাতোং হাউ অম লৈয়ে।

পুদোন সাঙ্দোন্দগি চঙ্লকপ অঙোম্দ পক্প নাক্পক্ হন্জব কাল্দেপ অম, মংসাদম্দ পক্প চক্প থোংজাও ফুংগা অম লৈয়ে। ৱাংলেন্বম্দ খোইবু ফুংগা অম লৈয়ে। খোইমোম্ তাবম্, থাঙ্জম্ অনীমদি অকোকসা নোংচুপনে।

শ্রী মবুথৌ গরিবনিৱাজন অঙোম্ খাগি ঈনে হায়ন লওখৎপ থাঙ্জম্ চেক্সা অম। মঙোন্দ পাক্প সুদ্র রাম্ সাছুগি ঈদি য়াইরিবোক গুরু মনাই ফুংগা অম লৈয়ে। চিঙ্গাঙ্বম্ ৱারোক সঙ্বদি চাদোং হাউনে।

লংমাইথেম্ তেন্লোংব সঙ্বম্দ পক্প মোইরাং নিংথৌ খেলেম্বগি কয় মান্তক্ হাউ থুম্কল্ব মুবগি ঈদি ফুংগা মঙা লৈয়ে। তারাও পল তাব লংমাইথেমদ তরাও হাউ ফুংগা অম লৈয়ে।

শ্রী নিঙোন্ লাইতোনগি পক্পদি অকোইজম্দ তিল্লিবা কোন্থৌ ঈদ পক্পদি চাতেনে, মরাবি অম তম্পাক্ নাইনে। কেনেঙ্গি ঈদি তিংসাং হাউনে। গোরগি মচাদি খারা কৌয়ে। অসিদি সোইবম্দগি লাক্য়ে। মরি হাউ খম্বাগি মচা খারা কৌয়ে। অসিদি সোইবম্দগি লাক্য়ে। মরিং হাউ খম্বগি ঈনে। হাউচৌদি পুরুম্নে।

নিংঙোন্বম্ লম্পুন্ তাবদ পক্পদি সুদ্র ফুংগা অম লৈয়ে।

লাইতোন্জম্ নুঙ্কয় তাবদ পক্পদি সন্দংসেন্ব তিংসাং হাউ ফুংগা অমা লৈয়ে।

লুৱোংজম্ য়ুম্লেল্ ফুংগাদ পক্পদি লোংৱোংজম্ য়াইরিপোক্ তাবদি য়ু সুংব নোংচুপনে। ময়াং লয়ম নাই ফুংগা অমসু লৈয়ে।

হুরেম্ চিঙ্বা লয়ম মনাইদ পক্পদি তাংখুন্ হাউ ফুংগা অম লৈয়ে।

চেংলয়দ পক্প

চেংলয়রোন্দ পক্পদি - পাংথং অহন্‌বগি ঈ তোংব্রমদ তিংসাং ফুংগা অম লৈয়ে। সোরাইসমদ পক্পদি - লম্ তাব সোরাইদি চোথেনে। হুইকপ্ তাব সোরাইসমদি তথেন্নে।

লয়সাংথেম্ য়ুম্লেন্দ পক্পদি লাইরেম্মদ কৎপ য়েল্হিং কোইরেং হাউ ফুংগা অম লৈয়ে। মুতুমদ চংলে। মমিংদি লাকাব কৌয়ে। লয়ম নাই ফুংগা অমসু চংলিয়ে। মাগি ঈদি খুৎ লোঙ্নে। খুবাই লয়সাংথেম্দ পক্পদি চোংাম্ তিন্নব কোক্চাওদি খারম্নে। সারাংথেম্ হিয়াংথাং তাবদ পক্পদি পুরুম্ ফুংগ অম লৈয়ে। য়েল্লাংবম্দ পকপদি নম্বোল্ তাব য়েলাংবমদি ময়াংনে। চিঙ্ঙাখম্দ পক্পদি - চিঙ্ঙা সঙ্বম্দি হাউনে কবুইনে। অন্দ্রো ফুংগা অমসু লৈয়ে। চনম্ সন্থোক্ তাব ফুংগাদ পক্পদি তিংসাং ফুংগা অম লৈয়ে। থাঙ্জম্ কা ... পম্ কোংব মপান তাবদ পক্পদি কবুই হাউ পম্ কৌব অম লৈয়ে। সোবোক্ খাইবম্ ককবা তাবদ পক্পদি ময়াংখাঙ্ লাবোক্ ফুংগা অম লৈয়ে। থাঙ্ঙা খুন্ন সেন্বমদি তোংব্রমদ লৈরে।

লুৱাং সলাইদ পক্পদি

লুৱাং সলাইদ পক্পদি - মুব ৱাখ তাবদি ময়াংখাং লাবোক্নে। ঙাংলোম্দ পক্প মরিং অম চংখিরে। রখোন্সিং কৌয়ে। মাইবসনাম্দ পক্পদি মউৎ উন্মোল্মো কৌব অম লৈয়ে। নোংচুপ নে। তিংসাং অমসুঙ্ লৈবনে। মাগি ঈদি গৌর পুঙ্সাল কৌয়ে।

সঙাইব লউ তাব সৌবামদি নোংচুপনে। ৱাইথৌ মপান্ তাব থিয়াম্দ পক্পদি তিংসাং ফুংগা অম লৈয়ে।

ময়েংবম্ লোক্লাওবুং তাব কয়নৌ তাব ফুংগা অনীমদি নোংচুপ্ চন্দোন তক্পনে।

খুরাই তাব অরাম্বম্ লাইফম্ লাক্প ফুংগাদি অচেপনে। কয়থেল্ মপান তাব অরাম্বম্দি সুদ্র চন্দোন্ তকপনে। তাকলেল মপান তাব অরাম্বমদি সঙসাংনে সঙ্রুংনে। মমিংদি গৌরাং কৌয়ে। নোংথোনবম্দ পকপদি ময়াং নে। লউলোক্ সঙ্বগি ঈদি নিবিলনে। অপাংনে। চন্দ্রসিংনে অহুম্নে। সল্লাম্ য়ুম্লেন্দ পক্পদি হাউখোম্দগি লাক্পদি খোংঙা খুল অম চঙ্লে। মাগি ঈদি মসেম্বনে। পাৎসোইদ তাব সল্লাম্ ফুংগা অনীমসুঙ্ থোংজাওনে। ৱাঙ্বেম্ অচৌবদ পক্পদি কুম্বী চন্দ্রমনি ফুংগা অনী লৈয়ে। থৌবাল্ নিংঙোলবম্ তাব অরাম্বদি তিংসাং হাওনে। ৱাহেংবম্ চন্দ্রমনিদি খাঙ্লাপোক্নে মাগি ঈদি খোম্মা হাউ লম্বুং খন্বনে।

খুমন্ সলাইরোন্দ পক্পদি - তেন্থা মাইবমদ পক্পদি পেঙকি মাইবম্দি পাসিনে। মোঙ্বিজম্ কোন্থা তাবদ পক্পদি সাল্থুল্ নাও কৌব হাউ অমনে, নাপেৎ ফুংগ ২নে নোংচুপনে। লাংতেমদ পক্পদি হাওৱোইবম অম, পল্লুজম্ ১ অনীমদি তিংসাংনে। ঙাঙ্বম্দ পক্পদি নোংচুপ্ ফুংগা ১। নিংথৌখোংজম্দগি লাক্প হাউ ফুংগা ১। চান্দম্দ পক্পদি তিংসাং ফুংগা অম লৈয়ে। ৱোইনাম্ খাবম্ ইনবদ পক্পদি চরোয় খুল্লেন্ খোগিন্দ্র কৌব ১ লৈয়ে। নিংথৌখোং ফুংগা অমসু লৈয়ে। মাগি ঈদি নরোতোম্ খাবম্ লাক্পনে। ৱোইনম্ সৱোম্বুঙ তাবদ খোইল্লু চপ্প কাতা চোথে ফুংগা অম লৈয়ে। ৱোইনম্ অৱাং য়েন্দু সঙ্বমদি নোংচুপনে। মাইমোম্ খেক্মন্দগি কক্ৱাদ লৈবদি তিংসাংনে। কারামদ গানম্ হাউ ফুংগা অম লৈয়ে। হাউবিজম্ নাতুল্দি নোংচুপনে। সৌকা ইজমদ পকপদি দুম্ ঙাথীব কোতাউ কৌব অম লৈয়ে। কোনোম্দ পক্পদি অচেপ্ ফুংগা ১ লৈয়ে সাৎপম্দ পক্পদি অন্দ্রে ফুংগা অম লৈয়ে।

সন্সেন্বমদি নাইৱুন্নে। মপুদি অখুন্ তাও কৌয়ে । নোংচুপ্নে । পুখ্রল্বম্দ পক্পদি মমাং নিংথৌনাই নম্বোন্ তাব লাইরিক্ হৈব ১ /চুঙ্খাম্দ পক্পদি বাসি ফুংগা ৪ লৈয়ে । লম্মাবমদ পক্পদি ময়াং লয়ম নাই ফুংগা ১ লৈয়ে। হাওবমদ পক্পদি কক্চিঙ্ ময়াং লম্বম্ ফুংগা ১ লৈয়ে। নোংচুপনে। খালাইথংবম্ ফুংগা ১। মোইরাং তাব পুংগা। অনীমদি অসিদি লাংলোয়নে। কোন্থা তাব হাওবমদি চিঙসোং লল্হানে । থোঙ্বম্দ পক্পদি হাউ ফুংগা ১ লৈয়ে। কবুইনে। য়াংনু য়য়বম্ মান্সাংদ পক্পদি কবো ফুংগা ১ লৈয়ে। য়েল্লাংবম্ তিন্নবদি কবোলম্বম পোং লমবু খন্ব ফুংগা পক্পদি মরিং ফুংগা ১ লৈয়ে । থাঙ্গ তাব লাইশ্রম্দি খুনু সেন্বম্নে । হাউবম্ মনি পুন্সিবদ পক্পদি জোয়ে ৱাম্দি নাম্রমনে ।

য়ুম্নাক অমত্তন সলাই (য়েক) অনী অহুম সুব য়ুম্নাক্ খর -

১.	ৱালেম্বব	-	লুৱাং, অঙোম, মোইরাং
২.	নাহাক্পম	-	নিংথৌচা, লুৱাং
৩.	থংজম	-	লুৱাং, অঙোম, চেংলয়
৪.	সাৎপম	-	খুমন, নিংথৌচা
৫.	হাওবিজম	-	খুমন, ঙান্ব
৬.	পুখ্রলম্বম	-	খুমন, মোইরাং
৭.	ময়াংলম্বম	-	খুমন, মোইরাং
৮.	তেল্লেম	-	খুমন, মোইরাং
৯.	হাওরোংবম	-	খুমন, মোইরাং
১০.	হাওৱোইবম	-	খুমন, মোইরাং
১১.	ঙাসেপ্পম	-	খুমন, মোইরাং
১২.	ৱারেপ্পম	-	খুমন, নিংথৌচা

১৩.	য়ুম্সুদুম	-	খুমন, চেংলয়
১৪.	মোইচেম	-	খুমন, নিংথৌচা
১৫.	য়ুম্লেম্বম	-	অঙোম, লুৱাং
১৬.	নাওরোইবম	-	নিংথৌচা, লুৱাং
১৭.	কোন্সম	-	নিংথৌচা, চেংলয়
১৮.	নোংথোন্বম	-	নিংথৌচা, অঙোম, লুৱাং
১৯.	লাইতোন্জম্	-	নিংথৌচা, অঙোম
২০.	লোইতাম্	-	নিংথৌচা, চেংলয়
২১.	লাঙ্গোনজম্	-	চেংলয়, ঙানব
২২.	ফিজম	-	ঙানব, নিংথৌজা
২৩.	কোঙ্েংবম	-	মোইরাং, খাবা, ঙানব

মাংগ্রব য়ুমনাক্ (অৱান খোমখিব)

য়ুমচংব - ঙানুরোন্ থোঙাইব চনুন লুংবগ নুঙথোংঙাইগ অনীম পোক্য়ে। নুঙথোংঙাইন লুৱাং ৱোইখিযে । খুমন্দি লেম্থোংনে । - হাউরম্তোন্ন অথিঙ্ মোংবীসুন ঙানুরোল্ পান্নদুন অথিঙ্ মোঙবীসুনে, মেল্পোম্বনে, থোংবু সানম্বনে, লিক্লাই থাবনে মরিম পোক্য়ে । মেল্পোম্বদি নিংথৌনে । অথিঙ্ মোংবীসুগি য়িদি মোঙ্বিজম্নে । থোঙ্বু সানম্বন খাইথিব চনু পান্নদুন তেংকোল্ পোকয়ে । তেংকোন্ন য়িরেংবম্ চনু ননিতা পান্নদুন কোরেম্বগ পন্সাগ অনীম পোকএ । পন্সান ফৌকাকচাউ তাখিয়ে । পনসান লওকুরাক্পম চনু লেম্বী পান্নদুন কোইরেম্বগ হাউবগ অনীম পোক্য়ে । কোইরেম্বন য়িরেংবম চনু মালা পান্নদুন ময়াংগ কোইব অনীম পোক্য়ে । ময়াংন য়িরেংবম্ চনু থম্বালনু পান্নদুন সক্থীগ লোইতোংগ অনীম পোক্য়ে। সক্থীন লওকুরাকপম্ চনু কোক্তেন্ পান্নদুনা চাউব পোক্য়ে । চাউবন য়িরেংবম চনু খাংখানুগা সগোন্সেন্বম্ চনু থাদোইগ অনীম পান্নদুন

য়িরেংবম্ চনু খাংখানুন জয় পোকয়ে । সগোন্‌সেন্‌বম চনু থাদোইন সাম্ পোক্‌য়ে । জয়ন য়িরেংবম চনু মুহেল্লা পান্নদুন অভিরামগ হরিগ অনীম পোকয়ে । অৱান খোম্‌খরে ।

লোইতোংন য়িরেংবম চনু মুবীগ খাংঙেন্‌বম্ চনু মিৎলুগ অনীম পান্নদুন য়িরেংবম্ চনুদি সোইনাইদে । খাঙেন্‌বম্ চনুন লুখোন পোকয়ে । অৱানা খোম্‌খরে ।

কোইরেঙ্গ্বন মুতুম্ চনু কালা পান্নদুন লয়তোমগ চেকসাগ অনীম পোকয়ে । লয়তোম্‌ন চান্নম্বম চনু মুহেল্ল পান্নদুন হাউচোম্ পোক্‌য়ে । হাউচোম্ব চানম্বম্ চনু রুহিনি পান্নদুন চাউব পোক্‌য়ে । চাউবন য়িরোংবম চনু পান্নদুন দয়াবাম্‌গ তুল্‌সিংগ অনীম পোকয়ে । চেক্‌সান নিংথৌজম্ চনু মুনোয় পান্নদুন ঙাঙ্‌বগ লোইনাইগ অনীম পোক্‌য়ে । ঙাঙ্‌বদি অৱাদ মাঙ্‌খরে। লোইনাইগি ঈদি তাঙ্‌লম্‌দ মাঙখরে ।

লৈনুং পেন্দিন্নবা

১. অঙোম সলাইদগি - (১) কাম্বম্ (২) অকোইজম (৩) নিংঙোম্বম্ (৪) লাইতোন্‌জম্ (৫) হুইরেম্ য়ুম্নাক মঙা অসিগ- লুৱাং সল্লাইগি - (১) খোক্‌নাম্ (২) সম্বান্দুরাম্ (৩) খোইবম য়ুম্নাক অহুম্ অসিগ পেন্ তিন্নৈ । - *লিক্‌লা বিচা*

২. সরাং লয়সাংথেম্ সলাইগি - (১) থাংজম্ (২) তোংব্রম (৩) সোরাইসম্ (৪) লোইতাম (৫) তৌরাংবম্ (৬) থুম্‌গন্‌বম্ (৭) ঙাথেম্ (৮) ময়াংলম্বম (চেংই) (৯) লৌসিগাম (১০) লয়সাংথেম্ (১১) খাগোক্‌পম্ (১২) মাইবরম্বম্ (১৩) নাওসেকপম্ (১৪) য়ুমসুদুম্ (১৫) খোইস্নম (১৬) মৈনম্ (১৭) হৈৱাম (১৮) সরাংথেম্ (১৯) ৱাইরোক্‌পম্ (২০) চনম্ (২১) য়েল্লাংবম্ (২২) চিংঙাখম্ (২৩) সরোংখাইবম্ (২৪) মাইবয়িমাম্ (২৫) সম্মোম্ অসিগ (১) কোছৌজম (২) হাওরোক্‌চম্ (৩) থাংজম্ য়ুপান্‌বম (৪) ৱাকন্‌বম

(৫) কোন্‌জেংবম (৬) লোক্‌তোন্‌বম্ (৭) য়াংগোইজম (৮) হেম্মোইবম অসিগ - মোইরং অরিবগি হাওরোংবম্ (২) কৌজেংবম (৩) লাইুজম (৪) লিসম অসি পেন তিন্নৈ - *হুইমু লয়ম*।


৩. খাব সলাইদ - (১) কোংজেনবম (২) খুরাইজম (৩) খুমুজম য়ুম্নাক অহুম অসি পী তিন্নৈ - লয়চিক্ ঙান্‌বী

৪. লুৱাং সলাইগি - (১) হিজম (২) সল্লাম অনি অসিগ খুমন্ সলাইদগি - (১) ৱোইনাম্ (২) মাইমোম (৩) লাংহৈবম্ (৪) মোইচেম্ (৫) লাইস্রম য়ুম্নাক তরেৎ অসি লৈনুং পী তিন্নৈ - *ঙানু*।

৫. মোইরাং অনৌব সলাইগি - (১) খোক্‌চোম (২) সোইবম পুস্রলবম (৩) সোইবম্ (৪) সিংখাংবম্ (৫) মোইরাং কৈথেল্লাক্‌পম (৬) থাংজম্ (৭) মোইরাংময়ুম (৮) অহৈবম্ (মোই:২ন) (৯) লাইরেনময়ুম (১০) লাইফ্রাক্‌পম্ (১১) খোইনাইজম্ (১২) লয়মজম (১৩) মোইরাংখ্বাইরাকপম (১৪) মোইবাং ৱাংখেম (১৫) হিদম ১৬) ঙাংখম্ অসিগ - মোইরাং সলাইগি - (১) খুয়োঙ্গেম্(১৪) মোইবাং ৱাংখেম্ (১৫) হিদম (১৬) ঙাংখম্ অসিগ - মোইবাং সলাইগি - (১) খুযোঙ্গেম্ (২) মুংখোম্ (৩) খোইথাংবম্ (৪) কিয়াম্ (৫) মোইরাং লাইরেন্ ময়ুম (৬) তৌপোক্‌চম্ (৭) পুদোন্‌জম্ য়ুম্নাক ২৪ (কুনমরি) অসি লৈনুং পী তিন্নৈ। - *লয়নুং য়ুচাখা*।

৬. খুমন সলাইগি - (১) অথাম্ (২) অয়াম্:খাব সলাইগি - (১) কোংজেন্‌বম্ (২) খুরাইজম্:

ঙান্‌ব সলাইগি - (১) মৈহৌবম (২) তেক্‌চম (৩) খুমুজম (৪) থোংঙাম্ (৫) অহৈবম থোঙাম (৬) খুম্নাম্ (৭) থিন্‌বম্ (৮) লাংগোন্‌জম্ (৯) সনজিরাম্ (১০) খাইদেম্ য়ুম্নাক ১৪ অসি লৈনুং পী তিন্নৈ - *চিনফুরোন্ লয়চিক্ ঙান্‌বী*।



-০-